ভারতের যোগবলি
মনীষীদের নাকটাবলী

[illegible]

মমাঙখোঙ লোমবদি মনীংখোঙদা লাকউদনা

সোনামনি


মমাঙথোঙ লোল্লবদি
মনীংথোঙদা লাকউদনা

সোনামনি

মমাঙথোঙ লোল্লবদি

মনীংথোঙদা লাকউদনা

(একাদেমী মনা কংলবা লাইরিক)



* কমলাসনা রাজকুমারীনা—মঞ্জিৎ পব্লিকেসন্, মোইরাংখোম লোক্লাওবুং ইম্ফালগীদমক ইং ১৯৯৬ দা অহুমশুবা থুংনম ওইনা কপি চামঙাদং সুচেতা প্রিন্টিং ৱার্কস লোক্লাওবুং ইম্ফাল প্রেসতা নমহল্লগা ফোঙবা ।

মমল—লুপা ৫০ (য়াংখৈ) থকনি ।

Mamangthong Lollabadi Maning Thongda Lakudana a collection of 18 short stories by E. Sonamani Singh, a Sahitya Akademi New Delhi and Manipur State Kala Akademi Imphal award winning book ; 3 rd Impresson published in 1996 by Kamala Sana Rajkumari for Manjit Publication Moirangkhom Loklaobung Imphal and Printed at Sucheta Ptg works Moirangkhom Loklaobung Imphal —500 Copies

Rs. 50,00

ৱা অমত্তং

"মমাঙথোঙ লোয়রবদি মনীংথোঙদ' লাকউদ্রা।" হায়ৰা ৱারী-মচা নাচোম অসি মতম মতমগী সমাজদা শিংলকপা চুংশিংনা থেংনুবদা অঙৈং অশা কাওরকপত্তু য়াথলনা শোল্বা নাচোমনি। মসিদা য়াওরিবা পাত্র পাত্রী খুদিংমক য়াথলগী ভাক্তমি কনা অমত্তগী মম্মি নত্তে।

অওনবা খুদিংমক হায়না লৈরম্বা চৎনরম্বা কয়া থাজনরম্বা পূম্বা অহু মরাম চাযথরকপনি। কনাগুম্বা হায়গী চৎমৰী থাজবা পূম্ববু য়াম্না পামজক্লবা কাওবুনা মাঙথরকলিবা হুম্বরকলিবা মমল অহু উবদা তেংথাজবা হৌনশানি।

হায়গী মতম কূইনা চুমক্লবা কায়রক্লবা চৎনবী য়াথল থাজবা হৌজিকসু কায়ে চুম্মী — শল্লবাদ মঙ্গবু ভাক্তুনা থম্বনা চুম্বরা মত্রগা হায়গী লৈরম্বা পূম্বা লোইনা হুন্দোক্লগা ওইমক ওইহল্লিখত্নদা অক-ফত্ত থন্দনা তুরেলগী কাওশিংনা ভাউবগুম পোলেকম থগুদনা মতমগী ঈচেলদা অগুম ভাউথবনা চুম্বরা ?

ৱারী নাচোমসি পাবিত্নুনা সংসারগী অরা অনা ভাইহাক কাউবিবা ওমলবা অমদি অচুম্বত্তু থগুহনবীরবদি হোৎনজমন মহৈ য়াল্লে থজগনি।

লাইরিক অসি কোঙবদা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা শেলগী মতেঙ থর পাংবীবগীদমক একাদেমীদা তোবিমল থগুবা উচ্চরি।

সোনা

অনিশুবা খুৎনম
রাহৈ অনিদং

মণিপুরী সাহিত্যবু মুংশিবীবা ইরৈবাক মচাশিংনা ঐহাক্কী লাইরিক "মামঙথোঙ লোল্লবদি মনীংথোঙদা লাকউদনা" হায়বসি থরদং মিৎয়েং তাবিরকপদগী অনিশুবা খুৎনম অসি পুথোকচরে।

অওইবমক মণিপুরদদি অপাবগী মশীং রাৎপনা টেক্সবুক নত্তবা লাইরিকশিংদি অয়াম্বা মতমদা খুৎনম অমদগী হেন্না নম্বা শুকওম ওমদবনি।

ঐহাক্কী লাইরিক অসিবু অনিশুবা খুৎনম য়োৎহনবীরিবা লাইরিক পাবিবা ইরৈবাক মচাশিংগী মফমদা থৌবিমল খঙবা উচ্চরি।

অহুগা অনিশুবা খুৎনম পুথোক্লবা হোৎনবদা প্রুফ পাবনচিংনা মতেং কয়া পাংবীবা আর বি প্রেসকী প্রোপ্রাইটর ককা শ্রীযুক্ত রাসবিহারী সিংহগী মফমদা থমথৈ লৈতনা থাগচ্চরি।

ইম্ফাল,

আগষ্ট ১৯৮৯ ইং সোনামণি সিংহ

অহুমশুবা খুৎনম

রারীমচাগী লাইরিক অসিবু অহুমশুবা খুৎনম য়োৎহনবীবশিদমক লাইরিক পাবিবা ইরৈবাক মচাশিংগী মফমদা থৌবিমল খঙবা উচ্চরি।

ইম্ফাল

সেপ্টম্বর ১৯৯৬ ইং সোনামণি সিংহ

"মমাঙথোঙ গোল্লবদি
মনীংথোঙদা লাকউদনা"

কচ্ছরি—

অঙাং নাৱা ওঙ্করিঙৈ
সুংদাং হুম্রমদাই থুদীং
ফুঙ্গা ব্রারী লিবীরবী
লাইরৈবাক্তা লৈগ্রবী
"চন্থু" কৌবী অবোক্তা ।

—সোনা

য়াওরিবা

মমাঙথোক্ত লোমবদি

মরীংথোক্তদা লাকউদনা

১

চম্মুবা

"নহাক্না খল্লিবলি কল্লিনো ?"

"নহাক্না পাল্লিবনা কল্লিনো ?"

ঐনা খুম হেক য়োৎপা মাহং অমি তত্তনা হংই—ইমানা।

ঐহাক খুমক্ম থত্তদে—কল্লা খুবগনি। ঐ নত্তনা অত্তৈদা হায়দোকপা মালমা লাকপনি।

মাহং অমি ইমাত্তা নত্তে—ইকৈনম্নু হংই, তাদনম্নু হংই, পাখুমেম্নু হংই—মরক্নল মপাঙনম্নু হংই। মথোক্কত্তম্নু নত্তে। অহৈত্তে হংখি—তাম্বুং খুনাকপগী মচাম্নুপী ইশামক্তৌ লৈইনম্নু।

হুখিং অম্নু ঐথোর মাংখুদৌবগী লাকপনি। অমুক অত্তনকলী লাকপনা তাম্বুং য়োৎপা ঐথোর হুখিং পুম্নক্ত তারে। নহাল শগোলমথোম হুখিংকী হুংখিল কোইম্নিমগী লাকপনি। গুলি তম্মলী ওয়ে। হমকী অলিমা অনিশুবা থোক্তংনি। মসিগী মমাঙ থা তম্মলী মহাক্তনি ঐহাকী অহানবা থোক্তং। থোক্তংং অহল্লনি ঐহাকা তাম্বুং খুনাকপগী মথোম ইশামক্তৌ লৈইবা খঙলম্নিবন্নু।

ইমিত্তা শংশঙনা উরি—মুনিং অহু ঈরাই মুমিংনি ঐহাক ইন্ফালদগী মণিপুর স্টেট ট্রান্সপোর্টকী [illegible] তোংদুনা ডিমাপুর তম্না লাকপনি। য়ুমদগীদি পাটনাদা লাইব্রিক ভুম্বা চৎপনি—থাজৈশেংবদি [illegible] [illegible] অরাপ্পনি [illegible] লোংচংনি।

অমুক পুং ৬ তগী তোংদুনা লাকপনি কাংপোকপী লানথৎ-লকপদগী লম্বীদা অকনবা নোং মুংশিং থেংনখি। চীং লৈবাক্তী নোংজু মংবগা ভাবগা য়াম্নবা—মিং-মায় পাঙবা য়ুম্নবমথৈ চুবনি। নোংতা নত্তে অকনবা অঙৈংবা নোংলৈ-মুংশিংসু করিগুম্বা মকমদা উ-রা তেকপা মথৈ শিংপমি।

মতম অহু মৈতৈন। হাওরান হায়না খঙনবা নাগা লালহৌবশিংগী ঈরাং য়াম্না কনবা মতমনি। অহুনা ডিমাপুর লম্বীদা মিলিটারী এস-কোর্টনা মী তোংবা বস অহু হেক হেক থিল্লম্মী। ঐখোয়না তোংলিবা বস অহু কা'পোকপীদগী মণিপুর রাইফলসকী এসকোর্টনা ম্নাও ফাওবা থিল্লম্মী। মাওদগী নাগালেণ্ড মিলিটারী কোনস্তোয়দা হেক হেক চৎলম্মী। অসুম্না মিলিটারী কোনস্তোয়না চৎপসে লমকুপ খুদিংগী লেপ, চাকম থকফম খঙদে—মতম য়াম্না চঙবনি। ইম্ফালদগী ডিমাপুর ফাওবা পুং ৬/৭ কী লম্বী অসে পুং ১১/১২ চঙবনি। অহুনা ঐখোয়গী বস অহু মুমিং অহুনা কোহিমা য়ৌবদা মুংথিল পুং ৩ লোম তাংখ্রে। মাও লাম্হোকপদগীদি নোং-মুংশিং লেপখ্রে- অশোয় অঙাম লৈতনা কোহিমা ফাওবা লাকলে। হুইশেল অমা খোংবদা লৈরী—হুইশেল অমা খোংবদা অমুক থোই। কোহিমা হেক হেনগংলকপদা অকনবা নোং মুংশিং অমুক হৌরকলে—গাড়ীশু লেপ্পুনা খোরী। চীং লৈবাকী হুরা মুংশিং অঙকপনি। হৌজিক কোহিমাদগী চীংগোন

অমা অনি লাল্লকপদা—লোং ভুংশিং লেপশ্রে অত্তিবাদা কুমিং উজে—ঐখোয় পুম্বা তু মান থীংলে—তুরুক তুকাই চালবা কশ্রে। কোনজ্ঞোয় অহুম মিনিট থরদং লেপ্লবী ময়াম পুম্বা—মপান ইপান থোক্লবা। স্কাউটনা মনীং মমাঙ সাম্রি তৌম্রি।

বসতা তোংলিবা পেসেঞ্জর পুম্বা কুমথহুনা থরনা তাঁংলি য়াঙলীয়ী, থরনা মপান-ইপান থোকলি, থর অমনা য়ারী য়াতাই শাম্মী। মতম শাংনা বস তোংবদা কোক ভাওরবা য়ারবা কাঙবু থরগু মথাদা কুমথহুনা অঙীংবা মুংশিং য়ৈহন্দুনা চীন খা তেংথোক্তুনা পোথাম্লি। মতম অসিদা ঐহাক য়াম্মা মাংনীংলক্লম্মী।

কোম্ভোয়না থারিবা মকমত্তুদগী গজ ১০০ রোম চংলগা ঈখুং মচা অমা লৈ। মহু তম্না খুত্তা ঈশিং য়াওবা লীক্লী অমা পায়হুনা চংলম্মী। মোংশোংলক্তা কমহুনা ঙশায় মথৈ হুমাং অনম্মা কাংবা-মথৈ থাঙগংলম্বা থিজংলম্বা পুম্বা থাদোক্তুনা— হকচাং তু মান থীংলম্মী, মুশাম্বর মপী শাংনা হোন্দোকলম্মী। মতম অহুদা হুইশেল শাংনা শাংনা খোংলকলে। এসকোর্টকী সিকায়শিং মাগী মাসা গাড়ী কাখৎনশ্রে, পেসেঞ্জরশিংসু বস তম্না চঙশিন্নরকলি, গাড়ীসু ষ্টার্ট তৌনরকলি। ঐসু হাথু হাথু হকচাং শেংদোক্লগা গাড়ী তম্না চংকে হোৎলকপা মকুদা মাঙ-তুং অনিমক্তা মতম অমত্তদা শেং শেং লাওবা মথোল তাখি—থাপ্পা উথি মাঙগী গাড়ীদা তোংবা এল এম জি পাম্বা সিফাই অনি তুংগী গাড়ীদা তোংবা সিফাই অমা খুদক্তা লোংঙম ঙলীনা পান্দুনা হাইথখি। মিকুপ থরদংগী মতুংদা সিফাইশিং অহু গাড়ীদগী কন কন চোংথহুনা পোজিসন লৌহুনা নাকল অনি-মক্তগী লোঙ্গম কাম্লখি। বসতাং তোংলম্বা পেসেঞ্জরশিংসু ঊৈবাক্তা

থোরক্তা গাড়ী মরুমদা পাকথক্লুনা লোংনবি । কনা কনাগুম্না "হরে কৃষ্ণ রাধে কৃষ্ণ" লাওনা লাওনা শোয়রকই—কনানা কপ্লকপ্লু য়াওই । ঐহাকসু লৈরিবা মরুমক্তুদগী গুরুলেঙ লেঙবা য়ায়রে—ঐগী ইনাক কোকথক লাম্না অহেনবা গুলী হাইরোয়রক্লুনা চীংমায়দা অমুক অনিয়ক পানখি । চীংলোমদগী কাপখিবা গুলীনা পাইশিন্দুনা গাড়ীগী বোদি, মিংশেলদা পানবসু য়াওই । ঐহাক লৈবাক্তা উরা পাকথক্লুনা থাঙলম্মী । অস্ত্রনা অক্তংপা লৈতনা পুখায় অম্‌রোম নাকল অনিমক্তগী এল এম জি, রাইফল কাপ্পরম্মী মমৈদা এসকোর্টকী সিফায় কাঙবুনা মোর্টার বোম কাপ্না হৌরকলে । মতম অহুদা সিফায় থরনা মরুম অমা অনিদা সঙ্গীন থেংনবা নোংমৈ শুত্তা পায় চার্জ হায়বা থোক্লাওগা লোয়ননা হেংচিনখ্রে । মতম অনিমক্তদা ঐনা লৈরিবা মরুমক্তুদগী গজ ৩/৪ লাপ্পা গুলীনা শোক্লবা মী অমা থরো থয়ো ওন্থরকই । উরে মহাক অহু খুৎলাই পায়রবা নাগা লালহৌবনি । ঐহাক পাখংপগা লোয়ননা চেক্লগে হায়না হুক হৌগৎলকপরক্তদা খুৎলাই পায়বা সুপা অহুমথক থঙহৌনবা চঙ-শিন্নক্ত্রা—অমনা মাঙদা লেপ্লুনা সঙ্গীন থেংনবা নোংমৈনা থবাক্তা থমহুনা হৌদবা—অয়াকপা রাহৈনা "চেনখিচু" লাওরকখি । খাই পাখংলি ঐহাক চপ লেপ্পী—কোকচাঙবী ফুং কায়—খুনা যাংনা অতোপ্পা অনিহুনা ঐগী খুং অনি থোক্লিনা হুংবুরনা পুনখিবা থঙ-তৌদে । ঐহাক গতি লৈখিদ্রে, অমনা অশোকপা অহু নবো শোক্লিরে—অহুগা মাঙ থানা খুনা য়াঙনা চংপা হৌখ্রে—অতোপ্পা অমহুনা ঐসু পুক্লিবা থৌবিক্ত শক্তিন অমা পায়হুনা খুৎলাই পায়বা লাল-হৌবক্লুনা ঐসু মথোয়গী মহুৎ ইনাক্তনবা উইক্ত তৌরগী । ঐহাক

কিম্বা শাওনিংবা পাখংপগা লোক্কনা মা ওাখো থোক্কনা অয়োনবা লম্বীতুনা মথোৎনা চিংবা লোকচপ অয়োবদা তুমিন্না চৎপা হৌরকলে।

অতুম্না মা মচেং অমত্তা ওাঙ্কনবা তুমিন্না জঙ্গল উমং কয়া কাওহন্না ঐখোয় পুং তরেংলোম চৎলবা তুংদা মুখাংগী পুং তরামাথোয়রোম তারকপদা থুন অমা য়োৎয়ে। তুংদাং অতুম্না থুনতুগী মুম অমদা ঐখোয় পুম্বা পুম্না কৈরম্মী। থুন অতুনা লৈখ্রবা মিসনগী তান্তন্ন অমনা অহিং অতুমক্তদা ওপরেশন তৌহনা অশোকপা লালহৌবা মুপা অতুগী মশাদগী নোংমৈ তুলী অতু লোথোকলে— কক্কনা খ্রেসীং তৌবিরে অশোয়-অঙাম লৈরয়োই। মতাক মতম থর মশা পুমকং কংত্রিবা কাওবা থুনুলা লৈহৌরগদ্রি। অহিংগী পুং ১২ য়োম তারকপদা ঐগী দমক অথোংবা চাক থর, অচম্বা মনা মশিং থরগা পীরক্লম্মী। অয়ুক্তগী চক্কা কেজরবা ঐহাকলে — অফংবা চাক ইপাং অতু মক অমত্তা তাদবমথৈ লোইনা চাথোকলে। ইথক্তা তুমিন্না খাওবা ওমলক্তুনা ঐবু শওলিবা শন্নি অতুনা হংথি— “কন্নিগীনো ঐবু ফান্নিবা? ঐবু পুন্নিবনা কদায়দনো? ঐখোয়না লৈন্নিবা থুনসিনা কন্নি থুম্নে? নখোয়গী লুচিংবা অতুগা ঐগা অমুক্তা উনগে?” শাওথুম জমত্তা কংংদে। ঐহাক মক্তম থত্তলে— লাইথক্তা তম্বা লাক্কন্নি থনখি। মমৈদা চোকথরবা হুমচাং চাকয়াই কারকপদা মুন্দুনা অরা অনা কাউহনা উপাক্কী কাংথক্তা মত্ত মত্তদবমথৈ তুমখথি।

মোংতাম্নবদা অমুক চংপা হৌদ্রে। [illegible]নিদি মথোয়না ঐবু ফি অমজা চেংনা ঐগী মিং পুনশিন্নে। [illegible] কাব্রি শত্তি লৈরি মপোথনা কিনা [illegible] চৎপা তাখি? [illegible]অতুম্না পুং মতাম্লোম চৎলবা

তুংদা মথোয়না ঐগী মিং পুম্লিবা ফিছু লৌথোকলে। ঐখোয় হৌজিক মায়কৈ লেপফম থওদবা শুক্লবা উমংগী ময়ায় য়ৌরমলে— অথঙবা লমজিংবা য়াওজ্রবদি লমমাঙনগদবা মফমনি। উরি উনা হাইদোক হাইদোক অস্নুম অস্নুম জঙ্গল ময়ায়সিদা পুং অনিয়োম চংলবা তুংদা উমং ময়ায়দা অকোকপা অহাঙবা মফম অমা থেংলৈ— মফম অদুদা ইনা অমদি উনা শীংলোনা কুপ্পা য়ুম মচা থম ইকোয় কোয়না শাহনা লৈ- অকোয়বা অদু রাচেংনা কুংনা ফম্বন থায়— মদু লালহৌবশিংগী কেম্পনি। চঙকম থোঙ্গাকদা খুংলাই পায়বা থোঙশংবা অমা লৈরম্মী। ঐখোয় লাক্লিবা মরক্তগী লুচিংবদুনা থোঙশঙবদুদা হায়নরবা অমদি য়া থম ঙাওনরবা তুংদা ঐখোয় পূম্বা মমুংদা চঙলে। হাইকেং চাওবা কেম্পনি—মমুংদা মী চাময়োম লেম্না লৈরম্মী—ঐনা হকলুবদগী থওখি— মদু নাগা লালহৌবা কাওবুগী ব্রিগেড্ হেডক্বার্টরনি। কেম্প অদু পুরিবা মেজরনি হায়বা অমগী মনাক্তা ঐহাকপু পুশিল্লম্মী। মেজর অদুনা ঐহাকী মিং লৈকম-নচিংবা থম হংখি। ঐহাকসি মণিপুরদগী ইম্ফালদগীনি হায়বা খঙলবা তুংদা ঐগী মরমদা করি থবক পাযথংকদগে হায়বদু ব্রীগেদিয়ার মশাদগী ওরদর লৌখিগনি কায়রম্মী। ঐগী বাহং কয়া ঐবু থাদোক্লবা হায়বা রা কয়া- মনানা তাক্লে পাউথুম পীদে।

ঐহাকপু য়ুম অমগী মমুংদা থম্মী—মপান্দা থোংশবো অমনা শঙই। অস্নুমনা মুমিং নিনি হুমনি হৌগ্রে—রা অমত্তা চেক মোক লাওখিদ্রে—কেম্পাক্তা লৈবশিং মাগী মাগী মথৌ মোংমা লেপ্পনা তৌরম্মী। ঐনা তাখি—ব্রিগেদিয়ার কেম্পাক্তা লৈদ্রে—মহাক টুর চংখি মহাক হল্লকপা ঐগী বিচার তৌরদি। ঐগী চানরবা পান্

আনূ করিগুম্বদা চাক থর থর পীরকই। থন্দুনা য়েম্বৌয়ু ঐগীনি চায়ূবা মী অমা কাওবা নৈত্রবা মকম, লমথঙত্রবা শুঙ্গুবা জজল য়াইদা নাম্বোকফম থঙদনা অকা অপুন্নবা হিংগঞ্জা নত্রগা শিগত্রো থঙদনা তুমিন্না উনাগী থাংগোক মমুংদা মপান থোকহন্দনা লৈরবা ঐহাক করম্বা রাখলনা অরা অনা কাউথোক্নুনা লেমগবা? মুখিং মরি মশানিগী ভুংদদি থরাই গুপ্তাইতবনে, চায়ুম-থকলম থজেথনে—তুক্কম হিপকম জুং চাদবনে ঐহাক লাইহৌ হৌত্রুনা কয়া হেক্তমক নারে—হৌগং কাঙথং ওমদরে কেম্প অহুদা লৈরগী লৈশাবী অমনা ঐবু নিনিশুবা মুমিত্তগী মর্স ওইনা সেবা তৌবিরম্মী। মানা চেকশিন্না মুর্শিনা হোৎনবীবদগী মুমিং মশা ওরুক্লীগী ফুংদা ঐহাক অনাবা পুমক্ক ফরে। মহাক অহু অতৈ ওইরমত্রে তাঙ্কুং থুল্লাকপগী মচামুপী কৈহনি অহানবা উবমক্তা ঐগী রাখল পুম্বা মশোন্দা চিংশিনখি। লৈইস্নু মাগী রাখল পুম্বা ঐশোন্দা লুপ্পনি। অহুবু মাদি থুল্লাকপগী মচামুপীনি লুচিংবীনি মুপী মরুপকী মকোক্নী।

মহাক্না তক্তনা হংখি "অরেপ্পা য়া করি মুমিত্তা থঙহনগনি—অরেপ্পা বা হায়রো—ঐনা ফননবা শীন্নগে" ঐহাক পাওখুম পীত্রি—"ঐহাক থনখিগে মরমদি নখোয়গী থুম্বা, অহল লমম্না, মখোয়না শুকয়া য়ারোই" খুমখি। মহাক্না হায়খি—"১তু ঐহাকী মশমনি—নশগী অরেপ্পা রাহুত্তা হায়যু"

"ঐবু থম্লনবা মতম থরদং পীখো"। অম্মুম্না কেম্পুতা থা অমা হৌত্রে। লৈইনা হনাক্তা লৈবা মাঙ্গা ঐবু লুনা তৌবা পুম্নমক অসিনা থা অমা হৌখিবত্তু নোংমতা হৌশিন্ন্রঙম্‌, থমখি। মতম অহুদা ব্রিগেদিয়ার অহু হন্নকলে; মুমিং অহুগী [illegible]ংদগী-লৈইস্নু উবিত্রে।

মথংগী থুমিত্তা Interrogation তৌদনক ঐবু ব্রিগেদিয়ারগী মনাক্তা পুশিল্লম্মী। অঙকপদি ব্রিগেদিয়ার অহূ অতৈ কনা ওইরমগে— কলেজ অমত্তদা ঐদা ক্লাস অমত্তদা তম্মিন্নখিবা ক্লাস অমত্তদা কম্মিন্নখিবা ঐগা য়াম্না লুনা ফিরখিবা পাইফূন ওইরমগে। ঐ উবমক্তদা মহাক য়াম্না ওকখি— ঐসু ওকখি। অদুগা অদিগী পুক্নিং থাহোকল্লগা ঐখোয় অনিত্তা কম্মিল্লরম্মী। মাবা হংখি "শ্যাম কররম্না অসিদা লৈরমলিবনো?"

"ব্রিগেদিয়ার সাহেব নওনা লোইনা থরকল্লগদি। ঐহাক পাটনাদা পোষ্ট গ্রেজুয়েৎকী অরোইবা চহিদা তমলি—পাটনা খোঙচত্তা Accident অসি থেংনখুনা নখোয়গী কেম্পতা লৈরম-লিবসিনি।" মথংদা ঐখোয় অনি হৌড্রবা কলেজকী পুনসি—থোরকখিবা থৌদোক কয়া নিংশিংহনা বারী বাতাই কয়া শাদে। বারী শানা শানা গাইফূনা হায়খি—'শ্যাম! লোংপোক তাপক অমসুং ব্রহ্মাগী মরক্তা লৈবা নাগা তাবা লমপুদা পুনশিনবা মনীং-তম্বা নাগা ষ্টেট অমা শেমগদবনি। মীথা পোনবা হৈত্রবা নাগাশিংনি—মীথা পোল্লকত্রিবনি। মণিপুরদা লৈবা নাগাশিংসু মসিদা য়াওগদবনি মাওসু য়াওহনগদবনি। ঐখোয়গী পান্দম অসি ফংনবা ইন্দিয়ান গোবর্ণমেণ্টকা ঐখোয়গা লান শোকরকনি—কংদ্রবা কাওবসু লান শোকখিগনি।"

"পাইফূন নখোয়গী aim & object পান্দম অসি মথে লৈতনা। করিগী অহুবু নখোয় থকিল্লকং অসিনা ইন্দিয়ান গোবর্ণমেণ্টপু মায়থিবা পীবা ঙমগদ্রা?"

"করিগী ঙমদনি—ঐখোয়গী ইত্তেং পাংবীবদা পৃথিবীগী অচৌবা

শক্তি লৈ। মখোয়গী মতেংনা ঐখোয়না ইন্দিয়ান গবর্ণমেণ্টপু মায়থিরা পীগনি" । মানা মথা তানা হায়রকই—"নখোয় মৈতৈনা ইন্দিয়াগী মিচং চঙলিবা কৰিগীনো? ঐখোয়গা তিন্না পুম্না চৎথিরদ্রি। নখোয়গা ঐখোয়গা পুন্নরা ইন্দিয়া গবর্ণমেণ্টবা কয়া কুইনা থাওচনা লৈবা ওমগনি।'

"নঙনা হায়রিবথু য়াম্না চুম্বা য়ানি—অদুবু নখোয়গা হৌজিক পুম্না চঙমিন্নরগা নখোয়গী খৃষ্টান নাগা ষ্টেটকা মৈতৈশিংনা করম্বা ফিভমদা লৈগনি ?"

"মহু ইনৌং ভম্বা কান্দা থম্নগদগবা য়াকমনি হৌজিক্তি নীংতম লান পুম্না তৌখিগদবনি, থেংনাখিগদবনি। নহাক নুশামক হৌজিককী হৌনা য়াওরো।"

"এহাক অমুক্তা থনম্লিগে।"

অম্মা য়ারী য়াতাই কয়া শারে। মুমিৎ তারক্লবদা মাগা ঐগা চামিন থকমিন্নরগ। ঐগী লৈকমদা হন্নকখি। উনাগী কমুং থকুদা হিপ্পা হিপ্পা ৱারখি—'করম্বা শক্তিনা মখোয়গী মতেঙ পাংগদৌরিবা! ঐখোয়গী ইপা ইপুনা এনীং মথা ভম্না পান্নম্বা ইবৈবাক মণিপুর মচেং মচেং তারগন্রা? ৱৃটিশকী মথাদা কুইনা লৈরম্বা নাগাশিং মীথা প্রোন্নমন্রা? মৈতৈনা মপান কয়িত্তে—ব্রিটিশনা মণিপুর লোই চন্নিদৈদা অয় তৌহনা। মখোয়গী মথাদা লৈরম্বা নাগাশিং থক মীথা প্রোন্নমরবরা? , [illegible] মকেংনো মখোয়না লৌগদৌরিবা? মতেং কীয়িন্না শক্তি [illegible] প্রৌরিনাদি মখোয়বু পুক্লোইন্না? খৃষ্টান নত্তবা নাগাশিংগী য়ানা কুরি? থনকম থওদে।—

মতৌ অম্মা মুমিং থরনিদং কেম্প অহুদা লৈরগা মোংমা ব্রিগেদিয়ার গাইকুননা ঐবু কোহিমা কাওবা থিজোরকথি। চংলমদাইদা লৈইমা হংথি—"করি থল্লিবগে ?" ঐনা খুমথি "থা তরুকী তুংদা পাউথুম পীগে।" "অহুদি ঙাক্‌ংদা উমসি ঐ ঙাইহুনা লৈরমগে।"

থা অনিগী তুংদা ঐহাক য়ুম য়ৌরে। মাঙগ্রে থম্নরম্নবা—শিগ্রে থম্নুন শ্রাদ্ধনচিংবা লোইগ্রবা ঐনা থঙহৌদনা য়ুমদা থুংলরবদা অঙকপা হন্নাওবনা থল্লবী ইমাদো হরাওমনথিহুনা ঙাইহাক জ্ঞান মাঙহুনা লাম্নকরে। মুমিং নিনি হুমনিদি মী হংদোক হংজিন লাকপনা ঐগোয়গী য়ুমদু থুরক হাঙথিদে।

ইম্ফালদা লৈরকপা থা অনিরোম শুরকলে। হন্দক্তি ইমানা ঐবু অমুক চথোকহল্লরোই। সুশীলা হায়রুরে, পাজিদা পক্ল-রাইন য়েংলুরে লুহোংনবা মুমিং ফাওবা লেপ্লকলে। ইমানা হংই —"করি হায়রিবগে ?" পাউথুম পীজ্রি।

মতমসিদা পাবুংনা ঐবু "লাকদোরিবা ওক্টোবর থাদা তোগদোরিবা I A S কী competitive Examination য়াওদবা য়াদে। coaching তৌনমবা দিল্লিদা চংকদবনি—মহাকী arrangement পুম্না লোইরে নহাক কৈদোঙ্গে চংকনি ?" ঐহাক পাউথুম পীজ্রি।

ঐথোয়গী ভামোনা মরোল অমা ঐবু Business Management তমহল্লিংই। মহাক্না হায় "Ahmedabad কী Indian Institute of Business Management কী থিং-চন পরীক্ষা

য়াওদবনি, ঐহাক্তু পুন্নমক লোইনা শিন্নবনি September থাগী পম্বিক্কানি -নহাক Ahmedabad তা থা অমা coaching তৌহনা লৈগদবনি, করি হুমিস্না চংকেগে ?"

ঐহাক পাউথুম পীজ্রি ।

অঙোম ওংবী ইচেনা মখোয় লৈকাইদা লৈবী লুশীলাগী ম্না তঙনা হায়—"মশক্না ফজরিবা ময়ম্না ভুকশিন্না ওই য়েং খঙবী চীকখোন নাওখোনবী লক্কনা ফজবীনি, হায়রম্বনা থুরক হাঙলে ।" ইমাগা মাগা ম্না তঙনা তানবনি । "নহাকপু করি খল্লি ।"

ঐহাক পাউথুম পীজ্রি ।

মরুপ মপাং থর অমনা মমক মরক্তা অয়োনবা মিটিং তৌই—ঐমু য়াওরুই —মখোয়না হায় 'ঐখোয়গী লৈবাক মণিপুরসে অহানবগী পন্দোল লোমলে—ঐখোয়গী ইজ্জৎ-সাসন পায়রিবশিংনা ভাকপীজ্রে । ঐখোয়বু হিরম খুদিংমক্তা Exploit তৌবিবনা চাবা হোঙলম্বা মণিপুর চাকতাও লৈবাক ওইরে, নিঙতম্লম্বা মণিপুর লোইলম ওইরে, ভারতকী মহুংদা লৈরিমখে—ভারতকী অচৌবা পার্টিগী তুংইনবা মণিপুরগী থুংাস খরনা অরেম অপা থর কংবগীদমক মণিপুর পুম্নাঙ মাঙহল্লে-হেনজিনখ্রবদি হৌগংপা ভমলরোই-মৈতৈ জাতি মুংখ্রনি, মনীংতম্বা মণিপুর নত্তনা ঐখোয়গী মান মর্য্যাদা ইজ্জৎ অমত্তা ঙাকপা ভমলরোই । ঐখোয় ইনীং তমগদবনি । ইনীংতম্বগী লান্দা য়ুমলোন্নবা অচৌবা শক্তিনা ময়েং পাংগনি, অমুক পদ্ধবা য়াজ্রে—ঐখোয় থরায় কখোক্তনা ইনীংতম্বা পুরক্কদবনি—মহুৎগীদমক ট্রেনীং অমদি মী দরকার ওই—এখোয় হৌজিক চংসি মপুং ফানা ট্রেনীং লৌক্কনি ।

ঐখোয়গী ইপা-ইপুনা মনীং ওম্না থম্লম্বা মনিপুর লৈবাক ইনীং 'ইথা' ওন্না পানগদবনি—চৎলি মওম হেনবিদৌরে।" ওন্তনা হৌরি। ঐহাক পাউথুমদি পীজ্রি।

রোবিন তন্তনা লাকই মাগী অশংবা মতম্দা ঐবু উবা। মহাক অল ইন্দিয়া ষ্টুডেন্টস ইউনিয়নগী সেক্রেটরীনি. য়ুথ কংগ্রেসকীসু জেনেরেল সেক্রেটরীনি, কলেজ ইউনিয়নদা ঐনা জেনেরেল সেক্রেটরী ওইবদা মাম্থ সেক্রেটরী ওইদুনা কলেজ ইউনিয়নগী থবক পুম্নমথিবা য়াম্না লুনা তিন্নবনি। মানা ওন্তনা হৌরি—ঐবু য়ুথ কংগ্রেস য়াওনবা। মানা হায় "শ্যাম অতৈনা হায়বা থাজরকু। য়ুম্না থন্দুনা য়েংউ—হৌজিকী য়ুক্তা মণিপুরগুম্বা অনিকপা জাতিনা মথম্বা লেপচবা ওইথোক্কবনি। হৌজিক ঐখোয়তনা লান তৌদুনা কবো তম্পাক ইন্দোকপা ওমগত্রা? পৃথ্বী পুম্বনা য়ানরবা Democracy থাজদুনা ঐখোয়না ভারতকী Main stream দা য়াওদুনা ইশাগী Identity ওাক্না চাওখৎ লম্বীদা চংকদবনি। চৎলি, য়ুথ কংগ্রেস য়াওয়ো—নঙবু ঐখোয়গী মীহুৎ থন্দুনা অল ইন্ডিয়া সেসন কয়া থাগদবনি সে কৈদৌউন্ড মিং চনগনি।" ঐহাক মরক মরক্তা মথোয়গী লক্তা চংলুই—মানা হায়রিবসি চুমদবা নত্তে থম্লি।

ঐহাক পাউথুম পীজ্রি।

থরা অমনা "ডসিদি (Jazz) পার্টিনি—বিয়ার সেম্মনি মেম্রেক week নি মিস লিলাগী ইশৈ তাকসি, মিস বৌনীগা নোংদাম্ব তৌকসি—নহা ওইরিঙৈ পুনসি হুংঙাইনা লেইথোকদবনি থাবি মাথন থন্দুনা লৈরিবনো? নপানা অচৌবা অফিসারনি নঙগী

কখি থাবখি। লৌনদি থাদি কখিল্লগনে—ইপাক্কা অচৌবা Business firm—কয়া পাখ্রবনে? কখিল্লগনে—লাও চেংগি লেম শাগে।" লৌবা কাবে থীবু হৌরিবা; ঐহাক পাবগি ইনথংলকপিবা খোইদোক্না হয়াও তয়াম পাম্বা। মৈতৈ মচানি—কয়া ইমাও অয়াম পাখলোই মহামগী ঈশৈ, Twist Jazz, concert, Ball Dance, Beer session Mandrake week, No. 4 Siesta কয়া যাওনীংলোই। অহুম ওইনমক পাউখুমদি পীগ্রি।

ঐগী শাম্বোই মরূপ কয়ানা হৌরি অদুনা Cricket Match, Hockey League, Football Tournament-Atheletics কয়া যাওনবা মখোয়না হায়- "কুমাসদি Asian games কী নহাকপু খল্লবনি, Tokyo দনি—চংকদবা নত্রা, লেম শাগে।" ঐহাক sport তা থবাই য়াম্না যাওজবনি India represent তৌগদৌরিবনি। ওসিদগী অরেংনিঙবা হুমিত্তা খোঙশানগদবনি। হুমিং অহুমক্তদনি ঐহাক্না ইশানৌ লৈইদা থাশক্লবা পাউখুম পীগনি।

হুমিং অসিমক্তদনি ইমাদা, ইচেদা, তামোদা, পাবুংদা অমদি মরূপ মপাংশিংদা ঐনা পাউখুম পীগে হায়নখিবা—করিনো ঐনা খুমগদবা?

ইপা ইপু মনীং তম্না পাল্লম্মী, মথন্তা লেপচল্লম্মী মশা মরেং কম্না। হৌজিক্কী যুগসিদা ওমখিগত্রা ইথন্তা লেপ্পা। ইরৈবাক মচেং তাবা যারোই- ঐখোয় ইনীংতম্না ইপা ইপুনা পাল্লম্বওম চাওনা কম্না পানগদবনি। মসিনা ঐগী থাশকনি—হৌজিক্কী যুগসিদবু করিগী ওমলোই ইথন্তা লেপ্পা।

থম্না থম্না তান্নথিবা থা ' ওয়াক্লবা ইশাংকৌ- ঙমাই উমবা মুম্নবা কনাগুম্ তাক্লমদনা থোংশাল্লকপমা ওসি খুংলে তাক্কৎপা ।" মোক্তোম লোকপী ইশানৌ লৈই এবু ওাইছনা। লৈরম্মী— বরি পাউখুমনো এনা মতোঙ্গা শীগদবা ?

১৯ | ৪ | ৭৯ ইং

২

"মৈতৈ তাদা নঙবু হিংলিবরা?"

"ঐহাক হিংলি--মী অমা ওইনা ঐ হিংলি—ঐ হিংলি।" কয়া লাওরক্লম্মী অয়ুক অহুদা, ওরুবা মিমা মনাক্তা চত্তশিন্দুনা যাদু হৌদোক্লম্মী। মাগী মোন অহু মপিনা পূমচোৎ চোৎলম্মী মশাপূম্বা ছমাংনা পূমচোৎ চোৎলি। মুংশা থিরবী মিমা মশাহু নাম নাম্নহুনা হংলম্মী—"করি তৌরবগে ওঝা?"

শরৎ মিকপ থোকলে—মমিৎ নোইর নোইরহুনা হৌগৎলম্মী—নোংঙামে ক্লাক্লী লামবাও ছীমে চরোই তেতু খোংলে। অয়ুক অঙনবহুদা চৌগত্তুনা চীন-যা শেংলে—মিমানা লোয়কপা চা—চিনি যঙোম থাক্কবহু মগ অমা থকলে।। হকচাং শেংদোকলে ঈরু মায়থক্ত থোকলে। অরুবা অশেংবা ফিরোন শেত্তুনা গীর্জা কাননবা সাজন ভৌবা লোইরে। ওঝা শরৎ তুমিন্না কমলি মিমা ওাইনা—।ওমিথি শরৎ মথরাই ছুংঙাইতে হৌথিবা মঙ নিংশিং নিংশিং কাওবা লৈতে থোকখিবা থৌদোক। তুমিন্না কমলি—

মুমিং অহু নোংমাইজিং মুমিংলি তাক্কুং খুদনি—ইংশোক ১৯৬১ গী জানুয়ারী থানি। বড়ফিলগী লেনহৌবা কুইন জানুয়ারীগী অংয়াইবা চয়োলফাও লোইরি, নোংবা লাইমিং লৌরবা তাক্কুং খুন। খুব অসিদা লৈরকপা চহি ওরেৎ ওরে ওঝা শরৎ। মমা লুপ্রানা যোক্লকপনি—মংমন কুগী অমপা মাপতা পোকপনি। মশাগী চহি ৭ ওয়রকপদা মাগী অপোকপা লৈথিরে। থৌবাল সব-ডিভিজনগী

মহুংদা লৈবা ইকোপ পাংপান্দা তাবা অপীকপা থুল অমদা মাপী পোককখনি। মত্রা অইগী মখুনা পাংপান্সী শিরবা ফেকক য়েলাং য়োন্দুনা, থুলং চত্তুনা মচা অনিবু চাওনবা য়োক্লকপনি, মাবু মহে তমহন্নকপনি। অঙাং ওইরিঙৈদগী মীয়ামমত্তুরা শন্নং অবাংপা অনংবতা থেংনয়রক্লবনি—মহাকপু লাইরিক তম্মনবা হেন্নকপদ্রা অগত্তা ভায়জনবা পীক্লিবা মচন অচু কাওর পীক্লিতৈদগীহৌনা। লৈকায় খুন্দা শিন্নত্তবা চত্তুনা মখা লুপ্রাগী মতেঙ্ কয়া পাংকথিমনি। মপাগী চাহ ১৮ লোম ওরকপদা উাচন নাচিন্না মেত্রিক পাস তৌরে—অহুবু ফন-তম্মাংহুমন্থু মখা অমুক তএথবগী থুদোংচাবা লৈত্রে, মাগীদমক্তা হোংনবদা মক্ল ময়াং কেমলখী মমাবু অএদি- অরা অনৌ পোৎত্রুম পুবা য়াওরক্লবী মকে অমৌ মশক থংজ্রবী মচনবু মতেঙ খর পাংল্লা দরকার ওইরে। চহি অমিয়োম কোয়চেন চেন কোয়নোম নোম তৌহুনা ইন্টরভিউ কয়া য়াওহুনা থবক মচা অমত্তং ফংজমবদি হায়না হোংনরম্মী। অহুবু অতম অশৌ, এম এস এ, য়ুনিবু পেনত্থুবা মখোয়না য়াবিনবা মখোয়দা পীননবা, পীজনবা শেন্নু তৈনগরমনগী মাগী হোংনবা পুম্বা অরেম্বা তাখি লায়রবা অনওবনা মনাবু পোনহনবা ওমপদগে, মশাগী উন্নবা লৈ, কোইনবা ঈমথোল তুমজদে—শানবন্থু কংদে—নংবদি নোংমা নোংমা চেজিনকই গণ্ডি লৈনদুনা ক্রিকাত্তারগী থবকত্তবা য়াওহুনা হাজিরা তহনা নোংমা নোংমী চরা মানুখী। অন্নমা তাহবী লাইন লখী জেম্বী চীং ককপা য়াওরিতৈনা নোংমা তাক্সুং খুজ্জাকপগা থেনমি খুজ্জাকপা খুজ্জাশিংনা লিংখংপা তাক্সুং প্রাইভেট এলঃ পিঃ স্কুলগী ওঝা অমথক থিবা লাকপদি। তাবগী

অনা থুদোং থীবা শরুক য়ামিজবা হেক্কপগা লোযননা শরুং সিমাগী ফুংশিনবস্থ শরুক লিশিঙ লিশিঙ হেনগংলক্কখি।

নোংমা কালেন্থাদা য়াম্না ওয়চাক্করম্মী শাম য়াদবগী থকক লোইরবদা শরুং সিমা মখোয় অনি তাইপুক্পী তুরেল অমস্তুং থাতি তুরেল অনি তিম্নকমদা ঈরুজবা চংলম্মী। ঙোকনবা থাইগী লাইজদা মুম্রৈনবা তাইপুকপীগী ঈশিংনা তিম্নলত্থ য়েংবদা পুক্লীং হুদলিঙাই কৈতে। সিমা মনম ফুংশিনা ফজনা ফুংলবা চেংহি শম্বাল লাংলম্মী তুরেল অনিগী ফিম্নকম লুরবা লাইজনা খায় য়ায় চেনবা মকক্তুগী তোর্ব্বান্দা শরুংস্থ চেংহি শম্বাল লাংবা য়াওক্কই—তপা ঈংমা ফুংশি মঙোল য়াম্নী শানা শান। চেংহি লুরবা তুংদা মখোয় অনি মুম্না নম্নরম্মী কাগী জোগাই তৌননা নোক্না নোক্না শরুংনা সিম্নাগী সিমানা শরুংকী মুম্না ননবীবম্মী অদুদগী মখোয় অনি লুরব লাইজদা কুমত্থনা ঈবোইমিন্নরম্মী। অমনা অমদা ঈশিং চাইশিন্নত্থনা শান্নরম্মী। মখোয় অনিতনি চীক্ত্রবা ফজরব মকমত্থদা- মখোয়নিমক পুক্লীং, চকচাং মথুম মরাং হৌনরম্মী। মখোয় অনি অমুক তোর্ব্বান্দা কাখত্নুনা লৈতোইথক্তা ওন্দুনা মতম কয়া শান্নরে—ফুংশা য়াইনা য়ারী শানা। ফুমিং থেঙথরক্লবদা ঈশিংদা কুমত্থনা ঈরুজথোকলে। তোর্ব্বান্দা কাখত্নুনা মখোয় অনিমক তকংবা কি হোংদোকপা লোইবা মতম অচুমন্তুদা থুংলাই পায়বা কাঙবু অমা লাক্লুদা মখোয়বু ফারম্মী। শরুংকী থুং তু বুমনা পুনশ্রে—অত্থপা মখোয়না মাবু থীনা ফুরম্মী খোংপাক্না হম্না শম্না কাওরম্মী—শরুং জ্ঞান মক্তেক মাংতক মাঙলম্মী—গতি কৈত্রবী সিমা হিক হিক কপম্মী ফুংশা থীরম্মী—

মাবু শিরগত্রা ? মহাক্না জ্ঞান অমুক তাযক্লহনা হানা হোৎনহনা লৈঙ্তোই থক্তা কমলশী। মতমহুদ। মখোয়গী মরক্তা য়াওবা লুচিংবা পাখং অহনা চঙশিন্নকুনা হংখি "হে মৈতৈ মুপা নঙনা করিগী চীংগী মুপীবু শায়পোৎকুম থনবরা ?"

অসি হায়না হায়না খুং য়েং ওই অনিমক্না নাকল অনিমক্তগী মমায়দা খুপাকনা থারম্মী ! খুং তুংবুম্নরবা শরৎ কম্নি গতি লৈখিদে — মুপা থোকপা ঙমখিদ্রে। সিঘা হিক্ক হিক্কা কপখি —। মমৈদা মখোয়গী মথুক্তগী নাম্বোক্লগা মাগী মমাংদা চোংশিন্দুনা লেপখি— ইকাই ইকি য়াংমা লাম্না হায়খি—"মাবু ফুগমু মাসি ঐগী মুপানি" "কম্নি ওক্কবী, নখোয়থুম্মী থরনা ঐখোয় চীংমী পুম্বা লোইনা চিংথম্নে" অসি হায়হনা মাবু ফুগদবগী মথুং থাজংলকপা শরৎ অঙম্বা পাজল পুথোকুনা সিমাগী মাঙদা লেপ্তুনা থংখি। অনৌবা থৌনাগা লোইননা ঙংহনা হায়খি—"ঐবু ফু- হাংকে হায়রবম্নু হাৎলু মাবুদি শোক্কমু"।

"নওগা মাগা কম্নি থোকনৈ"

"মাদি মুপীনি ঐগীনি"

"নঙ মাবু শোয়দনা লৌবা ঙম্নগদরা"

"লৌবত্তা নত্তে— মপোকসিমগী শুকথা থাদোক্লরোইদবনি।"

শরৎকী রা ভাবদা কাণ্ডবু অহুগী লুচিংবা পাখণ্ড অহনা মাবু পুম্নিবহ থাদোকলম্মী অহুগা হায়রকই।

"কৈ ! নঙনা মাবু হল্লোক্লম্নবদি নখয়াই অহু লৈদ্রে হায়না থন্নু।" অসি হায়না হায়না অমুকঙ ফুজিলম্মী। মহাক জ্ঞান

তাখিজে, সিমানা মনাক্তা কমত্তুনা মাবু কোনখত্তুনা মপি তরং তরং চেন্না কপ্পা কপ্পা হংলম্মী তত্তনা "নহাক হিংলিবরা ?"

মহাক কপ্লাম কুইনা জ্ঞান মাঙলুবা খঙদে। মহাক্কা জ্ঞান তারকপদা মুমিং পুমত্তা তারমলে, নোংপোক অতিয়াদা থানা তরং তরং খোক্লমলে। মখোয় থুংলাই পায়বা কাঙবু অহু কনা অমত্তা লৈরমজে—সিমাতদি মনাক্তা কমত্তুনা শুং শুং কপ্পুনা লৈরম্মী চীক্লবা তোর্ব্বন্দুদা। মুমিং অহুদগী শরং-সিমা পুন্না লৈখি।

থা খরগী তুদো মাওগী এস ডি ওগী লম্বু অমনা য়ুমদগী চিঠি অমা পুরক্তুনা তাক্ফংদা মঙোন্দা পীরম্মী—"ইমা কম্না নাহে উনহৌগে হায়রবদি থুনা থোরকউ।"

মুংশা থীবগা লোয়ননা শরং মান। তুংশিজ্জনা শেল খর পুন্থনা সিমাদগী মতম খরগী বিদায় লৌত্থুনা থুয়েং লম্বীরোমদা ইস্কাল চংলম্মী। মুমিং তারমদাইদ। থুয়েং য়োরে, ওঝা অমগী য়ুমদা অহিং অহু লেকলম্মী। নোংঙানবদগী খোঙনা চংলকপগী য়াববা শরং নিঙাইবা লৈত্তনা তুম্লম্মী। ওইবা য়াই অহিং অহুগী নোংয়াই মতুং-গীপুম্বা লোইনা তুমগ্রবা মতমদা থঙহৌদনা থুংলাই পায়বা মী খর লাক্তুনা মাবু ওঝাগী য়ুম অহুদগী কাহ্নুনা পুরম্মী মাগী য়াওরকপা শেলথুম ফীরোল লোইনা মুনখ্রে। য়াদা কিবুল নমত্তুনা খোঙ থুং পুন্দুনা কাহ্নুনা পুবনা লাওবা খোংপা অমত্তা ঙমখিদে। মমলবা শঙ অমগী মন্নুংদা মাবু পুন্দুনা থনম্মী। অম্মুম্না য়ুমুং অহুদা পুন্দুনা থম্বসি মুমিং কয়ানি ওইরমগদগে মহাক মকম খঙলমদে।

মাবু কারিবা শঙলিবা অকিবা শককম পুমবা মীশিংদো য়ান্না

ওমথিবনি—মীনুংশি খঙদবনি। মখোয়না চিৎোন চিৎোন য়ারী শাবা তাক্লবদা খঙথি - মাগী কেসলা থাসি ঙুমিঙ্ভা লেপকনি—খঙবোহ খঙদবোই তাবোই তাদবোহ শাখিবা য়ারীদগী মখোয়দো হায়রাকা ওইরমাল্লে খনখি। হায়াকানি খল্লুবদা অহুঙৈ কন্নীরোনগী য়ারী নীংশিংলকখি। মহু নীংশাংল্লুবদা মাগী পুনসি লোইগদৌরমাল্লে, মহাক হিংনা তিংনা শিরে খনখি।

থাসি য়োগদবা ঙুমিং নিনিতা ঙায়রে য়াথল কয়ানা ঙুংবংনরে। অহিং অহুদা তুম্বোং কাকপোই শরৎ লৈরি ঙুংবংননা অহিং অহুগী নেংংয়াই মতুং পুং অনি তারমদাই অহুয়াইদা ঙুপীমচাগী পীক্লবা খোঙ্গেল অমনা লোম্না হংলকপ। তাখি "মৈতৈ তাদা নঙবু হিংলিবরা?" মঙলা খনখি হুমাখ ..খান পীক্লা নীক্লা- মঙওইনা—

"হিংলি, ঐ হিংলি।"

"ঙুপীমচা অহু তপ্না মোং হাদনা চঙলকলে পুল্লিবহু থাদোকলে—মঙনি পূম্নমক মঙনি- মানা খুং পায়দুনা চিংলম্মী— অয়োনব লম্বীদা য়াংখুনৌ তাবা, নাকন্দা চয়োম অমা হুত্তা পীয়গা মানা হায়খি—"মৈতৈ তাদা নহাক থুনা চংখরো" অঙনবা অয়ুক অহুদা শরৎনা খঙখি মহাক অহু সিমাগী চাম্নবী মরূপনি।

য়াংখুনৌ য়াজাগৈ ওকলোং মায়াম খুনৌ মথং মথং শমলক্তুনা কায়োং তারে। বস অমা তোংদুনা- ইম্ফাল য়ৌরে। ঙুমিং তায়মদাইদা ইম্ফালগী বাজারদ. বস হেক থাবগা কুমথদুনা মপান কাঙজৈবুংগা মায়োক্লবা হোটেল অমদা চা থকপা কমথরম্মী। মতম অহুদা মপাল কাংজৈবুংদা অচৌবা মিটিন অমা তৌরম্মী। চা থক থক্লা শরৎনা

মথক্তা থাদা তলব লুপা ১০০ (চামা) শীগনি হায়না তাঙমন্না শয়ং তাক্ফুং মায়কৈ পাংখি। মারাম উইদোং য়াংথুবো থুংহোং কাওহন। চীংলম্বীদা চীং তুরেল উমং শংহনা খোঙনা হুমিং মরিদী চংলবা তুংদা তাক্ফুং পুন যৌথ।

মাই অমমুং তাইপুকী তুরেল তিন্নকমদা লৈবা তাক্ফুং খুন মণিপুরগী অরাং-মোংচুপ ওমথৈদা কৈবা কবুই লেংমৈ খুম্নি। তাইপুকী তুরেল খাংমদা নাগালেণ্ডগী (মতম অদুদদি নাগা হিলস জিলা) পেরেনচিংবা খুন লৈংখ্রে। য়ুম সুম্ৎ্রাগুক লৈ। মতম অদুগী তাক্ফুং খুঙ্গাশিং য়াম্না চমই। মপা মপুগী ইরাং থৌনি তৌই। চহিগী লৌতাথা অমমুং লৌবোকপ মতমদ ঈরাং থৌনি কায়দে— চহিগী কৌয়োকপা তুংদা খুঙ্গাও লেচাওনবা হয়াওই কনাগুম্বা মরল লৈবা খুঙ্গানা নূং চিংবা মতম তৌই। খুনগী * খাংসুকী অমমুং লিউসুকীদা লৈহনা খুঙ্গা পাখঙ অমমুং লৈশাশিংনা খুনগী থবক মতেঙ পাংলম্মী। † খুনগী থৌবৈনা লেপ্পবা য়ায়েপ খুল্লাকপনা থৌদাথা য়েংনবা লৈতনা ইল্লম্মী খুনগী অরাংপা লৈরমদে, অপাম্বা য়ামলমদে। চাননবা চেং, থাননবা শীং, লৈনবা য়ুম, থক্নবা ঈশিং ফংনবা হোংনরগা খুঙ্গা পুম্নমক চম্না মুঙাইনা ঈংনা লৈরম্মী।

অয়ুক অঙনবদা লৈশাশিংনা য়াগী উতোংদা ঈশিং খোংদগী ঈশিং হোনগনি—য়ুমগী মুপীশিংনা মাঙ্গোলদা থমলিবা গুম্বদা কৌম্ন-চেংমু

* খাংসুকী—পাখং ফাল
লিউসুকী—লৈশা ফাল
খুলগী থৌবৈ—Village Authority

থৌরগা চান-থক্লবা থোংগনি—অতীংবা থংগনি। লৌউপাম্বাদা পামদা চত্তুনা মুপাশিংনা পাম য়ানবা মক্তেং পাংগনি। অশংবা মতমদা লশিংনা লং নাইরগা মুপাগী অমম্বুং মুপীগী শেংন ইরবা ফি থাংদা ঈয়োংদা শাগনি। মুপাশিংনা শীং চনবা, পাম য়ানবা লৌউবা, মনা-মশীং থাবা তৌগনি, মরক মরক্তা শাদানবা চংকনি। অশংবা মতমদা রা লিগী থুমুক তাইরুক শাবা মথোয়গী মরু ওইবা থবকনি। চহি অমগী মমুংদা অমুক অনিরকময়াম পুন্না কোহিমা, জাফলং নত্রগা ইম্ফাল কৈথেল কাহুনা অরাং অপা, মরু ওইনা থুম লৈরুনি—মথোয়না শাবা ফিরোল থুমুক তাইরুক অমদি অয়োকপা শা ওক যণ য়েন য়োল্লুগনি। মুমিদাংরাইরমদা নুংপাক্কী ফালদা কোয়না ফমহুনা অতীংবা চিংলহুনা থুনগী কজবা দৃশ্য য়েংহুনা রারী-রাতায় শানা মতম লেল্লম্মী— চহিগী কুম্মৈ কয়াওবগী থৌদোক্কী রারীননি। মপানগী ঈরাং চঙলমদে, মুত্তাইনা পেন্না ঈংনা লৈরম্মী। থুনগী অহল-লম্মনগা রারী শারুবদগী ওঝা শরৎনা থঙখি-- মৈতৈ নিংথৌ পাল্লিঙেদা নিংথৌগী লৈঙাক মথাদা মৈতৈশিংগা চান্নবা ফজবা মুংশিনবা মরি লৈনরম্মী তাম্ফুং থুন্নাকপনা হায়খি—
"ওঝা শরৎ ওইবনিকো—মণিপুর অসি সনা লৈপাকনিকো, য়েংউদো তাইপুকী তুরেন্তনা মরক্তা লৈবনি- অসোম রাংমদা থোকপা চেংগা সোম রাংমদ, মণিপুরগী লমদা থোকপা চেংগা কয়াদা মহাও খেন্নাথ্র—লৈহাও লৈবনা খেন্নরিবা, য়েনসাং নাপীমক্কুম্ মহাও কয়া খেনথ্রবা—ঐখোয়গীসিনা কয়াম হেনথ্রবা-- সনা লৈপাকনিকো মণিপুর— অঙাং অশা কয়া মুঙাইরিবা লাইরৈবাক্কীকো।'

অহুবু শরৎনা থুংলবা চহি অনিরোমগী ময়ুংদা তাম্ফু‌ং থুন অঙকপা ফংনা হোংলকলে। থুন অসিদা আসাম রেজিমেণ্টতা থবক তৌরবা সিফায় হাবিলদার অমা হল্লকলে। মাগা লোয়ননা কোহিমাদা লৈবা খৃষ্টান বাপটিষ্ট মিসনদগী থারকপা পাদ্রি (Pastor) অমসু য়োরকলে। মখোয়না থুংলবা সুমিৎ থরদংগী তুংদা থুন অহুগী অয়াম্বা নহা মথৈ খৃষ্টান ওনখ্রে। থাংসুকী লিউসুকীগী মহুত্তা অপূনবা য়ুথ ক্লব (youth club) লিংথৎখ্রে। অয়ুক সুংথিল সুংদাংদা পাদ্রিগী য়ুম্বাক্তা শাবা গীর্জাদা লাইশোন ঈশৈ শকুনা লেকচর তাহুনা থুনগী লৈশা পাথং অয়াম্বা মতমদা লৈখ্রে—নোংমাইজিং সুমিৎ থবক শুথিজ্রে। থবক নোম্বা শুবদা পূক্নীং চঙলক্রে—থৌবৈগী মরা থৌশারক্লে—খুল্লাকপনু উশিংলক্রে। অহনগা নহাগা অনিগী মরক্তা অহাঙবা অমা লৈরকলে। মরক অসিদা খৃষ্টানগী ইভানজেলিষ্ট ডেকোম্নি করিনি হায়বা কয়া মথং মথং খুনসিদা লাক্লমলগা—গীর্জাদা বক্তৃতা হেক হেক পীরম্মী, য়ুথ ক্লবতা নহা পাখণশিংগা অরোনবা মিটিং হেক হেক তৌরম্মী। থর লৈরগা থুনগী পাখণ থর অমা মপা মমা তাক্লমদনা খুন্নগী মাঙখ্রে এম্ম হাবিলদারসু য়াওখ্রে—মখোইগী মরক্তা সিমাগী মবুংসু য়াওখ্রে।

সিমা মশক মতৌ ফজবী কুচু হেন্নবী চাওদম শাংদম চুং ফীরান চানা নীংথিবী, পাখণ মিংফম হোংহন্দনা ফজবী তাম্ফু‌ং খুল্লাকপগী মচা সুপীনি। শরৎনা তাম্ফু‌ংদা লাকপদা চহি ১৪/১৫ তা এাইরিবী পুংকক চাওরবী লৈশাবী শোইনৌ ওইরম্বহ হৌজিক মপুং ফানা চাওরে; মপুং মরৈ কানা ফজরে, শাংকায়ররবা লৈগুম লৈহি চেনবী

ওইরে। নত্তবদগী সিমাগা শরৎকা অনিগী মরক্তা ওথনা থানবা লৈতবা মরী অমা লৈত্রে। উনা উনা খঙনা খঙনা তাম্ফুং খুল্লাকপা খুল্লাকপী অনি থিংবা তৌখিত্রে। মরু ওইনা মচা হুপানা মখুংনগী মাঙখিবা ভুমিস্তগী শরৎপু মচাগুম্না লুনা তৌখি। খুনগী পাখঙশিং, খুন্নোয়বদা লৈবা পাখঙ সিমাবু পামজবা কাঙবুজনদি শরৎকী য়েক্লবা ওইখি—কম্লকখি—লম্মন শিংনিঙখি। খুল্লাকপা খুল্লাকপীমা লুনা তৌবা, সিমানা মাগী দমক পেম্নবা হোংনবা তামফুং খুনবু মানা হুংশিজরুবা থোক্টদোক্লা সিমাবু উজরুবা পামজরুবা হুংশিরুবা অমদি মাগী মনাক নকচরুবদগী শরৎ থৌবালগী ময়ুম নীংশিংখিত্রে। চহি তরেৎ শুরবা ফাওবা নোংমত্তা ময়ুম মমা মচল নীংশিংখিত্রে।

শরৎপু য়েক্লবা কম্লকপা মী হেনগৎলকপগা লোয়ননা মহাক্কা সিমাগা অনিগী চান্নব হুংশিনবস্তু অয়েীবী থাক য়ৌরকলে। তামফুংগী ফিভমস্তু ফনা য়াম্না হোংলকলে। চৌরুবা ঈংলবা মীনা পঙয়ৌ য়েীরমদবা তামফুং হৌজিক চিংনা লাঙত্তরুবনা থজবা মকম ওইরকলে। খুঙ্গাগী অচৌকপা মাঙত্রে - চাবা থকপা লেমপানা ওক্লবা খুন্দু হৌজিক্তি চানিঙাই থক্লীংাই লৈরক্তরে, খুংলাই পায়বা কাঙবু কাঙবু-সরকারগী লাম্মী, লালহৌবা নাগা লাম্মী—মরক মরক্তা হায়রাকা লাম্মী চয়োল কাংদনা তামফুংদা হেক হেক থুংলৈ মখোয়গী লেবা চান থক্লবা শীনবদা খুনগী মী মখো শুত্রে—তামফুং খুন মোংমা নোংমা লায়রবা হেন্নকলে। খুঙ্গাশিং ফিবা মিপাইথনা খুন্নোম্না শিলঙবা পামদ লোউনা চৎপা ফাওবা অফাহুবা ওইরকলে। অমা-

তাগ্নি ল্যাম্পদা বাজার মসুংদা অদুমক কয়া ।কয়া মাইকতা ওয়াংকপদো—

"মণিপুরীশিংগী কিস্ত্র নোঙম মোয়েক্কী মপ্রকলি—ইথক্তা লেপচরা ওয়েে– হিয়ম খুদিংদা মীপান তাংলে—হুয়িং ৫ নিয়ং খুইক্লয়ন মুকান থিংবদা ঐথোয় পুম্বা চাক্পা মকলবা চরা হেন্নবগী ফিজক্লদা লৈয়ে। থবক তৌবা নোমখম লৈরবা চরাংনম্না মৌকম থম্বনবা—লমম্জাংবা লাওবনা মৈতৈ পাশঙ কয়া – লমম্জাঙা চাবা ফুরীবক্তা লওবগা--মেয়েক চাবা, অতোংবা থকপা, থবনা অমম অমোংদা মচু শোনবদগী মুনবা লাকপা অসিতনা থমগ্রে, লম্বী লৈমক খুজক্তা হুই লেন হুক্লনা চাবনা থরো। লম্বাই থম্বাইদা মনা মশীং থারে— চীং মান্দা উ ম্বা পওয়ান য়ায়ে—চীং পুম্বা মরু কোকলে, চহি থক্তিগী মমুংদা পানবা শীং ফাওবা মীপাল তাংলকলনি। মৈতৈ মুপাশিং চৎন লোনচং য়াংমদা কীজেৎ চাকচা হোংবতা নত্তনা গুনিংদবা হয়াও ভয়াখদা পুন্নীং লুপ্না নোংখা নোংমা হেনগৎলকলি –মপান্দগী লাকপা মীনা তন্দবা নোম্বা কনবনা শেলগী থুর্জি পায়গ্রে। কয়া কুইনা হিংহুনা লৈথিগনি মৈতৈ ওইনা, কাছারী ত্রীপুরী কঙ্গায়দা লৈগ্রে।"

থম্বাই মুঙাইত-মুঙাইত রাখল থম্না থম্ন' থৌবাল মায়কৈ পাংলে ইকোপ পাৎপান য়োরে শরং। শেগায়রবা য়ুম, য়ুমতা ঙায়রমলে ফুংশিজরবী ইমা লৈরমদরে মচনসু লৈত্রে য়ুমহুম্ভ মুংলে। য়ুমলোম্নবদা হংবদা থওলে মমাগী শোরাং লোইগ্রে। য়ুমকমছু মহাজন মণিদা য়োন্দুনা মমাগী শোরাং শোয়গ্রে, মচন মুপীদো ক্ষেত্রাগী মুপা অমনা লৌগ্রে। "ঐবু রানা য়োক্লকপী ইমা ঊনহোৎফে।" হিক্না কপথি শরং।

কোয়হং হং মচন হুপী থিরুরে তেহ্না খুন্দা। মুমিং তারমদাইদা থুংলুই য়ুমহুদা। মশেন হুপাহু য়ু ঙাওহুনা লৈরম্মী। মানা চঙখিবা মঙমদা মচন হুপীহু সহ্যা মঙমহুদা ধূপ থাওমৈ কহ্নুনা তুলসি থুরুমহুনা লৈরম্মী। থনথি মৈতৈ হুপাগী ইজ্জৎ অথাঙকনবা, হায়খিবা বা হোংদবা অচুম্বগীদমক শিব কিদবা পুবা মাঙথ্রে— কিজেং চাকচা হোংলে চংনবী ঙাক্রে লাইনিং লাইশোন হোংলে পুম্নমক মাঙলে, মৈতৈ ওইবগী শক্তম মাঙশিল্লকলে। মৈতৈগী চংনবী পরম্পরা কিজেং চাকচা চংনবী ঙাকনা মৈতৈগী মৈতৈ ওইনা হিংবগী ইজ্জৎ ঙাকনা লৈরিবদি মৈতৈ হুপীতা মঙায়রে। লুংশিরবী রারবী মচলহু য়েংলগা য়ু ঙাওরিবা মশেন হুপাহু উবগা হিক্না কপ্পা মথক্তা নীংশিংলকখি থুংয়েং লৈশানা হায়খিবা বা—"মৈতৈ তাদা নঙবু হিংলিবরা ?

২৭ জুলাই ৭৯ ইং

(৩)

য়ুমদা হল্লকপদা

ইংশোক ১৯৭৯গী লোইরমদাইদনি—অতৈংপা লৈতনা চংলকপনা মমৈদা ইম্ফাল সহর য়োরে। শাংলবা চহি মঙাগী তুংদা পোক্লকম লমদমদা হল্লকলে বেনী। সনা লৈবাক মণিপুরগী শেংলবা ঈংলবা মুংশিংনা য়ৈবদা অমৃত থক্লগা লাইশিংনা ময়ায় কাবগুম হকচাং কায়াং পুম্বা তেকথংলে মরু ময়াং থীংলে ময়ায় কারে বেনী। অওইবমক সনা লৈবাক্লাকো মণিপুরসে। অসিগুম্বা লমদম্থু পৃথিবীদা অতৈ লৈরিব্রা? অদুবু বেনীনা চহী মঙাথক্কী তুংসিদা উথি—মৈত্রবাক্তি কন য়াম্মা শাথীনা হোংলমলে।

নীংশিংথলি বেনী ঙম্মাংতা থোকখিবগুম—য়ুমিং অদু চহি মঙাগী মমাঙদনি। মণিপুর তম্পাক্কী খা-থংবা নাকন্দা চাওরবা থরুংপাং লৈ; পাং অসিগী খা-নোংচুপ থংবা মপান্দা তারি হিয়াংলম খুল্লাও। খুল্লাও অসিগী ময়ায়দা লৈ—লায়রবা বেনীগী য়ুম। য়ুমিং অদু অয়ুক অঙনবনি। মামা শেংলিবা ফিচ নত্তনা ওয়াং মচন ছুপীদগী লৌবিবা লুপা মতা থক্তং মাগী ফুরিংথাওদা য়াওরি-মচাক অশাওবগা লোয়ননা ময়ুমদগী মপাল থোক্লকখি। মহাক কদায়দা কয়ম্না কখি তৌবা চংকদৌরিবনো অদু কাওবা থনকম থোক্তে। "মথোয়গী য়ুমদা লৈবিব্রগা লোইরে।"—অসিত্তনি মামা মচিন্না থোক্লা লাওনা থক্লিবা। থম্না থম্না থোরকলি মপান্দা থোজাল লাম্না। মামা থোক্লকপদা উথি—অঙনবা অয়ুক অতুম্বা মাগী অমত্তা গুরুজরবী মচল

অছু অখোংপা কি অমা শেংলহুনা থরুংপাং মপান্দা পেল্লক কেওোই হেকহৌই।

ওসিগা থানা মহাক্কা চয়া হেল্লকপা মুমিং হুগ্নী ওয়ে। কাওবা য়াদে বেনী মুমিদাং অছু। মুমিং অছুগী মুংঙাংরাটয়মদা মহাক মথা লৈকায় চাওবীখোয়দা কোয়রুই। চাওবী মশক মতৌ চঙখোনবী বেনীনা পামজবী লৈশাবীনি। চাওবীনা মাবু পাম্বরা মুংশিবরা হায়বদি মহাক চপচানা থঙদে। মানা মসিমদি থঙখি—চাওবীনা পামদে নত্রগা মুংশিদে হায়বমক্তি হায়দে। অছুগা চাওবীগী মমানদি মাবু লুনা তৌই। অছুবু মপানদি মাবু য়াম্না য়াদে মা হেক উবগা থু থু কামই। মতম অছু নিংথমথানি লৌলোকপা লোইনবকপা মতমনি। চাওবীখোয়গী ফুজানাক্কা কমছুনা মৈ য়াইহুনা চাওবীনা হানবা ছিদাক ওাছুক অমা থকপা হৌগৎলম্মী। চাওবীগী মমানা পান আলু ফুজাদা লৌরম্মী মুল্লগা চাখিসি হায়রম্মী। চাওবীসু ফুজানাক্কা কমছুনা অনাইবা লংছু ঙৌওংতা লংছুনা লংথাই শেমলি; মরক মরক্তা বেনীগা য়েংনহুনা হ্নারী মতেক মতেক শাবা হৌগং-লকপদা লেয়রী-চাওবীগী মমাসু মপা হজিল্লকনি হায়হুনা হাথু হাথু চাথুম মৈ থাগতুনা চরু থাজংগ্রে, চমু মহি শারহুনা চেক ওখিধক্তা ওায়রী অচম্বা য়েক্তাং য়েন্দেম কাংলোই থোংবক্তা শেম শাখী। মতম অসিদা চাওবীগী মপা অছু হায়ব শাওনা চঙলকই। উমুক্তা চওনা চওমা ল্লা ওয়কই মখোল লোয়ল্লা "হেই থমা চাক লোইদ্রিবরা?" হায়রু হেক উবদা মহাক থংগাও শাওবা য়েনগংখি—"হৌখিক থাওবা চাক লোইরমদ্রিব" করিগিনো.ওসাহি মখৈ কৈলোঁলে "হায়রা

শাওন-শীওদা থোংথিনখিহুনা নৈরওদগী চপ্ অহু জেলদা অবুনা থাংদোকখ্রে—মনীংথোং হাংদোকুনা লুখাক কোমদা থমোকখ্রে। চাওবী মমা-মচা ইওক ওক্না য়েংলমগী মকখ কয়ামদা মপান্দ্র। চেপ্পোকখ্রে— মতৌ অহুদা মহাক মথক্তা খুজা খাক্তা কবা ওমক্রুহুনা মপান্দা থোঙ্কলে বেনী। তথা তুমিন্না মহুম তান্না হল্লকখি। পান আলু অরৌবা অমা কাওবা য়াঙ্গোন থেলক্লে। হিদাক অহু কাওবা নৈ চাকথংলকপদা অতুম হুন্দোক্লমলে।

থরাই মুন্তাইত্ত-মুন্তাইত্ত থোয়রাং থোয়শাওননা বেথী মহুম য়ৌরকখি। মুংখিজচুম্না লৌ নৈব খুলং য়াওকথমা অরাম থৌরাংবনা মশা অহুস্থ চোকথমগী। মহাক্না মাগী ইমুংদা হেক চংবমক্তদা মমাগা মপাগা খংনবগী থোঙ্গেল তাখি। মথোল লৌরবা শাওরবা মপানা লাওরক্লগী চক্কুক মপান্দগী "সিগুম্বা চাক য়েন্নাংবু মীনা চাথরা ?"

মমানা খুমখি—

"অরৈবা থর পাওন-শানবা থোংবনি ওসিগীদি অহুম চাবীজো।"

"মীনা হায়রগা চিন্থক্তা খুম্বা শায়" হায়হুনা অশাবা য়েন্নাং থেজোং অহু পায়থত্তুনা মমাগী মকোক্তা হৈজিল্লগী। মহু উবদা থুন্তাইত্রহুনা থেনী চঙশিনখিহুনা মপাদা হায়রম্মী—

"কবিনো পাব থৌরিবসিবু ?"

"খম্নিয়ে অভাং মীওম্বা নওমস্থ ঐনা থোবা থবক্তা ওাওশিবা ?" হয়িহুনা চাক য়াওরিবা পুথমহু মত্তোম্নোমদা লংশিন্নকদবগী লাইহুনা লেপথংলথপদা মহাক্না পুথব থচিদাং পারহুন: থর ইহুই।

হায়না মথোক লোল্লবা মপা অহূ চাকথুম মাঙদা পুথ্রে ফুথোকখ্রে ।

শাগ্নরো মপা অহূনা—

"সিয়া মপাবু মুবা ওঙা-চৎথ্রো চৎলো য়ুম অসিদা লৈবিয়মু ।" হায়না লাওবগা খোংবগা অকং অকংবা পোৎ পায়হূনা লংলকলে । চাক য়েন্নাং পুথম জেজোং লোইনা ইচাই চাইরে—মমাপা মচনপমু কদাইদনো লোৎখ্রে । শাওনীংবনা থম্মোই শন বেনী মপান্দা থোকখ্রে ।

হৌজিকমু ভশেং ভশেংনা নীংশিংলি কাওবা শুকয়া য়াদে । অহিং অহুমা মহাক মপান্দা লেকথি । থমু থমুরগা বেনী শাওবা অসুম অসুম হেনগৎলকথি । ময়ুমদা লৈরয়োই থনথি । হৌজিকমু মহাক্কী নীংশিংবগী মমিৎনা শং শংনা উরি—মাগী মপা মংলেম হুমিং অহূগী মমাও হুমিং মরি মওানিসে পঙশাওদা শাওই । কা হেয়া য়ু থক্লগাময়ুমদা হেক হেক হজিল্লকই । হেক হজিল্লকপগা মমাগা মচনগদা ভত্তনা ফুই চৈ ।

লৈকায়গী মীনা তয়কপা--বেনীগী মবেন লৈরিঙ্ৎদা মবেয়া লীয়ম্বা য়ায়ীদগী থঙথি । মাগী মপা মংলেম ইনাক কৈরাক থুনবা মচানি । মচিন মনাও তক্লক পোকপগী মনুংদা মথস্তা হিংহৌবনি, । অহূনা মপা মমানা কা চেম্না নুনা তৌবদগী নায়াংলবা নাত্তোয়ং ওইরবা মংলেমনি । মমানা হাকন চঙমনখিবদগী নাওজি শায়বা মংলেম ফত্ত-লমচৎ কয়া হৈনথি । অার শায়বা য়ু, গঙ্গা থকপা কানি চাবক্ত্য় মত্ত—খুমু ফুনবা অমদি শক্কবী মুপী কোয়ম্বা

মতম মাঙহনবতা নত্তনা মপা মমামা ত্তানশিল্লম্বা ললথুম লৌ-ঈংখোল' লোইনা তুমল্লখনি। বেনীনা চহি ১০ গুরকপা মচন মুপীনা চহি ৬ গুরকপদা মবেন লৈখিদ্রে— মহুদগী মখোয়গী ইমুংগী কিত্তম কত্তবা খংহেন হেনগৎখ্রে। চহি মঙারোমগী মতুং বেনীনা চহি ১৪ মোম গুরকপা মতমদদি মখোয়না লৈরিবা য়ুমহু নত্তনা লৌ ঈংখোল কাওখা করিমত্তা লৈত্রে। বেনীগী মমা থুল্লও চত্তুনা খরুংপাত্তা ঙা কাবা য়াওহুনা পেরুক কেঙোহ হেক্তুনা মহু য়োন্দুনা ইমুং মমুং পুরকলে। পীক্রিবা মচা মুপীনা মমাগী মন্তেও হেক হেক পাঙলম্মী। মংলেমদি হায়দগী হেম্না হেম্না ওক্রুবা হেনগৎলকখি।

মতম অসিদা মণিপুরদা অহোংবা কয়া লাকখি। নিংথৌ পাল্লম্বা মণিপুর নিংথৌ পানখিদ্রে। ভারতকী মমুং চন্দুনা অহানবদা পার্ট সি ষ্টেট মথংদা টেরিটোরী কৌহুনা লোইলম ওইখ্রে। মণিপুরী শিংনা মশানা লৈবাক ঙাকচবগী মহুত্তা দিল্লি সরকারনা হাপ্পা চিফ কমিসনর অমমুং এডভাইজরনা দিল্লীনা তাকপা য়াথং মতুং ইন্না মণিপুর ঙাল্লকলে।

মথংদা চহি খরগী তুংদ। দিল্লী সরকারনা মণিপুরদা টেরিটোরিয়েল কাউনসিল কৌহুনা মেম্বর ৩০ না শাবা সভা অমা মীথন তৌহুনা শেমলে— অদুগা মহুগী অহানবদা চেয়ারমেন অমনা অহুদগী খর লৈরগা মন্ত্রি মণ্ডল লৈরকলে- লৈবাকী সাসন তৌনবা ; অহুবু থবক খুদীংমক ভারত সরাকারদগী হুকুম লৌরগা তৌথি। দিল্লীগী হুকুম নত্তনা থবক অমত্তা পাঙথোকপা ঙমমদে। মতম অসিদা ভারতকী মকম কয়াদগী (করি অমুক হায়গনি থাম্নবা নেপালদগী) মীপী

ঈচেল ঈচাও অমা মণিপুরদা চেনশিল্লকখি। লোয়ং চৈথী মমল লক্ক লিনিং লেপ্পা তাক্লগংলকখি। মণিপুরীশিং থবক লৌকুম লোতক্লম চাক্লম মকয় মকদবা তেনগৎলকখি। লৈবাক্কী হারুগী চৎনবী পথাপ কয়া সুৎলহুনা অনৌবা মীয়ৌ অমা লাক্লং পথাপ কয়া হৌদোকখি। অনৌ অনৌবা মশিং লোয়রবা মরূপ কাণ্ডলুপ কয়া লেমগৎলরক্লই। মদুগী মথুংদা কোওপরেটিভ ফার্মীংস্তু অমনি। মচমসিদা প্যাং শঙ্গাবুং ইগী মহুল অমদি উমং মুৎথতুনা লৌ নিনবগী ঈরাং অমা লাক্লখি—মতম অসি মংলেমগীদি পোয়রনি।

মংলেমগী চাম্নবা মরূপ অমা হিয়াংলমদগী টেরিটোরিয়েল কাউন্সিলগী মেম্বর অমা ওইনা কাগ্রে। মাগী মরূপগী চাম্নবা মেম্বর অমনা মন্ত্রি ওইরে। মথোয় অনিনা মতেঙ পাংহুনা মীয়ৌ অমা কোঅপরেটিভ কার্মীং সোসাইটি অমা লিংখৎহনা খোইরুম পাং লৌ নীবনা হৌরে। মংলেমনা মদুগী সেক্রেটারীনি। মেম্বরদি অমুক্না কয়া রাওই—। ইস্কালদা লৈবা অফিসার পিওন কেরানী মন্ত্রি এডভাইজর অমদি মমল হোংনা লৌ কংনিংবা ওইজবা খ্রিয়া কয়াদগী লৌ শীগনি হায়রহুনা শেল খোমখি মংলেম। মতম থর শেল অম অম খরচ তৌখি মংলেম—ওক্ক লম্রচংস্তু কা হেনখি।

মতম থরগী তুংদা এডভাইজর তোকখ্রে–মন্ত্রি মণ্ডলস্তু কায়খ্রে—অনৌবা মীথন্দা মংলেমগী মরূপ মেম্বরহু কায়রে—অতোপ্পা অমনা কাগ্রে। মহাক্না লুচিংহনা মংলেমগী লাম্বা তোঙাও লোয়রকুনা অনৌবা কাওপরেটিভ কার্মীং সোসাইটি লিংখৎখ্রে—থোইরুমগী লৌ মুক্লরকলে। অওইবমক্তি কার্মীং সোসাইটি অনিরক থৌরম

থৌশিল গপ থাজ্রে—মথোয়গী মরুওইবা থবক্তি ইস্কালগী মীৎদগী শেল্ল থোৎখি।

হৌজিক মংলেমগী সোসাইটি তোঙাওগী সোসাইটি অশেংবা তাম্ময়কপদা কেশ থোকলে। অমগা অমগা লৈশিন্নহুনা নরথাক্তুনা থাই চাইনরে। আমিন্দগী হৌনা রেভিনিউ অফিসার কয়া মেয়রশিংহু অচুম্বা য়েংনবা তদন্ত কয়ারক তৌগ্রে। রেভিনিউ কোর্টতগী সিভিল কোর্ট য়ৌনরে আপীল তৌনহনা-হায়কোর্ট সুপ্রীম কোর্ট ফাওবা কেশ তৌনরে। অচুবু কনানা অশেংবা সোসাইটিনো কনাদা লৌকমশিংহু পীকম থোকপগে হৌজিক ফাওবা লেপ্পা ওমত্রি—লৌশু ফংত্রি—উকিলগা উকিলগা কেশ লোইবা লৈতে—শেল তিংবগী লোইবা নাইদে। সরকারগী খাজানাসু কাদে পাটি অনিমক কেশকীদমক মেয়রশিংদগী শেল তত্তনা থায়। ইস্কালগী শেল পায়বা কাওবু—হোৎনা লৌকম ফংনিংবা কাওবুসু- মচিং মচিং শেল পীশিনখিবদগী লৌ অমা পূমনৈ লৈবদগী হেন্না শেল চঙনরকলে—শেল খায়বা থোকলক্তরে। শেল হন্দো হায়না মংলেম তোঙাও অনিমকপু তাম্ময়কলে। লেপ্পদি য়াদবনিনা মখোয় অনিমক শেল পুত্থনা ফংত্রিবা লৌকম শরুক থর য়োম্বুনা কেশ শোক্কয়কলে। ময়োল মন্নাল তাকলে—মমৈদা কেশসু সুপ্রীম কোর্টতা তোঙাওনা ওমথোকগ্রে—শেল থৌবা লাকপনা মংলেমগী যুম হিয়াং কুইম্বগুমলে। মংলেম শাওবা হেনগৎলকখি— ময়ুমদা মতু মচাদা তাইনখি।

বেলী অরাং হাও মহুং হাওগী লমদা মকোকচীং তান্না চত্নুনা চীং-ককপা য়াওহনা চহি অরেং চুপা শেল তাম্নুরগা মথুত্তা থর পায়জরহনা

থোরকপনি। ভিমাপুরদগী—মথা মচন অমত্তুং মপাগী মানা ওঅদবা মকু অমমত্তং লৈরগা সুটকেশ মচা অমদা হাপ্তুনা ইম্ফাল মাইকে পাংলকপনি। চাওবীনা মকপু মুনিং কি অমত্তং লোয়না থোমহনা হাপচরি। মানা মকোকচাংদা লৈরিক্লে তাখি মণিপুর ষ্টেট ওইরে। চহি ২২ গী তুংদা মণিপুর ভারতকী মঙ্গুংদা লিক্লাদা খিত্তং হন্দংনা য়েংবা ওমজরে - মত্তু মমান খিত্তং থীংজরে। খনখি—মণিপুর য়াম্না চাওথংলম্মনি।

মস অহুনা মাও লানশিন্নকপা মতমদা ম্যানা উখি—মাও মায়ামগী মুপীশিং হায়ওমা টৈরেস লৌ পাম্লৌ য়াল্লি—হায়গী য়োং মচান্থ পায়না চীংলৌ য়াল্লি শমদা হোম্রি—লৌবুক্কী কংলকপা মহৈ মরোং—পান-আলু। মধু থক্তুনা কয়ম্বা কীত্তাং ইনবা অহুনশিং মশীং য়াম্না হন্থ্রে। মুপাশিংগী লক্তদি থবক ওদবা—থোংত্রাও মথোন লাওবী শেংপা লমজাওদা চাবা অথক্ত অহৈ শাবা পাথক্ত মশীং কন য়ায়থংলুপে। কিজেং চাকচা হোংলবা—চংনবী য়াংমা লান্নবা—মখোয়হক্ চাওথংপা হেনগংপনয়া মীতৌ ঙমলিবা অাংলা ?

মাওনী মায়াম [illegible] কয়া কবা [illegible] অহবু মাওনা মায়ামদা অনিনী [illegible] লৈবা হায়া [illegible] অঁহুদা হৌজিকসু [illegible] অহুম মখারি। অহবু [illegible] শেংদোকপদি হায়গী [illegible] টিকায়াম, [illegible] লৈমলগে—[illegible] [illegible] থবকশিং [illegible]। [illegible]

[illegible] [illegible]। [illegible] থনখি—[illegible] অসিগী মণিপুরগী [illegible] [illegible] শুকম লেপ্লগ থম থম [illegible] থাওখ্রেদো।

[illegible] [illegible] লম্বী মখৈ-টৈংথা [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] থোং কয়া লৈরম্বি, [illegible] মচিদা [illegible] অমি—[illegible] [illegible] [illegible] লৈথোক [illegible] [illegible] কয়া লৈরি। মবক [illegible] ইমটৈ থক চৌংলবী শেংবোকপা culvert শেম্বা থোক্নে। [illegible] অমি [illegible] কাওবা মণিপুর পি ডব্লিউ ডিগী মথাং লৈরি। ইঞ্জিনিয়ার ঠিকাদার রোড মোহোরী অমদি [illegible] কাওবুনা থবক [illegible] লেপ্ল [illegible] [illegible] অসিগী লম্বী অয়াম্বা চংপা [illegible]—[illegible] [illegible] লৈরোম [illegible] থক্নে, বকানা [illegible]। [illegible] ওইনবক [illegible] থনখি—আগা অসিমদি মতম অমিগী মণিপুরগী মীয়ামগী নোংকোল থবক শুকম লেন কংকম থরমদি লৈরম্বি—মথোয়গী [illegible] লেপ্ল থম্বদি [illegible]।

[illegible] [illegible] লাকপা [illegible] সহর [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] হেক্ত চাওখৎলে। মীগী [illegible] [illegible] [illegible]—[illegible] [illegible] পাইরে। [illegible] একাথাঙ্ক [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। চংপা লৈরবদি মীদা [illegible] [illegible] [illegible] পোংবকা [illegible]—লৈংশিনরিবগদি। [illegible] [illegible] পোংব [illegible] [illegible] [illegible] ওইরমজে। [illegible] মণিপুরদা [illegible] [illegible] লৈরে [illegible]—[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]—[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible]—

মনা মশিং ভেত্তি ভোমেটো হবাই থয়াক মপান্দগী পুশিনকুনা লেরদা য়োনবা দেশবালী কয়া মৈতৈচুপী লক্না কমলমলে। মণিপুরগী হাওয়বা মমিং মুখী হবাই মজল, শগোল হবাই, আলু অতাওবা অমত্তা কংখিদ্রে—মপান্দগী পুশিল্লকপা মুনগনবা মোরে হবাই ঊশিংচবা খুইরবা বিহার আলু ভিক্তো অসিত্তা ওয়রে। মথন্তা থজাথি থেনী—ওল্লোকপনি লৈপাক অসিদা মমাঙ কায়না থোকপা য়াবা ফংবা য়াবা পোৎ কাওবা—মপান্দগী লাকলেদো, থবকওদবা মীশিং মণিপুরদা মশাং থীওমদনা লৈরেকো।

বাজারগী লম্বী হায়দগী পাকথোক্লমদে, দুকান মশিংদি হায়দগী য়াম্না হেন্নমলে। অদুবু অয়াম্বা দুকানদি মকম অসিগী মণিপুরগী মীনা কমলমদে। ওকথি থেনী কম্নি মরমনা মকম অসিগী মণিপুরগী মীশিংনা কমলমজ্রিবনো কম্নি ভৌতুনা লৈহৌরিবনো? অনৌবা দুকান কয়ান্থ শাগংলম্মী—অদুবু চেক্কী মুংগী ঊগী মিস্ত্রি—মণিপুরগী মী ওইরমদ্রে—কদায়দা লৈদ্রে—থায়দগী মৈতৈ মিস্ত্রিশিং। চাংজররবা যুগসিদা ওকম চাকম নোমকম থওদনা—চমরনা লৈদ্রব্রা? য়েংথিবদা ইমাক থুনবনা ইমাক থুনবা হেনগংলকলে—লাইমথনা লাইরবা হেন্নে—হায়গী মায়বা সমাজ অদু মচেৎ মচেৎ কায়রকলে।

পোংকী মমল শরুক লীশিং হেন্নে। মণিপুরগী অহাওবা পোৎ মনা মশীং ওা অমত্তা ফংদ্রে। হোটেল চওবা চা থকপা বত্রেন হেন্নে, য়াক্না হোংলে য়াম্না হোংলে—কুয়াদলান মশিং হেন্নে—হায়া লৈরমথবা চাক্‌চীবা লম্বীদা চুম্বা য়ারেকপা কাওবুহ লৈরমজে। লাইমথবা ঊনাকথুনবা থেরবা চাং হেন্নে। কম্নি অমুক হায়দমি মাথিং

অপাগী চাং কাওবা মহৈশাগী নত্রে। মেনীগী অপিদগী অঙোংবনা থকবা চাকচাবা মুগসিদা লোয়নীংদনা—লোক্তন থগৎবা—মমাও মুখাম পাখা মৈদৈহনা কমা কৈনা হিংবা অমদিবি মৈকৈ ওইবা।

অমুম অমুম চৎখিদুনা ফিয়াকপাক্তা লৌদ্রে। মখোয়গী ঈংথোল মমুম লৈকমদুনা চৎলুই—মমুমদি লৈরমজ্রে মহুদা মখোল অনি যাংবা তক তকপা চেক্তা দলান অমা লৈরম্মী। ঈংথোল অছু চেকপা কোয়শিন্নি—য়োংকী থোজাল কাংলি—লৈত্ত কজনা মকম চানা চান থারি। মেনী জ্ঞান মাওলে। মপা মমা মচন অমত্তা লৈরমজ্রে। মানা ওয়মমালে থজুই—অচুবু ঈংথোলছদা হৌরিবা হৈনৌ—লৈহাও পাম্বীছ মানা থারবা মথোং ঈশিং চাইরমছুমকনি। উথি যুম-দলান অছদা কেনা লৈরম্মী চাওবী মচা অমত্তু পান্নমই। ঝা অমত্তা ওাও-লমদনা মেনী পরপ পরপ মপাল থোকখি। মখোয়গী যুমগা যুমথংনবা মন্দোলথোটগী যুম হায়ওয়া লৈরমই। যুমলোয়বা মন্দোলদা হুংবদৈ থওলে—চাওবী মযুম পানগ্রে- মচা মুপা অমা পোকলম্মে। মেনীথোয়গী ঈংথোলছু মাগী মরানা লৈহোরে। মরা অছু ঠাকাদারনি—মানা অত্তোনবীনি। মানা লৈরকপা কুরিৎ কিছু অনিথোক্না শেগাইরগা মথোয়গী থোজালদা থেংলম্মী।

মথোয়গী যুমদি মুংগ্রে—মেনীগী মমা শিগ্রে। মপানা আত্তানবী অমা লৌতুনা লেকমাইজিন থোংনাংথোক্তদা যুগী থোলা লিংখৎহনা লৈগ্রে—মচন ছুপীনা ময়াহ কৈকায়দা মযুম পানগ্রে। মেনী মচন ছুপীগী মযুম থিরকপদা থেংনখি—অমুক অছদা মচন অছু অমোংপা কি অমা শেখ্রা হায়ওয়া থরুংপাং মপান্দগী পেরুক কেত্তোই হেক্লম্মী।

বেমীমা উথি—পূর্ববক হোংগুলবা মচমপুগী অহুঙবিংহাবী ঃনিতম কিথেং চাকচা চংনবী হোৎনবা হৈনবগী। ঙেরী বকলগী মমাক চঙবিহুনা—মামা চৈমবগা বিংহুনা ঙুপা। মতা খবা শকম দুমিহুনা শীমাংগী হবা হেংনবকমা অতুব চংগে লাইমা।

নবেম্বর ১৯৬৯ ইং

(৪)

মেতৈ [illegible]

মতম অমু য়াম্না জুং চাদবা, মনীং মমাঙ [illegible] মতাম্ন। [illegible] কুইনা লৈরক্লবা চংনবী-লোনচং লমচং-ব্যবহার [illegible] মথং মথং শিথরক্লুনা য়াম্না শোম্বরকপা মতমনি—অমুপা মথোমহুপী মহুং শিন্নবা অনৌবা চংনবী-লোনচং, লমচং-ব্যবহার [illegible] মপুং কাম্নিবা—মহুংশিনবা য়াম্নিবা মতমনি। [illegible] খমথোংনা [illegible] তাদবা মতমনি।

রাজনীতি—লৈবাক ডাক্লোন নীতিনা [illegible] পানবা [illegible]—মহুপা লোয়মনা লৈবাক ডাকলোন [illegible] লোইনশু কয়া [illegible]—[illegible] মুংপা য়াদবা সমাজ নীতি ধর্ম নীতি [illegible] শিথরকদি। অনৌবা [illegible] নিয়ম [illegible] সাধারণ [illegible] ওঙ তাম্নি। পুরুনা [illegible]—[illegible] লৈ[illegible] মপুং [illegible] [illegible] মশক অসিনা [illegible] [illegible] মীয়ৈবাক [illegible] [illegible] কন্নিবা [illegible] [illegible] মতমনি। [illegible] কনাগীমু মথা পোয়োইদবনি—ঊয়ৈবাকীদমক [illegible] হাইবা [illegible]—[illegible] [illegible]

কখোল্লবনি হায়বা কাওবু কল্লা অমনা মতু লোয়বা মী বি-থিল্লা নমহুনা লেল থায়রি লৌরলি, হুলি। মরক ময়ুক্তা অমুম্মা লোয়ত্রবা লেল য়েনবদগী থংনমহুনা মখোয় মলেল হাংনরি, হুরি, হাপনরি কাউন্টরনি। কল্লানা কন্নানো কররিনো, কনানা কররি পার্টিনা করবা কাওবুনো কুনা অমত্তনা লেংনা হায়রবা ওয়রে। মখোয় খুদীংমক অলেংবা চাক্কনি—মখোয় খুদীংমক অশাবা ওাক্তনি অচম্বা প্রজাদগি চমথবা নত্তনা কররিমত্তা নত্তে। চুমিং খুদিংগী নোংমা কাংদনা তারি লোয়শন্না বেঙ্ক লুট তৌরে নোংমনা সরকারগী লুপা লাকখ্রে—নোংমৈ কাপখ্রে—মশক থত্তদবা কাওবু লাক্কনা লেন মুমখ্রে- নোংমৈ মুনখ্রে সিকাই অমি নোংমৈনা পাল্লে—মশক থত্তদবা কাওবু থম লাক্কনা মী অমা নোংমৈনা কাপথুরখে। চুংখিলদা মশক থত্তদবা থরবা খুমা শং শং চাইরবা চেদা (হেণ্ডবিল) শিরিবহু কাউন্টরনি, হায়রি মথং মথং হাংলকখিবি। সরকারগী পুলিস কয়া, সিকাই কয়া জিপ তোঙা ত্রক শক্তিমান গাড়ী মচা গাড়ী অচৌবা কোয়চং চংলি নোংমৈ চীংহুনা কররি কররিওব। মকমদা বস একাগাড়ী স্কুটর রিক্সোলচিংবা থামহুনা চথলিবা মী কয়া চেক তৌরি য়েংলি—কররিনো হকচাং পায়হুনা মান্নুনা— মুমা য়েংলবদি সকম অসি লান্না হেক থুহুন চাররবা তুংদা সিকাইনা ওাকপওয়া উরি- অত্তবু অলেংবা থিরিবা কাহেনবা মী অমত্তা কাহুমা পুরকপগী পাওজি তাবা কংদ্রি। মরাল লৈরবা কয়াদি কারি।

ধর্মগী লমদা য়েংলবহু মতম অহু রায়া চেরেংনবা যুগনি। হুনর্তমা লাজাদি লোইরবদাইনি--ধর্মগী মরমদা য়েংনবা থংলবা

হায়রবা ময়ায় ওইবা মুসকী রাখলদু পৃথ্বীগী মফম পুম্নমক লৈখিরে লোইরে—অদুবু মণিপুরদদি য়াম্না কয়া ধর্ম্মগীদমক্তা মুক-চৈনবা শিন্দবা কাওবা য়াওয়কলি। থাইনগী অরিবা ধর্ম হিন্দু ইসলাম খৃষ্টান ধর্ম লক্তা সনামহি পাখণ্ডবা মৈতৈ মরুপ ধর্ম কয়া চংলে পোমশিন্নকলি। মৈতৈ ইনাং ইরাং পুজা হৌজিকলদুনকপা পাম্বা—কা হেনবা থরনা হিন্দু ধর্মগী অশেংবা মন্দির আথরা লৈবা মফমদু মৈতৈগী লাই অদুগীনি অদাগীনি, মদুদা অরিবা হিন্দুগী লাই নত্তবা অদুগী লাইশং শাগদবনি হায়না হোৎনরি। হিন্দুগী লাইশং থুগাইনবা মতুগীদমক মী খোমলি- অরিবা ধর্ম্মবু থাজবা কয়াবু শীংনরি—অদুবু মুপ্তা য়েংশিন্নুববদা মখোয়গী রাখলদু মফম অদুদা মী য়াম্না লাক্লগা লাইদা কৎলবা শেলদুবু মিহৌব' মান্নি—ধর্ম্মদা য়াম্নমক থাজবগী য়াকম মান্দে। মরক মরক্তা মতু শোল্লবা তরক তরক লৈবা হিন্দুগী লাইশংদা লাইগী মুত্তি অমা অনি লোয়না মুংলাংদা মৈ থাবা খোৎপদু তৌদবা নত্তে !

মী মশিং য়াম্নকপগী মতিক পার্টি কাওলুপ মশীং হেনগৎলকলি। মচিন্না অমা হায়রগা থবক্না অমা তৌনব যুগনি। ওটদবা তৌবনা লোম্নবা, কাম্নবা ; মশাগী থুদোং চানবগীদমক্তা তৌদবা লৈত্রবা অচোপ অরেম থিত্রবা মতমনি। আইন শেমগদবা এম এল এ না বানোম্বা, লৈবাক ওাকুদবা মন্ত্রি মণ্ডলনা মশাগী কাম্নবা থিবদা থবক তৌরিবা কর্ম্মচারীশিংগী থবক্তা খুৎ চংকংনা থিংজিনবা— থবক হাপ্পদা থরায় য়াওবা রুলগী নিয়মগী মতুং ইন্না হাপ্পগী মহুত্তা মাগী মীনা ওইরগা লোইরে হায়দুনা এভহোক্তা হাপ্পবা যুগনি। ওখানা লাইদিক

মতৌলগী মকখা থিক্না লৌবা, ইন্দ্রিয়শক্তি খরক শীংদুনা চাবী, খিয়াদুনা লেপ্লে এরেবা, টিকায়রম্বা খরক লৌদুনা বিল শাবা— অদুকপু মখলি।

অদুবোমদা মীচম প্রজাগী অবস্থাদি হায়রিবাই, নৈতুরবনি— মরুগী পুরক্সং লোইরকখ্রবনি। চাবা ফংদ্রা কুংথিমখ্রে, থকম নোক্কুম লৈয়খ্রে—কুদি লৌগা চিংনুরবা হোৎনুগদবগী থবক্সম লৌরক্রে। মণিপুরগী মসিদি চিংথৌ পানবা, লৈবাক নিয়ম লেপ্তবা মরম—মুকদুগী চায়খুন ওইখ্রবনি। লম্বীদা চংবা অচৌবা প্রজারো—ঈংনা চংচুবা তমরে—অচৌবা প্রজা য়ুমদা লিঙাইদনা লৈবা তমখ্রে। কুদি থোক্কগনবগে, মরম পুরকপম খংজবা, কিরনদা লৈরি। শুমা, য়ামলবা মরাঙবগী অমাঙবা চাক্কা, মিপাইবগী মিপাইবা থাক্কা। মীপুম্বা ক্লিনবনা মমুনা, অমগী মতেং পাংনবগী মুহৎতা ঐতা শোক্রগা লৌইরে শাগত্রে—হুমিন হুম্মিনা মথন মুথক্তা হিংনুবা হোৎনেনরি—কয়া কুইনা অসুম্বা হিংবা তমগনি কনাগুম হায়বা তমদে।

বিধান সভাগী মেম্বর ওইরিবা, প্রজানা ভোৎ পিদুনা প্রজানা খাগৎখিবা—লৈবাক অসি কন্দুনা থাকবা প্রজাগী য়াইফবা পুরকবা প্রজাগী মীহুৎনা লৈবাক ভাঙ্গউ থাগৎখিবা এম এল এ শিংগী মপুংগী থন্নাংলগা শেমখিবা মন্ত্রি মণ্ডল—প্রজাশিংদা হায়রম্মী, ছোংক্রী মতমদা—লৈবাক্কী সম্বাক্কগী সেবা তৌজগে লৈবাক্কী অর্থাৎ, অপা য়োংজগে শেমজগে। মিত্তা শি তানা কোয়চেন চেন ক্লোইরাউ কাউজখি—"প্রজাগী মঙ্গল য়াম্লবা ভোৎ অমত্তং থাদবিদুনা লৈবাক্কী সেবা কংহনবীয়ু।" শেমদা শেমগদবগীই থন্দুনা প্রজাশিংনা ভোৎ পীদুনা কাপ্রবশিং অদু—হেক কাখিবগা মথোয়না পুক্কাদা মশুক্কেলিবা

হায়রকপিবা লোইবা কাউবা হৌরকদে। মশাগী য়েংবদা লৈবাক্কী লৈবা নহান মপোক্কী ওইরে। মশাগী থৌং অমুক কাঁনবা লম্বী শিন্নবা; মন্ত্রি ওইনবা হোৎনবা অসিনা মরু ওইবা পান্দম ওইরম্বা মথৌ কন্নবা য়াবোম্বা; কেম্প য়াওবা চোংথোক চোংশিন তৌরুম্বী শেম্মী তানবা অসিনচিংবা থবকতা হেন্না থবাক্কী য়াওরে—পাটিগী থবাসি থাসি, রাজনিতিগী থাজবা, ইজ্জৎ-হাক্ষিবা য়া তাকপা পুন্নমক তুংদা থমরে। অঁহুনা চহি মওংগী মতম শুদনা মন্ত্রি মণ্ডল ৫/৬ লক শেম্বা, মরকী ভোট তোবা, বিধান সভা য়াম্দুনা থম্বা—মন্ত্রি মণ্ডল লৈতন্দবা, রাষ্ট্রপতিগী সাসন কয়া চহি মওংতগী মকুংদা হম্না হয়া থোকখ্রে। পুন্নমক এন্ডহৌরকী মন্ত্রি মণ্ডল এন্ডহোক্কী বিধান সভা, এন্ডহোক্কী এম এল এ, এন্ডহোক্কী সাসন ওইরে।

অঁহুম অরান থওদনা পাওঁ শন্দোকপা তোকতাগী মপাঙ্গলদু ককা শাথিনা কীনবনি-অওইবা ওইদবা—মকম অহুদা হাংদরে, মহুদা নোংমৈ কাপ্পরে—মকম অহুদা শেল দাকখ্রে—শেল মুনখৎলে নোংমৈ মুনখ্রে-এম এল এ কাখ্রে—অসিনচিংবা অচুম্বা নত্রগা তোকতা মমক মরক্তা ওইনা তাই তোকতাগী বিং হেল্লি অহুনা মতম অসি 'তোকতাগী যুগনি' অহুনা লৈবাক অসি তোকতাগী লৈবাকনি।

অসিগুম্বা এন্ডহৌকী যুগ তোকতাগী লৈবাক অসিগী মীনা পন্থৌ য়োনজিনবা কাচিন ওইরবা শক্লুংকম কৈদ্রগী লম্বীথোং য়াম্না ফংহন্দ্রবা অসিকপা থুন অমৈদা লৈবা অাশা য়াম্না চাওবা-চৌরিকপদাদি সমাজ সেবা পামজবা মানবা ইবোচাওবা কম্না চৌংনরি অমুক্তং বিধান সভাগী সদস্য ওইগে হায়রনা। হৈবোচাওবা হাইকেং শিন মায়কপা

হুপানি, থুঙ্গুদা মচিক্লাক চাকবা মচানি—লাইব্রিক্তি করা কন্থে, ক্লাস অমত্তা হক্তিন্দবা য়াওখিদে—মেট্রিকতা অহুমক ফেল ওই মখিদক ওবা চহিদা লাইব্রিক ফাক্তুনা থর শিন মী নেক্তুনা থর কয়হন ইস্কুল উচিন নাচিন্না পাস তৌরে। মমাল্লবদি বি এ, এম এ, বি, ই এবি বিএস পাস তৌহুনা ওবা ওইবা ডাক্তর ওইবা ইঞ্জিনিয়ার ওইবা সরকারগী অচৌবা থবক তৌবা হৌগ্রে মানা মেট্রিকতং পাস তৌবা মতমমতুম্দা ইবোচাওবা মথা অমুক তমথবগী আশা লৈতে, তমথনিঙ্গব্রে-মানা তমগদবা কলেজ থুদিংদা মাগী মমাল্লবনা ওবা ওইদ্রবা য়াওরমগ্রে অহুবু মপা মমানা হায়মন্দবদগী কলেজ অমদা মিং চন্দুনা পি, ইউসি তমলে। অহুবু পরিক্ষা পাস তৌবগী রা নত্তে তম্বা হৌনবগী অহুক তম্বনি। ছাত্র ইউনিয়ন য়াওই স্ত্রাইক প্রোসেসন মকোক চিংই ছাত্র ওইনা ওইনা মোরেদা স্ত্রেক চেল্লি স্ত্রাইকী বগুগী নামাদা শেল থায়, শেল থোর্মজিল্লি। হুকান্দারশিংদগী পৈশা থায় পার্টি লিদর থরদগীস্মু স্ত্রাইক প্রোসেসন শীনববীগী পৈশা লৌই। শেল ফনা য়াম্না তানশিল্লে ছাত্র ওইনা ওইনা লাগর লম্মোনবা য়াওরুবদা ফাহুনা চহি অমরোমস্মু মিয়াং তাক্করে। অমুক্তা ফারক্তথনি শরিং শরাং ফনা য়াম্না হৈবনি ইবোচাওবা; অঙ্গাং ওইরিঙৈ স্কুলদা তমলিঙৈদা-য়াওশংগী কৈথেলদগী মানা মশিং কোবী য়োংচাক লাকপদা-ফনা অমত্তনা ফারক্তবনি— লৈকাইগী ইংথোলদগী থংনবা থুঙ্গুগী য়াওশংদা চু থেকপা, কোবী থেকপা—মপূনা তাল্লবদা থক কংলক্তবনি—মমাঙ থাদা মোরেদা স্ত্রেক চেনবদমু সিক্তাইনা তাল্লবদা ফাওবা ফাবা ওনথিজিবনি-অহুবু হন্দক্তি তাব শোইবরাগ্রে-

ইথা থাজদনা ক্যাহ্নুনা মিয়াং তাক্লরেদো। লাইখিক অমা তোকলে-মতম অহুদা মপান্না শিগ্রে—

অচাই কদনা সরকারগী থবক অমত্তং তৌবনা কপদমাক্লে খন্দুনা চহি অহুম চুপ্পা— চৌকিদার পিওনদগী হৌনা কেরাণী এলগী ফুলগী ওবা। ওইরবসু অমত্তং কংত্রা হায়হ্নুনা ইন্টর্ভিউ কয়া পরিক্ষা কয়া য়াওরে — য়ানোম্বা কয়া চংলুরে হোংনক্লরে অহুবু ওইবা কংহ্নুনা তোকলে মহৈ য়ানত্রে। থবক তৌনিঙাই লৈত্রহ্নুনা ঙাওচংনরে— গজা থকলে—কানি চারে পুকয়ু থকপা কাঙবুলক্কা তিজ্রে—অমম অথেং মুপী নহা চংপা ঙমলক্ত্রে। গতি লৈত্রহ্নুনা মমানা মুপী থিরগা থর হনগত্রা খন্দুনা থংনবা থুনগী ইনাকখুনবা অমগী মচামুপী হায়রক্লহ্নুনা লুহোংলে। মহ্নুনসু মাগী ঙাউচংনবহু কবা ঙমত্রে— মথং মথং গজা থকপা কানি চাবা পুকয়ু থকপদগী হেন্দোরক্লুনা অার শাম্নবা—যয়ীং হনবা—মীগী পোৎ লাকপা, করিগুম্বা মতমদসু লুট চংপা কাঙবু তিরহ্নুনা লুট পাং অমুক অনিরক য়াওরুই—মমৈদা মমা শিদোকত্রে মুপীগী মরল মথুম লোইত্রে। অমুক লৌ উহ্নুনা অমুক্লা হুকান কমহ্নুনা করিগুম্বদা হাজিরা গুহ্নুনা য়েংলে—অহৈবু থৌরম অমত্তদা চৎকম লৈত্রে। লাইবক য়েংলগে হায়হ্নুনা মবৈদদি রাজনীতি য়াওরে মালা পামজবা সরকার পায়রিবা রাজনীতি দল অমদা য়াউশিন্দুনা মন্ত্রি, এম এল এগী মতুং কোইয়িন ইন্দুনা মথোয়গী পাম্থোক্লোই ওইহ্নুনা—চহি ২/৩ লৈরকলে। কনা কাম্বরে—মতম মতমগী রাজনীতি দলগী চংনবী হৌনবী-মজম অহুগী লৈবাক্তী লুচিংবা ওইরিবা মন্ত্রি-অঙুম অথৌ কয়া শকথক মায়থঙ্নরে- মথোয়গী য়াম্লাং

শাঙাং থোদৌ লাকতৌ লোইনা থওলে। দল অমুগী শাখা কয়া লিংখৎপা য়াওরে। মথোরগী খুন্দম্ব মতুগী মশা অমা শেমতুনা মতুগী সেক্রেটরী ওইরে। লৈকাইগী কেন্দ্রগী কেয়ার প্রাইস ছুকান লিংখৎতুনা খুঙ্গাশিংদা পোৎ চোংনা কংহল্লে—অয়াম্বা শরুক্তা য়েকত মোয়েন-চিংবা য়োহন্দুনা শেল য়াম্না কাম্নরে। মমৈদা চহি ৪/৫ শুরুক্রবদদি পাটিগী মনুংদা অরিবা মেম্বর ওইরকলে। লোয়ন-লোয়ননা দলগী মকোক ওইবা লুচিংবা মচা অমম্ভ ওইরকলে। অহানবা ইলেকসন্দা দলগী কর্মী ওইনা মীথনগী কেম্পেন থরায় য়াওনা তৌখি—অতোপ্পা দলগী ভোলুনটিয়ারগা থৎন-চৈনবা কাওবদা মানা মাঙতিন থানা হোৎনখি। মাগী দল অমুনা মীথন জয় ওইদুনা অমুকম্ভ সরকার পায়রে। অদুবু মাগী দলগী মন্ত্রি মণ্ডল চহি অমরোম ফারকপদা মন্ত্রি মণ্ডলগী মনুংদা মুখ্য মন্ত্রি ওইনিংবা মন্ত্রি য়াওরকপা অমদি এম এল এ মরক্তা মন্ত্রি ওইনিংবা এম এল এ মশীং হেনগৎলকপদগী দল অমুগী মনুংদা কাওবু অনি থোরকলে—মতুগী খুদোংচাবা লৌতুনা বিরোধি দলনা কক কক থিন্দুনা দল অমু কায়রকলে—এম এল এ চোংথোক চোংশিন তৌদুনা মন্ত্রি মণ্ডল কায়রে চোংথোকখিবা এম এল এ থরগা বিরোধি দলগা তিন্নদুনা চুংশিন্নবা সরকার অমা শেমলে। চোংথোক চোংশিন তৌবদা এম এল এ থর শেল থর কংতুনা কাম্নজে। চুংশিন্নবা সরকার অমুস্ভ চহি কাদে অমুক চোংথোক চোংশিন তৌনরকলে এম এল এ কেম্প লিংমরকলে—রাজ্যপালদা মাগী মাগী দলনা মশিং য়াম্বনি—হায়নরলে। দল দলগী এম এল এ মশিং থিনয়কপা অমদি রাজ্যপালদা পীরকপা

মীশিংদা নাকল অনিমক্তা য়াওবা এম এল এ শ্রী মিং কমা য়ারলে। মমৈদা রাজ্যপালনা হায়বা মতুং ইন্না-আইন সভা মুৎথৎলে য়াষ্ট্রপতি সাসন পুরকলে। চোংথোক চোংশিন ক্তোবা এম এল এ মরাম অহু ভ্তোকপদা প্রজা ময়াম্না কপ্পক পেম্লখি।

য়াষ্ট্রপতি সাসন চহি অমা কারকপদা সংবিধানগী নিয়ম মতুং ইন্না—অমুক মীথন ত্তোবা ত্তা'র। মী থরনা ইনশিনবা--পার্টি মমুংদসু মাবু পাম্বা মেম্বর থরনা হায়বনে—অমদি শন্নুংকম কেন্দ্রগী মীশিং থরনা কন্না তকপদগী ইবোচাওবা মীথনগী মীরেপ ওইনিংলক্লে। অহুনা পার্টি টিকেট ফংনবা কোয়চেন চেনবা হৌরকলে। পার্টিগী মীথন কোমিটিদা মহাকসু দরখাস্ত থারে মীরেপ ওইগে হায়দুনা। অহুবু দলগী মীথন কোমিটিনা ম্যাগী মমিং পনরীক্লে। নৌনা চঙলকপা চোংশিন্নকপা হায়গী এম এল এ হুবু দলুগী মীরেপ ওইনা থনখ্রে। ইবোচাওবা শাওনিংবুগী ভমথৈ লৈএ। চহি ৭/৮ পার্টিগীদমক ব্বারকপা হোৎনরকপা উত্ত। ঘী হৈরে। মরক অসিদা মাদি মীরেপ ওইরুগদবনি হায়না কন য়াম্না য়াত্তশিন্নুরে।

মহাক্না প্রসিডেন্ট মন্ত্রগ। সেক্রেটারী ওইবা সরকারনা মশক খঙলবা খঙত্রিবা এসোসিয়েসন সোসাইটি ফেদেরেসন কোমিটি কয়ানা মাবু পার্টি টিকেট ফংত্রবসু ইন্ডিপেন্দেন্ট ওইনা মীরেপ ওইয়ু হায়রি মখোয়গী বাসু ত্তাদবা য়াদে। মহাক অন মণিপুর গঙ্গা থকপা এসোসিয়েসনুগী চেয়ারমেননি। এসোসিয়েসন অসিগী দাবী "মণিপুরদা গঙ্গা থাগদবুনি, মণিপুরদগী গঙ্গা থাদোকপা থিংলোই-দবনি, গঙ্গাদা টেক্স লৌবা য়ারোহ" হায়বসি মামা হৌদোক্লনা

মসিগীদমক সরকারদা অসহযোগ অন্দোলন কয়া মানা মকোক থোংনা তৌরক্লবনি। এসোসিয়েনগী মেম্বর গল্লা থকপশিংনা মাবু মখোয়গী মছুং ওইনা থাগৎলে লেপ্তুবা য়াদে হায়রি।

মতৌ অস্নুম্না অল মণিপুর কানিচাবা কোমিটিনস্নু লেপ্তকা য়াদে হায়রি। মহাক কোমিটি অসিগী সেক্রেটারীনি। কোমিটি অসিগী দাবী "কানি খোলা লী'গদবনি কানি পুশিল্লকপা থিংবা য়ারোই, কানিদা থাক্তনা লৌবা য়ারোই" প্লেকার্ড পায়ত্নুনা সরকারগী মথক্তা সাইলেন্ট অন্দোলন কয়া মহাক্না লুচিংত্নুনা তৌখিবনি— করম্না মখোয়গী রা ভারোই।

শ্রীইবোচাওবা - "অল মণিপুর মন্নীংহনবা ফেদেরেসন" অমস্নুং "অল মণিপুর থুম্নু তুনবা কংগ্রেস" সংস্থান অনি অসিগী চেয়ারমেননি। সংস্থান অনি অসিগী দাবী "মন্নী'হনবশিংদা সরকারনা লোন পীগদবনি।" থুম্নু তুনবশিংদা সরকারনা মতিক চানা গ্রান্ট অমস্নুং সবসিদি পীগদবনি" হায়বা দাবী অনি অসি তকশিন্দুনা মহাক্না মকোক থোংনা সরকারগী মথক্তা থোইদোক্লা শাসন বিভাগকী লোয়শংদা ধারনা কয়া তৌরক্লবনি। অন্দোলন অসিগী ফলনা মণ, য়েন ঙাম্নু, ওক্ত চিংবগীদি লোন, সবসিদি, গ্রান্ট পীবা হৌত্রবনি সংস্থান অনি অসিনস্নু মাবু মখোয়গী মিছুং ওইনা লেপ্তুবা য়াদে হায়রি - করম্না হেক হিক্তোকপা যাবরা।

অল মণিপুর শেঙ্গাবা ইনষ্টিট্যুট', "অল মণিপুর চিরোন থারোন এসোসিয়েসন" অমস্নুং "অল মণিপুর য়ানোম্বা সোসাইটি" সংস্থান অহুম অসিগী সেক্রেটারীনি ইবোচাওবা। সংস্থান অহুম

অসিগী দাবী "সরকারনা সংস্থান অহুম অসি রিকোগনাইজ তৌগদবনি, সরকারনা সংস্থান অহুম অসি লৌশিনগদবনি।" হায়না তকশিন্দুনা ইবোচাউবনা সরকারগী অচৌবা কর্ম্মচারী কয়াগী অফিস, রেসিডেনসিয়েল অফিসশিংদা অমদি মুখ্য মন্ত্রিদগী হৌনা মন্ত্রি কয়াগী অফিস অমসুং মথুমদা ধারনা কয়ারক তৌগ্নবনি। অদুগী মতলনা সংস্থান অহুম অসিবু সরকারনদি রিকোগনাইজ তৌরবনি। অদুবু সংস্থান অহুম অসিগী মরুওইবা দাবী সরকারনা লৌশিনগদবনি" তকশিন্দুনা রিলে-হঙ্গর স্ত্রাইক তৌরকলিবনি। হন্দক্তা মীওন মরাসিদা—মসিগী রাসি মথংগী প্রজাগী সরকার—পোপুলার মিনিস্ত্রি লাক্লগা থম্নগনি হায়না য়ানবা অমা পুরকপদগী রিলে হঙ্গর স্ত্রাইক অসপেঙ তৌদুনা লেপ্লদনক ডায়রি। মরম অদুনা সংস্থান অহুম অসিনা পুন্না মাবু মীরেপ ওইয়ু হায়রী—মরমদি মহাক্না করিগুম্বা মীথন্দা কাদুনা এম এল এ ওইরবদি সংস্থান অহুম অসিগী দাবী অসি সরকারনা শোয়দনা য়াংনবা ঙমগনি। করম্না মহাক্না মথোয়গী অপাম্বগী মায়োক্তা লেপ্লুগনি।

ইবোচাউবা—"অল মণিপুর ব্রেক মার্কেটরস কো-ওর্দিনেটিং কোমীটিগী সেক্রেটারীনি। কোমিটি অসি—অল ইণ্ডিয়া ব্রেক মার্কেটরস কোওর্দিনেটিং কমিটি অমসুং ইন্টর্নেসনেল কমিটিগী শাখানি। অতৈ অতৈ লমদা তৌবগুমনা মণিপুর শাখা অসি মণিপুর সরকারনা মসুংদা শকথঙবা দরকারনি। মণিপুরদা-মীরৈবাক্কী অপাম্বা পোৎ পুম্বা য়াওনা অপাম্বা মমলদা মঙম পুম্বা ফংহনবা ঙমলিবা ব্রেক মার্কেটরশিংনি। মথোয়গী স্ত্রাইক থৌরাং পায়থংলিবা কমিটিনি।

ব্লেক মার্কেটরশিংবু সরকারনা কা পুনবদগী কনবা, কাপ্রবা কোন্ট্রাবাগু পোৎ সরকারনা মৎপদগী কন্নবা হোৎনবা, মথোয়না মিয়াৎ তারবা ফাওবদা মতম শাংহন্দনবা হোৎনবা অসিনচিংবা থোরমদা অচৌবা থৌদাং লৌরকলিবনি. ইবোচাওবা ছাত্র ওইরিঙৈদগী হৌনা সংস্থান অসিগী কর্ম্মী ওইরকলিবনি। সংস্থান অসিগী মরুওইবা কর্মী পূম্বা মহাক্না সরকারগী মরুওইবা কর্ম্মচারী পুম্বগা অমম্বদা উনহন্দুনা শক-খঙ মায়খঙনহনবদি হৌরবনি। আইনগী মতুং ইন্না রিকোগনাইজ তৌগদবতা মঙায়ববনি মহাক্না কন্নিঙম্বা মীথন্দা মায়পাক্কুনা সরকার শেমগদবা দলদা য়াওবা ঙমলবদি থবক অসি ইন্নায় লায়না পাঙথোকপা ঙম্লগনি থাজনরি। মরমদি সরকারগী বিল ওইনা আইন সভাদা পুথোক্লবদি শোয়দনা হেক্কা পাস তৌগদবনি। আইন সভাদা বিল ওইনা পুথোকপসি মহাক্না এম এল এ ওইদনদি ওইবা য়ারোই অদুনা সংস্থান অসিনস্থ মাবু লেপ্তবা য়াদে হায়রি। অস্থুক য়াম্বা মতিক মগুণ লৈরবা মীতনা মেম্বর ওইরিবা সংস্থান অসিগী রাবেপ্পু মানা করম্না হিক্তোকপা ঙমগদগে ?

অসিদস্থ নত্তনা ইবোচাওবা মণিপুরদা মমিং লৈরবা দল অনি— "অল মণিপুর য়ু থকপা ফেডেরেসন" অমস্তুং "অল মণিপুর জ্বার পার্টি" শীস্থ চেয়ারমেম্নি। মমিং লৈরবা—মণিপুরগী কোচিন কোয়া যৌনা মেম্বর লৈপ্রবা দল অনি অসিগী মরু ওইবা দাবী—"য়ু থকপা থিংবা য়ারোই, জ্বার শান্নবা থিংবা য়ারোই" হায়না তকশিন্দুনা ইবোচাওবনা লুচিংদুনা অইন অমান্য আন্দোলন তৌদুনা লাকলিবনি।

অসিগুম্বা মরুওইবা দল অনিসিনস্থ মাবু মীরেপ ওইয়ু হায়রি--করম্বা য়াদবা ঙমগদগে ?

অস্তুম্বা সংস্থান ময়াম অসিনা হায়বনে—মশানগা লেপনিংবনে-মাগী পাটিদগী চোংথোকখ্রবা হাম্বগী এম এল এ খরনা পুনবা পার্টি অত্তুনস্থ মখোয়গীদা য়াওরো মখোয়গী মীরেপ ওইরো হায়বনে থোইদোক্না মীরেপ ওইরগবদানি হায়না অমক পায়খৎলুবনে—মহাক পার্টি টিকেট ফংলবস্থ ফংত্রবস্থ পার্টি কেণ্ডিডেট ওইত্রবস্থ মীখনগী মীরেপ ওইগে হায়না লেপখরে। অত্তুনা মাগী পার্টিগী মীখন কোমীটিনা মাগী মমিং হেক লৌথোকপগা মহাক পার্টিদগী ভোকলে—ইণ্ডিপেন্ডেন্ট মীরেপ ওইরে।

মীরেপ চে থাগৎখ্রে। মাগী দলনা মাবু তাম্বোক্লে। মীখনগী তারিক লেপখ্রে—ইবোচাওবা ভোং খোম্বা হৌরে। মীখন অফিস চত্তুনা ভোটর লিষ্ট লৌরুরে--চিংখ-নাম্বহৌবা মঙোন্দা পীবা য়াবা মী কয়া ভোটর লিষ্টতা মীখন অফিসপু হাপচিলহল্লে। মরু মরু ওইবা ভোট থাদফম মনাক মনাক্তা অমদি খুন লৈকায় খুদিংগী মরু মরু ওইবা মফমদা মরম্নাই অফিস অমমম লিংখত্তুনা ভোলুন্টিয়ার থমত্তুনা ভোং খোম্বগী থবক চৎথরকলে—

"চাওবা ! নখোয়গী সিদা ঐগী অফিস মচা অমা খুলিবা তারে।"

"হোয়—তাদা—কিরান অমা লৈবা—য়ুংনবা কিরান চৈখোক লৈবা, অফিস শানবা ফকলোংনচিংবা লৈবনে পোষ্টর ইবনে করিনে ভৌনবা লুপা ৫০০/০থক থম্বীরম্মো।"

"লেসে লৌরো ব্লার্কর খর কংনিকো"

"তাদা রার্কর রাংলোই— শান্তি, শায়্. লোমো লোইনা লৈ— ঐস্ম লৈরিসিদি"

"সে রার্করশিংগী চান-থক্লবা লুপা ৫০০/-সিগা পায়শিল্লো। ইনাওশা নথোয়না হোৎনবিগ্রবদি ঐগীদি কনাস্ম লৈত্তেদো।"

অস্মুমা মক্কমচাবা য়েং যেংছুনা মরম্মাই ইলেকসন অফিস লিংখৎপদা শেল কয়ামা চংখ্রে। অঁহুবু পোষ্টরদা মাগী মমিং শ্রীইবোচাওবা ইণ্ডিপেন্দেণ্ট কেণ্ডিদেটকী মুমিংলৈ মার্কাদা ভোট পীবীয়ু ইছুনা লৈবহু উরগা মোমোন নোকচৈ— চঙখিবা শেল কাউই।

"ভোম্বা। নথোয়গী অফিসকী করি রাংলি।"

"তাদা ঈংবনা লোইরে—মৈতান থর লৈদবা য়াক্লে—অহুগা রার্করশিংসি নহা ঙাক্তনিদো—মথোইবুস্ত থর খিলাইদবা য়াপোৎ নত্তেদো"--

"অহুবু কয়া পীয়ু হায়রিনো?"

"ওসিগীদি লুপা ৩০০ লোমদং থম্বীরম্মু"

"সেসে লৌহৌরোসে—ইয়াম্বগীদি পঙলৈ লৈজবা নত্তেদো— ইনাউমা থরায় থর য়াওবীয়ুকো"

অস্মুমা মুমিং নিনি মরক শুমানি মরক্তা অফিস অম্মমথমা খিলাইনবা লুপা ১০০/৩০০ য়েনবদা শেল কয়ামা চঙখ্রবদি। অফিসশিং অসি ইলেকসন তোগদবা থা ২/৩ রাংলিত্তেদগী লিংখৎখ্রবনি।

"তাদা লেংশিনবীয়ু— মাইবুঙো চংবীরকউ ইবুঙো-চংলকউ— চা চা কনা লৈ চা—চুরুপ বেরী থরম্ম থম্মু" ইবোচাওবগী মুকহু উমাঙ লাঙই মী চংথোক চংশিন য়ায়ৗকৌই— মকম মকমগী শাঙ—ভাটকী

য়া—ফনানা কখি হায়নয়িবা—অভোপ্পা কেণ্ডিদেটশা কয়ি তৌগ্রবা—তম্বয়ী—য়ায়ী শায়ী। য়ুমগী মুপী নহা অঙাং লোইনা থবক চিন্নি ময়াম য়ায়ী শায়ীডে—ড্রাইভরগা ফনিগা চঙলকই—"ডায়ো মাইক য়াত্রে,—শেম্নবা লুপা ১০০ পীয়ু' তামো গাড়ী থাও য়াওত্রে—থাও লৈনবা লুপা ২০০ পীয়ু।" ময়কসিদা মণিস্নানা হায়রকই—

"ইবুঙো—ঐখোয়মু পদ যাত্রা' তৌদবা য়াত্রে—মীগীদি নহাম্না চংনত্রে—মখোয়শিংগী ঐখোয়গীনা হেন্ন মী য়ামগদবনি—য়াওবী-ৱিবশিংদা চা কপ অময়নত' ওইয়বমু য়েনগদবনিদো—লুপা লিশিং মডায়োমদি চঙপনি।"

"সে ফনি লুপা ৩০০ সে থাও লৈরুয়ো মাইকমু শেমলুয়ো। সে তাদা লুপা লিশিং মঙাসে তাদখোয়না থয় ফনবা শীনবয়ো—হয়েং পুং কয়াদা চৎপা হৌসিগে"

"ইবুঙো অয়ুক পুং ৮ তাবদগী চৎপা হৌসি।

মথংগী পুমিত্তা পদ যাত্রা চৎলে— মরুপ মপাং লৈকাই অৱৈদগী শাইগে নাইতে— মত্তং পাংবৌনবা হায়রকুনা মী কমা য়াম্না য়াম্নে—নহান অভোম্না কেণ্ডিদেটশিংগীদা য়াওবা কয়ামমু য়াওই। চৎপা লোইশ্নবদা মী থয়নদি ভাঙনবি—চা কপ অমা শিথকপা ফাওবা নীংথিনা পীথক্তে— অয়েম্বগী মতম য়াঙনবা চৎলুবমি—নহান থোইব-খোইগী চৎলুবদি তম্না য়েনখ্রিবা লক্নুনা য়েনখ্রিবা স্নিঠাইও কখিও।

হন্নরুগা ইবোচাওবমা হংজখি—

"তাদা ওসিগী পদ যাত্রা কমদৌখিনগে ?"

"ইবুঙো মী য়ামগ্রপোৎনি ককত্রে য়ামত্রে হায়নম্নিপোৎনি

য়াওবীরিবা মী পুম্বদা চা তল লোইনা থুংনবা য়েম্লি— মীনা ফজে ফজে থাগৎনগ্রবনি ।''

মীথন মুমিং নকশিল্লকলে। ভোং লেপকদৌরিবা পুম্বা য়ুমথোং য়ুমথোং কেমপেইন হৌনখ্রে। মাগী এজেন্ট ওইরিবা খোইরোম চাওবনা হায়—

"ইবুঙো য়ুমথোং খুদিংগী কেমপেইন তৌদবা য়াদে।"

"কনি তাদা ঙসিদগী হৌরসি—মীথন মুমিংস্থ মশেমনিদো।"

ইবোচাওবা মানা থাজবা মী ২ অহুমগা চংম্নিরে—

"মাইবুঙো—নমাক থুরুমজরি লৈবাক্তী সেবাসে অমুক্তা ফংজগে।"

"ইবুঙো ইবুঙো মঙ্গল ওইয়ু"—ইবোচাওবা চংখ্রে

"নহানমখৈ কৌবীরমদবস্থ ভোং ময়াদদি কৌবীরেদো" হায়নহৌই।

য়ুমথোং খুদিং কেমপেইন চংলুবদগী হন্নকপদা ঙায়রি—ফুংদাং-রাইরমনি-মীস্থ ফয়ক তাই ইবোচাওবা য়াম্লা চোকথরহুনা মাঙ্গোলদা মোরা অমদা ফমলহুনা ঙাইহাক্তং চা কপ অমত্তং থরুহুনা পোথারী। মঙমসিদা পাখঙ মচা মঙা তরুক চঙলকই— মোরেগী জেকেট লিংপা হাওকি ইনমা য়াওই। ইবোচাওবনা মখোয়চু মশক অমত্তা থঙদে—

"তামো রা অমত্তং হংজগে?"

"তাকপীয়ু ইবুঙো—লেঙশিল্লকউ ফিদা সোমদা"

"য়ানি ঐখোয় ক্ষমজররোই—"

"তাকচীয়ু"

"ভোট লেপ্পীরিবা নত্রা ?"

"মানি"

"ভোংসি কারবদি করি করি ভৌগনি ?"

"ঐগীদি ঐগী মেনিফেষ্টোদা য়াওরিবছুনি। হেণ্ডবিল কয়াম্ভু য়েষ্টোকখ্রে—অহুগা ঐনা ইশামক্তা থোইদোক হেন্দোক্লা ভৌজনিংবদি ঐগী কেন্দ্রগী অরাংপা লম্বী থোং ফহনবা লাইরিক তম্ফমশং লিংখৎপা খুঙ্গাশিংগী আর্থিক অবস্থ ফগৎনবা হিরম খুদোং থবক ওইনা পাঙ৽ থোক্লবা হোৎনবা শম্মা হায়রবদা ঐগী কেন্দ্রগী ভৌবা য়াবা থবক খুদিংমক পাঙথোক্লবা হোৎনজবনি।"

"ফনি ফনি তামো! অরানবা অমত্তা ভৌবিবা য়াদে। ঐখোয়বুদি তামোনা শণ্ডবিরমদবা য়াই-ঐখোয়দি লৈবাকী থুমাইগী য়াইফনবগী-দমক থরাই অসি কথোকচরবনি ঐখোয়গী অসি য়াবিনীংব্রা ?"

"ইবুঙো—লৈবাকী ফনবা, য়াইফনবা ভৌবনু য়ানিংদবা হৌনবরা ?"

"ঐখোয়দি চীং মান বন জঙ্গলদা অরা অনা কয়া থাণ্ডহনা লৈবা তাবনি—লৈবাকীদমক ঐখোয়গী ফণ্ডদা থরদংদি পাংবীয়ু"

"হায়বীয়ু কয়া পাংজোগে—নয়াম্বদি লায়রবনিদো"

"তামো ঐখোয় পণ্ডয়াম য়াম্না হায়জরোই—লুপা লিশিং তরাদংদি পাংবীয়ু—ঐখোয়গী সিনা মঙ্গল ওইরবা কান্দা শোয়দনা শিংজগনি- "

"অহুক য়াম্বদি কদায়দগী শুমগনি নয়াম্বদি—সে লিশিং মণ্ডাদংসি লৌখো।"

"ফরে মঙাসি লৌজরগে—ওসিদগী চয়োল অনিগী তুংদা অমুক লাকচগে অরেম্বা লিশিং মঙাহু পীবীয়ু। করিগুম্বা পুলিসককা তাকপীরবদি—ঐখোয়বু ফস্তে হায়বীয়ু—চৎচরগে মঙ্গল পীনবীয়ু

"মঙ্গল ওইয়ু ইবুঙো!"

কাঙবু অহু চৎখরে। থরায়বু পাম্মুবনা শিগনি ফিকনা—অরৈবা শেল পীখরে। পুক্লীংদদি চিংনৈ সুঙাইতে ইবোচাওবা—অহুবু পুলিসতা তাকদবসু হল্লোইরে।

মুমিৎ তারে। থাওমৈ তান্না থাজংলে মাগী ভোলুন্টিয়ার ময়ামসু মথং মথং লাকপা হৌরে। নাকল অমদা কৈথেল কারুবী মাগী সুপীনা তা-মনামশিং নৈরকুনা বামন পুজারীনা মমামগী চান-থকুবা থোংলিবা অহুদা পুশিনখ্রে থোং থাকপা হৌখ্রে। ময়ামগী চা মুং চুরুপ বেরী পামা মথং মথং য়েন্নি। নোংমগী পাও তমন্নী—হয়েং তৌগদবা থবক মরুওইবা মাগী এজেন্টশিংগা তানন্নী।

ইবোচাওবা তাইহাক্তা পোথাজদে—মকোয় ককপা শংদক্মথে চেন্নি—মাইক পায়দুনা অথেংবা অহিং ফাওবা—মকম পুম্বা থুংনা চত্তুনা লাউজখি—নৈবাকী সমাজগী সেবা তৌজগে প্রজাগী মমল য়াম্নবা ভোৎ অমমমতং সুমিংনৈ য়েকপা সিম্বোলদা ভোংকী মার্কা নম্বীদুনা নৈবাকী সেবা ফংহনবীয়ু। য়ুমথোং খুদিং পদ যাত্রানি—থংনখিবা কৌনখিজবা কয়া মমুম ময়ুম চত্তুনা থুরুমহুনা হায়জখি নৈবাকী সেবা ফংহনবীয়ু। ভোৎ থাদগদবা পুং ৪৮ তা মঙারে। লাওথোংনা জোৎ খোম্বা রাজ্রে।

মতমসিদা মণিগ্রানা ভমনৈ—

"ইবুঙো, পাওন তোম্বগীদি ভোটর অমদা লুপা ৫০ য়াথৈ য়েনখ্রে।"

অসুম্না লুপা খাউজাও খাউজাও ভোটর য়োননবা অমম্বদা অথুবা লম্বীদা চংপা হৌরকলে। ভোটর য়ৌত্রিবৈদা থেংনরুবা মরাইবক ফবা কনানা হৌদোক্লখ্রে কায়খ্রে। অসুম্না অমম্বদা ইবোচাওবগীসু লুপা খাউজাও থাদোকচে কয়া য়াম্না ভোটর য়ৌথিবা অরেপ্পা থওদে—হিসাবতদি ওয়া য়ৌথ্র মানা তানশিল্লবা রেকী পৈশা, মীওোন্দগী মংহৌবা পৈশা মান্ত্রনচিংবদা রানোম্বগী দলালীদা ফংহৌবা পৈশা—লোইথোকখ্রে মাং। লৈজরিবা লৌ পরি মগী মহাজন সেঞ্জম ইনাকখুনবদা বন্ধান মতুগী লিককোন কয়া য়োম্থোকলে বন্ধান থমলে মচুনসু কোম্নবক্রুখুনা মথামবা ০রুপ মপাং শাগৈগী মচিঞ্জাক চাবা কয়া অমদি মতুং গরি মওা মশেন মবাইদগী শেল লৌরে থরনা পাংলকপনি অং'থনা শেন্দোই চামদা থাদা ২০ গী হীংদা পুরে পুন্নমক ওয়' থওচ তৌরকলে -

ভোং থাদবা মুমিং হায়'ন ইবোচাওবগী যুমদা অহিং অতু খাউমৈ ওাল্লা থান্দুনা রার্কির ময়াম মিটিং তৌরি—হয়েংগী থবক শিন্দোকলি- নাকল অমদা বামন পুজারীনা চানা থরবা থোংলি। ইমুংগী মরুওইবা কাদ লাইগী পূজা তৌরি। অমাইবা অমাইবীনা তাকপা মতুং ইন্না পাম্থোইবীগী আখড়াদা লোয়া মী থওহন্দনা কিরান লুপা কোনয়াই সনা কোনয়াই—অথেমপোং কংলুনবা শীল্ল। পুন্নমক হোংনরবা তুংদা গতি লৈত্রবদা অরোইবদা মীওইবনা লাইদা হায়জবা নত্তনা করি লৈ। ইবোচাউবা থরায় য়াওনা লাইগী পুজা তৌরি—মনিঙা মাপ তানা খুরুমজরি মঙল ওইহনবীয়ু হায়না

ঙসি ভোং থাদবা মুমিংথনি—অয়ুক ওন্তা হৌগত্নমা—মশা শেংদোক্রবা তুংদা অয়ুক থুন্নমজরে লাইপুম্বা। ওন্নাং লাইয়েম্বী পাম্থোইবীগী ইন্নাং থৌনিক্রবা মাইবা মাইবীদগী মঙল পাও তান্নবদা থন্নায় মুত্তাইনা হায়নবা মতিক চাবা দক্ষিণা তৌরে-স্বর য়েংনা যাত্রা তৌরে—ভোং থাদকম পূম্বা মথং মথং য়েংবা চংলে। ভোং থাদকম মনাক্তা শাবা ম.গী অফিসতা ভোটর থন্ন য়াম্না লৈরম্বা উবদা মথন্নায় হুন্নাউহ—মী হাত্তন তিঙ্গনদবা অফিস উন্নগা মথন্নায় মুত্তাইতে। মফমদুগী ইলেকসন এজেণ্ট থাদোকতুনা মাগী ভোটর পুন্নক্লবা শীল্লি-লুপা থাউজাও লোন্না শিন্নরম্মী। অমুক্না ভোং থাদবা লোইবগী পুং তান্নমদাইদদি ভোটরগী মমল হাইগংনরক্তুনা লুপা ২০০ দগী তারক্রে। ইবোচাওব—লেজবা পুথোক্তুনা অমত্তং ওইরবস্থু কংমনবা হোংনথি। মুমিং তারমদাই ভোট থাদবা লোইন্নমদাইদা অত্তোপ্পা কেণ্ডিদেটকী শেল য়ামদে ওইনরম্বা ভোটর অনি অহমথকস্থু মানা থেংনক্তুনা অরৈবা পূম্বা ফুরিংথাওদা য়াওরম্বা পীখি। ভোং থাদবা লোইখ্রে ভোং মশীং থিদ্রবা ফাওবা- হাথল তয়াং তশোইনা লেল্লি।

ঙসি ভোং থিবা মুমিংনি। থা কয়া চত্তনা হোংনখিবা শেল কয়া তিংথিবা—মতুগী ফল থত্তপদবা মুমিংনি। অয়ুক অত্তনবদগী লমফেল ডি সিগী অফিস মীনা চোল্লে। ইবোচাওবা মাগী কাউণ্টিং এজেণ্টকা লোয়নন। ফিরান থেংলবা গাড়ীদা ইম্ফাল য়োরকলে। ভোং থিবা হৌরে। পুক্লীং লাত্ততন্নগনু থক য়াদে। পোলিং ষ্টেসন অমা থিরকপদা মানা মশীং হেল্লগা মোমোন লোক্কই—অত্তোপ্পা অমা থিরকপদা মীনা হেনগ্রগা শুকত্তোকই মথন্নায় মুত্তাইক্তে।

অমুম্না অরোইবা বেল্লোট বোক্স থিন্নকপা মতমদা নিংদোন পীং পীং চোংই। পুমলোই লোইবা থিবদা মানা হেক থংনবা কেণ্ডিডেটতগী ভোৎ ২ হেল্লে, অতোপ্পা অছুনা দাবী তৌবদগী অমুক হন্না থিরে— ভোৎ ২ অহুম হেল্লে হেল্লিবা ভোৎসি মুংঙাংবাইরম্নগীচু ওইরমগনি। মাবু মীথন্দা খল্লে হায়বা লাউথোকলে ব্রিটননীং অফিসারনা মাবু মীথন্দা খল্লে হায়না সহি তৌবা চেচু মণ্ডান্দা পীরে, মথুৎ শোক্না মুণ্ডাইবা ফোংদোকলে? মীথন্দা মায় পাব্রবা লৈ পরেং ছুক্রবা ইবোচাওবা ব্রাকর মন্নায়্না ওমশিন্দুনা থাংছুনা পুথ্রে মাগী গাড়ী তান্না। থৌগ্রে শক্লুংকম তান্না "কারে কারে" লাউছুনা। মীথন্দা সেকেণ্ড তাবা মুপাচু মথরায় মুণ্ডাহত্তে—ইলেকসন কেস তৌগনি লেপ্পা মযুমদা হনখি ভোৎ থাদবা মৃমিংকী পুং তাননদাইদা মাগী লৈজবা শেল—লুপা থাউজাও থাদোকখিবচু কান্নজরে। ইবোচাওবা এম এল এ ওইরে। চহি মঙাদি—মাবু মীনা এম এল এ হায়বনি। মতুংদা অমুক ওইব্রবসু এক্স এম এল এ (এম এল এ ওইরম্বা) হায়নরনি।

ভোৎ কারে। ইবোচাওবা এম এল এ ওইরে এপ্রিলগী তাং ৫ দা বিধান সভাগী সদস্য ওইবগী শপথ লৌরে। আইন্না খঙলবা এম এল এ ওইরে। হেক ওইবগা মী মঙা তরা মতুং ইল্লে—থবক চিনবন্দ্ থংহেন হেনগৎলকলে। মাগী মুপী, মচা—মুপীগী মবু মপুন্না চাউথোকচরে। মাগী মুপীনা এম এল এ মথক ওইবা লৌরে।

অমুক অঙনবদা ইবোচাওবা চন্দোন চন্না ইরং লং ফৈজোম শেং-পুমন্নাং অজৌবা লিং-মুগাগী চাদর অমা য়াম পরপ পরপ মযুমদগী থোক্লক—মাবু উনবা লাকপা থামবা থুমগী মাধবনা হুংই—

"কদোমদা লেঙগদৌরিবনো"

"আঃ তাদা কাহ্লাইগী তুলসী হোংবা য়াওরবা তারি—"

"সুংথিল কদোম লেঙথোক্কদগে—"

"সুখিলদি তা চাওভলগী কাও থাবগী মীত্তিনগী সভাপতি ওইবা তারি। অহুদগী সুংদাংনা সুরেনগী ষষ্ঠি পূজানি ঙসিদি ইশং শংদ্রে হয়েং অযুক লেঙথোকপীরকউ।" মাধব নিংবা কায়না মমুমদা হনথি।

অম্নুমা ইবোচাওবা কেন্দ্রগী মীশিংগী থবক ইনথাং থোকপদা বার্ত্তন ফংলবস্নু ফংদ্রবস্নু তাবু তারবদি য়াওদবা য়াদ্রে - মরমদি মাগী ভোটরশিংবু পেলহনদবা শাওহনবা য়াবা নত্তে। অম্নুমা নোংমা কাংদে ষষ্ঠী পুজা চউস্বা, নাহুৎপা, নগুণ থাংবা লুহোংবা, অন্নিসকয়, শোরাৎ, সম্বৎসর— অমা নত্রগা অমা করি করিগুম্বা মতমদা মরি মঙা ফাংনবা নংনবা চৎপা তাবনি- অসিদগী হেন্দোক্কুমা— অত্তৈ অত্তৈ তুলসী হোংবা, পুস্রি হোংবা, মন্দির হোংবা, যণ কাও থাবা, সনা খোংনাং পুজা, শণিপুজা নারাণ পজা ত্রিনাথনচিংবা য়াওবতা নত্তনা লাই-হরাওবা, পাস্থোইবী চাকলোন কৎপা, ইমোইন্নু ঈরাৎপা, সনামহি চেং হোংবনচিংবদা মবোক থোংনা য়াওগদনি— অসিদস্নু নত্তনা সরস্বতী পুজা, দুর্গাপুজা কালিপুজা, গণেসপুজা, বিশ্বকর্ম্মা পুজানচিংবদা ভাষণ পীগদবনি, অদুম্বা দান তৌগদবনি, অসিদস্নু নংত্রি মরক মরক্তা—জগোই ঙাকপা, গৌরলীলা ঙাকপা, ষনশেনবা ঙাকপা অসিনচিংবা থবকস্নু মানা তৌদবা য়াদ্রে- অহুদগী হেন্দোক্কুনা অশি অনা হংবা, শঙগাবা, মঙানি চাকৌবা— কাংগী জয়দেব চোংবা,

ম্‌লোনগী মুপী পাদা কৌবা লোইনা য়াওবা তাবনি। মানা য়াওরুবা চংলুবা মকম পুম্বদা পোৎয়েং, দান, শেন থাবা, কি থাবা তৌবা তাবনি। শেলগী দরকারনি—কদাইদগী শেন্নো। মাগী লৈজরম্বা পুম্বা—অম্বদগী হেন্দোক্লুনা মীওোন্দগী পুশিন্দুনা মীথন্দা শীজিন্নব্রে।

এম এল এ ওইত্রিবৈদা বিড়ি থক্লম্মী—খোংনা নত্রগা একাগাড়ীনা নত্রবম্ব বস তোংহুনা চংলম্মী। করিগুম্বদা পুকয় বাইয়ু—অতোংবনা অম্বম য়ারম্মী। হৌজিক এম এল এ ওইরবসিদা করম্না বিড়ি থকদগে—করম্না খোঙনা নত্রগা একাগাড়ী বসনা চংকদগে। করম্না য়ামত্রবদা কোরেন লিকর রম-হুইস্কি থকলোইদগে; য়ামত্রবদা—কেপস্টেন চুরুট থকলোইদগে—য়ামত্রবদা জিপ অমত্তংদি তোংবা তাবনি, জিপ লৈনবা শেল কদাইদগী মহুগী থাওনা কদাইদগী লৈবা?

অসিদগী হেন্দোক্লুনা মমাম্নবা এম এল এ অতৈগা তিন্নগদবনি—মখোয়দগী মানা পওহন হম্বনা লৈবা য়াবা নত্তে—ইবোচাওবা ফনা য়াম্না শাথিনা শেলগী দরকার লৈরে—কদাইদগী লৌরুনি—

ইবোচাওবা হৌগত্রি—অয়ুক অঙনবনি। থংনবা খুন্দগী তাদ চাওবা, মখোয়গী লৈকায়গী মনে তোম্বী, মুপী ময়ুমদগী মবাই মতুম লোইনা তিল্লে। মাগী মুপীনা কিদা থাহুনা ফমহল্লি—চুরুট বিড়ি লাম্বোক্লুনা থকহল্লি। পুং ৭$\frac{1}{2}$ রোম তারকপদা ইবোচাওবা হৌগৎলকলে—মচিন ময়া শেংলগা থোরক্লুনা ময়ামদা মথুং লোম্নে, মবাইদা থুরুম্মী। মবাই মতুম্না হায়—

"কৈদৌরে অম্নুক থেংনা হৌগৎলিবদে—"

"ইবাই ইবুঙো—ঙরাং মতাম্ন খুন্দা মুংদাং চাকৌবা অমা

য়াওক্কবদা থর থেংলোকখ্রে—ময়াম পংঙাই ওইহল্লে যাক্লোকবীরদু।”
মথংদা চাওবদা ওনশিন্দুনা হংলকই—

“ত। চাউবা—অমুক ওয়া লেঙঙকপর্ কয়ি তৌরবগে—কয়ি তৌজৌ হায়রবগে”—

“ইবুঙো নচাহু মেট্রিক পাস তৌরে—ডাক্তর ওয়াংই হায় থনমক্রী কালেজদা মিং অমুক্তা চনবা য়ানবা ঙাংনবীয়ু।”

“কয়ি দিভিজন্দা পাস তৌবগে?”

“কয়ি দিবিজন ওইগদগে—সিমপল পাসনি”

“তাদ মাগী মার্ক ককাহু পুবীরকউ”

“কনি কনি—ইবুঙো চনবীদবা য়াবা মত্তে নচাহু ডাক্তর ওমহনগদৌরিনি ইবুঙো ইয়াম্বা চৎলগে।”

চাওবা চৎখ্রে—মনে তৌদ্বীদা হংই—

“ইনে কয়ি হায়রবগে?’

“কয়ি ওইনি ইনেনীদি য়েঙোই—চিনি কেজি মঙাথক্তগী পামিট লৌরিরকউ”

“হোয় হোয়—লৌরক্ক ইনে।” মনে তোম্বী চৎখ্রে। মবাই মতুমদা হংই—

“ইবাই—কয়ি লৈবগে”

“ইশেন—মথোয় পীওন থর তাং ১৫ দা লোপদৌরি—নমাক্ত মুপা থোইবসে ওইহন্দবা য়াদে—নঙনা মথোয়গী অফিসারদু থর ঙাওনরকউ।”

“কচ্ছি ইবাই।” মবাই মতুম ইমুংদা—মচন মুপীগী নাক্তা

চঞ্চখ্রে—মথং মথং মী কাওলুপ অমা অমুক ইবোচাওবগী য়ুমদা য়ৌরকলে। অদুগা মী কয়ামা—অয়ুক্তগী য়ুমদা। কনা অমনা হায়রে মচা মুপাহু কুকান্দগী পোং শাক্লুবগী থানাবা ফাখ্রে থর থাদোকহনবীয়ু-কনা অমনা হায়রে মাগী মচে অনাবদু হোসপিটালদা লৈকম কংদহুনা লৈয়ে সিট অমত্তা কংহনবীয়ু—অসিনচিংবা কয়ানি-মখোয়গীদমক কলেজ প্রিনসিপাল, অফিসার হোসপিটাল থানাগী বাবুদা, মন্ত্রিদা বানোম্ন্গদবনি। এম এল এগী থবকসিবু বানোম্বরা? অচুম অয়ান পিদনা ভোটয়না হেক হায়রি মখে তৌগদ্রা? প্রজানদি থাজৈ এম এল এ ওইরবনিনা মানা ওমদবা থবক লৈত্রে। অমরোমদা ভোটরশিংবু শাওহনবা য়াবা নত্তে। করি অমুক হায়গনি—মীখন্দা য়েরুখিবা মী ফাওবা লুনা তৌফম থোক্রবনি এম এল এবু ওইরবদি।

অয়ুক্পী পুং ১০ রোম ভাষা মতমনি। ইবোচাওবা চাকওন চাহুনা কা মণ্ডপ অমা থোবুম থন্না উমহুনা মাগী খুন্দগী বাংজিং কৈথেল ফমকই। বাংজিংদগী বস হোংহুনা থোবাল থন্না মথংদা ইম্ফালদা চংকদবনি। ভোটরশিংগীদমক বানোমলুগনি—এম এল এ ময়াম উনরুগনি—মন্ত্রি মণ্ডল শেম্বা য়াওরুগনি। ওইজ ওইথক থরম্ থিরুগনি। য়ুমদগী পণ্ডলাপ লাপ্পা থোরক্রি জিপ অমা মনাক ফাম্না থোজিল্লকলম্বী- গাড়ী লেপখ্রে গাড়ীদগী কুমথ-কুমথনা হায়রকই ককচাংগী এম এল এ বীরনা "ভায় ইবোচাওবা ঐখোয় ইণ্ডিপেণ্ডেণ্ট এম এল এ .২ শুরে ঐখোয় পুম্না ভিল্লবা দরকারনি চৎসি—ইম্ফালদা উরিপোক্তা ওসি মীটিন তৌগনি কাখৎলকও-" ইবোচাওবা কাখৎখ্রে—জিপ অছু অরাং পাংনা থোখ্রে।

উরিপোক্কী মীতিন লোইগ্রে। ইণ্ডিপেনদেন্ট মেম্বর মখৈ পুন্নগা পুন্না মন্ত্রিরুসি লেপ্পরে। কেবিনেট অনি ষ্টেট অনি তানবা লেপ্পরে। ইবোচাওবস্তু মায়কৈগী ওইনা ষ্টেট অমদি ফংবা য়াই। মায়কৈ অসোমদগী কারিবা ইণ্ডিপেন্দেন্ট অহুমক্কা মাবু মন্ত্রি ওইনবা হায়রে, মন্ত্রি ওইনিংদবসি কনানো? ওইবা তারবদি খরচ খরদি তৌবা তাই। হৌজিকমক্কী য়েটথি লিশিং কুম্থানি। কদাইদগী শেলনো?

নীংবু নীংলবদি থোক্লবা অমা লাকই—ইনাকথুনবা ব্লেক মার্কেটর মনীকচান্দ মাগী তুংদা লেপ্লরে —

"শেলগীদমক করিস্ত্র রাগস্তু"

মনীকচান্দগী অয়াংপা লৈতে—মাগীদি কারবারনি। ব্লেক মার্কেটরস কো ওর্দিনেটিং কোমিটিগী সেক্রেটারীনা লৈবাক্কী মন্ত্রি ওইবদি—মাগীদমক্তদি শরেং থোংবদা থাও থাকপনি। মাগী মতেংনা ইবোচাওবা লিশিং কুম্থা কুম্থাদা এম এল এ মঙাদি মাগী ফিরৈদা য়েপলে। হৌজিক ইবোচাওবা কেবিনেট দাবী তৌরকলে ইণ্ডিপেন্দেন্ট লক্তা কেবিনেট পাম্বা মন্ত্রি ওরে। শেলস্তু পুথোক্তবা ফিরৈদা এম এল এস্তু য়েপ্পবা উরিপোক্কী অচৌবা, কৈরাওগী মহম্মদ, হৈঙাংগী মাধব, থানলোনগী হাওকিপ, লোয়নন্না স্নাতোম্বা থারবদি মঙাঙুম ওরে। অস্তুম্না ষ্টেটকী দাবী তৌনবস্তু ৭ নি—অহুনা ১২ থক্তা পুনবা ইণ্ডিপেন্দেন্ট কাঙলুপ্পা মন্ত্রি ওইনিংদবা অমা কাওবা লৈত্রে, মকায় মকায় তানরকলে পুন্না মন্ত্রিরুবা ওইথোক্রে। মাগী মাগী সুবিধা য়েংনরকলে—অপুনবা অহু কায়রে।

মতম অসিদা সরকার শেমগদবগী হোংনরিবা হিদাম্নরিবা মরু ওইবা পার্টিদি নেশনেল পার্টি অমুগা অপুনবা লোকেল পার্টি অনিসিনি। অনি অসিনা নাকল অনিদগী অকনবা ইথিন শীরকপদা ইণ্ডিপেন্দেন্ট গ্রুপ তোইরে। পার্টি অনি অসি হৌজিক কেম্প তৌনরী অমুগা অচাবা এম এল এ কাগদবগী তাম্নরি। থিন্দনা নেশনেল পার্টিনা অতাওবা এম এল এ অনি লুপা জিশিং ৫০ য়াংথৈদা লৈথ্রে—অনি অমনা লোকেল পার্টিনা লৈখ্রে। ইবোচাওবা চেকশিন্দবা য়াদে—মনিকচান্দগী য়ুমদা মাগী এম এল এ মণ্ডাম্নু কেম্প তৌগ্রে—কনামত্তা মাগী পার্মিট নত্তনা উন থোংনবা য়াথিজ্রে, ফরক তাহৌবা ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ অনি অমস্নু লৈরি। নাকল অনিমক্তা পাম্নদবা—মথোয়সে অহুম মরিরক চোংথোক চোংশিন তৌরবনি।

হৌজিক নেশনেল পার্টি লোকল পার্টি মশীং ২৬ কুম্নরুক শুনরে। কেম্পাকী চেকশিন্নবা থম থেংলে—কেম্প মন্নুংদা য়ু জ্বার মুপী শানৈ য়ুনৈবগী পাও মরক মরক্তা অচম্বা প্রজানা তাদবা নত্তে।

কেম্পাকী অফা অপুন হৈনদবা এম এল এ থর চেম্নোক্নবা হোংনদবা নত্তে। হৌজিক ইবোচাওবগী গ্রুপ্পা য়াওবত্নুন সরকার শেম্নগী চান্স লৈরে। ইবোচাওবা থবক য়াম্না চিন্নি—চহি কয়া চুপ্পা সঙ্গ তৌজরকপা-য়ুথকপা কানিচাবা গঞ্জা থকপা শন্নিংহনবা ব্রেক চেন্নকপা জ্বার শাম্নরকপা—মচুগী কাম্নবত্নু ফংজরে- বারেপ্পবা, মমাম্নবগা থেংনত্নুনা বা তুপ্পবদা ফিগ্রৌদা পওহেন হেনবা থেংনদে। নাকল অনিমকী মীগা মাগা তত্তনা বা তাম্নৈ—তোপ্পা তোপ্পা।

ইবোচাওবা নাকল অনিমক্তা য়াওগদৌবা মালহন্ন মালহন কিগ্রী তৌরি. নাকল অনিমক্তী লুচিংবনা মাগী মাগী পাটিনা মণীং য়াম্মী হায়রম্য রাজ্যপালগী মফমদা দাবী তৌমরি। নাকল অনিমক্কা পীথংপা লিষ্টতা নাকল অনিমক্তা য়াওবা এম এল এ ৭/৮ অহুম ওরী। মমৈদা নেসনেল পাটিনা লুপা লিশিং য়াংথৈ য়াংথৈদা অতাওবা এম এল এ অনিতুস্থ অমুক ৈলেথরে মণীং ২৮ ওথয়ে— থোইদোক্লা সরকার শেম্নীংলবা নেসনেল পাটিনা—ইবোচাওবগী দাবী কেবিনেট অমা অমস্তুং ষ্টেট ২ অহু য়ারহুনা মাগী গ্রূপতু য়াওগ্রে— হৌজিক নেসনেল পাটিনা মশীং য়াম্বা পাটিনি তায়না রাজ্যপালনা য়াহুনা নেসনেল পাটিগী লুচিংবা রোবিন কৈশামনা সরকার শেমলে—এম এল এ ইবোচাওবা মন্ত্রি ওইরে।

(৫)

মন্ত্রি সন্নাখোম্বা

ঙসি মন্ত্রি মণ্ডলগী য়াশক লৌবা নুমিৎনি। মণিপুরগী রাজভবন ইরাং লাঙলে-মচু কয়াগী সামিয়ানাগী মাগুবক্ষুংদা গালিচা ফিদা থক্তা অঙাংবা ফরাংজি থক্তা অঙৌবা কীঙৌনা কুপ্লব। ফম্বাক-মচুগী মথক্তা নিংথিনা য়েক খোংলবা টেবল, মতুংদা অমোনবা ফোম থারবা চৌকি টেবলগী নাকল অনিদা মাইক--ফম্বাক্তা মায়য়োক্লনা সোফা কয়া চৌকী কয়া অয়েংবশিংগীদমক পরেং পরেং থারি।

লৈবাক অসিগী মরু ওইবা ফম্নাইবা অঙম অথৌ, মচিন তোংবা য়াইতোং খমদোংবা কয়া তিল্লরে—বার্ত্তন ফংদবা কনামত্তা রাজভবন গেট লানশিনবা য়াবা নত্তে। পোষাক শেৎপা শেত্তুবা পুলিস কয়ানা ঙাক শেল্লবা রাজভবনগী উৎসবনি। পেণ্ডেল অত্থু যেংবদা পুল্লীং হুরে। প্রেসমেন কয়া মখোয়গী ফমফমদা ফমলে— লোয়নবা এ আই আরগী মীশু রাংত্রে। মণিপুরগী পব্লিসিটি ডিপার্টমেন্টকী থবকশু ফজনা চিল্লে।

বার্ত্তন ফংলবা য়াইতোং খমদোং কয়ানা চোম্না ফম্লব সভাহুদা রাজ্যপাল থুংলরে, রাষ্ট্রিয় গীত খোংলকলে, মণিপুর রাইফলসকী ব্যাণ্ড পাটীনা—ময়ামপুম্বা চপ চপ লেপ্পুনা রাষ্ট্রিয গীতপু ইকাই খুম্নরম্মী। গীত লোইরবা তুংদা রাজ্যপাল ফমখ্রে—মযাম পুম্নমক্ন ফমফমদা ফমথনরে। মথংদা য়াশক লৌবগী থৌরম পরেং চৎথরক্লে। মণিপুরগী চিফ সেক্রেটারী (সেক্রেটারী মকোক) কেবিনেটকীশু সেক্রেটারী ওইবন। রাজ্যপালগী য়াথং লৌরগা চিফ মিনিষ্টর ওইনা

রাশক লৌগদবা এম এল এ রোবিন কৈশামগী মমিং কৌরকলে—রাজ্যপালনা মাগী রাশক লৌগ্রে। মথং মথং রাশক লৌগ্রবা তুংদা সনাখোম্বগী মমিং কৌরকলে, সনাখোম্বা মুঙাইবা অওরাজ অমনা মশা পূম্বা পূমথন থন মমায় মমিং ফুং ফুং শাই—তপ্না তপ্না চঙশিন্নকই রাজ্যপালগী মনাক্তা লেপ্পা— চাওখ্রবা নোংপোক লমদমগী লৈবাক মঙাগী রাজ্যপালগী মনাক্তা লেপ্পসি—মাগী পুনসিদা মসিনা অহানবনি—হরাও-মুঙাইবনা হুমাং হাইক্নেং শোরবা সনাখোম্বা—মমাঙদগী অহুক য়াম্বা মী পূম্বত্তু করিস্নু উথিদ্রে, গবর্ণরনা মথং মথং পারকপগী মতুংইন্না মখোল নিকলপ শেংফাত্তনা মচাকস্নু পাথরকই—

"শ্রীসনাখোম্বা ঐহাক্না চেংনা রাশকচরি মত্থদি ঐহাক্না আইন্না লিংলিবা ভারতকী সম্বীধানবু চেংনা থাজগনি অমস্তুং মত্থ ঙাক্না চংকনি, ভারতকী অপূনবা অচৌবা শক্তিবু ঙাক্কনি, মণিপুর ষ্টেটকী মিনিষ্টর অমা ওইনা পুক্নীং চঙনা অমস্তুং অচেংপা রাথলগা লোয়ননা ঐগী ইথৌদাং পাংথোক্কনি অমস্তুং ঐনা আইন অমস্তুং সম্বীধানগী মতুংইন্না, মীচং সঙ্গন নাইদনা অকিবা থৌজাল নত্রগা ফত্তবা রাথল য়াওদনা মীপূম খুদিংমক্তা অচুম্বা তৌগনি।"

সহি—শ্রীসনাখোম্বা সিংহ

পাথোক্লবা তুংদা রাশক চে সহি তৌখি—রাজ্যপালস্নু শাক্ষি ওইনা সহি তৌখি। সনাখোম্বা হৌজিক আইনগী মতুংইন্না মন্ত্রি ওইরে অহুনা অয়োন অথুপ ঙাকনবা রাশক চে অমস্নু রাজ্যপালনা রাশক লৌখি—

"শ্রীসনাখোম্বা ঐহাক্না ঈশ্বরগী মিংদা ৱাশকচরি মথুদি ঐহাক্না মণিপুর ষ্টেটকী মিনিষ্টর অমা ওইনা ঐনা খন্নবা পীরকপা নত্রগা ঐনা খণ্ডলকপা বিষয় অমত্তা মিনিষ্টর অমগী মণৌ পাংথোকপদা চণ্ডবা নত্রবদি কনাগুম্বা মীশক নত্রগা মীশকশিংদা ছকথেংননা নত্রগা ছকথেংনদনা খংহল্লোই নত্রগা তাকথোকলোই।"

সহি—সনাখোম্বা সিংহ

অসিগুবা অরোন অখুপকী ৱাশক চেঅ সম্ভু রাজ্যপালনা শাক্ষি ওহনা সহি তৌখ। ৱাশকলিডৈদা সনাখোম্বনা খনখি—"ছায়রিবা পুম্বসে করম্না ভার্কসিগে—ঐদি মসিগী ওম্নবা ভাক্তা তৌগদৌরি।"

অহানবা ওইবনা মীয়াম মাঙদা থোইদোক্না রাজ্যপালগী মনাক্তা লেপ্লহুদা সনাখোম্ব কপ্লাক নিক খ মখোল তনিক তনিকখি; অহুম ওইনমক মীযাম তিনবা মীতিন কয়াদা নকুত্তা কয়া পীরকপগী অমদি যকেম কুইনা তোঙান তোঙানবা কাণ্ডলুপ কয়া লোইনরকপগী থেংনরকপা কয়ানা মতেং পাংহুনা অসোয় অণ্ডাম য়াওদনা ৱাশকপা খোরম ফজনা পাঙথোকখি। অরোইবদা রাষ্ট্রিয় গীত খোংহুনা খোরম অহু লোইশিনখি।

ৱাশকপা খোরম লোইরবদা বার্ত্তন ফংহুনা লাকলিবা পুম্বা রাজ্যপালগা নৌনা ৱাশক লৌরিবা মন্ত্রিশিংগা লোয়ননা চা থকমিন্নৈ রারী রাতোয কয়া শামিন্নৈ। অম্নিবা অনৌবা এম এল এ মন্ত্রি প্রেসকী রী অফিসার কয়া মথং মথং শকথণ্ড মাইথঙনৈ রারী

রাভায় শাদৈ। পূং ১০ রোম ভারকপদা থৌরম পুম্বা লোইরবদা ময়ামপুম্বা রাজ্যপালদগী বিদাই লৌহুনা চংখ্রে। অনৌবা মন্ত্রি পুম্বা মন্ত্রি মকোক্কী য়ুমদা পুনখি - থরখি রায়ম কয়ামুক, মুঙাইবা কোংদোক্লখি—চাখি-থকখি।

মন্ত্রি সনাখোম্বা নৌনা শেমদোক্লবা নৌনা রং থারবা অফিস কারে। অহনবা য়ুখল থরবা, শেংদোক্লবা নৌনা কাপ থারবা রং ভৌরবা সরকারগী য়ুমদা হোংগৎলে। য়ুমগী কা খুদিং গালিচা থাই-কমকম কাদো সোফা, সাইদ টেবল থারি-সনাখোম্বা অসিগুম্বা কা অমুক্তবু উজথ্রি। মফুংগী তুম্‌ম কাদ। ফোম রবর থারবা কমুংনি-ফজরবা মন্ত্রিগী কাটরনি থোজালদা সিফাইনা সন্ত্রি ভৌরে, অহনবা এপ্পাসাদার কার ভোংলে—চথোক চংশিন্দা শাগোম্রব। গনমেন—"মুঙাইদদো মন্ত্রি ওইবা" শোঙ্গে ংংক্সা "কয়া ামগ্রবনো এবু উমবা—ঐভোন্দা রানোম্বা হায়জবা লাকলিবা— নোঙানবদগী ক্লুমিং তাবা কাওবা য়ুম থওদে-অফিস থওদে হিয়াং কুমৈগুম মী ভিল্লরিবা। থওনবা থওনদবা লবাইদগী ইন্ফালদগী— অফিসারদগী অা পোং হোনবা কুজি ফাওবা ঐভোন্দা হায়জবা লাকলিবা মুঙাইদকো মন্ত্রি ওইবা। ললোনবনা কয়ানি—ঠিকাদারনা কোঙ্গাইনি ঐভোন্দা হায়জরদবা কনানো—মুঙাইদা মুঙাইদ মন্ত্রি ওইবা" সনাখোম্বনা থগখি—"ভোকপা য়াদে মন্ত্রি ওইবা চৌকিদি য়াপদনা চিক্তনা য়াম্নবা তাই"

"ঐসে মন্ত্রিগী মুপীমি থওজা?" মন্ত্রি সনাখোম্বগী মুপী মশাম্না খোয়রুং মাংচৎনবী ভকহাইবী লৈমজাওবী- মপম মক্তিমি। হৌজিক

সনাখোম্বনা মন্ত্রি ওইবৈভদগী অমুক্তা হেন্না থোয়চৎ রাংঙ্কৎনখ্রে — মী উখিত্রে। লৈবাক্কগী কাপ অনি রাংনা চৎখ্রে, মীদি হায়রুম্ভ লম্বী— লৌবুক উ-রা উখিত্রে। "নবেম্মা ঐখোয়দি ফিরান চিংখৎপা স্থমিত্তা ময়ায়দা খ্বাই মাঙদা কমকম থাম্বিবনি—থানাগী মকোক আই জিনা ক্লবতা ঐ লাকপদা লেপথৎলিপোংনি—নখোয় লম্নাই হুপীনা করি খঙনি।" লৈমজাওবী অগুরাজ অমদা লৈম্নি হায়নৈ মপাম্মদা লাকপদা মনম্মদা হংখি—"ইনম্মা ফৌস্মিু কদাইদা প নবগে ?" অঙৈবনি—মন্ত্রিগী কাম্নদা লৈমজাওবীনা তোংলগা লাকপদি শলুংক্ষমদদি য়েংনম্নিপোংনি।

ইম্ফালদদি মাবু করি হাযনৈ খঙবরা ? মন্ত্রিগী যজলা ভিউটি তাবা কুইনা থবক তৌরক্লবা, মীরোল কয়া থেংমরক্লবা অনিহু লোংমা হুংখিল অমা বাঙ্গলাগী ইংখোল চুখেক্তা হৌবা তোমাল পাম্বী মখোঙদা কমছুনা লৈমজাওবী মতৈ মমাওবু আলোচনা তৌরম্মী— মসি মখোয়গী হৈনবীম্নি—"মন্ত্রিনেদনা- অা লবায় লৌম্রাও লমথুংদবী অমদগী লাক্লগা ফল্লিবা।"

"হেন্না—মাদি থরবু করিম্নে—মাগী হুপী ওইনানা কেবী অসিনা চাওখোকচম্নিবা— কেবদা মখোল থোক্রে, মীনা—হা মেম সাহেব — অম্ভা ইবেম্মা ককা হায়বত্নদা—অা য়েৌখ্রে, মমানা হেক পোকপদগী লৈরক্রিবা য়ুমদগা লৈশিল্লেদো—মত্নদদি অমুক্তোইনা লোক্তরে—"

"নঙ তাম্রা নহান ম্নিপল্লীক ভেল্মী চিক মিনিষ্টরগী বাঙ্গলাদা হুংখিল টি পার্টিদা নখোয়গী মন্ত্রিনা তৌখিবদো ?"

"করি করি তৌগে ?"

"ইঃ মী পুম্বা য়েংনখ্রপোৎনি। চেগী নেপকিন—খুৎশা তৈথোক্লবতু খঙইদনা, মাদি মতু অচাপোৎ ওইরবোই নিঙতুনা শায়গৎলক্লবনিদনা—মচেৎ মচেৎ শেত্তুনা।"

"নখোয়গী মন্ত্রিগী মুপী মেম সাহেব অসিনা কমদৌথি খঙব্রা ?"

"কম কম তৌবা তম্মুনে।"

"ওহনানা হেক কেরদমা—খোংউপ খুনীং রাংবী কান্নু তোংলকই পোৎনি—চৎপদি হৈত্রতুনা, শাল মথক্ত। মোইরাংফী অমম্মু ইল্লি—পাওদর ক্রাম কক। মপং মপং কাজলকাম্মু থারিপোৎনি, পীগুমকাম্নু য়েক্লিপোৎনি। মথন্তা ভুত্থক তাশিন্দুনা ফন্দুনা ফমলেদো—মাবু মশক খঙবা কনাম্মু য়াওদবনিনা কনাম্মু মঙোন্দা রারী শারক্লেদো—মহাম হৌগত্তুনা চান-থক্লবা কান্দুদা পরপ পরপ চঙশিনখিতুনা রসগুল্লা সিংহারা কাহু—১০/২০ লৌশিন্নগা রুমালদা য়োমখ্রি পোৎনি—অতৈ মুপীশিংনা য়েংলগা মিৎ খৎনতুনা থিক থিক নোক্লখ্রিপোৎনি।

গার্দন পার্টিদগী চল্লক্লগা বাঙলাদা লাকপা কান্দা গাড়ীদগী কুমথবদা খুনীং রাংবীতু থাকম শোয়খিতুনা মথোং লৈথেকখিদো—মুমিৎ মার মঙানি হৌগৎখিক্রবপোৎনি—খোংশম্বা শামকে থোই কৌনখ্রিবপোৎনি।"

"অতুক্তা নত্তেদা নোংমম্মু বাথরুমগী কোজিন লৈথোক্লরগা থিংজিনবা হৈত্রতুনা—কনাই গালিচা ইমুং পুংতাও তাওখ্রপোৎনি—"

"লোইরেনে—অমুক্তা কাওবা উত্রিবা গালিচাছুদা লৈখোম ঙৈবা মখোংদো শ্রু শ্রু ত্তকইপোংনি।"

তাঙ্গাছুদা মন্ত্রি হল্লক্রে—হন্নাগাড়ী হোরোন খোংলক্রে—মখোয় অনি ফুক ফুক হৌগংলি—বিড়ী লৈবাক্তা সং সং মুংথংলি, পরপ পরপ খোঙ্গাল হাংদোকপা খোক্লখি।

মার্চ্চ ১৯৮০

৬

মমাঙথোঙ লোল্লবাদি মনীংথোংদা লাকউদনা।

মুমিৎ অহু মন্ত্রি ইবোচাওবা মথৱায় কয়া মুঙাইতনা উই—ৱা ইঙাং ঙাংদনা মাগী তুম্ফম কাদা চঙখি। মাগী মথক্তা ইলেকসন কেশ তৌরক্লে—নোটিস ফংলে। মৱক অসিদা মন্ত্রিগী পোট ফোলিও য়েন্নবদসু মানা পাম্বহু চিফ মিনিষ্টরনা মঙোন্দা পীজ্রে। পোর্ট ফোলিও য়েন্নবা মতাঙদা অচৌবা কাঙ অমনি। মন্ত্রি ওইনিংবা, ওইগনি আশা তৌরম্বা ফংহৌজ্রবা এম এল এ কয়া ৱাশকপা মুমিন্তগী তোঙান্না পুনশিনবা হৌখ্রবনি—মখোয়না মখল মথা অয়াম্বা প্রেসর পীরকলি—মখোয়গী মী থবক হাপ্নু, ঠিকা পীয়ু লোন পীয়ু, মাগী মী চৌংদগী ইম্ফালদা ট্রান্সফর তৌ অসিনচিংবা প্রেসর কয়ানি। মৱক অসিদা সেঙ্গম থুৱা ইনাকখুনবা লাক্নুনা মেঙনা থোংনা শেন্দোইগী ৱা অনিৱক অহুম্নক পল্লম্মবনি। ইশেন ইবাই ইলেকসন্দা শেল লৌশিল্লুবা কাঙবুসু—শেল শিংহন্নীংবগী ইঙ্গিৎ কয়া তৌরকলি। মন্ত্রি ওইৱৈদগী মী লাকথোক লাকশিনগী চা চুরুটকী খরচ চংফংনা হেনগৎলকলি—থোইদোক্লা সংস্থান কয়াদা মক্তেং পাংবীয়ু হায়বনা খুৱক হাঙদে—খরচকী লোইবা লৈতে—শেলদি হৈগ্রু মনাদা য়োমহুনা ফংই—মন্ত্রিগী ইজ্জৎসু ঙাক্তবা য়াদে। মাগী থোপ্তু পোথাবা ফংজ্রে। ৱাখল খনফম থোকলক্রুহুনা মাগী মরূপ ৱেক

মার্কেটয় মনিকচান্দ ফোন্দা কৌছ্না চীকপক্সা রারী শারী-মমাঙখোং লোনশিল্লি।

মনিকচান্দ মোরেদগী থুংলবদা ভার্য়রি—জোনি রাঙ্কর কেশ অমা পুরকই। লিক্লী অমা হাংদোক্লুনা মখোয় অনি গ্লাস পল্লা থল্লা হাপ্তুনা তপ্না তপ্না চিংলি—ব্রারী শারি—চুরুট 555 অমমমস্লু মৈখেৎ খেত্তুনা থকলি। মনিকচান্দনা হায়রকই—

"করম্না অচুম্বা তৌগদৌরিবনো?"

"লৈবাক্তী সেবা তৌবদা অচুম্বা থর তৌগ্রবদি মীনা করি হায়গনি, রাশক লৌবা কান্দস্লু অচুম্বা তৌগনি রাশকখি।"

"মী অতৈনা অচুম্বা অমা ফাওবা তৌগ্রবদা নঙ নথন্তা তৌরগা করি কান্নদৌরিবা লৈবাক্তী কয়াম ফগদৌরিবা?"

"মী অতৈনা তৌগ্রবস্লু ঐনা থর তৌবদি য়াদ্রা?"

"ফরেনে—ঐ রা হংগে—ইলেকসন কেশ তৌরক্লবা নত্রা?"

"হোয় তৌরক্লে।"

"ইলেকসন খরচ রিটর্ন পীখ্রবরা?"

"পীখ্রি! থুনা পীবা ভারবনি কেশগী মরমস্লু অমনি।"

"ফরে পীরসি—অদুগা য়েংসি—আইনগী মতুং ইন্না ইলেকসন খরচ-কেন্দিডেট অমনা লুপা লিশিং ২৫ দগী হেনবা য়াদে—থাঙ্গৈ-শেংনা খরচতি কয়া তৌখি।"

"প্লুন্না পাবদা ইলেকসন্দা লুপা লাক অহুমদি হেল্লা চঙংখ্রে।"

"মত্নি ওইবদদি কয়া চঙখি—"

"পাটি ফণ্ডদা লুপা লাখ অনি পিখি।"

"পার্টি ফণ্ড ওইগে ওইয়ু পোকেট ফণ্ড ওইগে ওইয়ু— নঙোন্দগীদি লাখ ৫ চংগ্রেদনা—"

"হোয়"

"অহুদি পুম্না ইলেকসনদ রিটর্ন পীবা কান্দা খরচ লুপা লিশিং ২৫ গী হিসাবতমক উৎকদবনি— মহুবু অচুম্বরা ?"

"মহুদি ঐতা নত্তে কেণ্ডিডেট পুম্বা লোইনা ফোনরিবনি।"

"অচুম্বহু পীবা তারবদি ইলেকসন কেশ মীনা ওমথিনি—কেশ কেস ওইবতা নত্তনা শেল অমুক হেন্না চঙনা ওইরবা মন্ত্রি ফোকপদগী হেন্দোক্তুনা এম এল এ ওইবা কাওবা ফোকদোরিবনি—

সিদবু অচুম্বা ফোবা য়ারিবরা ?"

"অহু নচান য়াশকখিবহুদি কায়দৌরী।"

"য়াশক কায়বনা লুবরা এম এল এ ফোকপনা লুবরা ? ঐখোয়গী সিষ্টেম অসি কত্তবনি-য়েংউদনা ভোটরনা পৈশা পাম্নিবা ভোটরদা শেল পীবগী সিষ্টেম লৈরিঙৈ চহি ওম্রিবা অত্তাংবুতা নত্তনা ভারতকী নাগরিক চিংত্রবা মী কাওবা ভোটরলিষ্টতা য়াওহনবগী সিষ্টেম লৈরিঙৈ, ইলেকসন খরচ লুপা লাখ হেন্না চঙববু লুপা লিশিং ২৫ দগী হেনবা য়াদে হায়বা আইন চংনবী সিষ্টেম অসি লৈরিঙৈদা কয়ম্না অচুম্বা ফোগদোরিনো ? চেক হৌবদগী ওইদবনা ফৌরগা কদাইদগী অচুম্বা লাকদোরিনো ? মসিগী মথক্তা হুহুনা লাকুনা পুহুনা শেল কয়া শিজিন্নখ্রবনি—মহুনা কদায়দগী শিংদোরি ?"

"অহুগীদি শেল থোবা হৌরকলবদি শেঙ্গোয় খিন্নুদবা য়াজবদি।"

"কদায়দগী পীদৌরি সরকারনা পীরিবা অঙবনা চা থকপা কাওবা কোয়রা ?"

"কদায়দগী কোয়গদগে ? অহুদগী হেন্দোক্কনা—পোৎয়েং লোকেনন মশীং থীঙমত্রবনি--মসিগী মথাক্তা ঐগী মুগী ইচা ইও সনা শিনিংই— কায় তোংনিংই, মুঙাইববু পামদবা লবকা ? ইজ্জৎমু তৌদবা য়াবরা ? অহুবু কায়দা হাপ্পবা থাও কব্বিনা লৈগনি—দোনেসননগী শেল কদায়দগী— থঙত্রেদা— "

"কয়া বুইনা মন্ত্রি ওইগদৌরিবা ? মসিবু পিবা কমলা ? নখোয়গী মন্ত্রি বাশকপা মুমিৎ অদুদগী মখোয ওইবা কংহৌদবশিংছু নখোয়গী মন্ত্রি মণ্ডল থুগাইনব থবব পায়খৎপা হৌরবনি।

মল্লিক চাই চাদে থঙদনা এম এল এ পুম্না ঐ ওইদবা য়াদে অক্করিবনি নিনফুং নিংফুং তাপ্র হন্দক্কী বজেৎ সেসন অসিদা ক্রোর ক্রোস তৌগদৌরি হাযনা নখোযগী সরকার কায়রবা য়ারি ?"

"অওইবরনে ?"

"অওইবনে। অতুনা শেন্দোন থুমদোন কোকহৌনবা য়ারবদি শেল মরাং কায়না তাগাহৌনা দরকারনি—"

মরক অসিদা টেলিফোন ক্রীং ক্রীং খীঙলকই। মনিকচান্দ টেলিফোন পায়খৎলি - রাবী কনা শাই - কাংপোকপীদু পামি টেলিফোন থরগা সনাখোম্বদা হায়রকই—

"ঐগী গাড়ী দব্লিউ এম ই ১১০ ছ কাংপোকপীদা থিংলে — থাদোক্লবা আই জীদা অমুক্তা হায়রু।"

মম্নি টেলিফোনগী তাপ লৌখতুনা অাই জীদা থাদোক্ৱা হায়খি। মথা মায়না শাথরকই—মম্নিনা হায়—

"হোয় অওইবা হায়রবদি ঐখোয়না ভোং লেপলিবসি কারবায়রনি—শেম্ঙোং তানরনি। নৈবাকী সেবা তৌবা হায়বথুদি ভোং কংনবা অতুক হায়জিন্নবনি।"

"ঐ অমুক্তা গাড়ীগী মরম থিরুথিগে—"

"পাউ থওহল্লকউ।"

মনিকচান্দ চংশ্রে। মম্নি মকোক চিকপা থর করতুনা মাগী মনীংথংবা কা অদোমদা চঙলকই। মা উবদা মনীং কাদা মাগী মেম সাহেবকা মায়না তৌরম্বা অফিসারছু হৌগতুনা সলাম তৌনা তৌনা হায়রকই—"ঐগী অতু থরা থুনা—"

"করাদি য়াওরকলে।"

"মঙা থক্তনি।"

"মঙা থক্তা—করে করে থনম্মো।"

"কৈদৌঙৈ থোকপীগদগে ?"

"থুনা তৌরবিদা—অতু নওগীসি অমি কানগদৌম্নিবনিদো।"

অফিসারছু চংশ্রে।

ইথেত্তোম্বীনা বরফ হাপ্লবা অঈংবা ঈশিং গ্লাস অমা লানশিল্লি উবোচাওবা সোফাতুদা ফমথবদা তাম্লি। তাঙা অসিদা মপান্দা মী অমনা মাগী শারতুনা নৈবা মচা অঙাং অনিতুদা হংলিবতু ঙাম্নি—

"ইবেমা—পাবুং লৈবরা ?

অঙাং অনিতু খুমে—

ইবেম্মা বাজি লৈবরা—

অহুদনু থুমহৌ—

অকোনবদা—

হৈ, চুপ্লীবটা নপা লৈবরা

"লৈ"—

অঙাং অনিথু থোঙ জ্রং জ্রং থীরকই—লাওরকই পাবা মী লাকলে। পাবা মী লাকলে।

ইবোচাওবা শাওরং মালংনা থোঙ গে লাওনা হাংদোকলুই— মানা উথি মাগা য়াম্না লুনা তিন্নবা শগোলবন্দনী ভোম্বী ওইরমলে। ভোম্বী ইমুংদা চঙলক্লে—মাগা লোয়নমা মশক থঙদবা অহল অমনু য়াওরকই। ফমফম সোকাদা ফমলগা ভোম্বীনা হায়রকই—

"করিনো মুমিংচুম্না থোঙ লোন্দুনত্তা লৈরিবসিনো। অফিঅমনু লোল্লি য়ুমদগী লোন্দুনত্তা লৈ—রা অমত্তা নোমগে লাকপা অহম মরিরক তুরে—থোঙ লোন্দুনত্তা লৈরমহৌনা ভোম্নবনি—"

ইবোচাওবা মোমোন নোক্না নোক্লা হায়রই—

"মমাওথোঙ লোম্নবদি মনীংথোঙলোমদা লাকউদনা।"

এপ্রিল ১৯৮৫ ইং

৭

ঈশৈ হৈবী ইবেমহল

ইবেমহল অচৌ-অশাং কোল্লুপ্তা ওংবীনি, ইনাক কৈরাক থুনেবা ইমুংদগী হৌরকপনি—শাগৈজাং ফরবী মহাক্নী। মপামদা লৈরিবৈ নহা ওইরিঙৈদগী ঈশৈ তম্লকই—মপ মমান, পামজবদগী থুবাক ইশৈ দুপী পালা কয়া ঈশৈ হল্লকই। ওঝা গুরু কয়া থমহনা ঈশৈ তম্লকই। পুংকক চাউরকপদা রাসকী থৌরাণী শাখি—মখংদা গৌরলীলাগী মহাপ্রভু শাখি। লৈশা মপুং ফাগৎলকপদা জগোই মকোক চিংখি। মহাকপু পাংজবা লাইরেন মতুং তা-ইনবা তারোর কার হল্লভাই চোংবা কয়ানা ফিরোন পেশা কথা কয়া থাখি—জগোয়হু জগোয় নংখিদ্রে—ফিথা ফিসন চক্কথোক চক্কশিন কুমৈ ওইখি।

মথোক কারকপগী য়েংবদা ১৫ থক্কবস্থ ইবেমহল মশক ফজবী অমদি নত্তে। অত্বু মানা ঈশৈ শরুপা চৎপদা পাথঙ কয়া মতুং ইল্লি—করিগী ইল্লি-মহাক ইনাক থুল্লি মপা মমাগী অমত্তা পোকচবী মচা নুপীনি। মবুং মৌপা—মচে মচল অমত্তা লৈতে। ইনাক খুল্লবা মপা মমাগী লম্বুম লৌ-ঈংথোল পুম্বা মহাক মথন্তগীনি। মখোন মুংশিদে-লাউথংলকপদা ক্কাক্নী খোম্থাং—নেমথরকপদা হত্তোই খোঞ্জেল—তালমেনস্থ থর মকোখৈ অহুবু তুংইনবশিংনা হায়—"মখোলনা মুংশিরিবা তালনা ফারবা।" মরমদি য়ামত্রবদা ক্বা মতম অমত্তা ওইরবস্থ ফংদবা লৈতে এখোয় মেতৈগী দি ফনমক কত্রবস্থ মীনা হংলরবদি কৈ হায়দবা তৌদে—থোইদোক্না ঈশৈ শকলিবা

মশানা তংলরবদা হৌন-লোনচং থঙবা মৈতৈ কনানা করম্না যক্তদে তানিংদে হায়না হেক মমাঙদা হায়গনি। ইবেমহলনা থক্লে মহাক মখোল কৈ, তাঙ্গা মেথা কৈ, মীনা মাবু কৈ কৈ হায় অহুগা ওখা কয়াগী মকমদগী ঈশৈ তমথ্রবনা ঈশৈ য়াম্না হে। য়াম্না শক্লাংই— মীবু য়াম্না তাহল্লাংই। অঙইবনি ঈশৈ হৈবা ঈশৈ শকপা কনানা ঈশৈ শক্লাংদবা, মীবু তাহল্লাংদবা লৈবরা? অতাবা ভাবক্লা শক্লাবা ঈশৈতু তারগা "ভাল ভাল" লাউহল্লদবা কনা লৈ।

মৌনহা মৌ অম্বিবা মৌ অহল ওইরকলবা ফাঙবা চহি খুদিংগী লাইগী থৌগল কাংগী জয়দেব ঈশৈ হনবা ঝুলোন লুপী পালা ঈশৈ হনবী তুর্গপূজা দেবা পালাগা ঈশৈ হনবা ওইহনা চহি খুদিংগী লাইগী থৌগল তৌরে ইবেমহল—লাইগী লাইমাঙদা পেল্লা শকচৈ ঈশৈ· ভাবক কয়া তানবা ভাবক্লা তানিংবা তানিংদবা মুল্লা থঙদে, মানদি থল্লি ভাবক্লা য়াম্না তানাংবা ঈশৈশকপীসি মাসি। ইবেমহল চহি হাকফেং য়াম্নকলে, মচাগী মশু উরে—অহল কন ওইশিল্লকলে অহুম ওহনমক ঈশৈ শকপী জগোয় শাবাগী ঐনা তৌবমা মহেল্লে হায়বগী, য়াম্না থুনা শাওগনবা ওইনগনবা, যেং যেং লাওগনবা, মী থানদবা অছুদি শুকতম হম্বদ্রি।

ইবেমহলগী হৈনবা মানা হেক হেক শকপা গৌরচন্দ্র শৈশক ঈশৈ পরেং অমা লৈ—মতু "আরে সখি" হায়নাসনা অহৌবা পারেংনি মৈতৈগী নোট, সাই, খুবাক ঈশৈ, বাসক পূম্নমক্তা রাধা কৃষ্ণগী লীলা শকই শোল্লি, মতু শ্রীচৈতন্য মহাপ্রভুগী ভাব লীলা ওইবা শকই অতুনা ঈশৈ খুদিংমকী অহৌবদা "গৌরভাবি" নত্রগা

"গৌরচন্দ্র" হায়না খঙনবা মাগী লীলা পরিং রুপ অতুদগী ভাবি হায়া শকই। মসিদা "এসো তুমি ভায়, একবার এসো" অসিনচিংবনা হৌবা ঈশৈ মখল মখল নৈ। ইবেমচল য়াওরুবা পালা মানা ঈশৈ হনবা নত্রগা তুগার চংপা নত্রগা খোম্বাংবা, ওইরবদি মাগী "আরে সখি" শক্রবা য়াদে—কনাগুম্বী ঈশৈ শকপীনা অতৈ শক্রকলবদি মহাক মখৈ লৈতনা শাওই—। মতুংদমক চয়া হেনবা মখৈ খংনবা ঙমই। করিগুম্বদা মাগী "আরে সখি" শক্রবদি মহাক পালাচুদা য়াওদে।

ইবেমহল চহি মতাং—ইচে ইতেমগী থাক্তগী ইনে ইন্দোল ইমহাল হেনগংখিচুনা হৌজিক ইবেন অবোক, ইবেনবোকী থাক য়ৌরকলে। নাল্লম্বা মায় কূরকলে, কল্লম্বা থীক থা হিকথরক্লে—মুনা য়াম্নম্বা শম কন য়াম্না য়াওরক্রে—মরক মরক্তা অঙোবা শমসু কন য়াম্নকলে। খোঞ্জেলসু হেম্না হেম্না হঙোই মাল্লক্লে। অতুবু মশাদি মতু খঙজক্রি। কনাগুম্বা মুপা মুপীনা ইন্দোনসে ইমহালসে অবোকসে "শুকহন হেক হম্বদে ঐখোয়না খঙলকপদগী অতুম ইকায় কায়দনা লৈ" হায়বা তাবদা মহাক হয়াওজে কা মতপ, অমা লাল্লি। অওইবনি হম্নুনীংবা কনানো- অহম্না নহা ওইনীংদবা কনা লৈ। খোঞ্জেলসু অতুমঙাই—কনাগুম্বী ঈশৈ শকপীনা হায়বা ইন্দোল-ইমহাল অবোকী "খোনসে শুকহন হেক হম্বদে" তাবদা ইবেমহল খোয়রুম তৌজে। অতুগা মশাগী ফিভম হোংলকপগা লোয়ননা হেনগৎলকপা মগুন্দি—ঈশৈ শকপী জগোয় শাবীগী

হৌনসা, থুনা শাওগনবী ওইনগনবী, কেং কেং লাউগনবী,, মী থানদবী অহুনি।

পুম্নমক মানা ঈহৈ হৈ। মমুহর শাই শৈশক ফাওবা মানা হৌদোকখিবা তম্বীখিবগুম্না ভৌই। নোংমা মানা তম্বীবা ঝুলোনগী মৌগী পালা অমদা মানা শকপা ঈশৈ শৈশক অমা "মমুহর শাইগী ঈশৈ শৈশকনি মওং থিত্তুং তাফাংত্রে" হায়রুবদা মহাক থিত্তুং শাউনীংখি। মবুক্লীংদা ব্রারৌখি—ঈশৈ হনবীনা হায়বনি- ব্রাহ্ম হেক্তা য়ৈথংপা য়াবা নত্তে। শাওনীংবা ব্রারৌবা পুম্বা ফাথহুনা মহাক্না হায়খি—"হোয়নে ইবেম্মা—মমুহর শাইগী ওঝা অমদা অমুক্তংদি হংসি"—ঐনদি চুম্মী থল্লিদো।"

ঈশৈ হনবী অহুনা য়াম্না ব্রানা চত্তুনা হায়জরুহুনা নোংমা হুমিদাংব্রাইরম মমুহর শাইগী ওঝা সনাগা, ঈশৈ শকপী ইবেমহনগা উনহল্লে ঈশৈ শৈশক অহু তান্নবা— নত্রগা তম্নবা। ইবেমহলদি মবুক্তা থল্লি—"মাবুদি ঐনা হেন্না হৈ—মঙোন্দগী করম তম্লুনি।" ওঝা সনা মমুহরশাইগী অফাওবা ওঝানি—অহুনা মাম্ম ঈশৈ তম্বীরুরগদবনি থম্না শেম শাহুনা লাক্লম্মী।

উনবদা তরাম ব্যবহার তৌনরে কমকম কক্তা কমনারে। "ঐ অমুক্তা শকচগে—য়ারদরা য়েংবীয়ু"—ইবেমহল মথং মথং শকলকলে। ঈশৈ পদ অমা লোইবগা—"ইবুংঙো মসিবু যার-রোইত্রা?" ওঝা সনানা —"ব্রারে অহুদা" হায়দনা মখা থম তাথরুক্তে তৌবদা ইবেমহলনা "মসিমম্মু য়েংবীয়ু।"—হায়না মথং মথং শকথ-রকলে। ঈশৈ অমা লোইবগা অমা শকথরকলে—পুং অমা

হেনজিন্নকলে। মরক্তা রা ঙাংনরবা থন্নবা ভাঙ্গা ঈশমলা শঝা সনাদা পীথরে--ওঝা সনাদি অতোপ্পা মফমদা ঈশৈ শিজবা চৎকদবনি মতম হৌখ্রে অমুক পক্সবা য়ারক্রে। গতি লৈত্রদ্রুনা ওঝা সন। রা অমা অমুক ঙাইদনা ইবেমহননা শকপা ঈশৈশিংহু শুর ঙাবা তাদবা য়েংদনা—"য়ারে য়ারে; ফরে ফরে" হায়রমগা মমুহর শাই ওঝা চৎথরে। ইবেমহননা ঙমতোরে—মাপী অহৈখহু ঈশৈহনবী মমাঙদা ঊচ্চারে।

ঙসি ঝুলোনগী মঙানি চনবা নুমিৎনি। বকুল মথোং মদন-মোহনজি মাণ্ডবতনি। মোলদা লেঙথোকলে শ্রীশ্রীমদনমোহন শ্রীমতীগা লোয়ননা। ভক্তগী মাণ্ডদা ঙাম্ফোইরে ইবুংঙো ইবেমা অনি। মাণ্ডব অহু চোন্না মী তিল্লে। মাণ্ডবকী নোংচুপ নাকলদা মথল মচুগী ফিজেং লৈতেংলবী লৈশাবী মো নুপীমচা হুদুবীনা থল্লে অরাং নোংপোক নাকল থন্না দন্নবা মীয়াই নহা পাথঙ নুপা মচা কয়া - পুংনীন নিল্লে, পুমলাং ঙাঙলে। মতম অহু ক্লারিওনেট কোর্নেট হারমোনিয়ম সিতার বেহলা বাঁশি খোল তবলা লোয়ননা ফাওরবী ঈশৈ শকপী বিনোনা গীত গোবিন্দ শকপা লোইখিবতা ঙাইরি। অরাকপা চৎখিব' অয়েংবা ভাবক কয়ানা পুংনীন নিল্লি ঈশৈ শকপা লোইখিবা পালানা মকি মরোল থুপচিল্লি—অনৌবা থুংলবা শকদবা পালানা মক্কিমরোল কোংহনা শেম শারি শাবায় হাপ্পলি. শমজেং হাংলি মথোংগী মরক্তা লৈশাবী পালা শেম শারি-মী অমা অনি লোইদনা ঙাইনরি। ভাবক কয়াদুক লৈশাবী পালাহু শকদোরিমাল্লে পুংনীন নীল্লি--ঙাইয়ি। হাওজদা

লম্বুবৰ ময়েক্লবদা চাইরিবা পানা হৈনা হাপ্লগী লাক্লোয় চাকশিং লেবারীনা খোমদোকলি — ফিদা মুংদা শেমজিনলি। লোইবদা লাইরি। মরমসিদা ঈশৈ শকপী ইরেমহলগী হস্লবী পালা চঙলক্লুবা কোয়না কবগ্রে। লাইগী থৌগল হৌগ্রে। লৈশাবী পালা শকল্লা খল্লম্বা ভাবক কয়া নিংবা কায়রম্বী লাঙবা হেনগৎলকই — ঈশৈ ভাবা কনাগু য়াওরমদে। ঈশৈ শকপী ইবেমহলগী হৈনবী ঈশৈ লৈশক — "আরে সখি" শকপা হৌরকপা মতমদা বিনোগী ঈশৈ পালা অইনবা কাঙবুগা লোয়ননা হেক চৎখিবদা মাগুব অহু ভাকতক ভৌই। অতুদগী অমা চৎখি অনি চৎখি — মাগুব অহু মন-য়ায়া ভাঙলে। অতুবু ইবেমহলদি লাইগী থৌগল্লি — থবায় য়াওনা ঈশৈ শকলি। ঈশৈ অমত্তা পালাগী মী অহৌবা লাম্হোক্ক থানা হন্না হন্না শক্তুনতা লৈ।

তাঙ্গাসিদা লৈশাবী পালাগী মী শুরকুনা পুংয়েমনা খুরুম্বা চঙলকলে। ইবেমহল ঈশৈ শকপা পেত্রি শকমীংলি। ঈশৈ হন্না হন্না হঞ্জিন হঞ্জিন শকলি লৈশাবী পালা য়েংমীংবা পাথঙ খরনা মপান্দগী লাওরকই "তোকও ওকলে," অহু ফাওবা ঈশৈ শকপী ইবেমহল নাচুংদে। করম্ম ওঝাগা তম্বীবা প্রার্থনাগী শরুক লোইশিন্দনা ঈশৈ থঙাতোক তোকলি। থবায় য়াওনা লোই-শিল্লকপগী প্রার্থনা পরেংহু অমুক অনিরক হঞ্জিন হঞ্জিন শকলি। ভাবক কনাগু মাগী ঈশৈহ অদে—লাঙলি। অতুবী পালাহু লোইতকলীংলবা ঈশৈগী যন্ত্রহু থঙদব লৈশাবী পালা অহু য়েংলীংবনা খাওবদা য়ায়না পাথং খর মপান থোকখ্রে। থিজবা ইবেমহলনা

ঈশৈ হেক লৌথংলকপগা লৈতুন্না মাগুবকী জিভ্ব মথক্তু দা "ত্রোং ত্রোং।" ইবেমহল খংগেক খংই—মী পুম্বা লাওনৈ করিনো করিনো—হুপী মহা মচা মগু লোইশিন্নৈ। ইবেমহলগু ঈশৈ খঙলোই লোইশিল্লি। খনখি মবুক্তা মানা শকপদা তাবিনবা ভাবক অমা কাওবা লৈতন্নবরা—

ইবেমহল ঈশৈ শকপী অন্তনা হংঙখি—মবুক্তা—

"ঐনা শকপা ঈশৈ তাবিনবা ভাবক অমা কাওবা লৈতন্নবরা?"

খু লোন পূর্ণিমা মতুং থা অমা হৌ শ্র মেরা পূর্ণিমা ফাামংনি। হুমিং অসিগী—হুংদাং মঙ্গলার্তি মমাঙদা শ্রীশ্রীমদনমোহনজি মন্দিরদা হুংতিগা মান্নদবা থৌদোক অমা থোকখি। মী পুম্বা ওক্লখি—করিনো করিনো হংনখি।

হুমিং অতুগী অথেঙবা অহিংদা শ্রীশ্রীমদনমোহনজি মন্দির থোঙ লাওনা হাংদোকলে—রাধাগোবিন্দ ইবুংঙো ইবেম্মা অনিগী লাইমাঙদা মোমবত্তিগী থাওমৈ পরেং ঙান্না থাল্লি—মন্দিরগী মাজলদা লাইগী লাইমাঙদা ঈশৈ শকলি ঈশৈশকপী ইবেমহল—মোমোন নোক্লা তারি রাধা মদনমোহন।

ইবেমহল থরায় য়াওনা মমিত্তা ংপি তানা—মানা হৈজবী অমত্তা থাক্তনা শকলি—অষ্টকাল লীলা পুম্বা শুনা গৌর গোবিন্দ অষ্টকাল লীলা মথং মনাও নাইনা শক্লক্লি। "রায় জাগ শুকশারী" হায়বা শৈশক্লা হৌরবা নিশান্তগী ঈশৈদগী হৌরকপনা মথং মথং প্রাত পূর্ব্বাহ্ণ মধ্যাহ্নচিংবা অষ্টকালগী লীলা শীংথাদ্না হুমিং চুপ্পা শকলি পোথাবা লৈতনা। ইবেমহল চাবা থকপা তুম্বা হিক্লা

পোথাবা পূম্নমক কাওখ্রে—রাধা মদনমোহনগী মায়খোং থম্বাল য়েংজহুনা থরায় য়াওনা শকলি—। অয়ুকতগী সুংখিল, সুংখিলদগী সুংদাং সুংদাং অথেংবা য়োয়কলে অহু ফাওবা ঈশৈ শকলি ইবেমহল পোথাবা লৈত্তনা। মী অমত্তনা তাবিনীংদ্রবা মাগী ঈশৈশিংহু রাধা কৃষ্ণ ইবুংঙো ইবেম্মা অনিদি থরায় য়াওনা তাবিখি। "ওকলে তোকলো—" থক হায়রক্কে—তেমপাক লৈতুম সুংহুমনসু থাবিরক্কে। মখোয় অনিত্তনা মাগী লেপ্তদ্রবা ভাবক্কি। অয়োইবদা ইবেমহল মখোল থোকখিদ্রে—মাগী ঈশৈপুম্বা ইবুংঙো ইবেম্মা অনিনা লোইনা তাবিখ্রে।

২৫ | ১ | ৮২

অফিসার দিনো

নুমিৎ অহু ডিসেম্বর থাগী তাং ২৩ নি। বৃটিশনা জারজা পাল্লিরৈভেদা বড়দিন হায়না খঙনবা খৃষ্টমাস নুমিৎ মিনিস্তা মঙায়রোশ মণিপুরগী চৌখা-ডমদা লৈবা খৃষ্টান ধর্ম্ম চংপা হাও পাথঙ লৈশাবী হন্নুবা হন্নুবী অঙাং কয়া মণিপুরগা মরু ওইবা কৈথেল খ্বাইরম্বন কৈথেলদা তিল্লরে। বড়দিন মন্নুংদা শেংনচানবা অনৌবা ফিজেৎ লৈজেং, চান-থক্লবা অহাও অথুম অচা-অথক মথল মথল লৈননয়া ওসি অসিনা অরোইবা নুমিৎনি। অতুনা অথাপ্পা চীংদা অথাপ্পা লরাই থরাইদা হন্দ্রিরৈভেদা লৈগদবা লৈতৌনবা খৃষ্টান হাও পুম্বা কৈথেল অসিদা তিল্লরে। দুকান্দার কয়া শেন্দোং য়াম্না ফংহুনা য়োন্থোক য়োনসিন অথুবা কারবার কয়া চৎথম্নি। মহৌশানা নুমিৎ থুদিংগী ভঙাইফদনা পোৎ লৈননবা কারকপা অরৈবা কয়ানা চিৎনা-চায়না য়াদনা চিল্লবা কৈথেলসে ওসিদি খৃষ্টমাসকী পোৎ লৈবা কারকপা মথাম্না মীয়ামগী ইথক হৌহল্লে—পাল্লবা লম্বী সোরক মীনা থন— চৎপদা মঙম ইশান শানজ্রে। অসিতা নত্তনা অয়োনবা কয়াশু মশীং হেনগত্তুনা ঈনোৎ কাহল্লি। অরৈবা অয়োনবা হাও, পাঙন মৈতৈ ময়াং কয়া অসিত্তা নত্তনা, অয়েংবা কয়া, অরোনবা কারবার তৌবা কয়া—খুদোংচাবা থিবা অচাবা মীয়েম কয়ামসু তিল্লরি। অওইবনি মীনা ঈথক ইপোম হৌরে ঈনোৎ কায়ে।

মীয়াম ঈথকলন্তা অমুকস্থু ঈমোং কারি সাইকল, রিক্সো, ওটো, টেম্পো, কার, জিপ, অসিতা নন্তুনা পোং হোনবা ভান কয়া অৱদি খোঙনা ঈনবা পোং হোম্নবা গাড়ী ঈশিং হোনবা গাড়ী কয়াম্না বগ, গাড়ীস্থু য়াওনা। ফন য়াম্না চিঙ্গে।

ঙসিদি অহৈবস্থু অয়োনবস্থু থবক য়াম্না চিঙ্গি—মখোয়ন্তা ঈন্তে—অথাম্পা লমদগী চৌংদগী তমদগী লাকপা কযাবু শুম্বাত্তুনা শেস্থুম লৌথোকপগী কারবার তৌবা কাঙবু অচুস্থু ঙসিদি ফঙনা থবক চিঙ্গে - কারবারস্থু শেল তোংদবা নন্তে; অতৈ অতোম্পা ফুরিংথাউ চপ্পগী কারবার তৌবা কাঙবু সাইকল লাকপা কাঙবু, আইন্না য়াদবা পোং মচা মশু মমল য়াম্না অমদি য়ামদনা লোম্না য়োল্লিবশিং—ঙসিদি থাজৈশেংনা থবক চিঙ্গে কারবার কল্লে—শেন্দোং ফন নীংথিনা ফংলে। মখোয়তা নন্তে আইন ঙাকলিবা অফা অপুন তৌরিবা কাঙবুলক্তা— ময়াল লৈরবা আইন মচা মশু থুগাইবা কাঙবুদা—থৌজাল মচা মচা উত্তুনা শেল মচিং খোম্বা কাঙবুস্থু ঙসিদি ফুরিংথাও ফন চোল্লে— হোরেন ময়ুম হনখিবদা ঙা চন্না অমা ফংবতা নন্তুনা কৈশামথোং কবুই থুন- অচোই খোয় য়ুমদস্থু চঙঙ্গনা গপশপ মন্তেক অমা তৌবা মঙল্লগনি।

মী য়াম্না তিল্লবনা লৈবিনবা য়াম্নবা বাজার অসিদা—ময়াং দুকান্দারন্তা নন্তুনা য়োল্লবা থুদীংমক পোংকী মমল মুক্তিদগী ঙসিনা থর থর মহেল্লে।

লম্গী লমথাং দুকান বাজার পোংকম মীনা পীক থল্লে—ফন য়াম্না চিঙ্গে চিংন-চায়নকম লৈন্তে। মরক মরক্তা নোংমৈ

নিশান তৌহনা চংপা খুংলাই পায়বা সিকাইগী গাড়ীন্থু কৈথেল ময়ায় ফাওনা চংলি। অকিবা পোকপতা নম্বনা চিনবস্থু হেলহল্লি। অসুম্না মী, রিকসো, সাইকল, যণগাড়ী, হবাগাড়ী খেলানা চিংন-চায়নবা য়াদনা চিল্লবা খ্বাইরম্বন কৈথেল অসিদা ওসি অয়ুক পুং ১০ য়োম তাবদা অফিসার দিনো কার অমা থৌরম্বনা মথা হুকান লোমদগী লাকই। খ্বাইনা অফিসার দিনো হায়না খঙনবা শ্রীদিনচন্দ্র চহি য়াংথৈগী মথকনি। ইম্ফালগী মহুংদা শোয়রিবা খ্বাই-নাগ মপালদা ময়ুমনি। চহি ২৫ হেন্না সার্ভিস তৌরক্লবনি। কেরাণী ওইনা সরকারগী থবক তৌবা হৌখিবনি—মথং মথং প্রোমোসন ফংলক্তুনা কাইনথংদা হন্দক্তা অন্দর সেক্রেটরী ওইরে—অফিসার ওইরে মানা নীংজবা থুংলে।

অতাং ওইরিবৈদগী হৌনা "অফিসার অমা ওইগনি" হায়বসি মাগী লাইনীংনি। মীনা হংবা থুদীংদা অহুম্না খুমখিবনি। অহুনা কেরাণী হেক ওইবা মুমিত্তগী মাবু খ্বাইনা অফিসার দিনো হায়না অহুম খঙনরক্লবনি। দিনচন্দ্র কেরাণী ওইরবস্থু ফিজেৎ চাকচা শাজৎ য়াঙাংদি অফিসারনি অফিসার। মাগী য়াশক নীংজবা পামজবা—অফিসার অমা ওইনা কার থৌহনা চংপা অদর্লানা মতুং ইনবা, ফাইলস্থু পুবা অসিনচিংবস্থু হন্দক্তা ফংলি। চহি কুইনা সার্ভিস তৌরক্লগা মাগী নীংজবস্থু অওইবমক হন্দক্তা ফংলি।

সার্ভিস তৌরিবৈ— মতম ফন ঈনথংলকপা মতমদা—দিনচন্দ্র মীনা লাকচবা য়াদবা লাকন-ফান-ওমদবা, মীনা কি তুকচনা ইকাই খুম্নবা অকল অথৌ ওইরকই। করিগুম্বা কাল্লা কনাগুম্বনা

যাবু ওন্দানিস্থ হায়। মাগী সার্ভিসকী অহানবা চহি তরাদি মাঙা খংনদবা থবক তৌমিন্নবা মথক থোংবা অফিসার পওয়াও য়াওদে। অতুনা মাগী প্রোমোসনদসু ফনা য়াম্না খীপ্পুবনি। হৌজিক মতম কুইনা সার্ভিস তৌরক্লবা—চহিসু খর য়ামক্লবা অমদি অফিসারসু ওইরবনিনা ফন য়াম্না মেওথরকলে। থবক তৌবদা হেক নীংবগা তৌরম্বদু তৌরকলে—অমুক্তং হন্না খন্থরগা থবক পায়বা হৈনরকলে।

মুমিং অদু ড্রাইভর লাকতুনা মশামক্লা হেক্তা থৌরগা চংথিবনি ময়ুমদগী। অফিসার দিনো কার থৌবদা থোঙদোক্না হৈতবা নত্তে, অফিসার ওইহৈদগী ইতত্তুনা অফিসকী কার মশানা কয়ারক থৌগ্নবনি। গাড়ী থৌবগী লাইসেন্সসু লৌগ্নবনি। কার থৌবগী হৌনবা মশানগা খর হৈনজবা কৈরোই লৈকাই মমাঙদা গপ মতেক অমত্তং তৌতুনা য়ারক্লা ঈশৈ শংলতুনা কারদু থৌখি।

মথা তুকান্দা লৈবা কনজুমর্স ষ্টোর্সতগী- এক্সাইজনা ফারকপা কোরেনগী ফিরোল খর লৈরগা অতুগা কার্মাসি অমদগী মাগী নাতুনত লৈবা মুপীগী হিদাক লাংথক খর লৈরগা কার অদু অরাংলোমদা থৌরকপনি। তপ্না তপ্না হোরোন থোংল-থোংলতুনা কার অদু থৌরকলি। খৃষ্টমাসকী মীয়ামলক্লা মেটিনী সো য়েংবা লাকপা মীয়াম্না কুংনা লেপ্লীবা মীনা থল্লবা—হেন্না চিন্নবা লম্বীদু হোরোন থোংল থোংলতুনা ব্রেক ফান-ফান তপ্না তপ্না থৌতুনা মীনা কুক কুক ঈন্নরিবা—সিনেমা হোল উষা, ফ্রেন্ডস ভিক্টোরী প্রতাপ মমাংগী লম্বীদু লাম্বোরকলে উচিন নাচিন্না।

মী কুংবনীনা কারগী স্পীদ ০-৫ কিলোমিটর মখুম—মরুওইবা অহানবা গীয়ারদা থোরকলি—মথুম্ব ব্রেক ফানা-ফা-না। হৌজিক পাউনা রোড লান্নকখ্রবা টিকেন্দ্রজিৎ রোডকা করম্ব চরাদী, অদু য়োরকলে। অফিসার দিনো হোৎরোন তোয়না তোয়না খোংই। কার স্পীদ ০-১ কিলোমিটরগী মখুংদনি—ব্রেকস্থু ফা-ব ফান লেপ্লী—গীয়ারসু অহানবা গীয়ারনী গাড়ী লেপ্লগুম লৈরি। মী কুংমনবনা থোবা য়াদবনি। ষ্টিয়ারীংদু ওইরোমদা লৈদুনা কারগী মমায়দু ২.ফুত্ব শামুরোমদা চাইফেন্তুং ওল্লকপদা ওায়রি - মতম অসিমত্তুদা চুরাচান্দপুররোমগী হাও লৈশাবী অনিথক তোংবা রিকসো অমা ঈথঙ থঙহৌদনা অফিসার দিনোগী কারদা গোং হেক থেংজিল্লবে। রিক্সা বালাদো অফিসার দিনোনা খোংজবা হোরোন ককা তাবিবা নত্তে। মাগী রিক্সাদা মার লৈশাবী অনিথক ফম্বহুদদি কনাগী হোরোন কনাগী মী য়ামা কুংনা লৈবা কক্ করিমত্তা উথিদ্রবনি লৈশাবী অনীদুদ। হন্না হন্না য়েংলদুনা রিক্সাদু থোরকপনি। হাও লৈশাবী অনিদু খংলপ তৌনা রিক্সাদগী ফন ফন হেক চোংথে। রিক্সাদু করিস্থু তৌদে মাগী মমাঙগী থাকনা অদু কারগী বমপরদা খিত্তুং লৌশিনবগুম তৌই।

তাঞ্জা অসিদা কদাইদগীনো থঙহৌদে মখোইদু - কৈথেন য়েংবা লাকপরা নত্রগা অরোনবা কারবার তৌবরা নত্রগা লম্বীদা অ-ম চৎলম্বরা? ইনং-নত্রগা মার লৈশাবী অনিদু ইল্লকপরা খঙদ্রে—মফম তত্তুরাইদগী মৈতৈ পাখঙ—লম্বীগী হেরো অনিথক—মার হাও লৈশাবী অনিদু উবদা অমুকা হেন্না থোন: ফগৎলক্কবা,

কনবা হেনগৎলক্লবা পাখৌ অনিহু পরপ পরপ চঙশিল্লকই—কারহু অমা মখুৎ খাঙ্গৎলকই কারহু খাম্বগী মওংদা।

লম্বীগী হেয়ো—বাজার য়ৌরক্লবা থৌনা ফম্বা মৈতৈ পাখঙ—পাখৌ অনিহু কারগী ব্রিন্দ স্কুল মপাদা কাঙপ লেপ্পগা অমনা হায়রকই অকিসার দিনো য়েংহুনা—

"কান্ন থৌরবনি হায়হুনা পোঙগহু— খর খর য়েংন থৌ হায়বা, খঙলবরা অহন। কার তোংয়েংহুনা মখাদা খোংনা করিনা চৎলিবা মীহু উশিত্তবা তৌনোইনা। খঙলবরা অহন।"

দিনচন্দ্র খংপেক খংই মপুনসিদা অসিগুম্বা অয়াকপা মীচৈ কৌজিক কাওবা অমুক্তা তাত্রি। নোং থাংদবা অতিয়াদা বজ্র-ভাগুম্বা—মানা খনফাও খলুদবা রাঙাংহু তাবদা অহানবদা মহাক পুরুক ভকথি-ভকথিবনা বা ভাঙথোকপা ভমলম্নদে – করি তৌসিগে খঙলমদে। মহাক মঙম খর বা ভাংভদনা তুমিন্না অহুম লৈরি। কৈথেল য়োরক্লবা হেয়ো মৈতৈ পাখঙ পাখৌ অনিহুস্ন লেঙসে য়েংলি মঙোন্দা চাগদগুম। খল্লু খল্লুবগা, শক্তাশিংহু য়েংলুরগা অকিসার দিনো অগুম অগুম শাউনীংবা হেলগৎলকলে হেন্দন (ট্রিয়ারীং) অহু পায়রিবা মথুৎ অনিহু কমাংনা চোংপা মথৈ কন্না খায়শিন্দুনা লৈরি।

চহি খরগী মমাঙ মহাক্না ঈনখৎলকপা মঙমদা রাঙাং অহু খাবল্লবজি পাখৌ অনিহু ওসাইনা মকোক অহু মগুং অহুম লোয়্নমগদবনি। কৌজিকস্ন অকিসারমক ওইরমত্রবা কুমথহুনা কুমৈ তৌরমগদবনি। মিকুপ খরদংফুরী মঙুংদা মওম এওল মথং মথং

থম্লকই "গাড়ীদগী কুমথহূনা শাক্তাশিংসি মমারদা থুংপাক্লা শেং শেং হেক থারবদি''

"নখৌ করি নৈ" হায়রবদি—

"ঐস্নু য়াম্না চেকশিম্না থৌরিবনি—ঐনা কনাবু উত্রে—" হায়রসিম্না ?

"মহূদা চিন্দা পাওদানহূনা থংনবদগী থুং থোক্লরবদি—" মহুস্নু করিস্নু নৈত্তে অহূদা মখোয় অনিনী মরক্তা অমনা মুজনা করিগুম্বা গাড়ীগী মিংশেলনচিংবা থুগাইরবা - নত্রগা মখোয়না করিগুম্বা গাড়ীসি মৈকা কোক হেক থারবা—গাড়ীসি অফিসকী গাড়ীনিকো'' থংনরবদি ময়াম ওমশিল্লনিকো "কুমৈ তানি - লম্বী থিংহূনা অহুম তৌবহূদা ইকাইবা নংগদবসি ঐতনিকো ।"

অফিসার দিনো শাউনীংবনা অমুক্তোইনা লোইরে—হমাং অনম্লা কায়কলে—করি তৌসিগে— করি তৌসিগে ? হেক্তা কনাই কম্নিকা হেক্তা ফুরগে ? অফিসার দিনো গাড়ীদগী কুমথরগে হায়না হৌগৎকে তৌরকপদা লম্বী থংলবা তুংলোমদা নৈবা গাড়ী মঙা তরুক হোয়োন তোয়না তোয়না খোংলকলে। গাড়ী কারত্তা নত্তে— রিক্সানচিংবস্নু পেং পেং থোঙলকলে—লম্বী চংপা পূম্বস্নু চংকম নৈরক্তহূনা কুংবা হেজিল্লকই— চৈরক অসিদা হাও নৈশাবী অনিহু ঙসাইনা আ-য়ৌগ্রে—মখোয়না তোংলকপা রিক্সাহূস্নু ভাড়া কংলহূনা তপ্না তপ্না ঙসাইনা থৌগ্রে। হাও নৈশাবী অনিহু উত্রবদা লম্বীগী হেয়ো মৈত্তে পাখঙ পাথৌ অনিহুস্নু মীরক্তা অহুম হাইদোকগ্রে— হয়া কাও য়েংলমদনা। দিনো মানা তৌগে থম্লবা

হায়রগে নীংলম্বা অমত্তা নংহৌরে—। মবুক্তা খল্লিবছ্ 'মচিন য়ৌরকলে—"ঐনা অফিসার ওইরমল্লবদি খত্তগদবনিকো।" মথং মথং গাড়ী ময়ামছ্ লম্বী থৈদোক্তুনা চৎহল্লবা য়াদবনিনা—অফিসার দিনো শাক্তনীংবা লুপ্তাইত্তবা মীনা লাকচখিবা পুম্বা খৌবুং থম্মা কুং য়োংশিল্লগা মঘুম তম্না কার অহু তপ্পা তপ্পা মীয়কা অহুম থৌগ্রে।

তাং ৭।২—৮২ ইং

৯

দুকান মুৎপা

ইংশোক ১৯৮১ খ্রী অক্টোবর থাদনি—অথা দুকানদরি।

"সিরাইদা নত্রা ইবোহলগী দুকান লৈরম্বদুবো ?"

নদিয়া কোয়েং য়েংলে—

উবা ফংদে—মবুক্তা থল্লে—

"ঐনা লাল্লবরা ?" "লান্দেদা।"

"মথাদুকান—ঠাকুর বাড়ী মপাদানি মাগী দুকান লৈরম্বা ? মাগী সাইন বোর্ডতুবু—মণিপুরী হেণ্ডলুম ষ্টোরস" হায়বা নত্রা ?

ঐনা কাউরবরা ? ব্লুবেল, বাটা লোইনা লৈরি—আনসিগী মরক্তা লৈবনি—ঐ কাউদেদা অম্বম্বা থম্মা—ওক থাঙত্তুনা য়েংলোম ওইরোমদা য়েংলি —হঙৎ হন্দা চংলি—উবা ফংবদি মরৈত্রে—

অম্বম্বা হঙৎ হন্দা চত্তুনা য়েংওই কোয়য়েং য়েংলিঙৈদা মাগী মরুপ মণি শর্ম্মা মথারোমদগী লাকই—নদিয়া উবদা "করিনো নদিয়াবাবু- করি য়েংলিবনো ? কনা থিরিবনো ?"

"শর্ম্মা—ঐখোয় ইবোহলগী দুকান থিরিবনি—"

"ইবোহলগী দুকান হায়বদি"—মণিপুরী হেণ্ডলুম ষ্টোরসবুরা ?

'মানি—মাগীদু সিরাইদা লৈরম্বদাইনে—"

"ইবোহলগী দুকানদি—কুইরেনা মুৎখিরা"

"করম্না ? কয়া কুইরবা ?"

"লে লাকও—ঐগী দুকান্দা চা থক্লুসি—মহুগী বা পুন্না তমগে—"

মখোয় অনি অম্বাংলোমদা চংমিল্লখি—।

মণিশর্ম্মা আয়ুর্বেদ ফার্ম্মাসিগী প্রোপ্রাইটরনি। অম্বাং দুকান্বনি মাগী দুকান। দুকানগী মনুংগী কাদা টেবল মনাক্তা চৌকি অনিদা ফমলি মখোয় অনি –

মণিনা হায়—"বোই চা অনি নিমাকিস্ম লৈরকউ –"

চা থক্লা থক্লা কাটা নিমকি অহু অমমম গ্রো গ্রো শায়রহুনা শর্ম্মানা লিথরকই য়ারী –

"ইবোলগী ঈয়োংফি দুকান হাইফেৎ চাওরম্বনি—মণিপুরগী অনৌবা নোম্নাগী ঈয়োংফি-মাগীদা য়াওদবা লৈরমদবনি।"

"হোয়নে—থা অহুমলোমদা মঙায়রি ঐনা অকোনবা ইম্ফাল থারকপাহু—মঙমহুদা মাগী দুকান ফ-ন য়াম্না মবুক থলহৌবনি। অসুক থুনা মাগী দুকান তোকপ্রিবসি করিগীনো? মাগীদা চঙলুবদা য়াম্না হায়হৌই।

"মপান্দগী ওর্দর য়াম্না লাকপ্রে—মহু থাননবা হোৎনবা ঐগী শেল মতিক চানা লৈতে—বেঙ্ক লোন থর লৌদবা য়াদে।"

"লোন্দু লৌরুবদগীনি মাগী দুকান মুৎলিবা।"

"করম্না

"তাওনে—ঐ হায়গেবা। সরকারনা নোটিশ তৌখিদনা—মণিপুরদা ভারতকী মকোক ওইবা বেঙ্ক কয়াগী ব্রাঞ্চ হাংদোক্লীবা

অসিনা অপিকপা উদ্যোগ অমদি অপিকপা কারবার ল্লাশিংদা অপিকপা শেন্দোইদা শেন্থুং পীগনি।"

"অহুদস্থ নত্তেদা—থোইদোক্লা মণিপুরগী ঈয়োংফি চাওখৎনবা ঈয়োংফি কারবার ত্তৌবশিংদা সবসিদি (Subsidy) স্থ পিরিবনি।

হোয়নে সরকারগীদি শোথহৌরবা মণিপুর অসি থুনা চাওখৎনবা চাওখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎলিবনি।

অহুদগী কম্বদোরে।

ইবোহলস্থ সবসিদি অহু লৌরুবদগী অহুগা বেকতগী শেন্থুং অহু লৌরুবদগী মাগী ত্থকান অহুম মুৎশ্রে—

অহুবু করম্না ওইথোকলিবনো?

"করিনো হায়রিসিবো—নঙবু হৌজিক কালগী চংনবীসিবু ইথঙ খঙভ্রবরা?"

"করিনো করম্বা অনৌবা চংনবী অমা হৌদোল্লবগেনে—?"

"ইহে—নিংথৌগী সাসন তোকখিবদগী এম এল এ মন্ত্রি লাকপদগী অওম অথৌগী মথৌ য়াম্না হল্লেদনা—"

"হোয়নে অহুবুদি ঐস্থ খঙইনে অহুদা করম্বা অনৌবা হৌজিক কালগী চংনবী হায়বা অমা অমুক লৈরবগে?"

"করিনো নঙসিবু—ইপঙ পঙশিনবদোনা তৌরিসিবু—মমাংঙৈদা নিংথৌ অমা মন্ত্রি অহুম মরি লৈরমইদনা—"

"হোয়নে"

"অহু হৌজিক্তি নিংথৌ হুন্ফ্ মন্ত্রি হুন্ফ্ স্থরে হায়বা—"

"হোয় অহুনা করি কায়রবগে?"

"অসিকাও খণ্ডত্রিব্রাও ·নিংথৌ অমা পাল্লিরৈ মন্ত্রি অহুম মরি লৈরিবৈদদি থবক খুদিংমক্তা রারেপ অমা হুকুম অমা—। মন্ত্রিগী রা নিংথৌনা তাদবা তৌদে—অহুপা নিংথৌগী য়াথং মন্ত্রিনা ইন্দবা ওমদে—হৌজিক্তি থবক অমদা রারেপ হুক্ষ, হুকুম হুক্ষ,। মন্ত্রিগী রা নিংথৌনা তাদে- নিংথৌগী য়াথং মন্ত্রিনা ইন্দে—।"

অহুগা ইবোহলগী লোন লৌবা সবসিদি কংবগা করি মরি লৈনবগে ?"

"করম্না মরি লৈনবগে হায়বত্থ হায়রক্কে—তাখোবা। মন্ত্রি নিংথৌতা নত্তে—মখোয় মখোয়দগী সুবিধা মুনবীগ্রবা অওস্বা কয়াম্ব লৈরিদনা—।

"হোয়নে হোয়নে।"

"অহুনা সুবিধা কংগ্রবা অওস্বনা থবক তৌবা মওম শান্দে—রারেপ য়াম্লবা মন্ত্রিশিংগী রারেপ অমগা অমগা য়েৎনত্থনা রা লেপফম খওদে-অহুনা করম্বা রারেপ লৌগদগে খওদে—অহুদগীম্ব হেন্দোক্কুনা মশাং য়াম্লবা মোং মাম্লগ্রবা নিংথৌশিংগী হুকুম—অমগা অমগা য়েৎনহুনা করম্বা হুকুম করম্বা য়াথং কনানা করি ইনগদগে থগুবা ওমদে। অস্ময়া চমম্লবা অসিনা থবক পাওথোকপা ওমদে—পাওথোক্লবস্থ য়াম্না কুইনা চওই—

"ভায়—মহুদি নও লাম্লে—কৌজিক প্রজাগী মিহুৎনা সাসন পায়রবা কানসিদদি থবক পূম্বা য়াম্না থুনা পাওথোক্লবনি থুনা চাওখৎ লম্বীদা চওশিম্লক্লিবনি—নহান্নুনিসে ওসি নিন্নিত্তা ওায়রি-ঐখোয়গী থুনগী প্রধান—চাওতোনগী ভা য়োকপগী লোন পীক

থল্লা ফংথিবা। দরথাজ্ঞ মস্ত্রিদা থাবগী মতুং লোঙ্খা কোনবা হুমিংতা অহুম ফংখ্রে—হুমিং ২ নিজ চঙইসে—

"হোয়নে মহুস্তু ওইরম্বা য়াই—অহুবু নথোয়রগী প্রধানহু মন্ত্রিগী কন্নি থোকনৈ—অহুদি খঙবন্না?"

"খঙদে—কৈন্ন থোক্লদমাল্লেদা—"

"খঙদবা নঙদি ঐনা হায়রবসি অহুম মতাসিন্নু। লমথুংকম থুনা য়োগে হায়রবদি গাড়ী য়াংনা চেলহনবা তাই—। গাড়ী বেড়া তৌহল্লোহ য়াঙনা চেলহনগে হায়রবদি থাও মতিক চানা হাপ্পা তাই—বেড়া তৌরগা শেম্নবা গুজু খুংলাই শুনা লৈবা তাই অহৈবা মেকানিক লৈবা তাই—

'রাকোই অমুক শুদ্রবসু ইথোহলগী হুকান মুংখিবহুগী মরমহুম হায়রো—'

"শুদবসু য়াদে—মসিস্নু মরম অমনে।"

"হায়বদি—"

লোন সবাসদি থুনা কংগে হায়রবদি Bonded ware House কী থাও Reserve Bank কী চে—কিহনবা অপাম্বা পোৎ মিহৌহনবা মথোই চাবী চাদা তরা কুন—অথায় চাবীলৌরিবা থুংলাই কয়া চঙযেবা—

অহুনা করম্না মাগী হুকান মুংলিবা—?

মণিপুরদবু থবক তৌরা ফম্নাইবা ওইরবদি—হাও, ময়াং, ঐরেত পাঙল, দেশৱালী, পঞ্জাবী, বাঙালী, আসামী, মাড়োয়ারি অমা ওইসন্নু হায়বা—মণিপুরগী মথোই চাবী, অথাই চাবীলৌরিবা অমুবী

চৎনরী কজনা থওই, পান্না কজনা কাই—কনা ঙমদ্রা নাম্থোকপা লৈত্তে—মসিদবু করম্বা ইবোহল নাম্থোকপা ঙমগদৌরিবনো—

"ভায় সাহেব—নওনা হায়রিবদু চুম্মম্থু ময়াই—অদুবু ইবোহলনা লোন লৌবা সবসিদি লৌবগা মাগী দুকান মুৎপগা করি মরি লৈনবগে—"

"ভায় সাহেব-- মহাকী বাথু ইবোহল মশানা ঐঙোন্দা হায়রম্বদু ঙমগেবা তাদ্রো—"

"হোয়নে তাশ্মোনে।"

চহি অমরোমগী মমাঙদনি ঐগ্না ইবোহলগা লমকেলদা উনবা--"ইবোহল করি তৌরিবনো।"

"ঐহাক হেণ্ডলুম ইন্দস্ট্রিগী সবসিদিগী দরখাস্ত অমগা লোনগী দরখাস্ত অমগা থাদ্রি—"

"নত্তবু অদুক চাওবা দুকান ময়ুমগা লোনগী দরকার লৈবরনে—"

"ঐগীসি মপান্দগী ওরদর থারা লাকই সপ্লাই তৌবা পেল ঙম্বা দরকার লৈরে। অদুগীদমক হোৎনরিবনি—"

"কয়াম্বু কংগদৌরিবগে"

"15% সবসিদিদা লুপা লিশিং ২০ মুক অমুবা লোয়া লুপা লিশিং ৫০ মুকনি।"

"হোৎনৌ হোৎনৌ।"

অসি হায়রজপা ঐ মুনবা লৈকথি। থা ৩ লোয়মগী মুৎনা ঐনা ইংথোল থাজনা থিবা লমজেল ডিলি অফিসতা চৎলুবদা

ইবোহল অমুক থেংনৈ—অহুদা ঐনা হংই—ইবোহল কদায় য়ৌরক্লিবা।

"লোন সবসিদি কংনবা য়াবোম্লরিবনি"

"হৌজিক কাওবা কংত্রিবরনে—"

"কদাইদৈনোদা—ঐ নহান্দগী হৌজিক কাওবা লক্কলদা মুমিং থুদিংগী হাজির ওইরিবনি। চথোক চৎসিন রিম্না ভারানে চুরুপ বিড়ি চাগী খরচনে—নোংমগী লুপা ১০০ লুপা ১০০ কয়া লোইখিবা খঙহৌদে—পিওনদগী অফিসার কাওবা চে লানথৎপদা চুরুট চা অফিসারদগী কেরানী ইন্সপেক্তর মথং মথং য়ৌররুবা খিলাইদবা য়াদে—অহুদগী কাম লাল্লিগা দরখাস্ত লাল্লিগা S I S I দা চৎলু হংলু হায়রুনা অমুক চৎলি হজং হন্দা দুকানমু কমত্রে নোংমা নোংমগী খর খর শিংপহু ঐনা হজং হন্দা চৎপদা খরচ ওইনরে। ইন্সপেক্তরবু ইন্সপেকসন লাকপিনবা খর তৌদবা য়াদে—কয়া কুইনা চংগ্রে—ওয়াংডা ইন্সপেকসন লোইখি—"

খর কজনা রিপোর্ট ইবিনখ্রা খর তৌদবনু য়াদে। অফিসারনা রিকোমেণ্ড তৌবিনবনু খর তৌদবা য়াদে—মকম থুদিংমক্তা খরচকী খরচ মক্তা—ঐগী দুকানগী পোৎচৈ লৈশিন্নরবনা ইরৈ লৈশিন্নক্লে হয়েং বোর্ডতা খন্নি হায়রে অহুনা লোনগী দরখাস্ততুমু বেক্কতা ওসি থাবিনি হায়—অসুম্না য়ায়ী শার শারহুনা হনমিন্নরকখি। মথং মুমিং ১৫ নিরোমগী তুংদা ঐনা বাবুশারাদা মী অম্না উনবা চৎলুবদা ইবোহল থেংনৈ—ঐনা হংই—"কদাই চৎলুই"

"বোর্ডকী চেয়ারমেন মন্ত্রিগীদা য়ৌরকখি"

"বোর্ড কমত্রিবয়া হৌজিক কাও"

"নহানমুক্তি কমগ্রে—অহুদা ঐগী মিংহু লৌথোকলে হায়রা কৈরো হায়—"

মথংদা শামুক লৈরগা মাগী ছুকান্দা বেডকোভর অমথক লৈগে চংলুই-মহাক বেড় চংখি হায়হুনা লৈরমদে। মাগী ছুকান্দু পোৎচৈ ইয়াও য়াওরমজ্রে—আম্বায়ীশিংহু ঈহাং হাংলে। বেড-কোভর অমা কাওবা লৈরমদহুনা ঐহাক অহুম হল্লকলে।

মথংগী মুমিত্তা ঐনা মথা ছুকান লোমদগী অস্তুম হাইগৎলকপদা মাগী ছুকান হাংলম্মী মানা ঐবু কৌশিল্লকুনা চঙলুই। ওসিদি মাগী ছুকান্দু ঈয়োং কীনা পীক থল্লমলে—মখল কয়াগী বেডকোভর, স্কার্ফ শাড়ী—টিপোই কোভর অমুক্তোইনা পুমথন। মাগী গাডীদা বেককী মেনেজর বাবুস্তু লৈরম্মী ইন্সপেকসন তৌরম্লিবনি হায়। ঐস্তু চা কপ অমা মথোয়গা থকমিল্লরগা ঐগী ছুকান তাল্লা হল্লকখি।

থর লৈয়গা মাগী ছুকান্দা অনিরক অহম্লক চংলুই—মাগী ছুকান খোঙ লোন্দুনা লৈরমই। মাগা উনবা কংলক্তে—নহান মার্চ থা লোইরমদাইদা হাথি চোক ময়াদা ইবোহলগা ঐগা থেংনৈ মহাক স্কুটর অমা তোংলহুনা National Panasonie 4 Band Tape Recorder অমা য়াল্লি—চাওরবা শরেং অমা য়াল্লি মাগী গাড়ীহুদা পোৎচৈ লৈবা লোইরহুনা চংকদবগী গাড়ী পায়থৎপা মতমহুমক্তদা উনৈ—ঐনা হায়—

"ইবোহল ওসিদি অহাও অহাওবা য়াম্না লৈরেদা—নঙবু স্কুটর কাম্ব লৈরবরা?"

"অজ্ঞা মণি ওসিদি ঐ লোনস্থ কংলে, সবসিদিস্থ কংলে। য়ায়া স্থুঙাইরে ঐ চৎকে তৌবখনি—চাহুম থকউথিসি। হায়হুনা পাড়ীহু মাগী ছকান্দা ইনশিন্নয়গা মারবাড়ী হোটেলদা য়নগুলা নিমাকিমচিংবা চাঁহুনা ঐথোয় অনি বাম্বী শায়ন্মী—

ইবোহলনা হায়খি—

"ঐজ্ঞা মণি মথোয় বেঙ্কীসিদি তংখাই চাবী ওইরমলে—লুপা লিশিং য়াংথৈগী লোন লহুবু ঐনা কংবদি তুপ্নগী লুপা লিশিং ২৫ থক্কনি—অহগা সহিনা লুপা লিশিং য়াংথৈ কংবগী তৌরম্মী—লিশিং ২৫ কংলগা করম্মা লিশিং য়াংথৈ শেন্দোহগা কোয়না শিংদৌমিনো ?"

মুমিং অঁহুদগী ইবোহলগী ছকান অহুম মুৎখ্রে।

৩০।৪—৮২ ইং

১০

ইঁংরেজী হৈবা

মীরা ঙাওনবা হায়বসে মীওইবগী হৈনবীনি। পায়না মমাংদগী লাই হাক্তক্তগী অহুম চৎনরক্লি। পৃথিবীদা লৈরিবা মীওইবা থৃদিংমক মওং অমদা নত্রগা অমদা মীরা ঙাওবা, ঙাওনবা ঙাক্রেনি। মীরা ঙাওনবা অহু য়াওরু-তারুরগা পূক্লিং-তৌশিং ওইবা রা, অফবা পাউত্তাক কয়াস্ত ফংদবা নত্তে। মাগী অ.শাযনা পুথোক্তুনা ঙাওনরবস্ত ঙাওনরিবশিং অতুগী ফুংঙাহজবা পেঙবা অমদি অহুম মরৈ।

ঙাওনরিবা, রারী শানরিবা মীগী মবক্তা যাংত্রবা অতোপ্পা মীগী মরমদা রারী রাতায় শানবা ঙাওনবা অহুবুনি মীরা ঙাওনবা হায়বনি। রারী শানবদা য়াওরিবা মাগী মরমদা ঙাওনবা ওইরবদি মহু মীরা ঙাওনবা নত্তে মীগী মরমদা থম্নানি, নৈনবানি—নত্রগা রাফংনবানি। শিখ্রবা লৈথিত্রবা মীগী মরমদা ঙাওনরগা মহু ইতিহাসানি রারীনি। লাইপোক ওইপ্রবা মীগী, লাই ওইপ্রবশিং—রাম কৃষ্ণ বুদ্ধ খৃষ্টনচিংবগী মরমদা ঙাওনবা ওইরগন, ধর্ম্মগী তত্ত্ব নৈনবনি, লাইগী রারী শাবনি—মীরা ওইরবস্তু। অহুনা থ্বাইনা খঙনরিবা মীরা ঙাওনবা হায়বাসিদি—হিংলিবা মী ঐখোয়গী ইরক্তা হৌজিকমক্কি য়াওত্রিবা মাগী মরমদা—মরু ওইনা মাগী অশোয়বা অরানবা কয়া পুথোক্তুনা ঙাওনরগা রা রা নোকপা নত্রগা মাবু থৌনা মাগী মতুংদা হায়বা—মহুবুনি মীরা ঙাওনবা কৌরিবসে।

ঐখোয়গী চাক্তিন মরূপ হায়বা মরূপ অমা লৈ। ঐখোয় ১৫ তনা শাবনি। থা খুদীংগী পালি নাইনা চিঠিখেলা তৌরগা অতাবা ইমুংচুনা চাক কৌনৈ। চাক চাব-থকপা লোইরগা চাক চারিবা ইমুংচুদা ঈশৈ—নোংমাই তৌই - লাওই। শয়া হায়রবদা থা অমগী মমুংদা অমুক্তং উনচুনা .নাক খেচুনা নোংমতং রাখলগী লায়না অরা-মুঙাইনচি বা পুম্বা পুনকাও হেক কাউখোকপনি। চাক্তিন মরূপকী মরূওইবা নোংমচুগী খোরমদা লম থোকপা হায়বা অমা য়াওই। মসি অতে নত্তে- অশুন চাবা লোইরবা তুংদা খোঙনা গাড়ীনা তপ্না চংলগ লমচাং মও ফবা অমদা ফমচুনা য়ুম্লক্তা শাবা মুঙাইতবা য়ারী কয়া শাচুনা নোকখোকই-- অরা-অনা পুম্বা কাউথোকই। মসিগী মরূ ওইবা বিষয়াদ মীরা ঙাঙনবনি। মীশক থন্দে লম থন্দে ঐখোয়গী পুক্লাংদা লাকপা অম হৌদোক্তুনা হেক্তা ঙাচনৈ।

নোংমা অসিগুম্বা চাক্তিন মরূপকী লমথোক মীরা ঙাঙনবা সেসন অমা ইম্ফাল সিমেত্রৌদা পাঙথোকখি—কুহক্রি থা অমা অনিতা চায়রি। বিষয়দি ইংরেজি হৈবশিংগী মরমদনি—মচুদা য়াওখ্রে মত্রি অমগী রাম্না। শাংখ্রবা মতম ইং-শোক ১৯৫১–৫২ কলিকতাদা লৈরিঙৈদগী হৌনা ঙসিফাওবগী রানি।

তাদ-নদিয়ানা হায়রকই "নোংমা ঐখোয়না কলিকতাগী সেণ্ট পাল কলেজগী লম্পাক্তা ফমচুনা মীরা ঙাঙনরমই— মচুদা রাহেংবম তাইবুঙো ডাক্তর গোপালনা রা অমা তমখি—"

"কৱি রানো" নীলনা হংলকই—

ডাক্তর গোপালনা হায়খি—যেংঙোই ঐখোয়গী অহুদা মৌ নহা অমা লৈ মাগী মরাদু লংকৈদ। লন্ডোন ইভিক তোবা য়াম্না চংলি আসাম ব্যাপার চৎপনি গৌহাটিদগী মঙোন্দা চিঠি অমা ইরকই মহুগী পাউগুম ইবিযু হায়ন ইকই মানা হায়বমথৈ ইবনা তুংদা মথা করি ইগনি। মৌ নগাহুনা হায—'ইবুঙো মানা অরোইবদা ইরকপহু করি, অমুক্তা পাখো'

'অনা অংয়ক লৈংতে নঙগীস্থ লৈরমলোই নীংই - ইতি"

"ইবুঙো অকোনবগীদো মহুমক ইরক রা?"

'ইরকই"

"অহু ওইরবদি মাগীসু ইরক্লবনিনা অরোইবদা ঐগীসিস্থ ইরো।"

ঐখোয়পুম্বা য়া নোকই।

ঙা নোদিয়ানা মথা তারকই তাইবুঙো ডাক্তর গোপালনা য়ারী কঘা তৌরম্মী ইংযেজী হৈবগী য়ানি।

ডক্তর গোপালনা হায - ইবুঙোখোই হৌজিকী মণিপুর য়াইফলসে লান মমাঙদা সার চুরাচান্দ মহারাজগী আমোন্দদি 'এস এম পি (ষ্টেট মিলিটারী পোলিস) কৌহনা আর্ম পুলিস ওইরম্মী মসিগা ড্রিল কাজ লাউবদি অঙকপনি অহুবু মগোয মশেলদি অহুম থংনৈ—চপচানা অহুন হুকুম ইল্লি—

নোংমা জমান্দার য়াইমানা কাক লাউরম্মী—

"টেম্লেং ইজ—টেন-সন

কুই মার্ক টোল

চেঙ টেপ চেঙ টেপ

চন্দ্র দয়সন রাইট

বাস্কিট টন তোল টেক্কেং ইজ।"

অসিদা নত্তনা ভাইবুঙো গোপালনা এস এম পী দা সিকাই অমম্লুং শা ফসার মরক্তা ঙাঙনরগ্বা থঙনরম্বা ইংরেজী লোন খরমু তমহুনা তাহনথি—

মানা হায়খি—

হুংদাং অফিসারনা সন্ত্রি চেক তৌবা রাউণ্ড চংশবু এস এম পী সিফাই শংনা 'রোং" চংপা কৌই। মহারাজ নত্তব' এস এমপী অফিসারনা 'ভিজিটিং রাউণ্ড" অহুগা মহারাজদুনা 'গ্রাণ্ড রাউণ্ড" হায়না থঙনৈ। অহুগা তৈক্তে অফিসার সুবদার জমাদারশিংনা হায়বা অমা। অহুদি ভিজিটিং রাউণ্ডবুনা—বিষ্ণুরোং, গ্রাণ্ড রাউণ্ড-বুনা— গ্রান রোং। মহারাজ চুরাচান্দনা রাউণ্ড লাকপদা মতমহুগী সান্ত্রগী ড্রিল তারো—

সন্ত্রি - "হুকুম দর"

মহারাজ— গ্রাণ্ড রাউণ্ড।

সন্ত্রি —তোল

ষ্টাণ্ড টু তৌনগা গার্ড কমান্দরনা, গার্ড পুম্ব চেক তৌব লোইরগা সলাম তৌহনা রিপোর্ট তৌই—

"গ্রান ইরোং পাসা পেত্রোং কোত্র সেং" মহারাজনা ইন্সপেক্সন লোইসগা লেঙখ্রে। গার্ড কমান্দরনা অহুদগী কাক্ত লাইবকই—

"সন্ত্রি ষ্টুন্ড জামিন্দর ত্রিগপ।"

"ইংরেজী যজনা ঙাঙবগী না অমম্ম তাখি—মণিপুর পুলিসকী সব-ইন্সপেক্টর অমনা কমরেড ইরাবতকী মতমদা কম্যুনিষ্ট আন্দোলন অমা ঙাকপা চংলুবদা "মফম অছু য়াম্না কল্লে মীনা হাংলো হাংলো হায়নহৌই' হায়না বাঙ্গালী এস পি অমদা রিপোর্ট তৌবদা হায়খি হায় - 'Sir, the place is very strong, people kill kill told"

অসুম্না ইংরেজী হৈর হৈরবা সিফাই য়াম্না লৈরম্মী মণিপুরদা। অছুবু ভারতনা মনীং তম্লগা তুংদা ইংরেজীগী এছুগা হিংদনা কাজ লাউথিবদগী ইংরেজী হৈবা নেফাই কয়া হৈথিরে—

ঐখোয়গী মোহোম্না হায়রকই—

"অছুবু ইংরেজী হৈবা মন্ত্রিদি য়াম্না লেরি, মতুংদসু লৈরকখিগনি।"

মোহান মান্ত্রীগী প্রাইভেট সেক্রেটারীনি।

ঐখোয়না হংই

"কনা কনানো? খরসু তম্মু তাসি।"

মোহোন—"ঐখোয়মী মন্ত্রিদি নত্তেদা।"

"অতুদি কনানোনা"

"অছুবু হেক হায়দোকপা য়াবরা?"

"চোয়দা হেৎয়দা, কমদোবা জাংনো খরত্তুম তম্মু তাসি।"

"ঐনা হায়রিবা মন্ত্রিসে য়াম্না অচুম্বা পাম্বা মীচঙ মীথায় নাইদবা থবক পুমনক মশানা। তৌরগদা মুঙাইজবা মুংগানি। মীনা তৌবা কয়া থামদে মাখীদগক মীনা উবিকনা ঙাঙবিবা কয়া পামদে মশানা হেক্তা হায়বা হেক্ত ইবা, দাইরেক্ট হেক্তা ঙাঙবা—মীনা ককা

মরক থংপা য়াবা নত্তে হৈবসু মপা লৈত্তে। ইংরেজী মৈতৈ-লোল্দৌনা হেক্তা লোনবনি।"

"নঙনা হায়রিবসিবু মোহে'ন পুথাও বস হায়বদা—Carry bag, Bus, মবুক কবা হায়রগা—Good belly Man. চোঙ—Jump fish—য়োংচাক হায়বদা- Monkey Rice ককা হায়বা জাংতুরা"

"হেরা নাথায়সু পঙহায় কেক হায়রেদা- য়াম্না হৈবা জাংনি - মাগী কেন্দ্রগী মীনদি য়াম্না থাগংলি পোংনি। অদুনা মাগী প্রাইভেট সেক্রেটারীনা হায়জবকবা তাবিপোং নত্তে-"

"ঐসু খঙগে—নঙনা হাযবা য়াবা নত্তে"হায়বসি মানা তত্তনা হায়বা লোন্দানি।"

"বা অমত্তং ওাঙবদ য়ারঁ. রাতাং শাবদা ইংরেজি রাহৈ অমা অনিদং থেংহৌজ্রবদি চাক চঙদবা মীতানি।"

' মোহোন নঙগীসিবু Today দি মুংশাসি ওম্থোক্লা hot ত্রে। Rain সিবু Fell দৌরিমাল্লে কক' হায়ব. জাংলা।"

"তা নোদিয়া খঙদেদা। ইংরেজী লোনবা হায়বসি ওম্থোক্লা পামজগ্নবা। মওং তাব তাদবদি খঙদে অদুবু মানা হায়নিংলিবহু মৈতৈ অফিসার কল্লগা মৈতৈলোন খঙবা কাংবুনা খংবদি লৈতে। অদুগা মৈতৈলোন খঙদবা মী ওইংবদি করিগুম্বা কান্দা অর্থ ওম্লতৈননা খঙবসু য়াওদবা নত্তে।"

ঐখোয় পুম্নমক য়াম্না লাঙতকনা মথা করি হায়রকদগে হায়না য়া কাহনা ওনশিন্দুনা লৈবম্মী।

মোহোয়া মথা তারকই—

"নোংমা মন্ত্রি অসিগী প্রাইভেট সেক্রেটারী থোক্ননা তাক্কই—"

"ভাই মহোন মুমিৎ অহু ঐথোয়গী মন্ত্রিসি খর শাউনা উই। মাগী কেন্দ্রগী মী অমথক এক্সাইজ ইন্সপেক্টরগী ইন্টরভিয়ু য়াওরি। মাগী ইলেক্সন্দা য়াম্না কন্না হোংনখিবা মুপা অমগী মচানি। মহাক অহু করিগুম্বা খল্লক্রবদি মাগী Prestige শোকদৌরিবনি।

নহান কেবিনেট মিটিংদা য়ানগ্রবান-মন্ত্রি অমমমগী মী অমমমদি পী-সি হায়দুনা। অদুবু মন্ত্রিদি ১৮ নি অদুগা পোষ্টতি ৬ থক্কনি। এক্সাইজ মাগী পোর্ট ফোলিওস্তু নত্তে থবক পুরিবা মন্ত্রিদা কয়া হায়রে। "তৌগে তৌগে হাপকে হাপকে" হায়না ফন য়াম্না হায়রবস্তু তৌবা লৈতে। চিফ মিনিষ্টর য়েনরে চয়্নরবা চিক মিনিষ্টরস্তু মন্ত্রি খুদীংমক পেন্নবা হোংনবদা জ্ঞান তাত্রে-শোয়দনা তৌগে হায়রবস্তু অস্তুম অস্তুম তুমিন্ন লৈথোকখ্রে। থবক্তি এক্সাইজ কমিশনরনা হাপকদবনি। Interview স্তু মানা তৌখিবনি।

পোষ্ট ৬ কী মনুংদা ৫ হাপখ্রে অমথক্তমা মভায়রে, মন্ত্রি মুংশা থীরে।

অসোমদা-অয়ুক মুংথিল মুংদাং অফিসতা বাঙ্গালাদা কেণ্ডিডেট অদুনে মপানে, ওরং ওরং ওংলি। মথোয়না ওংবতা নত্তনা মন্ত্রিগী লোইনবী মনাও ইবেম্মনা মরোল অমা-অাইংদা ফম্মাংদা চাক চাকমদা নোংমগী মনুংদা তরারক্তগী তাদনা হায়ন্নী, মন্ত্রি জ্ঞান তাদে।

মুন্না থল্লুরগা থওনীং নীংশিঙলক্লে—এক্সাইজ কমিসনর অহু মতম অমদা মাগী Class fellow ওইরম্মী। মাবু কমিসনরগী

ক্রম অহু হাপ্পবা হোংনবদা কন-য়াম্না হোৎনখিবনি। মতোম্দা চায়রুক্রবদি মানা শোয়দনা তৌরকনি আশা থোই। অহবু অমুক্তা উনসি হায়হুনা অনিরক অহুমক কৌবদা মাগী মন্ত্রিনা কৌখি,— টুর চংখি হায়হুনা অমুক্তমু লাকখিদে। ঙসিদি হেক্তা মতোম্দা মইরগে খন্দুনা মহাকী প্রাইভেট সেক্রেটারীদা ডিক্টেসন তৌহুনা টবগী মহুক্তা মথুংমক্তা হেক্তা হুঁগি।

Sir,

Please supplv me a post of Excise Inspector to Mani Singh.

Yours faithfully

ইম্ফাল

সেপ্তেম্বর ১৯৮২ ইং

Minister

আইনগী মতুংইন্না হনবা অর্থ অমদি ভিন্ননান্নীগী অর্থ খাইনা চংনরম্বা খ্বাইনা খঙনবা অর্থনি। হৌজিক্তি খ্বাইনা খঙনবা অমা অহংগা অফিসার মন্ত্রি এম এল এ নচিংবা মী খরগী মরক্তা খঙনবনা অমনি খ্বাইনা খঙনরিবা Gorruption অমসুং Bribery হায়বসে "পীরিবা মীগী কান্ননবগীদমক লৌরিবা মীনা মশাগী সমচৎ মাঙহনবগী থবক তৌবা অমসু আইনগী ন্নাংমদা শেঙ্কা থুমক্কা তৌবা হায়বসিদি ভিগ্ননান্নী অমসুং আইনদতা ওইবনি। অহুনবা শ্যামগুম্বা অফিসার-দদি—মন্ত্রি অমসুং এন এল এ খরদা ওইবগুম্না সমাজ সেবা তৌববু খঙবৈ। হায়বদি Corruption সমাজদা শোথহৌরবশিংবু মতেং পাংবনি, মখোয়গী ফনবা শেম্বনি সমাজ সেবানি, Bribery না মহুগী থুদোল-পোংনি।

অওইবনি- Backward class—Backward people হায়বদি সমাজদা শোথহৌরবশিং চাওখৎপগী থাক নেমহৌরবা মীশিংবুনি। মখোয়বু শৌগৎপা মতেং পাংবা হায়বসি প্রধান মন্ত্রি ইন্দিরা গান্ধিগী পোইন্ট কুনগী প্রোগ্রামদা য়াওরিবা থৌরম অমনি। সরকারগী তৌদবা য়াত্রবা থৌশিল অমনি মহুগীদদক্তা অফিসার শ্যাম খরায়-হকচাং য়াওনা মশামক্তী মরম্লাই থবক ওইনা তৌরিবনি। মশানা শোথহৌরবা মরাম্লবগা মীমাম্লবা গুকওম ওমত্রবা—লাইরিক লাইও মীংথিন। হৈত্রবা—মেত্রিক. পিউসি, বিএ, এম এ শিন-শিন্দুনা পাস তৌরক্লবা --মখোয়না ফন-হোৎনহুনসু চপচানা অচুম্বা নিয়ম কানদ্দা Competition তৌহুনা মশানা ফন-হৌরক্লবা মশামা হোৎনবজনা বিএ এম এ মংকোক মথংদা পাস তৌরক্লবা মশাগী মেরিট

নৈবা তাঙবুহৃব কন্দৌইঙ্গদন্নু ঙেনবা হুয়রোইদবা মপোকশিংগী থ ক ফংলরোইদবা অসিগুম্বা সমাজদা শোথহৌরবা কাঙবু Backward ওইরবা মীয়ু Bribery গী পাইবনা Corruption তৌবদি—, Crime ওন্না সমাজ সেবানি। মাগীদসু মথোয়না খুদোলপোৎ খর পীরকপত্ত শেঞ্জা-থুংহক কৌনা য়াবরা ? মরম অদুনা শোথহৌরবা কাঙবুগী অহুম্মা কননবা তৌরিবা শ্যাম কুম্বা অফিসারদদি Corrupted হায়রবদি মখুৎ লেনগাহম্না শোথহৌরবা কাঙবু লেমগনখি তাবপনি। Bribe লৌই হায়বদি মতু শেঞ্জা ধুমক তৌবা মস্তু খুদোলপোৎ খর লৌবগী য়ামি। মাতৌ অসুম মন্ত্রি এম এল এ খরন্দু Corrupted Bribe লৌই হায়বদি খোযত শোংদনা শোথহৌরবা কাঙবুবু কনবা তৌবা সমাজ সেবক ওইরবনি। অসিগুম্বা সমাজ সেবাগী থবক্তা য়াংবা থরায় যাওই হায়দুনা অফিসর শ্যামবু মন্ত্রি এম এল এনা য়াম্না থাগৎলি অদুনা প্রোমোসনচংবগী—থম্মবদা মহাক্কী মখুং থক চিংখ্রদে।

অফিসার শ্যাম মন্ত্রি এমএল এ খরনা Backwrad Class নি সমাজদা শোথহৌরবা কাঙবুনি হায়রবশিংবু শোথহৌরবা কাঙবু কৌনিংদবা শ্যামগুম্বা অফিসার নত্তবা অমা সরকারগী কর্মচারি মন্ত্রি এম এল এগী মফমদস্থ Bribery and Corruption গী অর্থ অসি ঙাক্না মীয়ামগী মতুং ইন্না থরু খর খেন্নে। পিওন চাপ্রাসিনচংবা ওয়েজ ফোরনা চাবা শেলগী বকশিস লৌই। কেরানীশিংনা গ্রেড থ্রিদা চাবা শেলনা সমুবী—থজিক থরাক লৌজবা— অ অমা ঠেকনা, চানবা লৌই, মন্ত্রি এম এল এনা চাবা শেলবা পাঙ্গী ফঙনা

দান ওৈবা Donation পীবা কৌই। মৈতৈ অফিসার নত্তবা—ময়াং, পাঞ্জাবী দেশওয়ালা বাঙালী মদ্রাজি নত্রগা মৈতৈলোন খওশিল্লদবা মৈতৈলোন লোন্দবা হাও অফিসারনা চাবা শেলনা Present হায়রবদি খুদোলপোৎ কৌই। শ্যামখোইগুম্বা মত্তবা অতে মৈতৈ অফিসারনা চাবা শেলসিনি—মসি লাউবা Bribery শেঙ্গা-খুবক্তা কৌরিবসে অদুনা মৈতৈ অফিসারশিংদি য়াম্না অক্কবা ভাংকমনি। মরমদি মণিপুরসিদা অসিগুম্বা হায়নোম খুবনোম তৌরগা চাবা কাওবা অমা লৈ। মখোয় অদুনা পাউ পুই—খবক ফংহনগনি হায়রদুনা শেল খোম্মী অদুগা অফিসার অদুগী মথুমদা, (হৌজিক্তি অফিসতা ফাওবা তৌনরে) চংলগা লৌজরোই হায়না শীথাও খাওজংবা ফাওবদা খুরুমদুনা ফুরিৎখাওদা কারদা হাপচিল্লগা চংখিগনি। অদুদগী খোঙ্গাল ংেক য়োবদা—"শেল চাহৌরবনি ঐমা অদুপ পীরগরবনি" হায়না লাউ লাউদুনা মানা উনবা মী পুম্বদা তম-তনদুনা চংখিনি। শেলগী মশাংদু মানা খপহৌবদু খানা হায়জিনগনি। অফিসার অদুনা খরা খিনা ওাওলক্লগনা খোন্দা থি হায়দুনা উন-উনবা মাদা নত্ত-নত্তবা রা তমশিনগনি, হায়দু হায়জিনগনি—অদুক য়াম্না পীথ্র-মক্তা হায়না। ফন লুই অসিগুম্বা মতমসিদা মৈতৈ অফিসার-শিংনা চংকদবা শাক্তংসে মৈতৈলোন লোন্দব হাও ময়াং অফিসারদা শীরুবদি খুদোল পোৎনিনা মনা মানন নাইদে—অদুগা মখোয়না চৈরকপা থাগৎলকপা নরোল মুম খঙদবনিনা থোইনা খনুদে। মদুগী খুদম ওইখোয় উৎরে—মৈতৈলোন লোন্দবা হাও ময়াং অফিসারদুনা—"Get out" হায়রকপদা ইনোরা নোক্রা থোরকই। মৈতৈ অফিসার

অমনা করিগুম্বা মৈতৈলোয়া য়াম্না তপ্না ফজনা "মপান্দা লেঙথোক-পীগ্রো" হায়রকবা কান্নদি কি-কি কামছুনা শাওছুনা থোরকপা কয়ানি। করিগুম্বদসু লাওথোংছুনা থোরকই-"তাম্রবসু চংলনি— মথৌ কাওবা থঙই-মানসু।" হায়ছুনা। করিগুম্বা মৈতৈ অফিসারছুনা অতৈ অফিসারসু মতৌই হায়ছুনা Get out কৌ হায়রকপনা অমুক হেন্না শাউগ্রে—"ইংরেজী হৈবনি-ককাইদনা তৌশারিরে— মৈতৈনবু মৈতৈদা মৈতৈলোন্না ঙাঙদ্রদনা......।" অছুম অছুম ওইনমক অফিসার শ্যামবুদি কনা অমত্তনা শাউদে—উনরুবা থুদোংমক হয়াও হয়াও নোক-নোকুনা থোরকপা ঙাক্তনি। অসিননি মহাকপু মতমগী চপ-চাবা অফিসার হায়নরিবসি।

ইংশোক ১৯৭২ দগী ওইরকলিবা মণিপুর অঙকপা মতমগী মণিপুরনি— অরি অনৌ ওন্নরকপা মকম মরাং খঙদবা ইচাই চাইরিবা লাংদাইগী মতমনি। অছুনা লাংদাইগী মতমগী জুং চা-দবা ঙাক্তনা থল্লি। অরি-অনৌ ওন্নবগী মমী তমখিবা খৃঃ ১৯৪৯ ওক্টোবর তাং ১৫ দা মণিপুর ভারত ইউনিয়ন্দা য়াওশিনখিবা মুমিত্তগী হৌগ্রে। চহি লিশিং অনি হেন্না নিংথৌ পান্নরুবা মণিপুর ছুমিং অছুদগী নিংথৌ লৈত্তবা; পান্দবা হায়বছু ওইখি।

ইংশোক ১৯৪৭ আগষ্ট তাং ১৫ দা বৃটিশনা ভারত থাদোকখ্রবদ মণিপুর মনিঙ মথা তমলে, মণিপুরেশ্বর মহারাজ বোধচন্দ্র সিংহ, মতম য়াম্না তেন্নবসু খৃঃ ১৯৪৭ তগী খৃঃ ১৯৪৯ ওক্টোবর তাং ১৫ ফাওবা মনীংতম্বা নিংথৌ ওইখি। তেন্নবা মতমসিগী মছুংদা শাস্নত্ত শাসন

(১১)

মতমগী অফিসার

মতম—ইংশোক ১৯৭২ জানুয়ারী ১১ গী মতুং মকম্। মণিপুর সনা লৈবাক্তনি ; অফিসারনা কমিসনর শ্যামনি। থাঙৈশেংবনি শ্যাম মতমগী চপচাবা অফিসারনি। মণিপুর সরকারগী ফন-চাওবা কম পায়রি। বুরোক্রেট হায়না খঙনবা সরকারগী কর্ম্মচারী অমনা রাজ্য অমদা ওইবা য়াবা খ্বাইদগী চাউবা ফম চিফ সেক্রেটারী হায়বতুগী হেক ভমথঙ ওইবা কমিসনর হায়বতুমক ওইরবনি। সরকারগী কর্ম্মচারী ওইরকপস্তু চহি ১৫/১৬ মশুজিল্লক্লে। অদুনা মথল কয়াগী মী থেংনরক্লবনা য়াম্না হৈশিংলবা খঙহৈরবা এক্সপিরিয়েন্স লৈরবা অফিসার হায়বদু ওইরে হায়না হায়নরবনি ;-হিরম থরদ্দি মহাকসি Expert নি হায়বা ফাওবা হায়নরিবনি।

চুম্মী মহাক চহি ফন-য়াম্না সরকারগী থবক তৌরক্লে, মী মথল কয়া থেংনরকলে—অদুবু থাঙৈহেক শেংবএক্তি মহাকসি হিরম অমত্তদসু Expert নত্তে—থবক য়াম্না খঙবা হৈবা নত্তে—থবকশু হৈত্তে চনৈ থনৈ। মী খরনা হায়নবদি "চহি ফন-য়াম্না শিজিন্নরবদসু গাড়ী যণনা অর-ক্তিতি রো-রো দগী করি হেন্না খঙগদগে।" অদুবু মাগী খ্বাইগা মান্নদবা মতুং অমদি—পোকপদগী হেক লোয়নরকপদি—মহাক মথক থোংবা অফিসার অমদি মন্ত্রিনচিংবদা নম্না য়াম্না কন্নি—খোংনাং মনপ্পি হায়নৈ, চিরোন তৌই -চিরোন মথোঙ নাইরে হায়নৈ--মতুদা মহাক কন্নিসু নাচুংদে অমসুং মতুগী থুদোংচাবা অমত্তসু

নাম্বোকহন্দে অতুগা মশাদা লৈবা অফসার কেরানী গ্রেড ফোর থীনা-থীনা ভোবস্ম মাগী হৈনবীনি ; মথাগী মীশিংদা মাগী মাঙাং শাঙাং লরায় মচা তাই। অতুবু মতোন্দা কারবা মথাগী অফিসার কেরানী গ্রেড ফোরদা লাংবনা হোইতি তৈবস্মু হৈজবা নত্তে। শম্মা হাযরবদা মহাক মতমগী চপ-চাবা অফিসারনি।

শ্যাম অল ইণ্ডিয়া সার্ভিসকী মেম্বরনি কোটাদা থল্লকপনি—মশুগনী মা মন্তে অতুনা থবক্তস্ম চনপ থোইনপ হাবী-জাবীদা অতুম মংং মথং চাইগৎলকুনা ফন-চাউজরবনি। মতোন্দগী শেম্বা তৈবা শেম্বা ফবা অফিসার কথা চনপ থোইনপ হাবী জাবী তৌদবা মথোযদা থুদোং চাবা অমত্তা কংদে। অতম out কাওতুনা লেনবা ভাঙনি। চৌজিকী মতম অসিদাদ সার্ভিসকী রেকোর্ডনা চৎনদে "মশকপু মিৎমক্তা উত্তবদি নীংশিংদ্রে" হাযবা ইংরজি পাউরৌতগী চপচাবা মযেক্কী অর্থ চপচানা থওলবা হল্লবা চৎলবা সরকারনি— তৌজিক লৈরিবসে মণিপুরদা। অতুন মন্ত্রি মগুলগী মী অমগী হমাওদা মমি ভাঙ্হৌদবা অফিসারতু— ফন লৈবা, ফন-ফবা মরাক্তা লৈ চৌংগা ওইসন্নু অযাম্বা মীনা আইনসভাগী মেম্বর ম্যাওনা লমরবা হায়নরফাও চিরোন থায়োন তৌহৌজবা, মন্ত্রিদা মশাক উৎহৌদ্রবা অতু ওইরবদি অফিসারতু অক্ষম কাউগ্রবনি - কাওথাও ওথুন লৈবা তাবনি। অতুনা চিরোন মথোঙ নাইবা-- মন্ত্রিনা শুরনা উবা শ্যাম প্রোমোসন পোষ্টিংগী মাং থল্লকপদা ইমাঙদা মরাওই চিথবা লৈতে।

খৃঃ ১৯৭২ গী জানুৱারী ২১ দা মণিপুরনা ভারতকী মনুংদা ২১ শুবা ষ্টেট হেক ওইবা কুমদগী অনৌবা যুগ অমা ওইরে। হায়রগী মতমগী চৎনবী-ব্যবহার অচুম অরানগী মমল অমদি অর্থ পুমহোং লোংখ্রে। খুদোং চাবগী মতুংইন্না লোঙান তোঙানবা মমল,- তোঙান তোঙানবা অর্থ লেপ্লে। হায়রগী পরম-পরাদগী মতম কুইনা থঙনরকলিবা য়ানরকলবা অদুদি নংত্রে—অনৌবা অমনি মতম্ থাক্কনা য়ানরবদি মত্তে; মফম মতম মশাগী কাম্বা কামদবগী মতুং ইন্না লেপ্লে—মী অমমমতগী ওইনা। হিরম অমাদদা Morale Value মপুংফানা মশক হোংলে। মতম অসিদা অচুম্বা চাঙবা অমদি অচুম্বা থবক তৌবা হায়বদি—চাঙলিবা মী অমনা তারিবা মীচুংগী কাম্বা থর মংগে হায়রবদি থাঙ্গৎলেংবা পোৎশাক অমাদ থোদোক অদুগা শুকচান-চাননবা চঙ্কৈনবা ওইরবসু ইশাগী কাম্নবগীদমক তারিব মীচুংনা তাবা মুংহাইমনা চাঙবা অদুবু অচুম্বা চাঙবা কৌই অতুনা অসিগুম্বা সরকারগী থবক তৌবা কর্ম্মচারী অমনা মথক থোংবা অফিসার অমদ মন্ত্রিদা অশুম্বা চাঙবদু অচুম্বা য় চাঙবনি অচুম্বা পাঙ তম্বনি। মসিবু মমাংইদ্দা চৌরোন মখোঙ নাইবা কৌনরম্মী। হৌজিক্ত এসি ইশাগী কাম্নগে হায়রবদি তৌদবা য়াদ্রবা সাধনদি। অসিগুম্বা ইশাগী মতম্বকীদমক আইন কানন নিয়ম চৎনবী থিদনা ঐগী ইথক থোংবা ঐবু খুদোংথীবা তাহনবা শুম্বা মী, ইথক থোংবা অফিসার অমদি মন্ত্রিনচিংবা অদুগী মতম্বকা চাননা থবক তৌববু অচুম্বা থবক তৌরম্ .চাগাদ শঙুইন অসিমু ইশাগী কাম্নগে হায়রবদি তৌদবা

য়াদবা সাধননি। শ্যাম মসিগী সাধন কজনা তৌই—অদুনা হিরম অসিদা মহাক সিঙ্কস্নু কংলবনি।

মতৌ অসুম্না Corruption (অযোংপা) অমদি Bribery (শেঙ্গা থুমজা) গী হৌজিক কালদা থঙনবা অর্থসু মমাঙৈগা য়াম্না খেয়রে। ওক্সফোর্ড ডিক্সনারীদা য়াওবা অর্থগী মতুং ইন্নবদি Corruption means (i) Decomposition (ii) Morale deterioration (iii) Use of corrupt practice (iv) perversion of language from its original state—হায়বদি (i) থুগাইরবা নত্রগা পুমথরবা (ii) লমচৎ মাঙথরকপা (iii) শেঙ্গা থুমজাঙ্গা অযোংপা থবক তৌবা (iv) লোন অমগী হায়গী মশাগী মশক মাঙহনবা থঙনৈ। অদুগা Bribery—means (i) offering of money etc. to procure (often illegal or dishonest) action in favour of the giver. হায়বদি পীরিবা মী অদুগী কনবা তৌরক্লবগীদমক শেলনচিংবা পীবা শম্না হায়রবদা শেঙ্গা থুমজা তৌবা থঙনৈ।

আইনগী মতুং ইন্নসু Corruption and bribery অযোংপা থবক অমসুং শেঙ্গা থুমজা হায়বসি ওকয়া য়াদবনি। ইণ্ডিয়ান পেনাল কোড অমদি প্রিভেনসন ওফ করপসন এক্টকী মতুংইন্না কনাগুম্বা অফিসার অমনা মাগী আইন্না য়ানা কংবনা লৈফম খোঙপা শেন্দগী হেন্না লৈ থল্লবদি মহাক অদু Corrupted ওইরে—অমদি আইন্না য়াদবা Gratification লৌরে শেঙ্গা থুমজা তৌরে Bribe লৌরে— অদুনা আইনগী মতুং ইন্না মহাক দণ্ড কংগদবনি।

(Absolute monarchy) তোকুনা প্রজাগী শাসন (Constitutional monarchy) পুরকখি। অদুগা ভারতা তৌখিবা সাধারণ সাবালক ভোট (Universal adult suffrage তৌদুনা আইন সভা মন্ত্রি সভা লিংখৎখি। অসুম্না খৃঃ ১৯৪৮ দা মণিপুরদা দায়িত্বশিল শাসন- প্রজাগী শাসন অমসুং পার্লিয়ামেণ্টরী দিমোক্রেসি চলাইবা হৌখি। অদুবু মীথন্দা মণিপুরদা লৈবা ভারত জাতিয় কংগ্রেস, সোসিয়েলিষ্ট পার্টি, কম্যুনিষ্ট পার্টি অমত্তা নত্রগা পুল্লপ পুনশিল্লবা কাওবদসু মেজোরিটি ওইবা ঙমদ্রে মরম অদুনা মেম্বর ৫১ লৈবা আইন সভা অদুদা ইণ্ডিপেণ্ডেণ্ট মীয়েপ ওইনা কারকপা মেম্বর মখৈ পুনশিন্দুনা শেম্বা লোকেল পার্টি প্রজা শান্তিনা মেজোরিটি ওইদুনা মন্ত্রি মণ্ডল শেমখি; মহারাজকুমার প্রিয়ব্রতনা চিফ মিনিষ্টর ওইখি। কংগ্রেস পার্টিনা অপোজিসন ওইখি। কংগ্রেসনা মীথন্দা মেজোরিটি ওইবা ঙমখিদবগী মরমদি—খৃঃ ১৯৪৭ ইণ্টেরিম মিনিষ্ট্রিগী মতমদা কংগ্রেস অনি কোক্‌ চিংখাইখি। কংগ্রেস কাণ্ডলুপ অমনা এলাংবম তোম্পোক্কী মথাদা সোসোলিষ্ট নেতা লাইশ্রম অচৌগা লোয়ননা দায়িত্বশিল শাসন পীয়ু হায়দুনা আন্দোলন তৌখি। কংগ্রেস কাণ্ডলুপ অমনা সিনাম কৃষ্ণমোহন অমসুং রাজকুমার ভুবোনসনাগা লোয়ননা ইণ্টেরিম মিনিষ্ট্রিদা মন্ত্রি ওইনা য়াওদুনা মখোয়গী লুচিং মথাদা আন্দোলন অদুবু খিংখি- নমথনবা হোৎনখি। অদুনা মীথন্দা মেজোরিটি ওইবা ঙমখিদে। মতম অদুগী আন্দোলন্দা লাউথিবা স্লোগান "ইনকলাব জিন্দাবাদ, মণিপুর রাজা গুণ্ডা হৈ—ভুলোমং ভুলোমং—দায়িত্বশিল শাসন পীগদবনি।"

অসিনচিংবসি মণিপুরদা পূমনৌ নৌবা শ্লোগান ঙাক্লনি—ঙক্লা থোক্লখি।

কংগ্রেসনা ওপোজিসন্দা লৈরবনা—"নিংথৌ থুডম মুৎথৎকদবনি, মণিপুর ভারতবর্ষদা য়াওগদবনি" হায়না আন্দোলন তৌবা হৌরকই। মাও লমদম্ভ দাইহোমা লুচিংবনা মাও নাগাশিংনা মণিপুরগী মপান্দা লৈগদবনি হায়না আন্দোলন তৌখি। মরক অসিদা সর্দার পেটেলগী পোলিসি মতুংইন্না ভারতকী নিংথৌপানবা লৈবাক পুম্বা ভারত ইউনিয়ন্দা নমথুনা য়াওশিলহল্লকই। অমুনা মণিপুরসু ইং ১৯৪৯ ওক্টোবর ১৫ দা মণিপুর মহারাজনা মণিপুর মার্জর এগ্রীমেন্ট সহি তৌথুনা ভারত্তা য়াওখি অমসুং মণিপুরদা নিংথৌপানবা লোইখি। নুমিৎ অমুমক্তদা মাস তৌবা ভারত সরকারগী মণিপুর এডমিনিষ্ট্রেসন ওরদর ১৯৪৯ গী মতুংইন্না মণিপুর ঙাক্লবা চিফ কমিসনর অমা হাপখি। অমসুং মণিপুরগী মন্ত্রি মণ্ডল অমদি আইন সভা মুথৎখি। নুমিৎ অমুমক্তদা হায়গী দোমিনিয়ম এজেন্ট ওইরম্বা মণিপুরগী অহানবা চিফ-কমিসনর রাৱাল অমর সিংহনা থোকপা হুকুম অমনা মুৎথৎলবা আইন সভা অমসুং মন্ত্রি মণ্ডলগী থবক পুম্বা চিফ কমিসনরনা লৌশিনখি। মথংদা ইংশোক ১৯৫০ জানুয়ারী তাং ২২ দা থোকপা ভারতকী গবর্ণর জেনেরেলগী State Merger (Chief Commissioner's Province) order 1950গী মতুংইন্না মণিপুর নুমিৎ থরদি চিফ কমিসনরগী প্রদেশ ওইখি। মথং নুমিৎ ৪ নিগী তুংদা চৎনবা হৌবা ভারত সংবিধানগী মতুংইন্না ভারতবর্ষদি রিপাব্লিক ওইরে অমুগা মণিপুরদি প্রদেশ অমত্তং ওইজবদুসু তোতুনা ইউনিয়ন

টেরিটোরী হায়বদি ভারতকী লোইলম ওইরে. অহুনা সাসনগী লোইলম সাসন হৌগ্রে।

ব্যুরোক্রেট চিফ কমিসনর অমনা লৈবাক শাক্লে। চংনবা হৌগংলম্লন। দিমোক্রেটিক সিষ্টেম পূমমুং মুথংগ্রে। অহুৰ মতুদা মণিপুরগী মীশিংনা হৈনদবা তৌরমদে—মরমদি চহি লিশিং অনি হেল্লা নিংথৌ পাল্লকপা, নিংথৌগী লৈঙাক মথাদা লৈরক্লবা নিংথৌগী সাসন হৈনররবা মণিপুরদা চহি অমা অনিদং Practice তৌবা হৌগংলকপদা মুংথংখ্রবা Parliamentary Democracy অহুনা অহোংবা অমত্তা পুরকপা ওমখিদে পুরকখিদে। নিংথৌগী মতুত্তা চিফ কমিসনরনা শিনবদা প্রজাশিংনা করিস্ত থোইনা হৈনদবা লৈতে।

নিংথৌ পাল্লিউদা মণিপুর ষ্টেট দরবারগী দরবার মেম্বরশিংনা মহারাজবু এডভাইজ তৌহনা সাসন তৌরম্বগুম চিফ কমিসনরবু মাতেং পাংনবা এডভাইজর মরি হাপখি। মণিপুর মহারাজগী মাযোক্না আন্দোলন থর তৌরকপা কংগ্রেসকী মকোক মৈতৈ কৃষ্ণমোহন, সলাম তোম্বী, দ্বিজমণি শর্ম্মা অমস্তুং হাও দাইহো মাওবু মতম অতুগী ভারত সরকার পাযরিবা কংগ্রেস পার্টিনা এডভাইজর হাপ্লখি, পার্টি য়াওজমন কাল্লজবা হৌখি। পার্লিয়ামেন্টরী ডিমোক্রেসিগী সিষ্টেমতু লৈত্রবনা সমাজদা মশক নাইনা অহোংবা ইপু পুরক্লি। চহি তরুক অস্তুম্না লৈরবা তুংদা মণিপুরী মচাশিং Parliamentary Democracy থর থর তম্বীবা য়াবে থরকুনা দিল্লীদা বৃটিশকী মতুং ওইহৌবা ভারত সরকার পায়রিবা কংগ্রেস পার্টিনা ব্রিটিশশিংনা হম্বীরম্বগুম খৃ ১৯৫৬ তা Territorial Council Act পাস

তৌদুনা মণিপুরদা Dyarchy প্রাকটিস তৌরকই। খজিক্কং শিন্নবা বিষয়শিং অদুদা টেরিটোরিয়েল কাউন্সিলগী মেম্বরশিংনা শান্নবা লীলা অওকপুনি, Democracy গী অকবা অমত্তা পুরকখিদে— অমোংপা ঙাক্কনি মখোয়না ঙম্নীখিবা। কন-য়াম্না কাংথোং চাইখি অদুবু রাজনিতি পার্টিদা য়াওবগী ওইজ ওইথক কাংই হায়বসিদি ফজনা খঙনখি। সমাজদদি থোইনা অহোংবা পুরকখিদে।

চহি তরেংলোম অসুম্না তম্নীরবা তুংদা মণিপুরী মচাশিং Parliamentary Democracy শরুক থরদং প্রাকটিস তৌহল্লগে থল্লক্লদুনা খৃঃ ১৯৬৩ ইংদা শক্তি পূর্বদি কেন্দ্রদা লৈবা Govt. of Union Territories Act পাস তৌদুনা মণিপুরগী সাসন চলাইখি। অসুম্না কেন্দ্রনা হিরম খুদীংদা খুৎ থিংজিনবা আইন সভা মন্ত্রি সভা থমদুনা মণিপুরীশিংবু পার্লিয়ামেণ্টরী ডিমোক্রেসি থর থর প্রাকটিস তৌহল্লে। অদুবু মণিপুরগী পার্টি য়াওবা ওইজ ওইথক থিবা লুচিংবশিংনা ডিমোক্রেসিগী অমোংপা ফঙবদুনা হেন্না হেন্না হৈনরকখি। মসিনা মণিপুরদা অহোংবা খজিক্কং পুরকখি।

অসুম্না চহি ৯ লোম তম্নীরবা তুংদা আন্দোলন মচা অমত্তং তৌহল্লমখা মরম্লাই য়েংজরসনু খন্দুনা ভারত সরকারনা খৃঃ ১৯৭২ ইংগী জানুয়ারী তাং ২১ দা মণিপুর ভারতকী মন্নুংদা মপুং ফাবা ষ্টেট অমা ওইজরে অমদি Parlaimentay Democracy মপুং ফানা প্রাকটিস তৌহল্লে চহি থর সগী মন্নুংদা মণিপুরগী নিংথৌ পাল্লিমেন্টদা মতম ফন মপান করম্বা নবা চৎলম্বা মীরোনদি হৌক্রে লৈশিল্লক্রে। অদুবু মখোয়গী মহুৎ শিন্নবা থোরক্লিবা মতম ফন মপাল ফংলক্লিবা

কাওবু অমিদি হিরম খুদীংমক্তা মুত্রি—ঈশাং শংদি—চেও চঙলি। অদুমদি মিংথৌ পাম্মিতৈগী চৎনবী পথাপ old values খঙলক্তে হেৎরকলে অহুবু অনৌবা নিয়ম চৎনবী পথাপশু মপুং ফানা হৈনত্রি—চৎত্রি। মরমদি ভারতকী মফম অহৌদা চহী ২২ হেক্তা Parliamentary Democracy হৈনখ্রবা ফাওরদসু মণিপুরদদি চিফ কমিসনরনা, লেফটিনেন্ট গবর্ণরনা নিংথৌ ওইদুনা অচুম হৈরকপনা Parliamentary Democracy হৈনত্রি; করিনা হায়রবদা System অসি মীওংদগী পুৎবনি মণিপুরীশিংগী মমা পুক্নিংদগী হৈনরকপা নত্তে। থোইদোক্না হায়রগী চৎনবী System Institution ব্যবহার মগুণ হুম্বরক্লবসু মুত্তা মুত্রা অমগা অনৌবা চৎনবী ব্যবহার System Institution সু নীংদনা হৈনত্রিব ওইবনা মফম মরাং কাদবা মতমনি। থোইদোক্না অনৌবা System গী ফগুবা মপংনা কুপশিল্লিবা সমাজনি অরিবনা ফারবা পুন্নফম কোমথরকপ অহুংগা অনৌবনসু পুনবা ওমত্রিবা ইচাই চাৎবা মতমনি। অসিগুম্বা মতমসিদা হিরম খুদীংমক্তা থদোংচাবা লৌবা য়াম্না কায়বা খ্বাইনা পায়বা চৎনবী ওইবা নতমনি। মতমসিগী চপচাবা থুদোংচাবা অমত্তা নাহোকহন্দনা অফিসারনি শ্যাম।

ইংরেজী ১৯৭২ জানুৱারী তাং ২১ দা মণিপুরনা ভারতকী অমুংদা স্টেট অমা ওইখ্রন্দ মণিপুরগী আইন সভা অমসুং মন্ত্রি মণ্ডল মপুং ফানা শক্তি হৈরে। মণিপুরনা Territory ওইরিঙৈদা ওইরম্বা এম এল এ শিংগী মন্ত্রিশিংগী তৌথিক্কী এম এল এ অমসুং মন্ত্রিনা শক্তিদা মথৌ লৈতনা থেমরে—য়াম্না হেন। হৌজিক্তি

এম এল এ হুন্ফু অসি নিংথৌ হুন্ফুগুম্বনি। চহি লিশিং অনি হেন্না নিংথৌ পান্নবা হৈনবীলক্তা লৈরক্লবা মণিপুরদা লৌনা পুশিল্লকপা মীগী মতৌ ওম্বা Parliamentary Democracy অসি কয়া হৈনজ্রি অহুগা সিংহৈম অসিগী কন্তবা মথৈ মথি কোংই। অহুননি মীথন্দা কাপ্পবা এম এল এ হুন্ফুবু নিংথৌ হুন্ফুনি হায়রিব। প্রজাগী মীহুৎনি হায়বত্তনি। অহুবু অফিসার শ্যামদি এম এল এ হুন্ফুসিদগী অহুম চিরোন তৌবা ঙমই—অহুনা মাণীদি অফম ঙাক্তনি।

অফিসার শ্যামগী অঙকপা মগুণ অমা লৈ। মহু মতমগা চানরবা গুণনি। ওরাংতা মহাক্না কারগী থোঙ হাদোক্তুনা কারদ কাখৎনবা ঙাইরম্বা এক্সমিনিষ্টর— মাগী কাদা চঙলকপদা মানা কম্লিবা চৌকিদু—মশানা হৌগত্তুনা কম্বীরনবা হায়জরম্বা— মথোঙ শোকপা-মথৈ মকোক নোল্লম্বা— মন্ত্রি অহুনা ইলেক্সন্দা কারক্তবা এক্স এম এল এ ওইরবা অমদি পার্টিগী অচৌবা মরা চৎপা ওইত্ত্রবা মখোয়দু অফিসার শ্যাম মশাক খঙশিন্নদবা ওমই অমদি মখোয়দা মানা কোব-গ্রেড অমদা ওম্বহুগম্না অথিংবা লৈতনা করিমত্তা কোইদনা অহুগুম্বা ব্যবহার তৌবা ঙমই। অহুগা করিগুম্বা অণম্না ব্যবহার তৌথিবা এক্সমিনিষ্টরনা ইলেক্সন্দা কারক্তুনা মন্ত্রিনচিংবা ওইন্দ্রবা মশাক ইরায় হেক লায়না করিমত্তা হক্লোইদনা—হায়গুম কারগী থোঙ হাংদোকনি— মন্ত্রিগী য়ুমদা চৎকনি পান মাইয়েন থিল্লুনি। মীনা হংলগনা মন্ত্রিনা কৌরি হায়গনি।

মন্ত্রি, এম এল এ, পার্টি সেক্রেটারী প্রেসিডেন্ট অমদি মথক

থোংবা অফিসারগী মকমদা থেরা মকোলগুম্না মোনবা ব্যবহার করবা, সার হায়বদগী হেন্দবা নমায় হাইগদুনা য়েংবা ওমজদবা—মতম পুম্বদা নোকমী নোকমী অকবা অফিসার মীচঙ মীথোক কবা অফিসার শ্যাম—মথা থাবা অফিসার কেরানী পিওনগী মকমদদি কৈনি কৈ-ওরং ওরং ওংবনি।

নোংমা অফিসার শ্যামগী কাদগী কেরানী অমা মমায় ওাংলি-ওাংলি ভৌরদুনা মথবায় য়াম্না হুনাইওনা কাইল অমা কোন্দুনা চেরকই। অফিসার শ্যামগী কাদগী অসুম লাকপনা এসিষ্টেণ্ট ময়াম ফমলিবা কাদুদা চওলকগা সেক্সন অফিসারগী মনাক্তা ফমলে। সেক্সন অফিসারনা হংই—

"করি ভৌরে, নমায় নমিং ককা ইণ্ডাও ওাণ্ডলিবদু ?"

"ভাইবুভো ওসিদি ওম্বোক্তা থীনা চৈরকব্রে।"

"করি লোম্না চৈরকই।"

"ইংরেজি অমুক লোম্নীংবা অফিসারনবু ইংরেজি লোন্দা নওনা করিনা চৈরকনেগে ?"

"হে এঃ মৈতৈলোম্না চৈবদবু থিনা চৈবা য়াবনি ইংরেজি লোমবু কথা থীনা চৈরকনেগে ? করিবু হায়রকেনে ?"

"গেট আউট ইয়ু দোনকীই ?"

"হে এঃ অদুবু চৈবরা ? গাথা লাবা মপান্দা থোকপীব্রো" হায়বাসিবু চৈবরা ? নওবু গাধারা ?"

ময়াম রা লাউনা নোকখি।

হুনিং অদু অফিসার শ্যাম থবক য়াম্না চিল্লি। হংকিজি দিল্লীদা

প্লানগী থম্নবা য়াওবা চৎকদবনি। মৎকসিদা মন্ত্রিনা অমুক কৌই প্লান্নীং সেক্রেটারীনস্তু কৌই—চঙ্গৎ-চন্দা চৎলি ভাইছাক্তা পোথাদে। মাগী ডিপার্টমেণ্টকী অফিসারশিংস্তু শম্নবগীদমক মানা মিটিং অমা পূং ৩ তাবদা কৌখি। অয়াম্বা অফিসার শুরে, মিটিং, হৌরে। অফিসার শ্যাম না ওাঙবা হৌরকই—

"While I was in London "

মতমদুমক্তদা মপান্দগী অফিসার চন্দ্র . ...

"May I come in sir'

হায়না হায়না চঙলকহ অফিসার শ্যাম থংশাউ শাউরকই। শাউনা শাউনা হাংরকঙ-

"Mr Chandra! dont you know the time fixed for the meeting. You should know 3 oclock is three oclock. You need not come in."

অফিসার চন্দ্র মমায় থে-মুক মুনা থাংজিল্লম্নব, খোঙচু মপান্দা থাংদোকখি।

অফিসার শ্যাম অমুক ওাঙবা হৌরকই—

"While I was in London . ...

মতম অসিমক্তদা Telephone Buzz তৌরকই টেলিফোন তাপ শায়খৎলি, পি এ না মন্ত্রিফমদা হায়রকপা তাবদগী টেলিফোন রিসিভর অচু য়াম্না কম্না মথুঙগী লাম্হোক্তনবা পায়দুনা মনাক্নোং মখাদা পুশিল্লগা পুক্নীং চঙনা তায় অচুগা য়াম্না নোঙুক্না ব্যবহার তৌনা লোইশুম্নবা খোঞ্জেলনা থুমহ—

"সার"

"ঐখোয় মিটিং অমা তৌজরি—"

"হয়রি সার"

"লাকচরগে সার"

কমলিখা অফিসার ময়ামচুদা ওনশিন্দুনা হায়রক্‌ই —

"Let us go to the chamber of Honble Minister. He wants to have a meeting now"

অফিসার পুম্বা মন্ত্রিগী চেম্বর চৎখ্রে। মন্ত্রীনা Informal discussion হৌরে মিনিট ৫ রোমগী তুংদা অফিসার শ্যাম থুংলরে। মতমচুদা অসুম থোকউ ওনথবনা অহাঙবা চৌক অমত্তু লৈরমদ্রে ; মন্ত্রীনা না ঙাঙবা হৌরবন অফিসার অনঙনা হোংগত্তুনা মাবু ওকপস্থু তৌহৌদ্রে। অফিসার শ্যাম শাউনাংবনা আকাং কারে। অদুবু মন্ত্রি হমাঙদা উংপা য়াদনা অশাঙবা ফাদচুনা লৈরি মিনিট অমরোম চুম চত্রবা তুংদা মন্ত্রিগী পি এ না চৌকি অমা থাংজিল্লকপা উবদা অফিসার শ্যামনা মায় ঙাওলপ হায়খি

"Biren you should not keep your Commissioner standing."

অতৈ অফিসার পুম্নমক হাইফেং হাইফেং থেংনরগা লু-লুকখ্রগা নোকফেং নোকফেং তৌখি। চৌক অদু মন্ত্রি মনাক্তা থারে অফিসার শ্যাম ফমলে। মিটিং অদু পুংথায় অমরোম চংখি। মন্ত্রিনা হেক হাএরিবা পুম্বা য়াররোইদবা না কাওবা শুকয়েং য়েংলনা "সার পুম্নমক তৌজগে।" হায়না হায়চুনা মিটিং লোই-

শিনখি অফিসার শ্যাম্না মাগী মথাদা লৈবা অফিসারশিংদা হায়খি—
"Let us continue our meeting in my room."

অহুম্না হুংদাংগী পুং ৭ তারবা কান্দা মখোয় পুম্বা অফিসার শ্যামগী অফিস কাদা পুন্না অমুক লাকলে। মখোয পুম্বা ফমদুনা মিটিং হৌরমদাইদা মাগী পি এ না—"প্লানীং সেক্রেটারীনা মাগীদা মিটিং তৌগনি—হেক চল্লকপগা হায়য়ু" হায়রম্মী হায়না মঙোন্দা তম্মী। মতমদুদা অফিসার শ্যাম্না হায়খি—

'He knows nothing about planning. out of 365 days in a year he goes to Delhi for 300 days

ঐখোয়গী মিটিং হৌরসি –

When I was in London .. ...

মতম অদুমক্তদা টেলিফোন খীংলকই। পি এ না টেলিফোন Extension দা হায়রকই– "প্লানীং সেক্রেটারী"

অফিসার শ্যাম টেলিফোন রিসিভর তাপ পায়—

"Yes Sir Shyam Speaking, Good evening Sir,

When did you come back Sir ?

How is your Mrs ?

Is she all right ?

How is your health sir ?

Is the trip o. k.

All right sir,

I am coming just now, Sir"

অফিসার শ্যাম কুক হৌগংলি। নোটবুক পায়ছুনা মপান পোকখি খোঙজিন্দা ওনশিন্দুনা হায়রম্মী—

"Please wait for me, I will come back quickly"

অফিসার শ্যাম চংখ্রে। কন কুইখ্রে মুংদাংগী পুং ৮½ হেল্লকলে। অয়ুক পুং ১০ নংনবা চাক থর চারগা লাকপা অফিসার কেরানি পি এ, পিওন— চরাম চদংনরে ভপ ভাংর ঙাইবদস্সু রাবনা লোইরে ঙাইহাক য়েংলে— পুং ৯½ হেন্না ঙাইরবদস্সু লাকমন্দ্রবতুদা পি এ না প্লান্নীং সেক্রেটারী অফিসতা কোন তৌই কনাস্সু থুম্লক্তে। "No reply" হায়রকলে। প্লান্নীং সেক্রেটারীগী য়ুমদা অমুক কোন তৌরে - অহুদস্সু কনা অমত্তা থুম্লক্তে। মমদা অফিসার শ্যামগী য়ুমদা টেলিফোন তৌরুবদা মরৈ থারপ্পা হায়রকই—

"Why you are waiting for me? Tell them to meet me tomorrow at ten oclock"

সেপটেম্বর ১৯৮২ ইং

লাইনীং ওনবা

নোংমা মুমিদাংবাইরমনি—ইম্ফাল তুরেল মপান্দনি, তারমদাই মুমিংনা নোংচুপ চীংদোম্দা লেপ্তুনা ভাইহাকুং মণিপুর তম্পাকী ফজবা যেংবগুম থৌরি। মতমসিদা—তোর্বান্দা অশংবা তিংথৌ গালিচা খঙ্গা ফমদুনা পাখঙ অহুম রারী শারি—রারিদুদা উংদুনা মখোয় মশেল ওনশিন্নদুনা জা-জা নোক্নী। মেরা থাগী মেত্তুথরক্লবা ভডাইরবা মুমিদাংবাইরমনি। অঙৌবা মুংশং তপ্পা তপ্পা শীংলকলি—লোয়ননা মখোয়স্সু কন্না শিথ-শিথ নোক্নবদগী হন্থং রকলি। মুংশাম্বব শাংনা-শাংনা হোল্লি! মর অশাংবা হোয়দুনা শকফম হন্তিল্লরবদা ইন্দ্র জংনা হায়রকই—"ঐখোয় মীরা ভাংনবা ওক্লে ঐখোয় ঐখোয়গী রাম্সু থর মডাঙনসি।"

নীল—করি রানো ঐখোয়না ভাঙনদৌরিসিবো?

চাওবা—করি ওইগদগে নংগী রানিদনা Matric 7 th year

নীল—নঙগীদি য়াওরোইজ্রা P. U. C 5 th year

ইন্দ্র—য়াওনি য়াওনি ঐগীস্সু, রাজেন B A 6 th year গীস্সু।

রাজেন—নঙগীদি উহিন নাশিন্না হন্দক্তা B A Supplementary ওইহৌরবনিনা থরবু ফরে। ঐখোয়বু কমদৌদৌরিনো?

ইন্দ্র—অদু থরস্সু থম্মসেইবা। ঐখোয়সে পৈশা পাই অমা কাও থোক্তে থরচদি মী থ্বাইনা তৌনৈ হায়দুনা হন্থবা য়াদে-চা বথা

মশাগী লুপা, পান্না জর্দা অমসুং শিক্কি অহুম, থ্বাইমঙ্গল কাওবা রিক্সা তোংবদা লুপা মঙা য়ৌরে যুমদগী ইপা ইমাদগী অহুম তান্দুনতা লৈবসিন্নু হৈকাইশিন্নকদে।

নীল—তোয়ান, চহি হায়র ঐখোয় কুনতরেং নিপান কুম্ব্রা শুক্লিন্নকলে!

চাওবা—ইমামবা মণি, মোহন, ঝিন, মহেন্দ্র, তোম্বা লোইনা ডাক্তর ইঞ্জিনিয়ার, এস ও, লেকচরর ঠিকাদার পু দুনা পৈশা নংদি হৈখ পাম্নগ্রে ঐখোয় সংজেদা কার স্কুটর মোপেদ তোংদুনা চংলি—ঐখোয়না ইপা ইপানা শৈদিবা সাইকল চৌদেকপন্থু ফাওনা শেম্বা ওমানদুনা চেংবা থংত্রে।

মাংজেন—চুম্মে। অহুপা ঐনা য়াম্না মুত্তাইজদব, থরায়সে প্রোক প্রোক চাকপা অমদি ঐখোয়গী মুংশিনজরবী হংদেন্দস্বী মাখা সনাহনবীখোয় লোইদবা মথোয়না কৌব্রেদা।

ইন্দ্র- হোইনে জেকইকো মুনীশিংসে। অহুক মুংশিনরম্বা—শিমিরাস কক্লা হায়রম্বাদ শেংখোয়বা পায়ত্রবা থবক কক্লা অওম্বা ফংদ্রবসিদদা লোইনা চেক মাম্বোকখিদা। চৌজকসিবু খাম্নবী পোইংগৌরুম্বী সদি কক হায়দবু নৈমখিত্রা?

নীল তদে মুনী পুম্বদি নত্তেদ্রো, ঐখোযগী চান্দনীদি হৌজিক কাওবা হাংজি হাবা। ঐসে মেট্রিক কাওবা পাস তৌদ্রিবানেইব। ঐহোত্তান্দবী হেম্বা কর কসব বি এ, এম এ, ইঞ্জিনিয়ার ডাক্তর এম সি এস, এম পি এস কলা মাবু মাকুনা কাক্কনিপাংনে হায়ত্রাপংনি কান্না শুকয়া য়াদবনি মরাক মখাদকন্দু হনক এম এ থংত্রবনি।

মানা ঐঙোন্দা চেন্নসে কাওবা হায়রক্লবনি—ঐনা—ঐ থবক তৌড্রি শেল থোক্ত্রি, থর ঙাইথো হায়নচুনা লৈব্রিবনি।

রাজেন—বা নঙগী চান্দনীসিদি 20 th Century গী মহা সত্তিনিহৈ ভায়।

মখোয় ময়াম রা লাওনা নোকই। ইন্দ্রনা মথা ভারকই—

"হৌজিক কালদি শেলবু পায়রবদি লৈম। সনা নক্রবসু তাইবুঙো মাইবুঙো খুরাইবুঙো চাক্লনি। শেলবু লৈরবদি অতাওবা লৈতে, কংদবা লৈতবনে। কলিদদি শেল পায়বন রাজানে অহুনা ঐখোয়বু শেল থোক্লবা করি তৌসিগে?

চাওবা—হোয়ান ঐখোয়সে পরীক্ষা হায়র শঙত্রবনিনা কন শিন্দুনসু পাস তৌররোই। চহিদি নোংমা নোংমা হাপচিল্লক্রি। পৈশাসু পায়দবনিনা থবক কংবগী রা লৈতে।

ইন্দ্র—অতুগী হায়রদি ঐখোয় ইণ্টরভিয়ুসি কন য়াম্না য়াওরেদনা। থল্লকপদি লায়রদনা Waiting List তা কাওবা ঙসি কাওবা য়াওত্রিয়েবা। হৌজকী মরদি পিওন কনস্টেবল গ্রেড ফোর লিশিং মঙা, কেরানী তুরানী লিশীং তরা, হায়স্কুল ঙেঝা পুলিস সব ইন্সপেক্টর লিশীং কুন, এসদিসি লেকচরর লিশীং নুঙা, এম সি এস এম পী এস ইঞ্জিনিয়ার লিশীং য়াংথৈদগী লাখ তৌরবা কানসিদা কদাইদৈ পৈশানো ঐখোয়না লৌরুদোবা, থবক কংবগী রা লৈতে।

রাজেন—অওইবনি মী খ্বাই ঠিকা কোনৈ, সপ্লাই তৌই হায়তুনা য়াওক্লনি, শেলদি লৈত্তবনিনা মীঙোন্দগী পূবা ভাইদো। থবক হেক লোম্বগা দিল পাস তৌবিরোইদো। শেল লৈগা-লৈত্তেগা

অফিসতা হৌংং হন্দা—খরচ কয়া অতুদগী ইঞ্জিনিয়ার এস ওগী 10% (ten percent) 5% (five percent) অতুদগী শেঞ্জাও পায়রবগী শেন্দোই- চামদা থাদা মঙা হুনবদা শেলহৌং মাঙই নামং শিংলি মতম মাঙই। মমৈদ ইপা ইমাগী লৌ ইংখোল বক্মান। মিঙৌদি ঠিকাদার কণ্ট্রেক্টর—নীঙ্গোংদি থাহজৌনা য়ানবদা ঙ থোক্রে। করিনা ঐখোয়না তৌদৌসিবু।

নীল—লল্লোন ইতিক কারবার তৌসি হায়র লল্লোন শেল লৈতে অতুগা মতেক পাংদগী শাগৎপা ইমা পুক্নুংদগী হৈনত্রবা মৈতৈ ওইনা পোক্লুরবা ঐখোয়না হৈনবগী নত্তে— ময়াং বাঙ্গালী মারবারী পঞ্জাবী দেশ ওয়ালীনা চা-আতুনা তোকই মৈতৈ মচা খর লল্লোন ইতিক কারবার খর হৌথে হৌরুরগা মমৈদা মখোয়গী চাকর ওইখিবা ফল য়ামখ্রে।

চাওবা- লল্লোন শেল লৈতে হায়বসিবু বেঙ্কনা শেন্থং পী, গবর্ণমেন্টনসু লোন সর্বাসিদি গ্রান্ট কক্রা য়াম্না পী হায়বদাইনে। মন্ত্রিগী ভাষণদা তত্তনা হায়বদাই। মৈতৈলোন খবরদা য়াম্না তোয়না ইবদাইনে।

ইন্দ্র - মণিপুরদবু লাক্লবদি বেঙ্ককী মীশু- ময়াং ওইগে ওইসনু, দেশওয়ালী বাঙ্গালী পঞ্জাবী ওইগে ওইসনু—মণিপুরগী চৎনবী চবান হেক থাদোক্লিমথৈ শেন্থং থুংথং পীরকপগী রা লৈতে। ঐ য়াম্না হোংনরুরবনি—চবান থানিঙাই শেল লৈতহনা ফংদহনা তোক্লবনে। ভারত সরকারগী হুকুম মণিপুর সরকারগী হুকুম—মচিন্দদি পীগে মহায়রবা মপুক্লীংদদি কয়া পীনাংদমাল্লেদা থাজৈশেংনা হায়রুরবদি-হা

অহু য়াংলি অদা য়াংঙ্গি কাথোক্ক কাশিন চথোক চংশিন্দা কপ্পাক্ক চোক্কুনা তোক্লে। য়িক্সা ভারাদা ইমাগী শেঙ্গাঙ মথক মথা ওয়ে...।

য়াজেন—তোয়নে মহুদি ঐন্থু থঙঙেনে। রুপা লিশিং অমাদং লোন ফংনবা হোংনবদা য়িক্সাগী থরচ চাগী খরচ চৎনবগী খরচ লিশিং মঙ্গাদগী ভাগনা চঙ্গে—কবিতুম্বা কান্দম্ম ফংদম্বনা নামৎ শিক্কুনা মতম নাঙম্বনা তোকপম্ম য়াওরিপোংনি ফংলবস্ত্র থাজৈশেংমা থুম্বা লিশীং মঙ্গাতং ফংলগা লিশিং অম্না ফংলে সহি তৌবা। লিশীং অবাগী শেন্দাইগা কোম্মনা শিংবা ভান, কনানা শেম্বং লৌনীং-দোরিনো? লৌরগা কনানা শিংনীংদোরিনো? শিংঙোইদবা মী খন খন্দুনা পীরগা শিংজগা শিংজে শিংজে— মথং পীরোই— সিনে হৌজিকী বেঙ্ককী থবক

মীপ ঐথোয়না ভানদি মণিপুরদা লৈবা সেন্ত্রল বেঙ্কশিংসি মফমসিগী মীমা ডিপোজিৎ তৌবা শেলগী শেন্দোইনা মণিপুরদা চলাহরিবা বেঙ্ককী থরচ পুম্বা পুরগা লেমহুনা মণিপুর য়াংমদা Invest তৌই হায়

ইন্দ্র—অহুভা নাত্তে মথোয়না মণিপুরদা Invest তৌবদি ডিপোজিংকী চাদা ২$\frac{1}{2}$ গী হৌংতনি অহুগা পঞ্জাব হরিয়ানা গুজরাট কুম্বা লমদদি চামা ডিপোজিৎ তৌ দা চামরি Invest তৌই হায়।

য়াজেন—অওইনান মণিপুরগী সেন্ত্রল বেঙ্কশিং পুরিবশিংসিনা শেম্বং পীনীংজবদা ঐথোয়না ফন-তোংনহুনস্থ মংবগী চাক্স ওয়ে লৈতে।

চাওবা—গবর্ণমেন্টকী লোন সবসিডি য়াম্না পী হায়বদাট; মহূ লৌখদি য়াব্রা ?

ইন্দ্র—গবর্ণমেন্টকী লোন সবসিডি প্রাক্টিস্ অহূ মঙায়-ভোৎকী হিসাবকা পীরবা—মহূস্ চবান থাবী নত্তবদি য়াব্রবদা ঐখোয়না করম্না ফংদোরিনো ?

চাওবা—অদো—করি তৌসিগে শেল তান্দবাদ য়াদে। লুট-পাং তৌদুনা মুন্দুনা তানসিরা ?

রাজেন—মহূবুদি খুনেক্কা মী হাৎপগী কারবারস্ শেল য়াম্না ফংই হায়।

নীল—অহূ শিবা হিংবা মক্ষম থওদব। শেন্দাম্নী ধর্ম নম্ য়াদে—ঐদি তৌনিংদে—

চাওবা—অহূ করি তৌসিগে অমুক্কা থল্লু।

ইন্দ্র—এঃ য়াম্না ফবা অমা লেরে শেল হেক্তা য়াম্না ফংবা ইরা য়াদনা।

নীল-চাওবা—করিনো করিমো ?

ইন্দ্র—মাইবী লাইফাও।

নীল—করম্না

ইন্দ্র—হৌজিক কালদি পাম্বোইবীখোয় পাখঙবখোয়, নোংপোক নিংথৌখোয় য়াম্না তোংদুনা মী য়াম্না চৎনৈকো পৈশা কাম্ য়াম্না য়াম্না ফংনৈ।

চাওবা—করিনোনে নঙনা হায়রিদুবু।

ইন্দ্র হেরা নখোয়সিমা খঙখিদ্রেদা, ভাব তাখিদ্রেদা, নখোয়বু

তা-ত্রা মখোলগী লাই ইবেম্বা, খোংমনগী ইথৌ, খুমায়কী জগংমাতা, চিঙামথাগী খুমন পোকপা, লাংজিংগী লুয়াং পোকপা।

রাজেন—মখোয়মছুদি মশানা লাই তোংছনা লাইরাঙ পীবা ওয়নি। লাইদি তোংদনা ঐখোয়না করম লাইরাঙ পীজনা শেন তান্দোয়রিবনো? চৈছুম চাছনা তোকনি।

ইন্দ্র-- মছুবু কয়াম লুবা থবকনো? নঙবু বিএদা সাইকোলোজি কাম্নু লৌবদাইনে, মী মীগী মীশক মীতা য়েংলগা মখোয়না পাম্বা য়াবা রা থবা হায়জিল্লগা লোইরে।

চাওবা—করম্না?

ইন্দ্র—পাখঙ লৈশাবী লাক্লগা-ছুংশিনবা লৌন-লৈনবা থুংনবি থুংনরোই, পক্নবা মায়কৈ,- কুছু থর মহায়বা। ছাত্র ওইরগা পরিক্ষা মতম্দা পাস তোনি তৌরোই—থর রানি, হেক মহায়বা—করি হায়গে? সরকারগী থবক তৌবা ওইরগনা প্রোমোসনগী রা, থবক্তা য়েংনবা-মুক্নবা, হায়জিন-খোংচিনবা মতাঙ থর মহায়বা, পুজা তুংজা তৌরগা কনি পুজা তৌ কাম্নু মহায়বা, মৌ নহা মরানা ছন্দোকপীবা কাদনা—মরা অছুগী পাউ থা ৬ গী মমুংদা তারনি হেক হায়জিনবা— মচাগী মরম থঙনীংবা মমাদনা মচাগী অকবা লাক্লনি—থা ২ গী ৩ গী মমুংদা কক হেক মহায়বা। মসিবু কয়া লুবনো?

নীল—চুমত্রবদি কমদৌবা?

ইন্দ্র—ঐনা হায়বা নত্তে লাইনা হায়বনি হায়রগা ওইক্রবন্ন লাইনা মচীন থীবা মরাইনা তাজনি। অচুম্না হায়খিবা মম্নামছুং মরক্তা থরদি শোয়দনা চুরগনি থরনা লানগনি। অচুম্বা কাওবুত্নন

চুম্মী চুম্মী ভাওনহনা মী অতৈ পুহনা অমুকস্থ লাকমি—চুমদবা কাওবুনা চুমদে হায়হনা লাকলোই ।

চাওবা—হোয়দা অহুবুদি চুমদে হায়হনা অহুম তোকই কনাস্থ হন্দুনা য়াকংনরুই হায়বা তাদে

ইন্দ্র—হংদ-হংলরগা শোয়দনা চুমগনি, ওইগনি খা ২/৩ গী তুংদা- য়েন্না খা লাংবল খা লোইরগা কেক হায়রগা লোইরে ।

নীল—য়াম্না ৰবা রানি য়াজেন ঐখোয়না নশেঙ পাংগনি—"চুমদ্রে চুমদ্রে" হায়হনা প্রোপেগেন্দা তৌগনি। অশঙবা পাও নঙোন্দা হাম্না তাকনি করি কিনিঙাই লৈ ।

ইন্দ্র --অকংবা শেলস্থ ঐখোয় য়েন্নসেইবা ।

হুমিং অহুগী তুংদা হুমিং নিনি হুমনি মখোয় মরি চিকপক চিকপক রা তারে। মতুং মরিনি কোনবা হুমিঙগী য়াজেন কিভম হোংবা হৌরক্লে- চয়া হেল্লি কিঙৌ কিশেং শেংলি—রা ওাওদনা পুং কয়ামুক লৈ, চোইরোন পারোন লোল্লি—মরক মরক্তা খুলঙ ঈশৈ ওইনা লাইরোন শকই—মাইবী অঙৌবাদগী তমহৌবস্থ।

য়াজেনগী মমা মপা হুংশা থীরে। মাইবা মাইবী কৌহনা ইরাং-চবান কয়া তৌরে খরোম কয়া লাক্লে—অহুবু করিম্ব হু কান্নদ্রে হবা কৌবা লৈত্রে। ডাক্তর সাইকিয়াত্রিস কৌহনা য়েংহল্লে—ডাক্তরগী হিদাক কয়া থারে মহুনস্থ করিস্থ কান্নদ্রে- মরমদি য়াজেন হিদাক অমত্তস্থ চাদে। মরক অসিদা ইন্দ্র নীল, চাওবনা নাইতোম ওইনা নক্রগা পুম্না লৈকাই য়ুমখোং খুদীংতা নত্তনা লৈকাই খুল রাংম' লাম্ন' লোয়া কোংনা য়াজেন লাই পাম্মোইবী তোংলে

লাইকাও চুপ্পী ' ফাল্লুনা শন্দোকলম্বী অথোয়বগী প্রোপেগেণ্ডালো— সরকারগী অচৌবা কর্ম্মচারী শ্রীব্রজমণি সিংহ ময়োম্রে।

শ্রীব্রজমণি সিংহ আচৌবা অফিসার অমনি— মপা মপুমা চংলম্বা হিন্দুধর্ম্ম চংফংনা থাজবা। শ্রীশ্রীগৌরাঙ্গ মহাপ্রভুগী সেবক নরোত্তম দাস ঠাকুরগী সম্প্রদায়দন। চন্দন-চরা থিন্দবা লোংমা ফাওবা উমঙ অফিসতা মযাম্না খঙনৈ মাবু "য়ুম্নাম চন্দোনতৈ।"

শ্রীব্রজমণি সিংহ অপুক ওন্না তৌপগনি। মুমিং খুদোংগী ভুজনবুং রাষ্ট্র তৈ— ঈরু মাংখজবগ লম্পোন লাইপোং পুথোক্তুন। চন্দোন চরা হকচাংগী মফম ১২ দা থিল্লি। মতুংদা মাধা লাংচবা গিরিরাজ পূজা তৌজে পুন্নাং চত্তুনা ভজন সাধন তৌজে- গোপাল সংগ্রমায় থী। ভজন লোইববদা মানা নিতিগী সেবা চংচব। শ্রীশ্রী ব্রজনাথজী মন্দির তাম্না চত্তুনা মন্দির রাষ্ট্র তৈ-মথংদা কৈগু কত্তুনা শ্রীশ্রীব্রজনাথজী অমসুং রাধেশ্বরী দর্শন তৌই। মথংদা য়ুমদা হল্লকলগা তুলসী সেবা তৌই থুরম্মী অদুগী তুংদা শ্রীহরিদা কংলবা প্রসাদি কংলবা তুংদা অফিসনচিংবা চংলি। অসিতা নত্তুনা নিয়ম লাইরিক তাবা, রাধী লাইরিক তাবা, রামায়ণ মহাভারত ভাগবত তাব অদুদা মান্নব মফম কন্নাদা চিংথরে লাইরিক হায়বা থীবা পক্লোং লৈকাই অদুবতা উজ্জল নীলমণি, চৈতন্য চরিতামৃতনচিংবা তাসা থক চিংথরে। অনিসুং নত্তে শ্রীশ্রীজগতবন্ধু মেলা কাংচিংবা জয়দেব চোংথা কালোংলিং পুনা বাপন তৈবা কৃষ্ণ-জন্ম পুক্ক, গোবর্দ্ধন পূজা, মেরা নিয়ম অদুবা মসমা মহৌশক থোংনা তৌরিবনি লৈকাইহুম। মশিগী মথক্তা য়ুমক পার্ব্বনিন

[illegible] উপবাস লৈহনখিদি, একাদশীতসা হেন্দি-কিকন মুলগারণ তৌই। হেক মৈকলা মাবু হরিভক্ত মক্ত করানা হাকলখি।

শ্রীব্রজবাশি সিংহ তৌজিক [illegible] থবকী লিকলম অচৌবা [illegible] অমা পোক্লে। মহাক্কী সিনিকমৈটিগী কেল অমদা মীবা হায়জিনখিবা কয়াদগী অমদি মমাকবা অফিসার অমমা কমা য়েংগানা মাগী ওইকম থোকপা সিনিওরিটি অহু [illegible] অমা কংকম থোকপা প্রোমোশন অহু কয়ে। মথাদা দৌবা অফিসার অনি অহুমা মাবু [illegible] প্রোমোশন কাথোকয়ে মানা মরথাক্ত কন-থাই অহুবু কারকবা করে। কনানা হায়জিল্লিকলো—কনানা য়েংলিবলো ভাংদাবো থহুদে। মানা চিংনবা অফিসার অমদি নৈ। অহুবু প্রমাণ নৈকবনা মাঙা [illegible] খঙলে। থোয়দৌ শাওগথলি। বরমেনগতদা মরথাক্ত থাসিরা থম্লি—অহুবু মঙম শান্দে। মানা মূর্তিগী পূজা তৌবখিবা ইষ্টদেবতা শ্রীশ্রী ব্রজনাথজীবু কয়া হায়কৈ পুক্ন্নজে পূজা তৌকৈ। অহুবু মানা মীংবা কৌদবজমা থোইনা কাবদে মাবু চানকীয়ে। শাক্তি য়েংলুংনগু লমা পাঙকে—মীনা য়েংলি—গ্রহ শান্তি তৌথোকউ কীর বর্ত্তি মাহুগীদমক শ্রীবিষ্ণুদা কথোকউ—হায়দুনা কয়া কহলি অহুবু কথিত্থ কায়দে। মাগী ওইজলজ শিংলি। লোংখা লোহমগী থোয়দৌ শাউকলা হেনখংলকই।

লোংখা অহুক অমা থবক অমদীমি হায়দুনা ইরুদ কথোয়বা লাকখি। অতুম অতুম পবক ইমথাং প্রোমোশনগী কারী-রাতাগ্র [illegible] মাগী হাক্ত তারবদা ঊজুনা হায়খি—

"ভাইবুঙো! পুনায় কোংদবা অতৌবা লাইংলোবা হুপা

অমা লৈ। ইবেম্মা পাম্হোইবী তোংবনি হায়। মাগী লাইফাওগী ঐখোয়দদি য়ায়া চুম্মী। তাইবুঙোগী নোংমেজং য়েংবিয়ু মানা য়াম্না চুম্না কাওগনবা পুমিংঙি নোংমাইজিং থাগি পূর্ণিমা থুমিংসিনি হায়নৈ। অমুপা মানা পুজা তৌবদগী মণিপুরগী অচৌবা অফিসার য়াম্না—ডিরেক্টর বিজয়,' ইঞ্জিনিয়ার মধু, সেক্রেটারী ইবোচাওবখোয় প্রোমোসন মথং মথং ফংখি হায়নৈ।"

শ্রীব্রজমণি সিংহ রাখল তৌই। ঈরাকয়বা মী অমনা মাগী মকা অমদগী য়ান্দুনা তিংনমবা হোৎনবগুম মাগী লাইফাও তায়গে, করি হায়রকপগে য়েংলগে। হায়রকপা কাওরকপা পুজাত্মক তৌরগে থম্লে—হায়রকই—

"ফরে ইবুঙো মথংগী নোংমাইজিং পুণিমা থুমিত্তা অমুক্তা লেওঙসি।"

মরকসিদা ইন্দ্রনা নীলদা, নীলনা চাওবদা তমচুনা ব্রজমণিগী মরমদা অথওবা পাউ রা কয়া রাজেন নাকোং য়ৌখি।

ঙসি পূণিমা থুমিংনি। লৈকায়গী মীনা ফিঙৌ কৌরে অয়ুক অঙনবগী থাম্নবা লম কয়াদগীসু গাড়ী জীপ কার স্কুটর লুনা সাইকল তোংহুনা মী কয়া লাক্লে মীমা ক্রক ক্রক ইমরে—রাজেনগী পাম্হোইবী শঙলেন মাঙদা। লৈরাক কানি, চেঙ হৈহরি, লৈগু কংলি লাইমাঙদা থান' মানা ওমজবা দক্ষিনা লুপা মঙা তরা চামা কংলি। শঙলেন মাঙদা খোইরু থাওমৈ মোমবত্তি পারেং থাম্লি ধুপ থাম্লি। লাইমাঙদা চফু অমদা ঈশিং থম্না হাপ্লগা তাইরেন মণা অমা লুপ্লহনা থম্মী কংলিকা মীয়ামকুম্না শ্রীব্রজমণিসু য়াওরী

ফিভৌ লেঙলবা নকোক্ত। লৈত্ত কয়া থেংলবা ম্যাক্তেন্ থোরক্লে—ইবেম্মা লাম্বোইবী খুরুমলে—ঈশাইকুলগী তাইরেঙবদা পায়থকুনা লাকলিবা কয়াবা মী পুখদা ঈশিং থিক্তোকই মথংদা লাইবাক্তদা কমগ্রে। চুংশিরবা থোঙ্গেলনা লাইরোন শক্লকলে। ওাইহাক লৈরগা মপা তনিক তক্লিক্লে, ছমাং মরীক মরীক কারক্লে, মম্যিং উইশিনগ্রে; মতহৌদনা লাইখাও থীথরক্লে।

"নহাক্লে ইয়া তাইবং হনুংয়াই নব্রেন শিদবী ঐনা হায়বীগে হে। পওনা পাল্লিকো হদাইরেম হাওরে থা পাংবদা লৈবী মথোক কারক্লৌবী নব্রেন ঐগীদমক্তা শীক্তেল থরদং পুরহুনা হোবে হোবে চেল্লকুনা লাতোন অমদা য়োমহুনা নব্রেন ঐগী ইমাংদা পোপ হেক থাদরবী ওইংগী লমদাং অমত্তংবু হকুই কুইদনা মীমাও কথা তারেজো। চেকশিল্লু হে ইঙুংয়াহ নবুধৌ নবেক্লৌগী হৈরুক হৈরা কাজরকউ, লোমলেন ইরাই স্থামত্তা ফিজোম হোংজৌ ওাকথোকপীগে হৈ।

নহাক্লে ইয়া তাহবং হনুংয়াই নব্রেন শিদবী ঐনা হায়দবরহৈ—হাওরৈ থা-লোংপোক্তা লৈবা ঈনথংলকলিবা পাথও মথোন কারকপা লোক্রেম হাইগ্রেম নবেক্কৌ ঐবু উশিত্তবা লাইস্থ নত্ত তৌশিল্লবা—কক্তেম কথাই মত্তাওবা লাংথ্রে চুংদা শল্লে-করিনে ফিমাং লেংল-"লংশিল্লম্ব" শওনি নয়াং থেক্কেদো। গুসি কৌরৌ লোংজাদগী চুমিং শীংবুম ওয়েংনিগী চুংদা হৈরুক হৈরা কাদ্ধনা নবুধৌ শিদবদা হায়রজমো থৌনিজরো কনবীগেহৈ।

ইয়া তাইবং ইহুংয়াই নব্রেন শিদবী ঐনা হায়দবরা হৈ—চাওরৈ লোংচুপ পাংবা লম অহল মতম ওইরবা কপ্পাক কুক কারবা অমত্তবু

ইবুঙ্গো বুইদনা লৌমাং কতা ওন অতো থাহেনিবা গুনি লোংলেন লোংবানগী মুনিং থীবুক কনাদাথোইবি তুবা মুনিবা অমম লোকপু তানপানি, তক বাকথোং থাৱথনে নত্রেন থিবকী ঐনাইকনবা গুমখোই ঊনাইরেন।

মহাক্লে—ঈগ্না তাইবং ইঙ্গুয়াই নত্রেন শিনবী ঐনা হাৱদবরুইবে— ইদাইয়েম হাওরে নোংচুপ পাংবা তুরেল ঈশাই ঊবাংমদা লৈবা শামামবা শয়েং শাহোম থানবিবা অচৌবা কম কমথোন মুরিবা, মানা লৈমা ঐনা লৈদা য়েংশিবিবা—ইদাইয়েম বুংতক মুংজানমদু, নীংজবা পুংলি হৈ নবেন ঐনা উরে হৈ—ইদাইয়েম মচু থাই অথাংবনা চেকুবা কংকম থোকপা কয়া মাওজয়েহৈ ইঙ্গুয়াই-নবুয়ো ইথাং থৌমিরো। ইদাইয়েম মতমি পঙইদা নত্রেন ঐনা কুবিলোই-কুবা অতী ইংলোল চাওরপাইদুং নোংপোক চৌথুদা লৈমদু ইদাইয়েম মচা থওয়েবা—মাকা থরো মাচা থোদাওয়েহৈবা নবুথোমগী নচু কুবিবা লাকপনি, থঙলেন কুমং-খুকমথোন মাইক-থনিহৈ। লোইবান থাবুম মমাং দা মাইকথনমিহৈ। পঙইকো ইদাইয়েম নওল্লে নচী ইংথোকপাদা ইচ-মাই লৈকদু থিরেলো। মচু কুবিগে লাকপা নবুথোমগু থৌকইদেদো। ঈগ্না তাইবং ইঙ্গুয়াই নবেন শিনবী ঐনা হাৱদবরুইহ ইদাইয়েম নতোন্দা লোনরুং শাংথোং ওইবিবা কুটেমবা মুইথেবা কুপাক্লো—নবেক্তৌ ঈশাংচং থবকমিটে। ইঙ্গুংয়াই বাগদু লোইদাম থাবুম অমমতা মঙাইনরে। ঈঙ্গুয়াইনা থরাথদা ইত অলিকদু মাংলদা তাত্রেহৈ—ঐ মমক লেনুথিগে।

লাই কা-তুং, লাইমংলবা চাওবনা ঈশাইকুপগী তাইবেম কনা

মনাক্তা তোঙজনা ঊশিং চাইশিল্লে—রাজেন্ন লোন তাবল্লে, লাইবাও তানবা পুন্ন-মাইরেন্বা থুকমরে। চৈকক চৈনা যেল্লে।

শ্রীব্রজমণি সিংহ, লাইবাও অহু মাঙ্গ চুমী হায়বা খজি অহু মখুক্তা চিংনবক্তা ঙমদে। অঙম্বা লুপা মঙা অমা কৎলে। অহুনা রাজেন নাক্তা চঙশিল্লকুনা ইবেম্মা পাম্বোইবীদা মাঙীদমক মুক্তা হংবীনো হায়রম্মী রাজেন্না মথংগী ঙুশিত্তা থুনিং তারবা চুংদা লাকপীন্নু হায়খি। শ্রীব্রজমণিশিং মযুমদা হনখ্রে। খনখি—অঙইবনু ওইরিবা—পঙহায় হায়বা ওইরিব্রা ?

চুম্নু চুমলিব্রা লানবু কাল্লিব্রা খল্লা খল্লা মযুম যৌখি শ্রীব্রজমণি। অমুক খোইনা থল্লুবা তৌদনা অসুম মপ তান্থোক্লুদো মাপী ইংখোল লোংপোক চীংথৈদা ঙশাচ লাইক্কাওদা হায়খিবা মকমচুমক্তা মুনা লংলবা কজরবা খুদোল মরিমুক রাংবা অাঙৌবা মচিন, লীমা খাউঅ ঙমবঙম মেকপা নহাদে নুং অমা হেক থেংনকই। মপুক্কীদা থুক লাউই খর হেন্না থাজরকই মথংগী অযুক্ত, থীদ্দে কার তোংজমা রাজেনগী নাক্তা হেক্তা। রাজেন লৌক্কই যেংহল্লি। মানি থাদৈ-শেংমনি খোংপোক নি থৌনি।

রাজেন মিং উইশিন, খুদোঙ্গীনা থিল্লি—তুলসীপুং মঙাক্তা হায়রকই— লৈরি সিদা হী য়াই— ইবেম্ম পাম্বোইবী। শ্রীব্রজমণি অথাকপা লৈতনা খাজবা হৌরক্লে। থীন্দনা শঙলেন শাক্লে; তুলসীপুং তোথোকহনবা মী থিরুরে। মী অহুনা সুমিং হুমী চুখা তুলসীপুংদা কন-লুনা অসুম তৌথে কৰিমু ফংদে হুমী তবকী খুমিদাংবাইহনদ, সুপা অদুনা কবিনো খঙদে থাংজৌ মনিংনা কোক-

কোক তাজিনখি। মচু শ্রীব্রজমণি সিংহগী মাকেন লেপাকনীবুরা টঙ্কি। মথংগী অমুক্তম মী মমা খিক্ষ— হায়েনবা খুমিং লৈহৈবনা শ্মাজনবু থুংলৈরে। পুং-কায়মুক কৌরবা তুমনা কংলে খুবঙৌ খুমোন' মাকলোম রাখর্বি মকোক্তা ইকোয় কোয়বা মুনা মংবা মরি লেকপা থাকটবে লাইনি—থাকৈশেংবা পাম্বাইবীনি। শঙলেন্দা লেংশিন্নে অভিষেক। ঈকৌহনা লাহ লৌখংলে। মুংকেং পুষ্পি ঈশিংনা অভিষেক তৌরে। কামাং চাওনা হয়াওরে। শ্রীব্রজমণিসিং শাম্মু থঙদ কথচন্নে। রাজেনগী কাওবু মতিক চানা ফংজরে।

লাইগী নোংদন—মথং থা ২ লোইরকপা অহুম চঙশকথরু তান চাকহুনা মাগা য়েংমরবা অকপারকু অকেকন কৌন্ত্রে। মগী চাকহনা মাগী কেশ থম্মরকপদা মামা পামজবা কম অহু কাজরে. প্রোযোজন কংলে। শ্রীব্রজমণিগী থাজবা থম লেংলে। মীওন্দা হায়বী শাবনা হায়খি - অতনা নীংগদবা লাইদি পাম্মোক্তবীকাম। তুলসী বৃক্ষ তোকখ্রে— তাইরেন পাম্বী থাবরে-লাংথৈ কৈদোম লিংখ্রে। চম্পোক লাইপোং কাচিন্দা মিরাং থুখ্রে। নোংমগ কাওবা শ্রীশ্রীরাধা নাথকী লাইশঙ চংখিগ্রে—কাং মদুলোম গোবর্দ্ধন পূজা পুজনক লৈতেনা কৌংশরখিদ্রে পাম্মোক্তবীনি কাকনা রাজেনজমবু হায়রবদি শামশুনা লৈতনা শকচ রাজেন নীল ইন্দ্র লাওবা লমহুই মকোন থেৎরে।

হৌজিক শ্রীব্রজমণি সিংহ ঈবেনা পাম্মোক্তবী নীংজবা লম লোরে, রাজেনবু থাজবা থম থেংলে, ময়ুমদা কেক লাইরিক মাবা নরে, কাম তোঙহনা রাজেনগীদা চেক্তা। অহুম্মা লৈরকপুং থা মঙা

তরুকলোমগী তুংদা নোংমা মাকোয়া হাপ্লথি—“তাকিবুতো ! ইবুঙো নোংপোক নিংথৌগা ইবেম্মা পাম্মোইবীগা হিয়ী কোন্দুনা তাকিবুতো খোইদগী পুখিদোয়ে থর চেকশিনবীয়ু অতাংশিং লৈরিবা চাকর মুক্তোয়মা শনগা-শমশাও থর তৌরমাল্লে—থম্ব চেকশিনবীয়ু।

মুমিং অহু শ্রীব্রজমণিসিং ময়ুমদা হোবে হোবে হন্নকই -মাগী মেম-সাহেবাদা থর ওাঙলুগে থম্না। মতম অহু মুংথিল পুং অহুম-লোম তাবা মতমনি - নোংমাইজিং ঙমিংনি মাগা খোঙ্গাল হেক লানশিল্লকপমক্তদা মাগী মেম-সাহেবাগা নেপালী চাকর অহুগা য়ায়ী-বাত্তায় তৌরম্মা থেংনরুই— মনাক য়ৌরকপদা তাখি “মেম সাহেবা ! নহান তুলসিপুং মথাদা লৈরম্বী কংই হায়বা মুংচু লৈবাক তৌরিবা মুপাতুনা ফিরৈদগী লৌথোক্লগা পম্মজিনবনি।”

“নত্ত করম থওই।”

“মামা তৌরছু ঐ খোং-খোকপা উক্তৌবনি। কৈথাক তৌবব্ থাজরুবী মনীংমা তৌবরগ ?”

শ্রীব্রজমণি সিংহগী মুপী মেম সাহেবাহু মঙোম্না অমুক যেং থাক-লেম্না অমুক য়েং চমম্লনা তাইহাক লৈঙ্গি। নেপালী চাকরনা মথা তারকই—

“মেম সাহেবা, নহান মুংদাংবাইবম ঐখোয় সাহেব উনদা লাক্লম্বা, লাই থুক্রমখিবা মুপাহু নহান তুলসীপুং তৌবা মুপাহু ওক্তোক্লা মানম্লে।”

য়াম্হু কালম্বা শ্রীব্রজমণি মা ওাঙ্গ মচে, পরপ পরপ শঙোক্লন

ভাল্লা চংখি—যেব লাকেবাক্ত পদপ-পরপ ভাম্নরকই। শজ্জেন খোঙ্গ হাংলোকলুই কল্লি উৎখি ?

সিংজামদ্ধুগী মনাক্তা অচম্বা সিন্দুর ঠৈজবা নুং অমিথজং। কজরবা মান। কংজয়বা লুপা লীশিং কয়া চঙ্গ্রবা, মাগী মকমদা হীরাই ওটথা নুং—নোংপোক নিংথৌ পান্থোইবী অমিমক ৈলবমত্রে লেঙত্রে। হুমিং অতুমক্কদা নেপালী চাকর ভাম্থোকপ্রে। পীন্দে—অমুক পম্বা ভৌদনা কার খৌদোরকখি শ্রীব্রজমণি সিংহ মতৌ মনাও রাজেনখোই ভন্না—

হুমিং অসিমক্কী হুমিং তারমদাইদা ইম্রগী কম্মাংদা ইম্র নীল চাওবা রাজেন চা-থক্কী-রান্নী শারী। নালনা পোঙ্গনা নোকমি নোকমি হায়বকই-

"চবেম্বা পাম্থোইবীদি লেঙলক্রে ঙবুংঙো নোংপোক নিংথৌদি কদায় ? শঙলেন্দম্ন উরমদে।"

চায়না হায়না ফুরিংথাওদগী কজরবা নুংগী পান্থোইবী পুখোরক্তুনা খাইগী মাঙদা চেক থম্মী। মখোয় পুম্বা মুম্না য়েংই। ভাইহাক তুমিন্না লৈনৈ।

কনাম্ন রা ভাঙলক্তবদা মচৈ মচৈ হুংশা থীনৈ—থাঙৈশেংবমক লৈজবরা ?

অমগা অমগা য়েংনৈ। ভাইহাক কল্লি ওইশদগে চিংনেল্লিনৈদা ইম্র নোক্ক-নোক্কা ফুরিংথাওদগী নোংপোক নিংথৌ পুখোক পুখোক্কা হায়বকই—

"রাজেনগী লাইফাওবু লালহনবা য়াবরা ?"

নবেম্বর ১৯৮২ ইং

১৬

তাঙ্ভাং মণি

তাঙ্ভাং মণিনা পাথং ওইরিঙৈদা নোংমা ঙৈনপুং করম্দা অহল অমনা হায়খি—

"ইবো ! অচুম্বগা (fact) থাজবগা (faith) করি থেৱৈ ?"

"অম্মা নত্রনে থুরা ভেগ্যো ? চুমজবগবু থাজবা য়াবরা ? থা-জত্রবদুবু অচুম্বা য়া ওইগদ্র ? অয়ানবা চুমদ্দবদু করম্না থা-জগনদগে ?"

"অম্মা ওইনা উবতান- থেনদি থেজবনি ইবো ! মমমদি অয়ানবদুবু অচুম্বনি হায়না থাজবা য়াই ।"

"কমদৌন থুরা ?'

"অবায়বা থুদম অমা পীগে তাও—তুপীমা অঙাং পোকইদ্রা ?"

"পোকই "

"অঙাং অহু মপী অচুপী মচানি অহুগা চুপী অহুনা অঙাং অচুপী মমানি—নত্রা ?'

'য়ানি "

"মসি অচুম্বনি-দো ইবো ! হায়বদি fact নি ।"

"হোয় থুরা ।"

"অহুগা অঙাং অচুপী মপানা— চুপী অহুপী চুপা মখা অহুবনি — নত্রা ?"

"য়ানি হোয় ।"

অহুগা মুপা অহুনা— মাগী মুপীনা হায়বদি মতুনা পোকপা অঙাং অহু মাগী মচানি হায় নত্তে?”

“হোয় খুরা—হায়।”

“মসি থাজবনি— হায়বদি faith নিদো ইবো”

[illegible] মণি অহুম [illegible]।

অঙাং মনি জাপান লানগী হেক মমাঙদা [illegible] [illegible] [illegible] মচানুপী সনা থম্বাল [illegible] লুহোংলে। য়াম্মা চাওনা হোৎনবা— বাখাই [illegible] পোকচুনা, অঙাং মণি থাজবী বাজিনা মুপা [illegible] মতা [illegible] লাগোক হায়রিবনি। অঙাং মনি মমাক ইবুঙো ওইরো।

মৈতৈশিংগী মরক্তা চৎনবী খিংগো অমা লৈ। নিংথৌ-নিংথৌমচা নিংথেমচাশিংনা পোকপী মচানুপীশিংবু সনা ইকেন্না—শন্না সনা হায়দনু খংলৈ। সনাইবেমশিংনা পোকপী মচানুপীবুদা ইবেম্মা অমদি লৈমা হায়না খংলৈ সনা অমস্তুং লৈমা লোম্বা নিঙোন মমাশিংবু মমাক ইবুঙো—ইবুঙো অঙাং, অঙাং, মামঙাং, থুম্বাংনচিংবা কৌনৈ। হায়বদি অঙাং হায়বা রাহৈসি খুরা, মামা, অঙা ইবুঙো-চিংবগী মমৈদা মিংথোল ওইনা হাপনৈ। অঙাং মণিদু অঙাং মিংথোল কংলে॥

করিগীদমক মথোয়না অঙাং নিংথোল কংলিবগো—মুদ্রি থঙাম —[illegible] নিংথৌবী মইমা অঙাং সিংথোল পাকবগি মুপা অহু অচম্বা নত্তে সনা মত্রগা লৈমগী মরা মপুরোইবনি হায়বা হেক্তা খঙে। অওইবমকন্ন মণিপুরদা নিংথৌ পান্নিখৈদদি [illegible] মখোয়বু য়াম্না

ইরাই-খুরৈ। অমাইদা মণিপুরনা মনীং-মথা ময়ুমইগুম্বি সনা মচৈ মৈম-মচৈশিং পোক্লমাং পুবা লাকপা [illegible] [illegible]—[illegible] [illegible] চয়ান-[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অমাং [illegible] [illegible] পুরাবাং [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

অমুম্মা মৈম-মনাবু পাংবা, [illegible] [illegible]—পোক্লমাং-[illegible] তোকপবা কাংলমথও-ব্রিটিশকী [illegible] [illegible] [illegible] মণিপুরদা [illegible]। গৌতিকমকপু [illegible] [illegible] [illegible] সমাজগী অকুপদা মখোয়বু য়াংচাম [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

অরিবা অতমগী মণিপুরদা হিংথৌগী মচা-মচু সনা-মৈমবু [illegible] [illegible] প্রমাণ তৌনৈ উচেক্কা [illegible]-[illegible] [illegible] [illegible] মখোয়না মৈনীংবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] হায়রবদা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] থর [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অতুম ময়াইনে। [illegible] [illegible] [illegible] থর মরৈবিত্রা—সনা-মৈমশিং [illegible] মনীং-মথা [illegible]?

আঙাং মণি সনা মতৈনি। মখোয়গী স্নাইবে [illegible] আপংমণি আঙাং হায়না [illegible]। [illegible] উপাধি [illegible] আঙাং [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। আঙাং [illegible] [illegible] চাকথা তুপালি, মথক মতৌ মকচৈ, চাউরম, [illegible]-[illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible]—[illegible] [illegible] [illegible]।

কবি [illegible] মনা মচৈ মৈম মচৈত্তু "আঙাং" [illegible] [illegible]?

ওইরবা খাই—অতাং হায়রবগি খাইনা লুনা চাবা তৌবিবতা নঙ্গুমা পাংথোন ইনোম চংবা—অহল-অমনা থৌদাবা থবক পাঙথোকপা মথৌনি। অদুগি মতাক ইবুঙোশিংসি—মজাইবেম্বা সনা নঙ্গুমা মতুইবেম্বা লৈমনা থৌদাবা পাংথোনশিংহু অতাংগুম মশা। মাংনা মতীং লুমদনা কোম্বাচেন চেন্নো পাঙথোকপা তাই—নঙ্গা ? অদুবা মজাইবেম্বা সনা অমদি মতুইবেম্বা কৈমদুনা অহাঙ-অহাঙবা অচা-অনক লৈমকোন কিংথৌকোশ্দা চা-নবা ওমোক ককাহু নিঙোন নবা সনা মতৈ লৈব-মতৈবা পীজ পীথকুন লুন-চাম্না তৌরম্বা তাই ; কবিগুবা অম হেন্নবগু অতাংগুম চৈহুন। ফুতনা বারুক্রুম্বা যাই।

অওইবনকপু অতাংমণি-মতু সনাগী পাথোন চংপদা তাইহাঙ্গা পোথাবা করজে। লৈমকোন কিংথৌকোনদগী ব্যবহার ফজবা মাঙাং-শাঙাংনা ইপেন হেক পেলহল্লি পাথোন চংপদা বাররা তাঙাং মণি ; অদুক বাররা-চেকথরবা কাওবদগু মতু সনা ইবেম্মগী মথক্তা নোং-কাদোক কাওবা শাউবা ওবজদে— মতম চুপ্পদ। নোককেং মোককেং তৌজে সনা ইবেম্মনা থৌদাবা পাথোন শোয়বগী ব্যবহারদি কায়দনা হাইকেং থীনা চৈর-কাও তাঙাং নোককেং মোককেং তৌনা থাওজে।

ঐথোয়গী তা-তাং মণিগু ইচম হেক চম্বা মীদি নত্তে—চেয়ার-মেনশি-চেয়ারমেন। মতম অদুগী অল মণিপুর গুপীনা তম্বা ফুপা এসোসিয়েশনগী চেয়ারমেন ওইরিবনি। এসোসিয়েশন অসিগী চেয়ারমেন ওইবা পাক হেক ওইবা তম্বা নত্তে ; যাম্না [illegible]মা কন্নাই তৌনমপা কা-থকলিবনি। মাগী মাগী গুপীনা থৌবা[illegible]থোকপা

থরক মশাং পাথৌন মশাং খ্বাইদগী হেন্না পাংথোকপা—পম্মা হায়রবদা মুপী-মুপীগী য়ানা অচুম অয়ান থিদনা মশাগী য়া ওইবা অহুম্বু চেয়ারমেন থমলিবনি। মতম কুইনা চেয়ারমেন ওইরক্লবা য়াইস্কুলগী থুরাঙাং চন্দ্রহাসপু শুপ্না ভোৎ অমত্তদ মায়থীব পীদুনা খ্বাইদগী হেন্না মতীক চারদুনা কুনসিদগী চেয়ারমেন ওইরিবনি।

তাঙাং মণিখোয়গী সনা ইবেম্মনা তাঙাংবু—"মহোই তাইবুঙো" হায়বদগী শমজিন্নদুনা "তাইবুঙো" কৌই। তাঙাংদি য়াহৌ ওল্লি, সনাইবেম্মদি থর থেনুনা লেঙথংলি মুত্তিগী সনা ইবেম্মনা অয়ুক্তা থর থেংলপ লেঙথংলগ। তাঙাংদা "তাইবুঙোনা থুদে হঙ্গামপান্দু শেংলগা ঈশং সনাবুন্দু কোঙ্গা থোরজিনদুনা লাকপদি ফজবনা"—হেক হায়রবদা তাঙাং পরপ পরপ থুদে হঙ্গামপান্দু হেক হোংদোকুন্না চৌডিদা নক্ত্রগা টোটি তাত্রগন পুখ্রি অচৌবদগী লংন। ফেঙদোক্লবা সনাবুন্দুদা ঈশিং নিক নিক লাউনা হেক হৌদুরিবনি। ঈশিং সনাবুন কোকথোং না হুনা লাকপা তাঙাং মণি সনাইবেম্মা হেক উবদা মৌকমী নোকমী তৌরিবনি। অদুম্মা সনাইবেম্মনা চাইথনবা ঈশিং ককা তাঙাং মণিনা য়াত্তনবা হৌদুরিবনি। সনাইবেম্মনা—"তাইবুঙোনা থোংবা চাক-য়েন্দাং ওন্থোক্কা মরৈ মুম্মা খঙ লৈবা হাংদুগ্রপোংনি"তা হায়বদা তাঙাং মণি চাকথুমদ মৈ থাগত্তুনা চাক কাক হেক থোংদোক্লীবনি। অদুম্মা সনাইবেম্মনা—"তাইবুঙোনা থুবা খিদি শোংগ্রপোংনি" তা হায়বদা তাঙাং সনাইবেম্মগী ফিরোল কাওবা তরু তরু হেক শুদোকলিবনি। অওইবমক্তা মশা মাক্তদা

তাঙাং মণি মমিং চৎলিবনি। অদুনা মানা তৌখোরকপা পুম্বা ঈরুত্তা লুবনি, ইনাম্বা নাববনি।

নোং কেক তানবদগী থুমিং য়ুংবা মতুং অয়ুক্কী চাকলেন চাবা লোইবা ফাওবা অদুগা থুংদাংবাইরম সন্ধ্যাদগী থুংদাংগী চাক চাবা লোইদুনা সনা-ইবেম্মনা চেপত্রিবা ফাওবা তাঙাং মণি সনাইবেম্মগী পাখোন চৎপা থৌদা পাঙথোকপদা ঙাইহাক্তা পোথাবা ফংজদে। মাগী পোপ্পাকবা মতম হায়রবু থুমিং য়ুংবা মতুং অয়ুক্কী চাকলেন লোইদুনা লুক হাবা লোইরগা সনাইবেম্মনা থুংথিল হাইকেং চেপ্লিডে মতমসিদদনি। মতম অসিদা চন্দোন-চরা কজনা থিল্লগা—থুজিন থুরা কজনা শেংদোকুনা কৈয়ুং অথিংপা কৈ-রগা ঈগু তারবা কৈজোম ফুরিং শেং-চাদুনা—লেংজুমদা তক তকবা ইন্নফি অমা থুপ্পুনা য়াল্লগা—কোনাগী পম্পাগু কাপ লংনা থাবরা অমা তোংদুনা থুম্বা লীচৈ তুংগোনবী পায়রদুনা তাঙাং মণি বাজাররোম্নদা রাকীং চৎলি করিগুম্বা কান্দা বাজারদা নঙ্গগা মপান কাংজেবুংদা মমাম্বা এসো-সিয়েসনগী মেম্বরশিং উটৈ—রান্নী-রাতায় শামিন্নৈ—নোকমিন্নৈ। করিম্বা কান্দা সিনেমা মেটিনী শো কাস্ব অদুক য়েংই। থুমিদাং-বাইরম ওইরকপদা বাজারদগী অচা-অথক মনা মশীং—সনাইবেম্মনা হ্রারদা থুঙাইগদবা পামগদবা অমদি সনাইবেম্মনা কৈরকউ হায়রবা পোৎশিংদু কৈ-দুনা থুমিং তাত্রিডেদা ময়ুম তম্না হোবে হোবে চৎলি। মশি তাঙাং মণিগী থুমিং থুদীংগী কাটিননি। তাঙাং মণি সনাইবেম্মগী অয়াবা য়াওদনা করিগুম্বা অমত্তা মশামক্না তৌবা ঙমজদে। থুমিংচুম্বা

পাখোন্তা চত্থুনা লৈরক্লবনা মথন্তা মশামক্লা মুপা খোক্লা থবক তৌরকপগী আশা লৈত্রে।

চহি অমগী মমুংদা ভাঙাংশিনা খ্বাইদগী মুত্তাইজবা মুমিত্তি কালেন পুর্ণিমা শ্রীশ্রীগোবিন্দগী জলকেলী মুমিংসিন্নি। ভাঙাং মণিখোইগী সনাইবেম্মনা সনা-কোন্নুংদা শ্রীশ্রীগোবিন্দগী জলকেলী য়াওবা মুমিংসিদদি ভাঙাং হাইকেং থবক চিন্নি। সনাইবেম্মনা পায়নবা নন্দিলা লংনা ফেত্তবা, মন্দিলা মরী ফজনা শুদোক-শেংদোক-পদা নত্তনা লীক-কোল মরৈ পরেং লিক্লু পুমহৈ, ক্যাং-লীককাং ভাজোই পরেং লীকখোয়চিংবা অমদি নাইন য়াওনা সনা খুঞ্জি পুম্না তক তক হৈবুং মহৌদা লুপ্তুনা শেংদোকই—সনাইবেম্মনা ইম্নবা ইম্নকি লমথাং খুৎক্তু কোনয়াই তকই-সনাইবেম্মগী নাচোম শেম্নব' কৈ মচন চানা থিত্নুনা থম্মী- লুনবা চেংঙ্গী কুংলি- করি অমুক হায়গনি সনাইবেম্মনা হা-নবা পানা ফাওবা হেক তপথোকই। অত্নুদগী সনাইবেম্মনা হাঁমবা লুক হেক হৌ-দোকই। অম্নুম্না নোমজেন চেন্দুনা থবক পুম্না লোইম্নগা সনাইবেম্মনা লুক হারবা তুংদা ফিরোন শেং-চাম্নুনা লীক-চিংবা শিত্নুনা মকে শেম্বা নোকমী নোকমী ষেংজৈ—অত্নুদগী সনা-ইবেম্মনা শমজিদা শমজিরৈ নাপ্পদা নাচোম থেত্নুনা কাঁসনাখুত্তপ অমত্তুং হায়গা লেত্তথোরকপদা গাড়ী কোক থৌদোক্তুনা সনা কোন্নুং শ্রীশ্রীগোবিন্দজিগী মাওব তম্মা সনাইবেম্মগী কৌশল ইম্নিবনি। সনা-কোন্নুংদা সনাইবেম্মা ময়াম উনশুবতুংদদি ভাঙাং ১পি অমদি মাওম্বা সনা মচৌ লৈমা মচৌ ভাঙাং ময়ামত্থু সনাইবেম্মশিংনা খোওইম্বা উখিদ্রবনি। অম্নুম্না থম্ন শংলবা মত্তমসিদা মখোই ভাঙাং মশেল,

পুন্দুনা বারী-রাজায় শারৈ লোকথেহনা কাগী-জোগাই তৌরে। অশুম্বা জলকেলীগী চৈশ লোইহিত্রিবা কাও থাঙলগা ঈশৈ লোইরগা অমদি সনাইরেম্মশিংগী খান্দি বাত্রায় তে শিররা তুংদ সনা-ইরেমগা লোয়নন্না পাক্তীনা মুমদ লেক হুককই। তাঙাং মণিথোংগী সনা-ইরেম্মদি থা-থা নাংও; অক্সকলী পুরিবনি- মহিময়ুমগী সনা পুখ্রী মহুৎ শিন্না যাওরিবনি—প্যারাগী চুহার মথং ওইরিবনি সনাইরেম্মা-শিংগী জলকেলী পাক্নাদি ঈশৈহন্নবী চুহারচংগীবু মতেঙ পাংননবা ওবা অনিমক্ক খোগল যাওরিপোংনে। তাঙাং মণিথোংগী সনাইরেম্মদি ঈশৈ লৌগল হন্না কক্কা ওংইপোং নত্তে মানা মা-বা ঈশৈ পদ-অমা অরিদুদি সনাইরেম্মনা অদুক ঈশৈ অমা অনিককা নাইত্তোম হায়রকপদা তাঙাং মণি ময়া কাহুনা তা-রিবনি, যাদা হায়ুং চঙবা থঙত্রিবনি।

তাঙাং মণি সনাইরেম্মগা লুহোংলবা মতুং কন হুইনা মচা অমত্তা মমিত্র উরমদে। অতাং অমতং পোক্কর — ঈরাং পুজা করা তৌরে লাইফম লাইথোঙ কয়া থুক্কমরক্তে; সনাইরেম্মা অমত্তুং তাঙাং— শ্রীশ্রীগোবিন্দ শ্রীশ্রীরামজী প্রভু, হনুমান ঠাকুর মহাপ্রভু নিত্যাইনন্দ, বিষ্ণুপুর অদ্বৈতনচিংবক নস্তুনা, ইঙোবোক বারুণী, কাবোক মোন্দুম মহাদেবগীদ, ত্রিনাথ কয়া হুক্কমজহবৈ, লেমদোজুনা রাজত্রেন কৌক্র থাংজিং, ওজরেন পাস্থোইবী অমত্তা কাওবা মিতরক্ত থুক্কমজবে. ঈরাং চবান কয়া থারে, থঙ্গোম কয়া ক্যাক্কে—অদু কাওবা মচা অমফাওবা পোকত্রবদা তাঙাং মণি মাশং পুষ্পা লোইবা কায়রে। অদুবু সনা ইরেম্মদি অশোশাকুহজি। মৈদা য়াংম্বা ত্তওনা অচাত্তপা

অমা পোকলে সনাইবেম্মগী অওইবুনি তাওয়াং মণি হুরাওজরে মমিঙ্বা মচাদুপা অম উবদা তাওয়াং মৈনীং কুম্মগী থবক চিনবা কাওবা কাউদ্রে। অওইবদুদু তাওয়াংনা মৈনীং চেক কুম্মবমক্কী।

তাওয়াং মণি অমসুং সনাইবেম্মগী মচাদুনা তোম্পোক পানথুনা লকপা থাজরুনা কুম হুম গাউরক্কী। মচাগী কুইমেদা সনাইবেম্মা নোকচদ্রি। চৌথিক সনাইবেম্মগী পাখোনগী মথক্তা মকাইবুঙোগী সেবা তাওয়াং মণি অমুক্কোইনা থবক চিল্লে। যুমদগী থুবে অমত্তা হাইদোকপা ঙমদ্রে।

মচাইবুঙো তোম্পোক্না থর পুংকক চাউরক্লবদা মতম অতুগী ইংলিস মেড়িয়ম কে: জি: স্কুল অমদা শেল চঙনা তমহল্লে। মচা হুপাহু স্কুল তাম্না থিম্বোক থিজিনা তৌরবদা তাওয়াং মণি মপ্পান থর থর থোরক্লে। মচাইবুঙো তোম্পোক্না চহি ৭ শুরকপা শিঙংদা থাজিন্দুনা মহৈ তমহনখি।

চহি ২৫ গী তুংদগী। তোম্পোক চহি ৬০ শুরবা নীংশিং হুমিংনি। ওসিমা তাওয়াংগী পুনসিদা থুইদবা ওকপা থোদোকে অমা থোক্লে। ওমিজি ম০। ইবেম্মা থবাক্সনা তাওয়াংনা হোৌগল্লিবা মায়না ওয়া কাক অহানবা থোংদা হৌগদুনা চিংনা মেংথোক— হুইহ উটি লুকতুন শমনা ফজনা হাপ্লোকপে—চন্দোর চবা ফজ ফজ থিন তরু তরুদা অশুং মসেংবা চিং লেং মাথাংনা থোরাংলক্লুবা মীনথুম্বা পয়া চীন কুপা লুপাইদুনা অকোইবা লাখাদনা হাপ্লে মা অমদা থুম কুপা লুপাইদুনা হাপ্লে—অমনা অমবা লেম্বাক্ববা মিরোইবী-তুবনাহল্লা অমত্তা ঈচিং লীক নীক পাউনা

হাপলে, তাঙ অমনা মথুম কুম্লপা থমলে। ঈও তাৰবা ককয়বা লুয়বা থুংশা তৈথোক্লবা থুবৈহুমা তাঙাংঙী কয়বা মোড়া মৰুন্ধা থুগুনা থনম্লগা সনাইবেম্মা তাঙাং কৌপংত্ৰিঙৈদা পয়প পয়প শ্ৰীশ্ৰীগোবিন্দ থুরুম্বা চংখি।

সনাইবেম্মা শ্ৰীশ্ৰীগোবিন্দ জিউবু মিত্তা পি তানা ভক্তিপা লোয়ননা থুরুমজরে। মবুঙো দর্শন কংলবদা পূক্নীং মকা লাম্লবা সনাইবেম্মা থম্ব লসানা হাথু হাথু মাগী শজাই তম্লা শ্ৰীশ্ৰীগোবিন্দ-জিউগী বালভুগ নির্ম্মল্য চরণামৃতনচিংবা পুরক্লুনা পয়প পয়প হল্লকলে। মতম অহু নোপোক অভিয়াদা হুম্বিংনা তৱং তৱং হন্দোয়কপদা ভায়রি। মতমহু কাওবা তাঙাং হৌপংলমত্রি—

তাঙাং মণি ঙৱাং থয় থেঙনা সনাইমেম্মনা চেপত্ৰবা মতুং কাইনথঙ কাওবা ভূম্বা য়াদনা লৈরম্মী। মহাক মচাম্লুপা তোম্পোকী মরমদা রাথল হাম্মা মকাং মকাং থক্লম্মী। য়াম্লা থেঙনা ভুমথি।

মানা পোকচবা মচাম্লুপা তোম্পোক সজনা য়াম্লা মাঙহল্লে। শা চায়ে য়ু থকলে—হেয়োইন মোরফিন কাপলে। অম্ভাং ওইনা মপান্দা লাইরিক তমহন্লুবনা মপা-মচাবু থোইদোক্লা মপা মহাকপু সুংশিবা ইকাই-খুম্নবা য়াম্লা হয়হনগ্রে। অমঙা পোকপনি হায়না সনাইবেম্মনা থম্ব ন'-য়াংহনবগা মাবু—মপায়কপু থৌওইদবা য়াম্লা হেনগংলকলে। শম্মা হায়রবদা তোম্পোকী কমচং তাঙাং মণিগী অৱা-তৈনবনি। কিংই-শাউগম্রি—মীনা হায়বা য়া লৌদে মঙোন্দা থৌদাবা য়াদে, মচীমচু কামই। চাকচা য়ুথক কজবে, মানা তৌনিংবতা তৌই, খিংলুব' ভাঙলুবা য়াদে। মশক কন-কজহুনহু অমচং আইদে।

মহাকথক্তীদমক সনাইবেম্মা অমদি ভাঙাং মণি মীরা কন য়াম্না ভারবনি।

মচ্যুশীদমক থবকদা বায়বা ভাঙাং মণি মমতুদা মচা তোম্পোকপু ফংলীংহুনা চৈ থ্যাংহুনা থব ভাঙলম্মী। মহুদা তোম্পোক্না থুম্রকখি— "কয়ি থোকই হায়হুনা পঙতাং ভাঙলিবনো নঙবু ঐনী ইপাবা?"

মতম অ্যাসংক্তদা সনাইবেম্মা চঙলক্লুনা ভাঙাংবু মশা নোমহুনা হৌদোকলে।

"থেঙলে ভাইবুঙো লেঙথংলো।"

সনাইবেম্মনা খোঙ্গেল হেক তাবদা ভাঙাং ইপা পাখংলি— কিনা কিনা হায়রকই—

"ইস থেঙগ্রমাম্লে।"

ভাঙাং ফুক হৌগংলি।

"ভাইবুঙো সোমদা চৌন কুপ্পনবা পয়া ককা লৈজরে—মিং মায় ভাথোকপীরো?"

ভাঙাং চাননা গুকথ্রে—অহুবু সনাইবেম্মদা হংননবা পাজল লৈজদে। ভাঙাং মণি হংলাইতত্ম সনানা হাম্লবা অম্লুক্তা তৌরি। মবুক্তদি থাম্লি—

"পিনা করম্না মঙলো?"

অণ্ডইবনি গুলিদি ভাঙাং মঙ মথং মথং মঙথগদৌরি। চৌন কুম্না লোইরককপদা চৌদ্দে থুদৈ তক তক্কবা ইশিং মনম নথহু ভাঙাংদা লাকশিল্লি। চৌন কুম্না লোইরহুনা মিং মায় তৈথোক্লগা ভাঙাং মাংলোলদা কপ্‌কম কক অংখোনবদা সনাইবেম্মনা কমহুক্লে মতমমুম্না

সনাইবেম্মনা থুদোং হিদাক ঙাম্বক মৈথু কোঙ-কৌঙ কাবিষ্টু হিদাকইবুদা পাম্নগা মনা মোখা ভোংকৈন্থ— তাঙাংদা হেক লানশিল্লে। তাঙাং 'হিদাক' থক্না থক্না "কবিনো ভৌবিসি" হায়না বন্না থম্না কমদি।

"তাঙাংনা রেংখিবদা ইমুং মাঙোল শুমাং লৈতিনা মাই তক্ক উক্ক শিভোক-ভৈথোক্লমলে; তুলসীবুং অকোয়বিন্থু কন্দনা থাইরম তৈথরমলে। অত্থূগী হেন্দোক্ত্না কেকে-কীক তক্ক-তুরু কেও— পুন বালতী সনাবুন ঈশিংনা থন, শীং য়েন পুম্বা থায়দোক খোঙ্দোকপা পূমলোই লোইরম্ম। তাঙাং মণিনা থুক্তিগী ভৌবা ভৌগদবা থবক অমা কাওবা লৈরমজ্জে। থরূমী "কনাননো ঐনা তৌগদবা থবক পুম্বা লোইনা ভৌথোক্লম্লিব। ।"

তাঙাং থুদোং ঙাম্বকগী হিদাক অত্থু থুম্লকপা মতম অত্থূমক্তদা সনাইবেম্মনা মথুংমক্তা ঈশিং জশাবা বাল্তী অমা অঙৌবা বালতী অমা পুথোরক্ত্না অর্বাংথংবা শুমাঙ মচিদা চাইথফাম নাক্তা থম্লগা তাঙাংদা হায়রকই—"তাইবুঙো ঈশিং শাশাবা লৈরে চাইথনীরে। ।"

হায়না হাযনা চেক্তহী অখুবগী। থুকমাহুম ঈকচাং শাংন মমম থুংশিবা মাওবা মথুংগা। থৌরবা কেপ ঈশিংবদা লৈবখা থুকৈমচিংবা মথং মথং থেম্মুনা থমলে চাইথ কাল নাক্তা। তাঙাং মণি ঈকজায়ি 'ঈশিংবা লোইরকপদা সনাইবেম্মা মথুং মক্তা থেংদোক্লবা' অম্বা কৈজোম তাঙাংদো পাবল্লগা থুশা মাওবা চঙশিন্থুনা চকৌর্বি কাইদোংই লৌপোক-উত্থমা নীংথিনা মাই তৈয়খোক্লিব। উমাম শুশীনবা মাইলোনদা 'থমলে। শাই থুরুমকক থারে— মিংশেল থাক্সে; লৈতঙ্কন চাইরবা "তুলসীমমা থনবা মকোং মামনা মালেখা তাজবা অমত্তুনা থমলে।" কাবি অনুব

হায়গনি - জাঙাংনা শিনগদবা চন্দোন কাপ্পবা তত্থুনা থমলে মনা ইবেম্মগী অনীংবা, মতুং ইন্না জাঙাং মণি আনিক তৌরে মানা মুক্তিদী সেবা তৌবা গিরিরাজ পূজা তৌজরি ভজন তৌজরি।

মতমসিদা সনাইবেম্মা থম্বালসনা চাখুমদা শবক য়াম্না চিন্নি। মথুংমক্তা থোং থাক্রূনা— তৌহুনা মথল-মথেল লাওলি শেম-শাবা থোং-থাকপা লোইরবদা তক তকবা অশেংবা কিরেল শেংলহুনা জাঙাং মণিবু কৌশিন্নরে—

-"তাইবুঙো! লুক হাবিররে।" বালচৌশঙদা অহুম লৈরে জাঙাংগী লুক হাকমস্থু জাঙাং পাঙন-পাঙনা মঙ মঙলি—মপুন্সিদা অমুক্তা উদবা ঙাক্ত' উরি।

নীংথিনা তক-তক রাই কৈ-থোক্রবা চাকথুন মাঙদা লৈরোং য়েক্লবা চাকচা ফিদা থারি। মনাঙদা লৈরি নীংথিনা লুক নম্নবা শেম্নেংগী নাটি পুশম, মথেল মকোংগী শেঙ্গেং তেঙোং কয়া—চাক্রূকী অকোয়বদা লৈরি ঙাক্রে' তেঙ্গোত্তা ঙাক্রা. কচলিদা হরাই থোংবা তেবাও তেঙোত্তা পেঙবা থোংবা', নাম্নাংগী শেম্পাক্তা অমেংপা অজাঙবা অসিত নত্তনা কৃষ্ণ কাম্বিদা অনোইবা অতৈ তেঙোং কয়াদা শরেং থোংব থাবক থোংবা তৌপোং লোয়ননা অতোংপা অচৌবা চম্ফূং- শেম্পাক্তা হরাইমতোন হকাম মপান মরোম মপান। য়েত্তা লৈরে খুংহামশেল লোয়ননা ঈশিংগী তুকনা— শেম্নেংগী বিলাস।

জাঙাং মণি সনা ইবেম্মনা থাবা কিকাদা ফমলে—সনাইবেম্মনা খুংহামশেলদা ঈশিং জুমু পুমু শাবহ হৈদি তপ্পা তপ্প.—জাঙাং মণি

মথুং হায়দে হংগী "লাইহু ভাগয়ে- চাবা' হোৌয়ে। মখল-মখেল অহাঙ অমুক ওইনবা; "অথা-বা" অশীনবা অয়াকপা অদাবা—মখল-শুনা চা-রি-মপুক্তিদা হোৌজিক লাওবা অমুক্তা উয়াক্রিবা "চাম্রাক্রবা" য়াওরি। সনাইবেম্মনা "মমক মরক্তা লেংল্লাম কিদ। তাঙাবু তম্না তদা-হুমাই হুমলি— খুংনা খিদ-ডিম্মুনা "সিমমু হাবিমু সিমমু-মহাও য়েংবামু" হায়রি। তাইহাক লৈমগী মেত্তলবা" তরদা হায়রকই—

"লুক খিক্তংগা খক্করকে- ভা থোংবাসি ইশোক "শোক্রুখসিমু" "হাবা" য়াক্রবদা' অদৈ।ইবসে' খিক্তংগা মসিমু মহাও য়েংবীমু" মরক মরক্তা" সনাইবেম্মনা হংলি—"হাবা' ইয়া য়াক্রবমা ?" অমুকমু নোকাম-নোককেং মুংশিনা হায়রকই—থোং থাকপা হৈক্রেপা ঐদি—তাইবুক্তো।" তাঙাং খুক্কম থক্তে থক্তিক থক্তিক চা-শিনবনা পেক্ক্রেলা।খাককে। অতুবু সনাইবেম্মদা ভনবতুনা ওক্রে হায়জবা ভমজদে পূমপাঙ পক্তখক্ত।

সনাইবেম্মনা—"বজোককিরসাকে খমদং হাবিমু—হৈ লোয়বমু খরপা খক্করকখিগে"- তাঙাক মপিহৌগদপা ভমদকখৈ চাংজেং মথক্তা খুংদক্তা হামরোককে—চিকথ' তেংথোক্তে সনাদ লানকিক্তাকক থৈকোদা' অমুকপা তৈজথোক্কে। তাঙাংদা. খক্তি—

"কয়বা মওজোং?"

ইংংলা সনা' খঙ্গালক্তা-তাইহাক্তা পোথাদে নোজজেন চোংদ, কোৎনৈ। চাক তোক্রবদা তাঙাং সনাইবেম্মনা কম্মাংলা-থাম্বিবা খক্ত-অগ্রক্তকক্তা খক্তথক্তে। সক্কাদহেম্মনা কপুংরুসা লোয়ইম্মা "অয়বা হীজিবা' পান-খুক্ত 'সক্ত খুক্তগ অবা তাঙ্গাংদা লাবশিজি-

"তাইবুঙো পানা লৈরে ।"

তাঙাং মণিগী পুনসিদা সিঙথা পানা খুদল মনা ফুরুপ ওসিতা উরি ।

তাঙাংদা পানা লানবগ লোয়ন-লোয়ননা সনাইবেম্বা তাঙাংগী শুরশুলী— হিদাকফু খুদো' ওাম্বক পাল্লগা তোংজে নামিবা মচীন সনা তোপ্পচু সনাগী লেংয়ান ফি মচিন। মচীন শংশং তৈথোক লানশিল্লি ।

'তাইবুঙো খুদোং কানবীয়ু ।"

তাঙাং পানবু চাগনা হিদাকপু থকনা ? সনাইবেম্বনা হায়বনি তৌদবম্ব য়াদে তাঙাং পানা খুদপতু য়াদা হুকচিল্লি— খুদাং হিদাকপু তোংজেন' প্রোক প্রোক চিংলি । সনাইবেম্বা মোককেং নোককেং তাঙাং মতৌ য়েংন মাঙদা লেপ্লি । তাঙাংশু সনাইবেম্বদা ফল্লপ কল্লপ য়েংলি মবুঙো থল্লি—

"অচৌ-অশাং মচা মশু—নিংথৌগী ঈ হায়ংসে ফজেনকো— লেপ্পিনকো ।"

তাঙাং চাকয়াই কা-রকলে কয়া কয়া উইথরক্লে সনাইবেম্বনা থম্মা তক তকবা মোনথুম্মা'কুম্লেব' মোন্দু কক অমোনব থক্কা পুথরে— অঙৌবা 'কিদক খুঙুনা কক মথক্তা' থারে তাঙাং চিপথখরে সনাইবেম্বনা হান্নগা থম্মা পাতক তৌবা অমোমবা' অতোবা থিচু কৈজুপ স্মুম্লগা 'তাঙাংচুঙ্থাইবা য়াজাক্লে সনাইয়াম্বা থোকলৌশঙ চঙহুনা 'লুক' হাবক্লে । 'লুক' হাবা ঃ 'মোইরবা স্তুংদা অইহাক পোথারগা খোয়কপদা তাঙাং তুয়া তুয়া মোঙবা ঙীক মীক কম্লকপা উই ।

সনাইবেম্মা তম্না তম্না চঙশিন্নকুম্না তাঙাংগী থুন্নাদা কন্নগা তাঙাংগী মথোঙ অনিচু তম্না তম্না নোইন্নগী হায়খী—

"করি তৌরে তাইবুঙো ?"

চহি কুন্থ্রাগী পুনসিদা মসিনা ইহান হানবনি সনামা তাঙাংগী মথোঙ পায়বা ।

তাঙাং উয়োরোন তৌরগা যিকপ থংথোক লোকলে—সনামা তৌমখচু উবদা মঙাক পুমঙক ওকখ্রে—মচীন থোকলে—

"করিনো সনা তৌরেদে ।'

"তাইবুঙো ! ঙসিদি না অমত্তা হঙ্গচগে শাউগনা ?"

"হায়মুনে করিনো সনা করিগী শাউগদগে ?"

"তাইবুঙো ! করিগীনো মঙদা হেক হেক কপলিবা নহানমূকপু ঐথোযগী তোম্পোক কৌরগা হিক হিক কপথি মঙদা ঙসিসু কন্নকই-করি তৌরবগে ? তোম্পাকী লমচত্তা- ঐনা হেক হেক হাকন চঙবদা যান্না য়ারোইবনা ?"

"করিসু নত্তেদা সনা ।"

"শেংনা হায়দোকপীয়ু তাইবুঙো ।"

"সনা— মঙগী য়ানি অচুবু খরায়সি ঙম্মোঙদি মুঙাইখিন্নে ।"

"করিনো তাইবুঙো !"

"ঐথোয়গী তোম্পোক্তা হায়রম্মী মঙদা ঐসে মাঙ্গি মপা নত্তে । ঙসিগী মঙসিদসু নত্তে— অনিৎক অহম্নক শুরে— মঙদা য়ান' ঐতোম্দা হায়রিবা— "মঙবু ঐগী ইপানা ?"

সনাইবুকেনা থবাক্লসনা মচু,পুকরীগী মমিথী মপি জোয়ো জোয়ো শিন্না হিক হিক কপ্লকই।

"করি তৌরে সনা! অদুমা তৌই, মতৌ য়াবু।"

তাইহাক কয়ুবগা ফিজিনা মপি তৈথোক তৈথোক্লা তপ্পা তপ্পা হায়রকই—

"তাইবুঙো ঐবু শাওবীয়ু অঙৈবা য়াত্ন হুজক্তগে নচা তোম্পোক অসি তাইবুঙো মক্লা হেক পোকপদি নত্তে।"

তাঙাং মণি থাই লাউঠ - হমাং অনন্না কায়। অহুবু মথৈ কংনা ইকাই খুংগি য়াম্লনা শাওনীংলবস্তু সনাদা হংবা ওমজনে—

"কনানো মাঙ্গী মপা।"

ওকপনা থম্মি—মচৌন্দা থোককখি—

"সনা নহাকপু মতমপুম্বদা ঐগা লোয়ননহনবা লৈ।' কররা মতমদা কয়মা।"

' নোংমা হুংখিলনি তাইবুঙোনা কৈথেল চংখিবিদেনি। মহাক লাকখি লোয়ম্না ঐগী মুয়দা। হুন্নিং অহূনগী অহুম মীয়োনগ্রে। তাইবুঙো ঐবু ভাকপীয়ু" ঐবু শাওবীয়ু।

সনা তাঙাংগী মথোঙ লোক্লা থুরুম্বী মমিত্তগী মপি মতুম মতুম তাঙাংগী থোঙথক্লা তারি। তাঙাং ভুমিন লৈথি—চেক মোক লাউথিদে মকশিন্নবা মায়থোংনা সনাদা মুন্না য়েংই নীংশিংলকখি—অহুবু লৈপুং কম্বদা হায়খিবা থুন্না তৈগোগী য়াহু।

ইম্ফাল

মার্চ ১৯৮২

খাজিনজৌবা অনপভিন্ত

মখাগী চহি ৪৯ খুরে য়াংখে গুগদবা চহি অমসুম্বা মতায়রে এস ডিঃ ও বিনয় সাহেব। কলিদা মীয়াম চনবা হায়বসু ওইরবনি। অদুগুম্না ক্কবি অনম্বা লৈরে খোইদোকা য়াওরুদি—পাখঙনি ইনথংলক্লোবা। মথুম ইস্কুলদদি—মাগী মুপী লৈ-মচা, পাখঙ-লোমবী লৈ। হন্দকসু নোনা মচাসুপীন মগুমপা অমা পোকচরছনা "ইথৌ" হায়বা মিংথোল অসি ফংলবনি। অদুবু বিষ্ণুপুরদা এস ডিঃ ও গী কার্টরদদি মহাক অসি লুহোংলবা মুপী'দ লৈতবা পাখঙনি।

বিনয় সাহেব মশক মুত্তো ফজে কুচু ঙৌই মত্তো লৈ—মী পুঙচাও মাওদে শক য়াম্না খাঙবা শক্কম পিক্কক চেংতক তনাপ-তনাপ্পা শাবাম্নি। কোক্তা পোক থর থর কাপ্পা অদু নত্রবস্থি য়েংবদা চহি ৩২/৩৩ গী পোকহনখ্রবশুরুদি মীনা তায়রৈ বিনয় সাহেব মচাসুপা [illegible] মাংলা তেংনবা ওইরি মথা নাম্লি মফি-মরোল ফু-চেক্লী, তৌখিনা শেংলি ফু ফু কাম্না। শেখোক চংপায়কপা পকচৈ। শম্না লোয়নবা লৈশাঙ্গি মৌনহমলিংনা উঞ্জ চেক পামজন হায়রা শকুনি। অদুবু মহাক চৈমক্লেক চবা, চংশংবা নত্তে অফিসার মরুপ্পা [illegible] লৈরবশিংগী মরক্তা শীংগনিরিবনি। তৌক চেনবা অমগি [illegible] রিবনি। ময়হার ফৈজে বাঙাও লুই হায়খিরা মা থোংগমদে। মথক থোংগা অফিসার মত্তি ফাওবনা হায়তুনসু চুমখ্রবা থবক মহাক্তা চুমদে হায়রনা খাক্তা অদু মরম শীতুনা থেংনিং মখোইরখে মহু তৌদনবসু

হোংই।" [illegible] [illegible] [illegible] প্রোযোগম [illegible]
মমাঙবা মাপা মতম [illegible] থবক [illegible] [illegible]
মন্ত্রি অফিসারশা চাবৈন বাযোন তৌবা [illegible] মাধু [illegible]
প্রোযোজন করা [illegible] [illegible] [illegible]
মথক [illegible] [illegible] মন্ত্রি [illegible] [illegible]
চংবিরা [illegible]। চপ্টি ২৮ হেক্রা সাভিস তৌ [illegible] [illegible]
এস [illegible] প্রোযোজন হংজিবা। নমকবা [illegible] [illegible]
মাবু কান্নুমা প্রোযোজন [illegible] মাবা অফিসার বিল [illegible]
কদমা মাবু প্রোযোজন পীথিবনি।

সবিস্তিজিসম অসিদা লেপ্পকপা থা অনি অহুম [illegible]।
সবিস্তিজিসম অসিগী কোচিন কোয়া [illegible] ঠৈবা [illegible]
লৈরক কোক্লাং লম্বী মাংমতা পঙ্কুবা। খোং-খোংপা [illegible]
সরকারগী থবক লমদম সিবু উংবা থকা," মচু [illegible]
অসিগী চাক্লাং থৌরাং [illegible] [illegible] পারকপা। হৌজিক [illegible]
থরদং [illegible] [illegible] মথক [illegible] চাক্লাং [illegible] [illegible]
পাঙথোক্লবা [illegible] [illegible] হাকাং বাপকনি।"

[illegible] [illegible] মথক [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
এস [illegible] বিমর [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] সিথি - [illegible] [illegible]
নাবক।" [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হাঙবগী মাবু খেথ
কাঙবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

চাংদম্লকনবা ওইখোম্লুবগু মণিপুরগী মহুংলদি মমু "রসিক সাগর" হায়না মকাওদি। কাদি ওইবা হায়রগনা "চুংশিগন" তায়রদুনি। সিডিল সার্জিনতা লৈরম্বনা মকম কয়াদা লোচিং তৌই। মহাক লৈরক লৈরকবা মকমদা মাগী চুংশিগন হায়বা মিংখোলগী মঙ্গণ তাক্লা চুংশিগন ওইবগী পুরব বাডলা থনগী। মসিগীদমক মাগী লৈবা ইংবেরহল—মেম সাহেবাগা করাব্রক কেনা তৌনগ্রবনি। অঙুম অমুম ওইরমক এস ডি ও সাহেব রসিক ওইববা মাগী লৈমবুঙ্গু চং ফংনা চুংশিরি অহুনা সানা লম হেন্নবা পুম্বা মাবু খওহন্দনবা চোংনৈ—মরাল লৈবা থেংনগ্রবগু মতু কোক্লবা লৈমগী পেম্রনবগু তৌদবা নত্তে।

অওইবনি, চুংশিবা হায়বসে থম্মোয়গী য়াদি। চুংশিবগীদমক চুংশিবগী মকমদা শেল কম শাদৈ অাং চহি শরা চংনা:দ হায়বদি চডি খিদে নহা অহল থায়দে, লাইব-ইমাকথুনবা চণ্ডদে। সরকারগী কয়াইবা—অচৌবা কম নাইবা নাইদবা চহি য়াম্বা-য়ামদবা শক কক্তবা থীবা অমত্তা চঙদে। মৈতৈগী পাউরোদা "ককবদি ময়ামগী চুংশিবদি ঐগীনি" হায়বদু চুমদ-লাক্ত নত্তে। এস ডি ও বিনয় সাহেব—বিষ্ণুপুর হেডকাটর মনাক্তা লৈবা চুপীনচা অমগা ইখঙ থওহৌদবা তরং তরং চুংশিনরকলে। অওকপনি নওগী থৌরাং হে চুংশিগন।

চুংশিবগীদমক চুংশিরবহুমকী মনাক্তা চংনবগী লম্বী লৈতবা লৈতে মতম শংনবা লৈতে সরকারগী অমদি লমাই থবক্লা পালহনবা ঙমদে। অদি অমং লৈতে, সমাজগী মীনোক কিদে অহিং চুংখিল থায়দে। অহুমকপু বিনয় সাহেবনা থিত্তং থৌতক তৌনা চুংশো থীবদি মাগী লৈবা মেম সাহেবনি। মঙ্গুঙ্গ্রু শোবু চুংশিরকখজননি।

হৌখিক বিনয়না হোৎনখিবসি মান। থওদনবা তাদনবঅনি। অদুনা অতুম্বা ভাওনম্বা মহাক অসে ওইরবা ডাক্তরবা কন-য়ায়া হৈরে। মৈসনা থওমনবা, মাগী শারুং কোংবদু কুপনিরবা হোৎনবদা ওইদবা কয়া তাওনকলে — বাণকপঙ্কি হালেওরে। মৈখৈ পাউমৌদা হায়রবা "মুপী য়াম্না কোয়বা মুলান। অচুম্বা ভাওনা ওয়না?" "মুপী লোনবা মীনা ওইনবা ভাওদবা ওম্বরা?" পাউমৌ অসি বিনয়দদি পূমচুম হেক চুমরে। অদুবুদি মুপা লোনবা মুপীসু অদু মঙায়। বিনয়না ওইরবা শেনখিনবা কয়া ভাওবগী মরমদি অমা থওদে অমা থওদে মহাক্না মাগী মৈম মেম সাহেবাবু মুংশিদবা ওমদে — লোয়ননা নৌমা মুংশিকখিবা অদুনদু য়ানবা পেয়নবা চৎপা তাবনি।

মুংশিবদু শেন্না মৈয়বা য়াবরা? শেন। মৈয়বা য়ারবদি চাহি ১৯ তা থাওয়খিবী ঈশৈশকপী শকহেনবী বিষ্ণুপুরগী মুংশিতোম্বীবু অাশা তৌখিব। পামখিবা — মাগী থৌজাল ভাইখিবা কয়াগী মরক্তা শেন মমখীনা পারবা ঠিকাদার মতৌ, ইমাক থুনবা হুকান্দার মহাজন ইবোমচা খরচ তৌবদা হালেওবা মৈত্রেব। ইঙ্গামস্রার ধনেশ্বর রাওনী। লমাংদোওনী অবৈক্তগী মাওব নিংথৌখোং গোপীনাথকী মাওব মোইরাং থাঙ্গাকপগী মাওবতা কাংগী থুবাক ঈশৈ থুলোনগী মুপী পালা বাসক রাস লীলাদা, অসিকসু নত্রে, লাই হরাওবদা অলোই থোকপা নত্রগা কম্মিওম্বা ঈশৈগী প্রোগ্রাম মৈবা মকম অমদা মুংশিতোম্বীনা ঈশৈ শক্লবদি লুপা থাউজাও পুথোকহনা ফুরিৎথাও লোম্বা হাপহনা মথোয় অহম শেন থাবা কল্লীটিসন তৌনখিবনি; কদি অদুক হায়রগনি, মীকপ্পবা হুকান্দার অদু কাওবা মুংশি

তোম্বীদদি ওয়োয়ো হৈথরিবনি। এস ডি ও বিনয় মখোয়গা লাম্বী কনা তোয়বা ওম্বা নত্তে। থাগী ভলবতগী হেন্দুনা,—কনাগুম্বা মাবু উনবা লাকপা মুপানা নত্রগ। তুর চংলুবদা কনাগুম্বা থুঙ্গানা অতুক মহাও য়েংউ হায়রুনা পীরকপা হজাম মপুল অমা য়োংচাক চন্নাং অমত্তং কনা নত্তনা অতৈ অহেনবা শেল খোঙ্গীংঙাই লৈতবা এস ডি ও সাহেব- মুংশিতোম্বীদা শেল কনা থা-বা ওবগী শক্তি লৈজদে।

মুংশিবদা নত্তা-অহল থায়দে; শক ফজবা থীবা লৈতে। অচুম্বনি, বিনয় সাহেব চাহ ৪৯ ওয়ে— মুংশিতোম্বীদ ওপ্নতগী ১৯ তা ওায়ব্রি। শক ফজবগী হায়রবদি অউবা মানা হায়বীশমু থোইদোক্লা মেম সাহেবা ইবেমহলগী মকমদদি মানা মরোইরবনি। অদুগুম্না মুংশিতোম্বীগী মিওমু অদু মওাই। নত্তা ওইদা লেংবা চাবা শক ফজবা মীনা হায়নবগী রা ওইরবদি বিষ্ণুপুর কলেজগী বি এ গী ছাত্র চন্দ্রসিং- চহি ২২/২৩ প্রধানগী মচা শক ফজবদা ইনাক খুনবদা লাইরিক ফবদ নাকল অসোমদা শোয়ন্নিবনি। মানা মুংশিতোম্বীবু তরং তরং হেক পামজন্নিবনি। অদুবু ওসি ফাওবা মুংশিতোম্বীনা মাবু য়েংনীংবা মিংয়েংনা অমুক্তা ফাওবা য়েংদ্রি, মুংশিজরবা পায়্রবদি লায়রহুনা।

বিনয় সাহেবকা মুংশিতোম্বীগা থেংনরবমু লাইনা ওয়্রলি। বিনয় সাহেব বিষ্ণুপুরদা পোষ্টিং তোরকপা কুইদ্রে। অনৌবা বাঙ্গলাদা মেম সাহেবাগা লোয়ননা লৈরকপা থা অমগী মচুংদা লেপ্লোকপা য়াদবা ইমুং মচুংগী থবক অমগীদমক মেম সাহেবা ইন্দাল

চংখি। লৈয়ত্তেম্বরকপি হায়ৰ্তুনা চংশিনখনি। অত্তবু থবক লৌষ্ট-শিন্নবা হল্লকপা য়ুংদত্তুনা—হযেং চংকে হংচিং চংকে লেপ্ত-লেপ্তা অঙ্গুম অঙ্গুম ঐথোকপনা খা অম্বা হেক্কা হৌজিনপ্রে। হৌজিক অমুক মকু মনেম নারকলে—পাক হল্লকপা মাগনি থাজদে—বিনয় সাঙ্গেম্বকতা চিঠি ইরকলে অনা অমেক্তী খবর লৌতুনা। মুমিং অহু কাং অম্লুংদনি। হাঙলবা এস ডি ও বাঙ্গলাদা বিনয় মথম্বনি—নহানমৈগে ইবেমহল হল্লকনি আশানা অহাঙবা অহু ফুল্লপনি। চিঠি ফংবা মুমিং অহুদদি পূমহাঙ হাঙংগ্রে পূমচিক িকপ্রে। অফিস কা-বা করিঙ্গম্বদা টুর চংশ্রবদি চংগ্রে নত্তত্তুনা ছুটি নপ্রগা নোংমাইজিংংসা মুমিত্তদি পাক চাউরবা হাঙলবা বাঙ্গলাহুদা মথম্বা হোই হোই লাউনা লৈবক্ অরাবগী মশকনি। মথম্বা লৈবা বারক্রহুনা হৈনরক্তহুনা মুংদাং অহুদা অম্বুম অম্বুম চখোরকখি—পার্সনেল তোম্বনা মতুং ইন্দুনা। লম্বীদা বাজার ময়াদা থেংনরে আমিন চাওবা।

"সার, কদায়দা ওইবীরবনো ?"

"ইথম্ব লৈবা হৈনবক্রুহুনা অম্বুম কোয়থোরকপনি।"

"সার অদৈত্ত মাগুবতা ঈশৈ তাকুসি করি হায়বগে ?"

"য়াইনে। কনানা শকদৌরি ?"

"সার, লম অসিগী মচীন তুমথংলক্লীবী মুংশিত্তোম্বী।"

"ও! মম্নিংদি তারে মশক্তি খঙত্রি য়েংলুসিনে।"

মথোয় অহুম চঙমিম্নথরে অদৈত্ত লাইশঙ তয়া। লাইথোং হাংলিবা শদৈত্ত দর্শন তৌরে এস ডি ও সাহেব লাকই তাহদা

অদ্বৈতগী পুজারী থোরকুনা অরাম অরায় ওক্লগা য়াওরবা পুখিরকুনা লোংচুপ ওয়া থাবা ফিদা অমদা কমলে, মনাক্তা কল্পনী ইকিনিয়ায় ঠিকাদায় তুকান্দায় মহাজন সুংশিত্তোম্বীগী ঈশৈ তাবা। হায়নেং চুক ইন্দুনা পুম্নমক কৌই।

ঈশৈগী মতাঙ মাধুমদা তবন বিরহগী তাক্তকনি। ঙনেরবী সুংশিত্তোম্বী চুহার জান্ধবী খোঙ্গাং কোক একাশিনি সোং থেক্কা থেক্কা ঈশৈ শক্লম্বী থেকথরম্বী—

ঈশৈ—ভাইবিখো ভাইবিখো
ব্রজগী অমুবা থা
দলাই থাম্বীখো
কাংমাই লৈবিখো
ভাইবিখো ভাইবিখো।

ব্রজপুর থাদোকুনা
মফম কদাইদা
লোক্ত হায়রি
ভাইবিখো ভাইবিখো—

কংস নিংথৌ
মাম টবুঙোগী
ধনুর্যজ্ঞ— য়াওকপে রাথে
নংবু থাদোকলোই—

থোয়রবা লৈজখিবা মালে
চেমশিন্নে লাকা পামনে
শয়া য়েংলে লৈবাক্তা ওনে
তোয়রবী রাধবী
প্রাণ লৈরমখো
ঙাইবিখো ঙাইরিখো ।

মতাংদুদসিদা ঠিকাদার ইঞ্জিনিয়ার লুকালর মহাক্কী যুরিং-থাউদগী লুপা থাউজাওদগী মনিবেগতগী লুপা মরী মরী হৈখ্রবী মুংশিতোম্বী তাঙ্কবী একাশিনী থুত্তা ।

বিনয় সাহেবকীদি শেলশু য়াউরক্তে, মখোয় আক্তা কবত্ত্ অবশিনরক্রে । তাঙ্গাসিদা আসিন চাওবনা মখোয় লাকপী ইজেং তারক্কই । লম্বা থিংদে । সাম্না হৈখকলুরগা চত্তশিনবা শেল থারক্কই—হায়রম্বী মুংশিতোম্বী তাঙ্কবীদা—

"কাজরা শকউ ঈশৈ লোইখিদ্রে । এসং শিঞ্জ ঙংনা হেকনা হায়রক্কই ।" অওইবগী মুমিং অহুমী ঈশৈ অহুদা মুংশিতোম্বীগী পালাদো পৈশা ওস্তোক্লা য়াম্না তাখ্রে— ঈশৈশু মুত্তাইদনা লোইখ্রে, মাই য়াওখ্রে— মুংশিতোম্বীসু ওস্তোক্লা থবায় য়াওগা লাকখি ।

বিনয় সাহেব মুংশিতোম্বীগী মখোল তাবনা মুমীং তাকাংলি, শামক উরবদা মতাম তৌই—শক থাজবনীংই—উনীংই য়াবী রাজায় লানীংই । মুংশিতোম্বীসু—খ্বাইগী অমাওবা থমজিনদু মতোম্দা লোকাদবগুম য়েংলিবা মুপাদো উকবনা মথুম অমাং হৌই থজনীংবা লোকই থজবনীংই উজনীংই । মলেমা উপকনা লোয়া খোয়া হয়রান

হুন্নান য়েংই। মিংকী ঋিংগ্লেং খুদীংমক মথোক্ত থোক্লম্লবদি মথোইগী পুক্লীংগী ল্লাহু কল্লিনো হীল্লবহু অতাবা অয়েংবা খুদীংমক ময়েক শেংনা খঙলমগদবনি।

এস ডি ও সাহেবনা মুল্লা ল্লেংলিবা মক্লেং লুংশিতোম্বীনা হুন্নান হুন্নান ল্লেংলিবা— অনি অহুনা তৌনল্লিবা ইঙ্গিংতো মুল্লা উল্লবা আমিন চাওবা মবুক্তা থনখি--

"হুন্নকীসি মতামনি- এস ডি ও সাহেবসে ঐনা হেক শুম্বা মথৈ মতেং পাংবা তাই।"

অমিন চাওবা অল্লায়বা মী নত্তে। বিষ্ণুপুবনা মতম-কুইনা পোষ্টিং তারবনা মকম অহু মাগী ময়ুম মল্লৈকাইশুম লৈরবনি। অওইবমকম্হু যুমনৌ অমা লিংলবনি যুমথোং খুদীংগী যুমুল্লেম্বা যুমুরেম্বী ভুপীমচা পাখঙ লৈশাবী—মানা মশক শঙদবা ইরৈ লৈত্রবনি। থোইদোক্লা লুংশিতোম্বীগী মপা মোহোন চন্দ্র লেজা। মক্লবম্হু মাগা স্বাম্মা লুনা ভিল্লবনি, মাগী লৌগী কেশ অমদা স্বাম্মা মতেঙ পাংথিবা ইমুং অমনি। কল্লিগুম্বা এস ডি ও সাহেবনা আশা তৌল্লম্লবদি মনা মতেঙ পাংবা মঙগনি।

এস ডি ও সাহেবনা কেক লাউথ য়াবা নত্তে। মহুগী পাঙ্‌- লম্মে চাকপগুম শান্দাকথি- সবডিভিজনগী কোচিন বোয়া য়োথি। ইঞ্জিনিয়ার ঠিকাদার ভকান্দার মহাক্লা মতুং কোইল্লিন ইল্লহুনা লুপা থুবাম থুবাম লুংশিতোম্বীগী পুন্তা কৈদংবগু কনানম্হু ঙাঙনদে— কনাগী মনা য়োথিদে—য়োম্লবম্হু মহু থোঙইনা তৌনদে। অহুগা মহাকীদি- মহাক্লা থা-রুংম্বু চহুবা আমিন চাওবা থা-রুবহু

মহাককনি মাহেমবনি হায়না কৈৌবাক হুর। হুনখি খিন্দনা য়ৌখি লৈমগী নাকোং।

নোংখো ইস্ফাল্‌দা অয়ুক্কী থবক-থনা লোইহুনা মচাশিং পীক-পীথক্কপা স্কুল চৎহনগ্রে। মবু বোক্কী চন্দন লাইপোৎ সেবা লোইরগ্হুনা মকু মনেম অশাবা চাক-ইন্সাং মথেল লুকোই শেম্বহুনা পীজ পীথকলে। মথ'দা মশা'ন্দু চ'গদব. থর চারগা মানা য়োকচবী মুপী মচাহুবু কোল্লৌক-রাইরম লোইশিন্নবা শীন্নম্নগা অরা লোথাহুনা মু থেল ভাইহাক্কং বিনয়গ রাখল খন্দুনা কমকিভৈদা মাগী মমান্নবী জানকী লাবখি। জানকা বিষ্ণুপুরদা লেবা কো-ওপরেটিভ অফিসকী কেরানিনি। কৌর কৌরদুনা চঙলকই—

"মেম সাহেব লেবরা?"

"ইবেম্মা নংসিমা! কদাই চৎলুই।"

"হেরা চবেম্মা! অশুম চথোরকপনি।"

"করম করম তৌরি।"

"ঐবুদি মুঙাহরি নঙবু করম তৌরিবগে মেম সাহেব ওইরবনিনা ন্নাইনে নশননে মুঙাহরিদা

"হোয়দা হোয়দা কমদি তৌনি য়ুম অনি পানবসিদা থরদি-মরায়।"

"অদো ইবেম্মা নথোক্নগী সাহেবতো থর চেকশিল্লু।"

"করি তৌরবগেনে?"

"হাইমা নঙ ভক্তিবোইরে? বিষ্ণুপুরদদি শাহলবদবো?"

"কারনোনে।"

"সে সে হুংশিতোরী হায়রী অকাওবী ঊপৈ-শকপাদো অহূনা শেলককা য়ান্না থায় হায়রবনি।"

"কদাইদেদোদা-মীনা" হায়জিনবা ওইরমগদি-শেল" কদাইদৈ লৌরকহুমা।"

"হোয়দা" হোয়দা।"

"সে—টৈহ মহীসিহুম থকউ হুংশো মরস্তা লাকপদা য়ায়মলদি'। ঐখোইগীদি লায়মী নখোয়গী বাবুদি কমদৌরি।"

"কৈদৌনি ঐখোই বাবুদি ঙাওরি; হৌজিক্তা পাথঙ ফাগৎ-লকলিদবো।"

"হোয় হোয় লোইশিন্নুকো লমজাও য়োক্লথিনি।"

"ইহে য়ায়ৌ শাবিবৈভদা থেঙত্রে ঐ চৎলগে – নোংমা অমুক কোয়থোয়কে নঙস্থ বিষ্ণুপুরদা থর মচৎলুদনা।"

"অহল অনিসি থাদোকপা য়াদহুনা ভৌবনি—চৎকনি চৎকনি।"

"ঐ চৎলে লৈহৌরে।"

"হে ঐস্থ খোজাল কাওবদং থিন্দোকেদনা।"

ইবেমহল য়াখল তৌই। পম্বথা য়াত্রে নোং হেক ঙানবগা মহোই পাবুং নাক্তা চত্তবা য়াত্রে হায়রহুনা কৈথেল কা-হুনা অনৌ অপেন কল্ল লৈকরে। মখংগী অয়ুক্তা মখোইগী মনাও হুপানি কায়হু তোংহুনা বিষ্ণুপুর য়োগ্রে মহাক্লা এস ডি ও-বাজলা য়োবা মত্তমদা মিনক-সাহেবতি অমুক অঙানবদা কাক্তাদা লমদী খংনবগী লোকেল ইনকারী অমা চংখি— লৈরমদে; বাজলা লো লোয়নমী।

থৌজিনবার কৌহুনা সো হাথুদোক্কহল্লে। ঙসিং মাইংশিং হোৎলহন্দুনা লৈরম্বা এগ্রেইল লুকোক্ট লাওবা লোইখ্রে। সাহেবপু ঙাইরি, অহানবদা হাফোনদা থোক্নুনা ক্রমতুনা ঙাইরম্বগী বাকহুনা ইমুংদা চঙনা কপুংদা কমতুনা হিপুনা ঙাই। চৌরুবা কা অদুদা তুমিবা অমত্তা থংখিল তুগা থাওনপী। ঙাইবা চায়বদে থাক্তমক চেংনা য়াম্না রাখনি অদুক হৌগ্রে—থুংখিল লোইশিল্লকলে ফ্রাংমং তাগদৌরে— অদু কাওবা বিনয় হনকত্রি। কনাগ কনাসু য়াওদনা মথংগী তুমিনা থাওহুনা ঙাইবা—য়াম্না রাখনা থগ্লুবদা কোক চিক্কনিঙাই লৈতে। অদুবু জানকীগী পান্দগী থর কায়ৌরকপতুনা পূম্নমক নমথত্তুনা হংগদবা রাম্বং কয়া শেংতুনা ঙাক্তহুনা লৈরি। এন্দবসু ঙবজে লমীদা কারি থংক্রমগাদনা থংনা চৈনরমগত্রা— গাড়ী বেরা থৌরমগত্রা—কৈ মগী পুক্নীং নিংথোক নিংকোক্ট। জিপ মথোল অমত্তং ঙাংবদা লাক্কবা হল্লক্রবরা—মনা থাক্তুনা ঙায় মমিং লাওথোক্নুনা মাঙ্গোল্লানদা য়েংই— অদুবু য়ৌরকপা লৈতে। ক্রয়া লাওতক্লত্রবা। চিক্রবা কা অদুদা কনাসু য়াওদনা মাবু ঙাইরিবা।

অমুক্কী লৈরগা কাল, ঙাগদবা থুংবাতমুক্তা মঙায়রকলে— বিনয় সাহেব হলকলে মাগী জিপ এস ডি ও বাংলা কাথংকন লগী য়ৌরকলে য়াম্না মংরায় চুঙাক্না লাক্ট বিনয় লম থংনবগী বিচার ফজনা পান্থোরকপা-নাকল অমিমক চয়াও হয়াও য়ানব হৌবা-থবক অনা পাঙথোকপগী চবাও লুঙাটনা হল্লকপহ—অমুক মত্রাংনা নানা শুঙাইবা হেন্দংখি ফুবানা য়ৌরকপদা। থুংশিজোবী ইচেল অক্রুবা লোইকহুনা বস ঙাইহুনা লৈরম্মী। আমিন চাওবা

হায়রকবদগী মথোয় লৈশাবী মরী এস ডি ও গী অহাঙবা গাড়ীদা হাপকংলকখি। পুংনৈবা অহুম্‌ং বসতা লাকউ হায়রুনা খনখী। ফ্রন্ট সিটতা বিনয়-খুংশিতোম্বী ফম্মিরে। ফুবালাদগী বিষ্ণুপুর য়ৌখিবা খঙহৌদে। য়োংচাবীনা চিংশিল্লবা মৈ অনি অহু নক্ক-শিল্লবদগী কোং কোং শাব্বি থোক্লাল য়ৌরকপদা। "সাহেবকীদা চঙলুখিনি" হায়না ঊরাং লাওলি। বাজারগী গেট য়ৌরকপদা আমিন চাউবনা ঊখি বাজারা মমাঙদা থাব্বিবা কারহু মশক মুন্না খঙবা কারনি। চাউবা আমিন বিনয়দা লোন্না হায়খি—

"সার মেম সাহেবা য়ৌরক্লমাল্লে।"

কোংনা অমুক হায়রকই—

"সার অঙাংশিংসে বাজার কাওবদং থিন্দোকপীরকগে—চান-থক্লবা খরদংস্ত লৈজরকগে।"

খিনয় কূমথহৌরে। গাড়ী মমায় লৈথোক্লুনা বাজার তম্না চংখ্রে।

লৈমা জিপ মথোক তাবদা হৌগক্লনা মিহুৎথোংলোমদা য়েংথোকখি। বিনয় গাড়ীদগী কূমথরকপা ঊখি। গাড়ী মমুংদা মমাঙনী ফমফমদ মুনী অমা ফম্বহু হাইফেৎ ঊখি। কূমথরকদরা থাল্লি—কনা ওইরিগবা, কূমথমহুনা গাড়ী মমায় লৈয়থোক্লগা চংখিবহু ঊখি। মেম সাহেবা চিংনবগী মথক্তা চিংনবা।

মবুরুদা খিত্তুং মা'লুবহুনা বিনয় সাহেব হৌদোঙমচা ঊশিংদা তাবগুম পোলি শোলি চঙলকই লৈমগী মাঙদা। ঊরুজকম চঙখিহুনা লৈমনা হান্না শাহন্দুনা থন্নবা ঊশিংনা রুক তক মায়মিং তাথোক

ইরুমাইথজখোক্লে। অনৌবা অশুবা তরু তরুবা ফি হোংদোক্লুনা মশম মমা তরু তরু হাংপা লোইবদা শ্রুমিং তাখিহুনা সদ্ধ্যা খুঙুং ওইরে। চাক চাকম টেবল থক্তা লৈমনা মথেল লুকোই লৈরে। বিনয় সাহেব- মেমসাহেবা ইবেমহল চৌকি অমমমদা ফমুহুনা নায় ওনশিন্নহুনা মখোয় অনি চা-খিন্নরে। চানা চানা বান্নী শান্নী—

"কয়াম কুইরে লাকপা?"

"ওসাই অয়ুক্না থুংলরবনি।"

"বাবাখোই ইমাখোই কৈন্ন তৌদে?"

"কৈন্ন তৌদে।"

"অঙাংশিংদি?"

"অহুম লৈরি।"

"লাক্তনি হায়বা হান্না খঙহল্লকপা য়াব্রা?"

"খঙহন্নক্রগা ?ফুদোগে?"

"হান্না খঙলম্নবদি ওাইরমগনিদনা; আঃ ক্লান্ত। চৎশিন্নরুনিদনা।"

"ঐ ন্নাওবদি কায়রোইদ্রাও।"

"কৈনোনে নঙনা হায়রিহু"

"মৌরা লৈশাবীরা নশাই পুহনা চৎমিন্নরুবদো—ঐ ন্নাওরবদি কৈদৈ য়াগদগে?"

"ওঃ অহুগী ওইরে। মখোয়হুদি আঃ ক্লুখালাদা গাড়ী ফংদে হায়হুনা লৈরম্নদগী হাপ্পিরকপনে। ঈশৈ শকপী মুপীমচাশিংনে?"

"মুংশিজোন্নীখোই ওইরিমিনে?"

"মানে"

মুংশিন্তোম্বী হায়রা কৈনো ঈশৈ শকপী অফাওবীত্রদা লেল কক্ষা য়াম্না থা-রে 'হুনা আঃ ইম্ফাল ফাওনা শাংলবনিকো—

"এঃ মীনা পঙকায় হায়বা ওইবিনিদা কদাইদৈ লৈশানো?"

"অক্তবোইবা! মীনা হেক্তা হায়জিনবা য়াপোং নত্তে।"

"খঙজ্রেনে- মাঙবতা ঈশৈ শক্লপ্পা চুম্নতা তা-রুবা ফাও য়াজ্রেনে।"

অমুম্না মুংদাং অহু থম্ন ঙ্রুং ঙ্রুং ঙংনখি। অহুবু কোললীক গ্লাস প্লেটনাচংবা অত্তুক লঙখায়-খোকায় কাদি তৌখিদে।

মথংগী অয়ুক্তদি লোক্তাক্কী ঈশিং-লক্তুগী শিংলকপা অঙৈংবা মুংশিংনা বিনয় সাহেবকী মেম-সাহেবা কৈমগী অশাউবগী মৈ পুম্বা লোইনা মুখংথ্রে। অয়ুক অঙনবদা হৌদুনা তক্ক তক্ক হকচাং শেংদোক খোক্তোক্ক-ঈক-মায়থক্তরগা শম্বাজং তোলাং হাম্বোক্লে— চন্দন থিত্তুং মমজরে—তক্ক তক্কবা ফি শেতুনা চা কপ পুত্নুনা চঙশিন্নক্লুনা চিনহান কাঙলপ মোমোন নোক্না বিনয়বু মশা নোমহুনা হৌদোকখি।

বিনয় চিকপ থোক্লকপদা তক্ক তক্ক মমাঙদা লেপলিবী কৈমনা চা লানশিল্লকপত্তু উখি—চাদি লৌদত্তুনা মংলান্দা মুম্না য়েংহুনা কৈরে—

"হাইম্না কৈনো তৌকিসিবো!"

চহি ১৫ গী মমাঙ-লুক্রোঙ মতুং মজ্জামি চাক্লৌবা লোইশ্রবা মতুং ইকাই-হঙোইবা থম্ব অপুংবী মচাক্না অয়ুক্তা অম্নুম্না মনাক্তা

লেপখিবা—মতুদা মহাক্না য়েংহুনবা লৈমিংবা শককমচু থংনীং নীংশিংলকখি—চা লৌচুক থকাপাফি-লানবাগুম্বা মিমিথ কুক হৌগংলগা মাবু চেকেং কোম্পুন' কমুং থঙ্কা কমহনখি। নোঙ্গা নোঙ্গা লৈমনা হায়খি—

"কৈবো—অয়ুকনেয়।"

ইন্দ্রাল

আগষ্ট ১৯৮২ ইং

ফাবা ঙমংহৌদ্রবা এস ডি ও

মুমিং থর বিষ্ণুপুরদা লৈরম্লগা ঈংথাংগী খল্লদুনা ইবেমগল ইন্ফালগী য়ুম কোইরুনবা চংখ্রে। মমৌ লৈমা লৈত্তবদা চারম-থক্লম খঙব্রবা মকু-মনেম্না হম্ন হম্না কৌরবগদগী চত্তবা য়াদুনা চংখিবনি। থাগী মিটিং ইন্ফালদা য়াওবা চংপদা থিনয়না থিল্লুবনি। মুমিং অমু মুমিদাংম্নাইরম বিষ্ণুপুরদা য়ৌরকই। লৈমা চংখ্রবদা কা হেন্না পুমচিক চীক্লবা চাউরবা হাঙলবা বাঙলাদুদা মংন্না লৈরি মুংলাংদু। মথন্না লৈরবা কান্দা অদ্রৈত মাগুবত্তা হৌগংখিবা ফুবালাদা মৈরি ফংনা চাকথংলকখিবা থম্মোইগী মৈ অমু মকা লান্নকলে—মৈরি য়াংনা কারকলে এস ডি ও ইকাই-ইকি বাংমা লাল্লক্রে।

মুংশিতোম্বীশু অমু মডাই। লৈকাইগী মীনা নোক্লবা থৌশাদে—মাবু পাম্বা কন্নকপা পাখঙশিংনা অকল-অরীং শীংবা থওইরক্রে। মমান্নবীশিংনা হায়—

"নপাগুম্বা হন্নুবমু পামগ্নবোই।" কৈম্নু থুমদে—থৌশাদে। মমানা লোম্না ফোংনা হায়বা য়া—

"করিগীনো নখুং নমান্নবম্নু নত্তবা চম্নুবা অসিবু অতুক পামলিবসিবো।"

মুংশিতোম্বী য়া ডাঙদে তুমিন অতুম লৈ। মমানা মখা ত্তারকই—

“শেল পায়বা লৈবস্থু য়াম্বিবা ইঞ্জিনিয়ার ঠিকাদার নঙবুত্তা শোন্দুনা লৈরিবা অসিনা হায়বদি মনানা তাদেনেসে। মখোয়না হয়াও-হয়াও তৌরবা— ফিয়োল ফজ-ফজবা লৈদুনা পুরকপদদি তুং শা তুং শা তৌরদনা ইকাইদবীসিগা ।”

মশস্থু কোয়বনে ফুবু ফুবনে,—কয়ানি। ঙুংশিতোম্বী মনানা তাদে কৈগু নাচুংদে

কলেজগী ছাত্র ইনাকথুনবা মচা পাখঙ চন্দ্রসিং মাবু তরং তরং লাউনা পামজবা থংনবা খুন্দ' লেবা পাখঙ গুন্দা পাখঙ শরী—মখোই ময়ামসিনা মাবু নমহুনা কাহুনা চিংগান হায়বা ধমকা কয়া মানা কৈন্থু থৌশাকদে - কিরুদে। ঙুংশিতোম্বীনা ঙুংশা থীজবা অমত্তংদি এস ডি ও বিনয় সাহেব— মাগী ময়মগীদমক করি নজবদা চোঙ্গা ইকাইবা নংগদরা আসত্তনি।

ঙুংশিতোম্বীনা বিনয়বু ঙু'শিজবদি মশাগী য়েংদনা মাগী পোয়ন-বগীদমক্তনি বিনয়না মাবু লুহোংহুনা লৌবা লৌদবা করিস্থু থনদে; বিনয়গী লৈমা মেম-সাহেবাগী মথাদা অক্লোম্বী ওইনা লৈবা-লৈতবা চপ মাইয়ে— লৈরবস্থু কৈ লৈত্রবস্থু কৈ। মালা শুপ্পুতগী পামজবদি বিনয়না মাবু চানবীবা শেনবীবা ঙুংশিবিবা অহুত্তনি। অঙ্কুনা মী অকৈনা হায়জ্ঞ পুম্বা মনানা তা'দে মৈ ঔশিং চঙদে।

ঙুংশিতোম্বীগী এমানা- ৫েক উনকবা মী পুম্বদা তত্তনা হায়—

“এপী ইচাসে শেমজিনবীরবনে শেমজিনবীয়বা।” মাইবী মাইরা কয়া থি—হিগাময়া কয়া তৌই, থৌ তৌই চবান থাই থয়োম লাকই - ময়াম অসি তৌবদা শেল'কয়াহু তিংঙ্গবনি। অহুবু বিনয়

সুগনিভোম্বীগী [illegible] চোমহা মোৎমগী [illegible] । [illegible] কীরবা [illegible] চংদি [illegible] লোল হন্দো । [illegible] য়েংই উমংলাই [illegible] । [illegible] বিনয়বু পামদবসে আ-য়োনা [illegible] ।

নিংথৌলোগী [illegible] চৎলি [illegible] । [illegible] অঙনবদা বস তোংছনা চংখি শেল হনুই । মাঙ্খীনা [illegible]—

“চুমই [illegible] আসি—চুমলেপ গার ওমজিবনি । [illegible] । [illegible] খিনবা [illegible] । [illegible] হায়বদি [illegible] থর [illegible] ইকাইবা [illegible] । [illegible] ।”

“চুম্মীনে ইমা মাইবী থয়োমচু থর [illegible]—শেল [illegible] চত্তগদগে ?”

“[illegible] ।”

[illegible], [illegible] শাজি [illegible] চুম্মী [illegible] । [illegible] ।

পাত্তনা [illegible] । [illegible] কায়েন্দা মথা মৃত্যু [illegible] । দশা [illegible], [illegible] । [illegible] হায়বা দশা পীরি । প্রতিকার [illegible] মপোক [illegible] ।

মসিদগী পেপ্পরদুনা মতম অসিদা লাইকাও চুম্মী হায়নবী লাই-কোথী তোমখিন ফাওরকপী কয়া লৈরম্মী। মখোইগী মকখদগী নোংখা চংলুই। নম্বোলদা লৈবী লাই ইবেম্মা হায়না খঙনবী পন্থক শন্নী শান্নী শেংপী পাউদর লৈবী সিন্দুর নম্বী লিপস্টিক থাবী অহুম্না য়েংলুরে। লাই ইবেম্মগী লাইকাওদা হায়রকই –

"মীগী থুংশেমনে, মোন্দা অনাংবা পাং থাওরে মতু লৌথোক্লগা অসিদা পুরকউ যজ্ঞ তৌবিগে অদুগ হংগনি। চঙগদবদি উত্তং রা মকক তরুক, সাই তিংথং পূর্ণ পাত্র দক্ষিণা হেক্লক পানা পূজা তৌবগী দক্ষিণা লুপা য়াঙখৈ।" সুংশিতোম্বী মমা চংলুই পূজা তৌহল্লুই।

অদুবু মতুনা থোক্না ক'য়বা খঙদে। এস ডি ও বিনয়গী রাখলদগী থাইদোকপা ঙমদে করি ওইরমগদগে খঙদে– লৈপুন হায়বদুরা? নহান মপোক্তা হায়নরকপর? সুংশিতোম্বী– এস ডি ও বিনয় হেক উদবদা চাক্ স্নীশিং চঙদে ঈশে নোংনাহ শক্লোংদে।

অসুক য়াম্না কম্না শেল তেংবা কিদনা সুংশিতোম্বী মম্বানা হোৎনরিবসে সুংশিতোম্বীদমক ইঞ্জিনিয়ার ধনেশ্বরনা কৈগাক কৈনা লেপথিকখনি। অদুনি মচাসুপীবু য়াম শাউরিবসে সুংশিতোম্বীগী মীচঙ হায়ববু মাগী মপাদা মঙাইরে। মপানা হায় -

"ইচাদি থোমদোক থোক্মৈনি—মামা নীংথৌ অপাম্বতা তৌজগদু।"

মাইবী শেল হনবা পাংজি য়েংবা লাই ইবেম্মদা লাইথাউ হংলুবসি সুংশিতোম্বীগী মমাঙা নত্তে। লৌরদা—ইম্ফালদগী লৈনা। ইবেমহল

মপুংয়াইবা বিনয়সে মতাম তৌরে ভাবদগী নোংম কাংদে মাইবী শেল ছন্নি পাঞ্জি য়েংই, নখোলগী লাই ইবেম্মা খোংমনগী ইথৌ পুরায়গী ইমা ভাবানী মাইবম লৈকাইগী পান্তোইবী অমত্তা থাক্লে। লাইফাও ইমান ইমান মমাহৈ। বিনয়গী মোন হাংদোক্লুনা শীদোক্লুনা য়েংলুবদা কৌহায় উত্তর মচেং মিথিহৈ মচেং শরু ভারু মৈতাম লং অহিংবা কয়া থেংনৈ যজ্ঞ তৌই। ইবেমহলগী থাজবা কা হেনখ্রে। আর্চা পূজা খযোম লাকপা নোংমা কাংদে। অহুবু বিনয়গী মুংশিতোম্বী উনীংবগী লায়নাদি ফরকপগী মহুত্তা নোংমা .না'মগী লাইথেং তাপকংলকই। চাউরবা হাঙলবা বাঙলা অচুদা ইবেমহল অমদি মচা মশু অমত্তা লৈতবা মতম মথক্তা হেক লৈবগা হেন্না তেন্না অনাবা কনগংলকই। করিগুম্বা ইবেমহল লাক্লুনা মুমিং মরি মঙানিককা লৈংরবা, অহু ওইংবদি মাগী অনাবহু থাপ্না চেনখি। ইবেমহলনা অর্চা-পূজ তৌবগী ক্ষলন। মাত্তনবু মনাক্তা লৈরবদি বিনযগী অনাবহু হেক্তা কৈ। ইম্ফাল হেক চংখিবগা বিনয়গী অনাবা নথি কোংলকই ইকাই-ইকি খঙদে, অহিং মুংথিল থাইদে হেক হৌরকপগা মুংশিতোম্বীগী নাক্তা হেক্তা চেনখি—মাগী ঈশৈ হেক তা-রুং। অহুগা অনাবহু থর নেমথৈ।

মুংশিতোম্বীসু অহু মঙাই। বিনয়না করিগুম্বা চংথিগু হায়রবদি ঈশৈ শকপা চংপফাও হেক তোকই—ঈশৈ শৈকম হায়দোকই—মুংশিতোম্বীগী মমাংদা থোয়দো শাউগংপী [illegible] থম থেংই। নহুগীদমক খোঙ্হি ভাবদা মুংশিতোম্বী কুরিশু নাচুংদে—মরমদি

মহাক বিনয়না হায়রবা অতৃত্তা তৌরিবনি। মহ ভৌরগা মাগী ভুত্তাইজবী থেংই।

নোংমা মেরা রায়ুংবা মতুংদা এস ডি ও সাহেব অশাংবা টুর অমা সব-ডিবিজনগী থক্কং কযাযুক থুংনা চৎলুই। লম্বী-থোং চাওখং থৌরাংগী মিংয়েং চঙলুবনি, মুমিৎ ভরানিথোই-হুমদোই চথোক্লুবা তুংদা বিষ্ণুপুরদা হল্লকপনি। আশা তৌরকই- মতম কুইনা কাযনং কয়রবা লুংশিতোম্বী উনগনি বাজলা থৌবদা মুনিৎ তাগ্রে। ঈরু মায়থক্কপোক্কুনা পোত্থাবতা ভায়রি- ইক্ফাক্কদগী লাকপা কার অমা বাজলা তমা প্রপ প্রপ থৌশিল্লকই হোয়োন পোংনা থোংনা। কার অতুদা য়াওরকখি মাগা য়াম্না শুনা তিম্লবা কপ প্রোফেসার তোম্বী, ডাক্তর কুমার, ডিরেক্টর বাসু অমসুং ওঝা সুরেন

এস ডি ও সাহেবকী ইজ্জৎ ভাক্কবা গ্রাদে আমিন চাওবনা শিন্দুনা ভৌবু ভৌবনে থোংবু থোংবনে—ভাগী মথেল মনা মশীং ছল্লাই আভৌবা অথোংবা অগ্রেৎপা অনোইবা সালাদ মথেল লুকোয় শেমলি চান-থক্কবা।

মরুপ মপাও পুন্নমক বিনয়গা লোয়ননা সর্ব্বত্ত ঠৈ মচীনচিংবা থক্কুনা স্নেক্স চা তুনা লেপ্পা লৈতনা রারী রাতাই শারম্মী।

মফম পুম্বা শীহ্নুংবা, অশীন অরাঙ হৈবব আমিন চাউবা ইশুদা শুনা শীনবা থুংনা য়েৌই—মরৈক্তা চাক তাক্লবতুনা এস ডি ও সাহেবকী দাইনীং টেবলদা ইকোয় কোযনা কমতনা পূক থল্লা চানরে। চানা চানা রারী শাট। মশা পুম্ব পূমশা শাগৎলে আশাবা রারী শাক্লা :

চাব-থকপা লোইরবদা ঈশৈগী ঈরাং অমা লাক্লে। মহৈ মহৈ ময়েক য়াওবা য়াওদবা ঈশৈ ওংনরকলে শরুরকলে—সাইতোন মাইতোন। মখোন লোন্নবা হৃৎহোই থান্নবা—তাব চাদবা—য়াইথ খিকন হাঁওন্দনা মখোঙ হুক্কবা ঈশৈশিংদু তা-ন্নদা লেপ্লক্লে। ঈশৈ অহৈবনা শকপা ঈশৈ তা-ন্নীংলকলে;—প্রোফেসার তোম্বীনা হায়রকই—

"ঈশৈ তা-কসি—বিষ্ণুপুরসি ঈশৈশকপী অকাওবী য়াম্না লৈবদাই—ঈশৈ তাকসে।"

ডিরেক্টর বাবুনা পাংশিল্লকই—

"এস ডি ও সাহেবমবু রাংপরা ?"

ওবা স্থলো অমুক কেনজিল্লকই—

"এস ডি ও হায়বসিদি সংতিবিজকপী নিংথৌনি+অরাংপা লৈবরা ?"

অওক্ষবমক এস ডি ওগী মিংচেং ইজ্জৎ ওাক্লবা খিনয় সাহেবনা আমিন চাওবা কৌরগা হায়খি—

"চাউবা বাবু—মখোইদুবু থেওলগদ্রা ?"

থাজৈলেংবনি—মতম অহু মুংদাংগী পূং ১১ হেল্লে। মী পূবা মুন-হিথবা মঙএনি। আমিন চাউবনা থুমলকই—

"সার য়ানি ঐ হোংনজগে।"

মীন্দনা গাড়ী অজিলা ১খোন্ন লোইবা তোংশিন্দুনা থেঙনাক্লকা অফিংচুদ। মুংশংতোম্বীথাই যৌগ্র। আমিনচাওবা থাশা লুন্ত্রে। কুংশিতোম্বী মাগৎ যাক্লা কাক্লী হৌগৎলকলে; ইমু'দ ফিদ্ধথাজে—

[illegible] কাদা। সুংশিত্তোম্বী [illegible] [illegible]—[illegible] মোমোন মোমোন নোকই। আমিন চাউবা শং [illegible] [illegible] মতুং [illegible] লৈবী [illegible] একাশিনী [illegible]।

খেত্তথরক্লবা অহিং অচুপা নথোল সুংশিরবী ঈশৈ হৈবী [illegible] [illegible] ঈশৈ [illegible] অভিসারদগী হৌবনা মথং মথং বাসক শয্যা—উৎকণ্ঠাগী মতাং লোইখিদুনা বিপ্রলব্ধা মতাং য়ৌরক্লে শ্রীমতীনা লৈগী শয্য চাইথাইরকলে। নোংমাই মতুং পুং অমি হেনজিনলক্লে। মতাং অসিরাইদা ঈশৈ মুত্তাইরমান্নে প্রোফেসার তোম্বী ওঝা সুরেন মকোক মথৈ য়ুংনা য়ুংনা ওনশিন্নদুনা “ব্রো ব্রো” নাখোরকলে।

মতাং অসিদা ডিরেক্টর বাস্তুনা সক্সেসন তৌরকই—“লাইগী নাম শোনবা ওকলে— মুত্তাইমনখ্রদুনা অনিমক্ত মূর্ছা [illegible]। আধুনিক অম্না অনিদং শকসিদনা।”

হৌজিক সুংশিত্তোম্বী একাশিনী জাহ্নবী মপোম্ন [illegible] অমগা [illegible] হাইরক্লং [illegible] নোকাক্লং [illegible]; [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] - অত্রুপা শক্লপাই,—ঈশৈ [illegible]। একাশিনীনা [illegible] জাহ্নবীনা পূর্ণী - পূর্ণ শকপিরে।

“সুংশিরবা [illegible]
[illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible]”

তোম্বী সুরেন [illegible] থোক্লে [illegible] - ‘[illegible] [illegible]’ ঈশৈশিং

ভাবদা অঙৈনা খোয়রুম নোক্রী। থিনয়ভদি মমাঙগী অহিং অমগী থা নীংশিঙলকখি।

মুমিং অচু থা মথায় অমগী মমাঙদনি। মুংশিতোম্বী একা জাহ্নবী লোয়নবা গোপীনাথকী মাওবত্তা ঊশৈ শকপা চৎনবা খোয়কই—লম্বীদা লৈরক মচান্দা ঠিকাদার মঙ্গীগী গাড়ী জিপ অমা থারি—মখোইবু পুম্নমবগী, মুংশিতোম্বী মমানা শীনবনি ঠিকাদার মঙ্গীনা কৎপা জগোইদুগী নি ইঞ্জিনিয়ার ধনেশ্বরনা ভাকদবনি।

মমাঙগী কুমিত্তা ইঞ্জিনিয়ার ধনেশ্বরগী গাড়ীদা মাগা মমাংগা তোংদুনা চৎখিবদু, বিনয় উহৌই ফ্রন্ট শিটতা মহাক ফমখি ধনেশ্বরনা খৌখি। মতু উরুবদগী মহাক থংশাউ শাউখি মুংদাংতুম্বা য়াদে। শাউবদু ঙসি ফাওবা কংত্রি মিং কক্লা অমত্তা উঙশিন্দনা মচুত্তা থন্দুনা লৈখি, নোংঙানখিবা থঙহৌদে। মুমিং অচু বিনয় অফিস কাদে। জগোই মুমিতুদা আমিন চাওবা কৌরগ' হায়খি—

"চাওবা বাবু! মহাক ঙসি চৎকনু থর হায়বীক।"

"সায়।"

মুংশিতোম্বী মুমিং অত্তু চৎখিদ্রে—জগোই য়াওখিদ্রে। মমুমদম্ব হঞ্জিন্দে এস ডি ও অফিসকী হেড ক্লার্ককী য়ুমদা চঙদুনা লৈখি। হেড ক্লার্কনা লৌরিবা মুপীত্ত মুংশিতোম্বীগী শাগৈ মচেনি।

ঠিকাদার মঙ্গীগী গাড়ী খোঙ্গ্রে একাশিনি জাহ্নবী পুদুনা মঙ্গীগী গাড়ীদা লৈশাবী অনী অহুম য়াওখিবদু বিনয় উহৌই। চাউবনমু পাউ হন্দোক্লদে মামা হায়বা ইন্দদুনা মুংশিতোম্বীণ্ড চংখ্রে থমুদুনা বিনয় ঙৈ হৌ-না শাওরে। ওইমবগা লোয়ননা থা অমা

ফাওবা হংজনা বাঙ্গলা থোক্ত লোনশিন্নগা মথন্তা লোংনা ফিত্তুনা রাখল কম্না থন্দুনা লেনখি। অহিং থেঙথরক্লবদা শিংখোংথোং তাম্না চংলগে হেক্তা কুমৈ ভোরগে থল্লকলে ফিনয়। আমিন চাঙবা কৌরকলে— লোংয়াই থোরকপদা—চংলনা গাড়ী থোকোরকলে মন্নাগী গাড়ীদা মুংশিঙ্তোম্বী য়াওখিদে হায়বা উরম্বনি হায়না পাউ হন্দোকচৌদবা চাউবা পাথংপগা লোয়ননা চেল্লকুনা এস ডি ও সাহেবতা হায়বৈ--

"সার মহাক্কী চংখিদে।"

মহু তা-নদা এস ডি ও খিত্তং মুতাইজে।

"অহুদি চংসি মখোইগীদা।"

"মাদি হেড ক্লার্ককীদা নৈ।"

বিনয় চাউবা চংল্রে মুংশিঙ্তোম্বী লৌরুরে বাঙ্গলাদা অহুম পুশিনল্রে থিন্দনা বাঙ্গলা মমুংদা অচৌবা কাও অমা থোকল্রে। ওক্রুং ওক্রু ওংখংনরকলে। মচীন থোক্লা থংনরকলে। বিনয়না মাবু শাখীনা চেকম নাহবা মথৈ ফুই-মফি ময়োল শেগাইবী— বাথোক্ত মন্নাগী গাড়ীদা ভোংই। ধনেশ্বরগী গাড়ী ফ্রন্ট সিটতা ফমহ—মাগী রা লৌদে। মুংশিঙ্তোম্বীনা হায়জবা অদে—অহুবু মাস্তু বিনয়গী চৈফু অহুম থাওই অওকপা মরীনি—হেক হকপাল্লবী মুপীস্থ নত্তে মুংশিঙ্তোম্বী- লুহোংবম্ম নত্তে, মৌস্থ নত্তে—লৈশাবীনি মপা মমাগ মনাক্তা লৈবী মথোয়না লুনা তৌজবীনি। বিনয় ক্ষেমা দয় লৈখিল্রে, মুখিং হয়ীচুপ শাউরকপন্থ মুংশিঙ্তোম্বীগী নজন্দা হৈথল্রে। থেঙথরক্লবা অহিংহুদা ফুন-চৈনবন্ধী মখেল তা-রহুনা

অমুক হেক্তিনবুরবদি [illegible] খোমজা [illegible] হৌরমুনা। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লেপকিনমুনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অপাডিবা পুথা [illegible] [illegible] বিনয় [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] চাদ্রবনিবা। [illegible] [illegible] [illegible] পেনখ্রমুনা ইখকপ [illegible] [illegible] পুন্না মানা [illegible] [illegible] হুমিং মুংবা মতুং অহুৱাইদা মমুমদা চাউবনা থিজখি। [illegible] অহুনগী উনখিদবনা ওলিফা উনরী বিনয় হৌরাওঙৈ মাবু [illegible] থনবদা।

ঊৈশে লোইশিন্নমুনা মরূপ মপাও পুম্না লোয়নব অমুক [illegible] মতমদা এস ডি ও বাক্সদা হায়কখি। [illegible] অহুনগী হেনা নৌজৌনা মখোয় [illegible] চাকবা [illegible] মরু চেংঙ্গে [illegible] [illegible] হুংশিন-নকলে। [illegible] [illegible] [illegible] চাওবা ইকাইখুম্নে হাওলৌ।

মখোই [illegible] [illegible] [illegible] লৈমা ইবেমহনগী নাকোই লোই। লৈমা [illegible] থী শাউমু শাউনৌংহ। মপুরোইবমু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পামদে—[illegible] করি [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] মা লৈমা লৈমা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] চাউবী ইবেমহল—[illegible] [illegible] বিষ্ণুপুরদা চৎখিবখি। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মনাকোংদা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] চাউবগী [illegible] [illegible] মখোইগী [illegible] [illegible] হুদবি—

মুংশিত্তোম্বীগী মরমদা। বিনয়গা চাউবগা অনিগী মখোদা অহোংবা অমা উবদা মচাক্লা রাসি চাউবগী মুপীদা হংলুবনি। ইবেমহলনা উখি—চাউববু লাকই হায়রবদি নারে হায়তুনা মী অমত্তা উনদনা মনাক্তা মী অমা ক্লাওবা চত্তবা য়াদনা লৈরম্বা বিনয় নাবা কতুনা ফুক হৌগতুনা চাউবগা উনতুনা র'রী হেক্লা শাই। অতুবু চাউবনা কম্না মেনখিবনা চাউবগী মুপীদগী ইবেমহল কান্নবা য়াবা পাউ অমত্তা কংখিদে।

"মীনা মুংশিদতুনা কল্লক্লুনা হায়ক্লিনবা ওইরমগনি" খল্লা, ইবেমহল খর ঊংথতুনা লৈরি। অতুবু মুমিৎ থুদিংগী বিষ্ণুপুরদগী হা অতুম তৌরে, অদা তৌরে হায়না রাসিনা ইবেমহল নাকোং শীংজা লৈরে। মীনা হায়জিনবা ওইরমগনি হায়না কল্লোক্লুনা লৈবা ওয়ক্রে।

"করিগুম্বা মতুনা চুম্নবদি"- রাখল অসি মহাক পুবা ওমদে। মরমদি মানা য়াম্না মু'শিভরিব হকপান্নরিবা মুপানা মাবু মীরায়রতুনা অত্তোপ্পী অমবু মু'শিখ্রে— লুনা তৌখ্রে হায়রবসি পৃথিবীদা লেরিবা করম্বা মুপীনা খাওবা ওমগদগে?

"অচুম্বা অমা হেক্ত হশানা খঙলগে—চুম্নগা কুশ্মৈ তৌরগে—মানা পান্নগা পাল ঐনা লৈরগা লৈ—ইকু ইনেমম্মু খর মক্করে।" অসি খল্লুনা রাকচীং থাগী মঙ্গলাঙ্গীদা শ্রীগতুনা চীন-য়া শেং, ঈক মায়থ মকে শেম্নগা মনাও মুপাপী ক্লাম অত্ তোংতুনা বিষ্ণুপুর মায়কৈ পাংখরে।

মুমিৎ অতুদি বিষ্ণুপুরদদি মুংশিত্তোম্বা মিত্তাইদনা এস ডি ও

সাহেবকী বাঙ্গলাদা তুম্মী। মমাঙগী অচিংদা বিনয় সাহেবনা তোর্ব্বুংগী ঈশৈ শককমদগী লৌরুবনি লান শাগ্রবনি শা-লান মরক্তগী মুন্দুনা পুরকপনি।

সুমিদাংবাইরম তোর্ব্বুংগী বস তোংলমদাইদা মুংশিত্তোম্বীনা হায়রম্মী—

"হৌ-চাউবা! হোয়েন ঐথোয়বু থর লৌবিরোকো"

মথোয়না তোংনবা থাহনা থম্লবা জিপ গাড়ীহুদদি তোংদহুনা বস তোংখিবা অহুদা ঠিকাদার মঙ্গী মৈ হৌনা শাউখি। অতোপ্পা জিপতা তোংহুনা লৈরিবা ওসাইমথৈ মথোয়দা কানচিংবা লান্দুনা হোৎনরিবা মঙোন্দদি হায়রমদনা করিস্সু লৈত্রবা আমিন অমদা মথোইবু লৌবিরো হায়রম্বহুদা ইঞ্জিনিয়ার ধ[illegible]শ্বর মনা পায়বা য়াদ্রে। মথোয় অনিমক চপ মাম্লনা থনখি রা তানখি—

"ওসিদি তোর্ব্বুংদগী মাবু হেক্তা নমহুনা চিংগে। এস ডি ও লৈরম্লবদি মাবু হেক্তা থুঙ্গোইনগে; লম্বীদা লাক্লবস্সু লুমহুনা ফুহনগে গাড়ী থুগাইগে।"

সুমিং অহুমক্তদা বিষ্ণুপুর প্রধানগী মচাম্লুপা চন্দ্রস্সু—

"এস ডি ও লম হেনমল্লি, ওসিদি ঠিক তৌনি।" হায়হুনা খুং লিংহুনা তোর্ব্বুং লম্বীদা গাড়ী লাকপা ওাইহুন। লৈ:র।

বিনয় সাহেব তোর্ব্বুং চৎনীংবনা খ্রো-খ্রো লাউরি—সুমিং তাবা ওাহওমদে। মমৈদা তাঙ্গা য়েংনা সুমিদাংগী পুং মাপল লোম তারকপদা চাউবা আমিন লোয়ননা বিষ্ণুপুরদগী তোর্ব্বুংলোমদা গাড়ী থোখি। লমথাইদগী মোইরাং বাজাররোমদা থোঙ্গে অহুনা লমথাই

মথাদা তোর্বুং লম্বীদা ঙাইবিবা চন্দ্রসিংগী কাণ্ডবুগা থেংনখিব্রে। এস ডি ও গী গাড়ী মোইরাং বাজারদগী কুম্বীরোমদা হাইথরক্লগা অশম্বী লম্বী অমদা তোবর্বুং তান্না কাওরক্কখি। লম্বী অসিগী মযায়দা শেম্বা লোইজিবা কলভার্ট অমা লৈবনা গাড়ী চংহান্দ সন্ত্রি তৌহনা লৈ। অথেঙবা অহিং অহুদা এস ডি ও গী গাড়ী --অরুবা থবক্কী চত্তুবা য়াদবনি হায়নহুনা কলভার্ট লান্দুনা চংখি। থিন্দনা তোবর্বুংগী মাগুব অহুগী খারোমদা চংলিবা লম্বী তাহুনা মাগুব মনাক তাম্না খৌজল্লকলে। নুংদাংগী পূং তরা থর হেল্লকপদা এস ডি সি সাহেবকী অতোপ্পা গাড়ী অমা মোইরাং লমথাইরোমদা এলহাং তম্না হাইথরকখি। চন্দ্রসিংগী কাণ্ডবুনা তোবর্বুং ময়াদা থংখি—অহুবু এস ডি ও য়াওরমদবহুদা ময়া কুমহুনা লৈহৌরে।

অসোমদা মাগুব মফমদা এস ডি ও গী গাড়ী উবদা ঠিকাদার মঙ্গীগী থুংনেক কাণ্ডবু ইঞ্জিনিয়ার ধনেশ্বরগী থুংনেক কাণ্ডবু মথুম-মরাঙ হৌ-রে— খোইবেন মশা শাইরে। বিনয়না গাড়ীদগী হেক কুমথখিবগা মশক উইন্দনা লুমহুনা গাড়ী কোয়শিন্দুনা লৈখ্রে— এস ডি ও না মুংশিতোম্বীগা লোয়ননা গাড়ীহুদা হেক কাখংপা ঙাইহুনা।

বিনয় সাহেবতি ব্রাহ্মণ পুজারী মাগুব মপুহনা মাগী মযুমদা পুশিন্দুনা চা-থকলি তম্মচিংবা অচা-অথক শর তৌরি। মাগুবতনা মুংশিতোম্বী একা জাহ্নবী ঈশৈ খেকথরি। মীনা চোল্লবা মাগুবতু চেক মোক লাউদে। মতমহুদা মাগুবকী নোংপোক কাচিন্দা আমিন চাওবা হেব উন্দা মুংশিতোম্বী মনিং—মনা তথক তথকই—ঈশৈ তান

কায়গে কায়গে তৌই। মমিংনা ঈশৈ লোইশিন্নগে ইজিত তৌই। আমিন চাউবনা অত্তাং অমা থা-জিন্দুনা শেল থাহল্লুই—ঈশৈ শকথংখো হায়রুই।

ঠিকাদার মন্ত্রী ইঞ্জিনিয়ার ধনেশ্বর প্রেক প্রেক লাউরবা অহনবা নোট পিনদগী শংল শংলদুনা মুংশিতোম্বীখোইগী থুবাক্তা জয় জয় হৈথরী

মমিং মনা শিংলবা আমিন চাউবা এস ডি ও গাড়ী মনাক্তী ঈরাক্ত মুন্না থগুখি। সাহেব চোপ্পা য়াবা নত্তে। এস ডি সিগী গাড়ী হেক য়ৌরকপগা আমিন চাউবনা গাড়ী অত্থু মাগুবকী অরাং থংবা মী কয়া চংনদবা লৈরক্তুদা থাহল্লে গাড়ী শেমজিন্নবা শাহুনা ড্রাইভরনা বন্নেট থাজত্তুনা টৌর্চলাইট বেটরী কাগুনা য়েংলি। তাঙ্গাসিদা চাউবনা পুজারীগী য়ুমদা চঙলগা বিনয় সাহেবত্তা মরম পুম্বা গুগাইনা তম্লুরে। বিনয় মাগুব চংলমদনা অতুম মথত্তা লোম্না অরাংলোমদা পোকখিদুনা এস ডি সিগী গাড়ী মঙ্গংদা তুমিন্না কমদুনা ভাইখি।

মাগুবত্তা আমিন চাউবগী ইজিত ফংবদা ঈশৈ লোইশিনখ্রে। ইঞ্জিনিয়ার ধনেশ্বর মাগুবকী নাকন্দা চম্বীদা শেম শাহুনা ভাইরি। মফি-মরোল হোংদোক হোংজিন ময়াম মরাক্ত মরাক্ত তৌরিঙৈদা ঈশিং থকপা শাশিন্নদুনা পুজারীগী য়ুমদা মুংশিতোম্বী চঙলকই। তাঙ্গাহ্ নাম্ভোকহন্দ না আমিন চাউবনা মী কন্না থগুহন্দনা শং অরাং খোঙ্গান্দা পুখোকখিদুনা এস ডি সিগী গাড়ী মঙ্গংদা হাপচিন্নুরে। থুদক অহুমক্তদা গাড়ী শেম্বা লোইরদুনা কুম্বী লম্বী তাবা হান্না

লাকপা গাড়ী চৎনরবা লম্বী অদোমদা বিনয় মশামক্কা থোৌহনা বিষ্ণুপুর এস ডি ও বাঙ্গলা য়ৌখ্রে। ময়াম পূম্বা চৎনগ্রবা তুংদা কোয়া হাজনবা এস ডি ও গী গাড়ীহ্ন ভপ্পা ভপ্পা অথেঙবা অহিংদা বিষ্ণুপুরদা মরুকখি।

নোংয়াই মতুং পূং অমরোম ভাবদা আমিন চাউবা মাগী কার্টরদা চত্তুনা তুমখখি। অতুবু মহৌশানা অমুক ওয়া হৌগনবা মাগী হৈনবী ওইবনা মঙ্গলার্তৌদা মিকপ থোক্তুনা চীন-য়া শেংহনা মশা শেংদোক্কুনা মপান্দা অঙাংবা মুংশিং চাহনা হৃজং হন্দা চৎলি তু উত্রকপদা কায় অমা এস ডি ও বাঙ্গলা ডম্না থোৌগখলকপহ্ন উখি। কায় অহ্ মশক খঙই—এস ডি ও গী মনাও মুপাগীনি।

এস ডি ও সাহেব নীঙাইকনা তুমলি। মাঙলে হায়হনা আমিন চাউবা অশম্বা লম্বী মম্বম লিপ্তুনা চেনখি। মনীংথোঙ দং দং য়েহনা খিনয় সাহেব হৌদোকখি। কায় অহনা এস ডি ও বাঙ্গলাগী গেট হেক লানাশল্লকপমক্কদা হজাম মপান মতেক ইম্মকী সেগা ওয়া ইন্দুনা ঈশিং সনাবুল অমা সেগাদা য়েপ্তুনা লৈশাকী অমা ওয়বা অমুক অহদা ভপ্পা ভপ্পা বাঙ্গলাগী টোটিরোমদগী থোকখিবা ইবেমহলনা কায় মজুংদগী উখ।

ইম্ফাল

সেপ্টেম্বর ১৯৮৫ ইং

হিংচাবদুনা তৌগে নীংলিবদু করিনো

ইংশোক ১৯৮০ গী য়াদি। প্রোফেসার চাওশিং হুমিং খুদীংগী কৈথেল কায়। কলেজগী ক্লাস লোইরগা ময়ুমদা হল্লকপদা মুংথিল মুংদাংল্লাইরম হুমিং খুদোংগী থ্বাইরম্বন বাজারগী ঙা-য়োনফম অমসুং মনা মশীং য়োনফমদা কোয়বা হায়বসে মাগী তঙাই-ফদনা তৌদবা য়াত্রবা থবক ওইরম্মী। মহাক্ন কোয়সং চংলি—মুন্না য়েংই মস্তীক্কে অতুগা ঙা মচা থব মনা মশীং য়েন্সাং নাপী থর লৈরগা থোরকই—অতুগা থাও অমদা হাপ্লগা মত্ত মাগী মখোঙ অনি পানবা বজাজগী হেঙুলদা য়াশিল্লগা ময়ুম তাম্না হেক হেক পুদুন চংলি। নোংমাইজিং খুদীং অমদি ছুটি হুমিং খুদোংদদি মাগী মেম রাণীস্না তত্তুনা য়াওই বাজার চংপা ঙা য়োনফম মনা মশীং য়োনফম কোয়চং চংমিন্নে। ঙা য়োনফমদা-হুমিং অতুদদি মস্ত রুদে-মাগী রাণীনা থুদোক্কীনা থিনবা অচৌবা বৌদ্ধ হেক্তা লৈ। কলেজ্জা লৈখ্রবা প্রোফেসারসি।

প্রোফেসার চাওশিং বাজারদা ঙা-য়োনফম মনা মশীং য়োনফমদা কোয়না চংপসে অপুক্কী মতীক চাং নাইখ্রে; নোংমগী শোয়বা লৈখিত্রে—অতুনা অয়াম্বনা অস্তুন্না ঙাঙনৈ—"কনাগুম্বনা প্রোফেসার চাওশিং উনগে হায়রবদি—বাজারদা চংলু শামু মখোঙদা মুংথিল পুং ৫ য়োম তাবদা ঙাইয়ু।" থাঙ্গে শেংবনি মতম অতমক্কদা প্রোফেসার চাওশিং মাগী স্কুটর তোংতনা ময়ুম চংনবা মফম অতুমক্কদা য়ৌরকনি।

প্রোফেসার চাওশিং করম্না হৌরকপগে খঙবীনীংলবদি তাবীয়

হায়রজগে। মহাক অসি মমা মপাগী অমত্তা পোকচবা মচাহুপা তোম্পোক্লী। মচীঙ্গাক চাজবা রাত্ত-পাদবা ইমুংদা পোকপনি, মপা মমানা লুনা তৌবা নান-নান্দুনা থমজবনি। অহুনা থর লম মহেল্লী—চোঙলম কয়া চাদে। পাখণ্ড ওইরিঙৈদা মহাক অকল-অথৌনি খুনেক্তা কয়া য়েন-শুনরকখি—লাম্বা থিংদে অহুনা মকোক্তা মমায়দা মশাদা থাগুগী থাগুকম চুরীগী থিনকম ডাক্তরনা কোৎখিবগী মফম দাগ থরস্থু মরৈ।

চহি কয়া চুপ্পা কর্ম্মচারী ওইদুনা সরকারগী থবক তৌরকপা অমদি মপা মমা শিগ্রবা তুংদা .থংনরকপা অরা অনা কয়ানা মহাকী লাকশিনবা গুমত্রবা কাহেনবা শাজৎ অমদি লিংজেন অহু য়াম্না শেমদোকলে। মহাক মশামক জ্ঞান য়াম্না তারবা অচুম অরান লেপ্পা ভুম্রবা ভদ্রলোক অমা ওইরে থঙ্গরে। অওইবমকস্থু মহাক চহি ৫০ শুরে- মচা তরেৎকী মপানি—থিন্দনা মপুবোক ওইরগদবনি হুমিৎ থরদংগী তুংদা

অদুবু মরক মরক্তা কহিগুম্ব কালদা মাগী তুমহুনা লৈরুরবা মিহুলহু অমুক অমুক কাড়লকহ—মহৌশাগী লিংজেল—কা হেনবা শাজৎ অমুক নৌচৌনা মথি ফোংলকই। মতমদুদা মহাক অভাগুব-গুম হায়নি-হায়রোহ থগুদবা অক ফক্ত জ্ঞান য়াওদবা মীশক অমা হেক হেক ওল্লকহ—মতমদুদা লাম্বা থিংলক্তে - অউবা থেংনরুবা পুম্বা শাংনৈ-থৎনৈ য়েনৈ। হুন্দক্তা লম হোল্ল হায়না থনবা ব্যবহার য়াওদবা ছাত্র অমগা শীংনহুনা কাগুজেবুং থোক্লখি অমস্তুং মহু থাম্রবগীদমক প্রিনসিপালগা শাথিনা থৎনখি।

মহাক্লা থাজারদা তাংয়োম্নবম অমন্তুং মমা মশীং য়োমকমদা লুতিবী কোয়ম্না চংশনা ডাক্তর তোমশিং হেক হেক থেংনৈ চংশিন্নৈ। মথোয় অনিমক শু্না য়োনকমমদসু মনা মশীং য়োমকমসু অয়োম্বী অমথক্তদগী শূম্না শূম্না মশুন্নৈ। অহুগা মথল অমন্তুগী ভা অমন্তুং মনা মশীং হেক হেক লৈ। ডাক্তর তোমশিং বা কয়া ভাঙমবা য়েংবদা মুডাইবা মীতাঙি মা থরতা মশাঙই—অহুগা কম্নি কম্নি মতমদা মতাঙ চানা কাগী-কারাং কৌবা য়াম্না হে। সুমিং অহুনা প্রোফেসার চাওশিংনা ডাক্তর তোমশিংবু শানু মথোও মক্তা হেক থেংনৈ।

"হ্যালো ডাক্তর!"

"হ্যালো প্রোফেসার!"

"ভসিদি কম্নি লৈসিগে?"

"মহৌশাই মহৌশাইদু মশাই।"

"ওসিদি থর হোংহুনা য়েংসি।"

"কৈদে।"

"অয়োম্নবমু হোংপক্রা?"

"ঐগি অহুম্না থক্সি। মরক মম্নক্তসু হোংবগু কৈদা।"

অহুদগী মথোই অনি থাজার মন্থুং চঙমিন্নথরে। মথোই অনিমক অহানবদা ভাঙ্যোনফমদা চঙজনা কোইয়েং য়েংবা হৌখি।

সুমিং অহু ইংশোক ১৯৮০গী নবেম্বর থাগী মুংদাম্বাই অমনি। মতম অহু ইম্ফাল সহর অসি কা হেনবা থরগী খুবামমুন্দা কৈশুম তৌরম্মী। ইওন ওম্না মুংখিল পোথোক্লা ফাওবা মফম মরুমদা

নোংমৈ কাপ্পবা হাৎনবা শেল মুনবগী থৌদোক কয়া ইতত্তুনা থোক্লম্মী। মরক মরক্তা সরকারনা কর্ফ্যু জারিরম্মী। মীনা থল্লবা ইম্ফাল বাজার অসি ঈংনা লল্লোন ইত্তিক তৌবা ওন্নমদে। মখল খুদীংগী পাউ অমদি থৌদোক্তা মীপুম খুদীং মিপাইনরম্মী। মীয়াম্না লোম্না লোম্না তাওনরম্মী—লৈবাক অসি হৎকংদা মিপাইনবা অতুগা চপ মান্নরে। সিগুম্বা মতম ফাওবা সিগুম্বা নাগাদদি নোংমৈ কাপ্পবগী মী হাৎনবগী থৌদোক অমত্তা থোকলোই হায়বা কনাস্থ থওবা ওমদে মীপুম খুদীংমক অসিগুম্বা থৌদোক অমদা হেক্তা লান্নংনক্নবা য়াই। করিগুম্বা জাগা অমদা কা হেনবা কাওবুগা সরকারগী সিফাংগা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক থোক্লবা মফমত্তুদা খুদোংথিবা নংবদি মবাগ লেত্তবা মীওনি। মরমদি কাওবু অনিমক অসিগী অমনা মথোং ওৎ নৈব শোয়দবনি।

বাজারগী মুখ্য পুম্বা মুমিৎ তাত্রিত্তৈদা ওন্না থোক থিংনৈ। অয়োনবা অশেংবা পুম্ব থুনা থুনা মুমিৎ তাত্রিওদা লৈবা-য়োনবগী থবক পাওথোক্লে—মস্তিক্কবগী মতম লৈতে। মুমিৎ হেক তাথিবগা বাজার লম্বী-লমথাও পুম্বা পুমহাও হাওই—পুমচৌক চাকহ। হলং-হন্দা পেট্রোলিং তৌরিবা সিফাইগী গাড়ী—লোম্না চৎপা কা-হেনবা কাওবু নওনা কনাস্থ মপান থোক্লদে। অহিং অথেওবা অওনবদা—লাপ্পা নক্লগা নক্লা নোংমে কাপ্নগী মথোল, কাপ্পবগী থোঞ্জেল বোম পোথাইবগী মথোল মরক মরক্তা তত্তনা জা-বা কংই মীপুম্বা মিপাইনৈ থোও লোন্দুনা খাওনৈ।

খুৎলাই শুনা পায়রবা সরকারগী সিফাইশিংনা মরু মরু ওইবা

মরূম লম্বী থোং অফিস বেক্ক ভ্যাক-শেল্লি। মরক মরক্কা লম্বীদা খুৎলাই পায়রা কা হেনবা কাওবুনা শেল মুল্লি সিফাইগী নোংমৈ মুল্লি অমদি বেক্ক বসনচিংবা লুট তৌই। অতুনা মকম মতম নাইদনা খুৎলাই পায়বা সরকারগী লাম্লানা লম্বীদা থোংদা ইতত্তুনা বস কার জিপ স্কুটর সাইকল ক্তোংবেত্তা নত্তনা লম্বী চৎলিবা মী মুপী অঙাং মাওনা লম্বীদা থামই পবেং নাইনা লেপহল্লি চেক তৌই। অতুনা মরাল লৈতবা মী কয়া ইতত্তনা ওৎপী নৈবী। অদুম ওইনমক কা হেনবা কাওবুনা শেল লাকপা মী হাৎপা সিফাইদগী নোংমৈ মুনবা থক হুম্বা লৈরমদে।

অসিদসু নত্তনা কা-হেনবা খুৎলাই পায়বা কাওবুনা নোংমৈ উত্তুনা জিপ কার স্কুটর সাইকল মুনবগী থবকসু কৃংলম্মী। নোংমা কাংদে জিপ কার স্কুটর মুনখিবগী পাউ। মশাগী অমদি সরকারগী কার জিপ মুনখিবা য়াই মিপাইনৈ অওইবয়কসু ডাক্তর তোমসিংগী অহনবা স্কুটর অদু মুমিং থরনিতগী মমাঙদা R M C দগী ময়ুম হল্লকপদা লম্বীদা খুৎলাই পায়বা কাওবু অমনা নোংমৈ উৎতুনা মুনখিবত্তা ঙায়রি। অসিগুম্বা পাউসে প্রোফেসার চাউশিংগী পুক্লীংদা মুমিং অত্তুদা কাওবা কাউবা লৈত্তনা নীংশিংলি। প্রোফেসার চাউশিং মাগী স্কুটরদু থাঙ্গাল বাজার লম্বীগী পার্কিং তৌফমদা চিংন চিংলনা থনম্মগা ডাক্তর তোমসিংগা পোৎচৈ লৈবা বাজার মমুংদা চঙলকখিবনি।

লাইবক্কা অদুনা মুমিতুদা হায়রগী থঙনবী ঙায়োনবী অমত্তা লৈরমদে। অসুম অসুম য়েংনা য়েংনা লাকপদা ঙায়োনবী মো নহা

অমা থেংনৈ। কুচু তৌই তোঙানবা কৈ। মানা য়োল্লিবা ঙাদি অচৌবা ঙাক্তনি। মখোয় অমিগী ফুরিংখাওদা য়াওরিবা শেলছু পুনশিল্লবসু মতোন্দগী ঙা অমা ফাওবা লৈখা ওল্লোই। মুপীছু মুন্না য়েংলগা ঙাগী মমল হংবগী মহুত্ত—তুমিন হৌদোং চফু ওন্না ডাক্তর তোমসিংনা হেক হায়রকই মুপীছুতা ত মনবা—

"ইবেম্মা নপক অচুক ফজরগা করিগী ঙা য়োল্লিনো ?"

মৌ নহাছু কৈস্নু খুমদে তুমিন্না নোক্লুনা লৈ

কৈস্নু খুমক্রুবছুদদি মখোই অনি মতোন্দগী ঙাস্নু লৈরোইদবতিনা অতোপ্পা মফমদা চৎপা হৌরকই খোঙকাপ তরামুক চৎলবা তুংদা ডাক্তর তোমসিংনা অমুক হন্না মমায় লৈথোক্লুনা হেক য়েংলুই ;—মছু উবদা ঙসাইগী মৌ নহাছুনা হৌ না ইকোং কোংনা নোক্লা নোক্লা লাওরকই—

"হো অচুম্না য়েংজ্রবস্নু—কোয়গেস্নু য়ানিয়ে।" ফম্মিন্নরিবা ঙায়োনবী খর রা লাউনা নোকখি ডাক্তর তোমসিং মায ঙাংতক পরপ পরপ চৎমিন্নখি প্রোফেসারগা। খর চৎলগা কুচু পাল্লবী খঙক তৌবী মমিং মনা কোয়োক কোয়োক ওনবী ঙায়োনবী নহা অমা অমুক খেংনরুরে। ঙা-মচা ঙাসেপ অতেকপা ফাবৌঙা য়োল্লমী— মখোয় অনিনা য়াম্না পামজবা ঙাতানি—প্রোফেসার অমসুং ডাক্তর মখোয় অনি চঙছুনা কন্না মস্তীররম্মী ফন-কন্না মস্তীররবা ফাওবদা ঙায়োনবী অছুনা হায়খিবা মমলদগী শিকি অমতা ফাওবা ঙাও হায়বা য়ারমদে। অম্মুম্না মশুম চঙনী খোয়দৌ শাও-গৎপা মখে মস্তীররবা তুংদা মুমিৎ তাগদৌরব্রবদা মখোয় অনীমক

ঙাসেপ আতেকপন্থু চামা চামা লৈরে মমল পীরবদা অচোইবা থর হন্দোক হঞ্জিন তৌনবদা প্রোফেসারচাওসিংগী হল্লক্কদবা শিকি অমা য়াংলি। ঙাস্থু যোমশিন্দুনা থাউদা হাপ্লা লোইরবা ক্ষাওবদা শিকিস্থু হল্লক্রে। শেল হন্দোক হঞ্জিন পূমলোহ লোইনরগুম ঙাযোনবী মুপী অন্থুদি থৌ-রা শাদনা লৈথোকখ্রে। ঙাইহাক ঙাইরে য়েংবদা মরীং-মরাংলকএ। মতম অন্থুদা প্রোফেসার চাওসিংনা হায়রকই—

"ইবেম্মা নঙনা ঐঙোন্দা হন্দোক্কদবা শিকি অমা য়াংলি।"

ঙাযোনবী অন্থু—প্রোফেসারগী য়াস্থু ভাবদা থংগ্রেক থংই—ইওক ঙকই—হায়রকই :

ইমাইপেম্ম—ওস্তোক্রস্থু চোপচখ্রে - ইঙে বাবু সাহেব—ওস্তোক্রস্থু লৌকখ্রেদা অচৌ অশাং- বাবু সাহেব মান্দা কৈস্থু লৈতবা শিকি অমা ফাঙলা ঐবু হল্লু হেক মহায়বা!"

মস্থু ভাবদা খুদক্তা প্রোফেসার চাওসিংনা হক খুম্লকই —

"ইবেম্মা! নঙদি ঐগী মুংশিনবস্থু নত্তা ঐনা কোয়বা আত্তাম্বীগী নত্ত নঙোন্দা করম্না শিকি অম খুদোন তৌদবিরিনো?"

মস্থু তাবদা কী-কা কায়্রবী ঙায়োনবী প্রোফেসর চাওববু চাগদগুম য়েংলগা পানবী ঙায়োনবীদগী শিকি অমা তনপু পুরগা হেক পীরকই।

শিকি অস্থু ফুরিংথাওদা হাপচিল্লগা মথোয় অনি মনা মশীং য়োনকম লোমদা হেক চংখি। য়েন্সাং নাপী য়োনক্কমদা য়াম্না য়াঙাং

শাঙাং হৈবী মৌনহা অমা কোবী য়োল্লম্বা থেংনরুই। কোবী য়োনবী মুপীহুনা হায়রকই—

"য়েংঙোই বাবু সাহেব লেঙশিনবীরকউ ঐগী কোবীসে অমুক্তা য়েংবীয়ু। অক্ষবা অচৌবা ঙাক্তনি অমমমদা লুপা লুপাদনি য়েংবীখো—থরম্মু লৈবীখো।"

মখোয় অনিনা কোবী অমমম লৌখৎলগা খুবী খুদোম্বীনা মেৎ মেতুনা য়েংলম্মী। মখোয়না কোবীদা মেৎপহু উরগা কোবী য়োনবী মুপীহুনা হায়রকই -

"ওম্বোক্রম্মু মেৎকন খোকনম্ব্রে - কোবীহু মাঙবা তারে। য়াম্না মেৎনীংলগা নয়ুম নয়ুম চৎলগা পেনথৈ মেৎলুচো।"

রাহু ভাবদা মখোয় অনিমক মোমোন নোকই—কোবী অমমম লৈরগা য়েন্সাং য়োনক্ষমদগী থোকমিন্নরকই।

থাক্সেশেংবনি মতম খজিক্তংগী মমুংদা মথল থরগী মুপী থেংনরুবা—মখোয়গী মতৌ রাঙাং শাঙাং ভা-রুবহুনা প্রোফেসার চাওসিং মবুক অহু মরাঙ মরাঙ ভৌরম্মী। মুখিৎ ভাগদৌরহুনা মখোয় খুংলৈ থুনা স্কুটর থাকম ভান্না পরপ পরপ লাকই—হন্না তুনা য়েংলমদে। মাগী স্কুটর মনাক্তা হিংচাবা মানবা পাথঙ অমা লেপলিবহু উরমদে। পাথঙ অহু থাক্সেশেংবমক হিংচাবমক্নী। ফুট ৭ লোম রাংই—দেম-কেয়ার কোই থাকই—থদাংদা থিজো থিজো লাওবা মকোই হৌই—মকোক্তী শমখিং অহু শাংতক ভৌরগা ইফা-ফাই য়াম্না হকচাং ভপনম্না জিন শেৎলি--হাওকি অমম্মু ইল্লি। অসিগুম্বা পাথঙ হিংচাবা অমা মাগী স্কুটর মনাক য়াম্না নক্না লেপ্লী হায়বা করিম্মু

থল্লুদনা প্রোফেসার চাওসিং মাগী স্কুটর অহু তাপ পায়—শো থোক। হাংদোকই অহুগা লৈয়দনা ইল্লোরকই। স্কুটর অহু ইল্লোরকপদা চাও-শাংলবা পাখঙ অহুদা খেংলমগদবা শন্না মকে অমরোমদা মত্তাই থেংদ খেংলবোং খল্লিত্তাইনি। পাখঙ অহুন্দ্র লেপ্লীবা মফমদগী ইকি অমা ফাওবা লেঙথোক্তে—প্রোফেসার চাওসিং মতমন্থুমক্তদা য়েংখোরকই—মহাক্লা খঙ্ঙই গাড়ী অহুনা লেপকমদগী শুকলেঙ লেঙদনা লৈরিবা পাখঙ হিংচাবহু থেংনীং খেংমাং তৌরবসু থেংদি থেংখিদে - মান' যেংথোরকপদা করি উাথ —

পাখঙ অহুন' মঙোন্দা চাগদবকম য়েংহুনা লৈরম্মী। পাখঙ অহুগী মিৎযেং অহু মাবু য়াম্না উশিত্তবা থৌওইদবা অহুগা মাবু শীংনবা মিৎয়েংনি। চুম্নগী অচম্বা মী ওইরম্নবদি মিৎয়েং অহু উবদা পুনত্রে হেক তুগদবনি।

মিৎয়েং শহু উবদা প্রোফেসার চাওসিং পুক্নী'দা মথল মথা রাথল কয়ামুক থনখি।

পাখঙ অসিবু রারীদা য়াওরিবা লঙ্কাগী রাবণ হায়রবহুগী তুংইনবা হিংচাবরা? মহাক্না করি তৌরক্কদগে? মচিন্দগী থীরবা থোন্দা করা মথং মথং থোরক্কত্রা? মহুম তৌরক্লবদি ঐনা করি? নত্রগা মহাক্লা মাবু লামহুনা হেক ফুবক্কদরা? অহুম তৌরগনা কমদৌবা? অহুবু হিংচাবা পাখঙ অহু রা মচেং অমম্তা ভাঙদে— মাবু য়াক্লা মুম্না থৌওই উশিদ্বনা শীংনবগী' মওংদা য়েংহুনা লৈরম্মী।

প্রোফেসার চাওসিংগী মশিংঘা শিতং লৈরিবত্থু মথি কোং-লকলে—শীংনবা অহু মায়রোং য়াহুনা শায়েং পাম্বোম ভানগে খল্লকলে। মতম কুইনা তুমহুনা লৈরম্বা মাগী লমহেনবা অহুগী মৈরীক অহু মৈজাওবী ওল্লকলে। অহুনা মাম্থু রা মচেৎ অমত্তা ভাওদনা হিংচাবা অহুদা ওনশিন্দুনা—মাগা চপ মান্ননা উশিং থৌওইদবা শীংনবা মিথেং অহুনা য়েংহুনা—মখোয় অনি মিৎ চানরম্মী। অমুম্না মিৎ চানহুনা মখোয় অনি মিনিট অমরোম লেরম্মী, ডাক্টর তোমসিং মিহুল লরাই লেক্ক্ যৌপ্রে—মকলাক থক থক নীক্লকলে।

অহুদগী ঈখঙ খঙহৌদনা হিংচাবা অহু থোক হেক নোম্থখি। প্রোফেসার চাওসিং মশম মনা চপ চপ য়ুংলম্মী। ফিভম শেমহুনা লৈখি। হিংচাবা অহু মাগী উশিং থৌওইদব. শীংনবা মিৎয়েংহুদি ইহোং হোংদনা মশা অহু নোম্থহুনা স্কুটরগী নম্বর প্লেট তুদা মুম্না য়েংখি।

মহু উবদা প্রোফেসার চাওসিং রা ভাওগে—করি তৌরিনো হঙ্গে খল্লা মচিনবান কাথোকপা হৌরকই—মতম অহুমক্তদা মক্লাক নীক্লবা থুকউ অনি গম গম থেংনরবা ডাক্তর তোমসিংনা মাগী ফুরিৎ থুদাং পায়হুদা খংচিং চিংলম্মী প্রোফেসার চাওসিং জ্ঞান খংত্তা ভারকই—পাখঙ হিংচাবা অহুগী মবুক্তা নোংমৈ অত্তেনবী অমা থেৎপা উথিগুম তৌই। প্রোফেসার চাওসিং রা মচেৎ অমা ফাওবা ভাওলমদনা স্কুটর অহু খর ইন্থোকখিহুনা খোংকাপ মঙা তরা

চথোরক্লগা থুনমক ষ্টার্ট তৌহনা—ডাক্টর তোমসিংনা মতুংদা অনিশুবা সিটতা ক্ষমহনা অহুম থৌক্রে হল্লকাও য়েংলমখ্রে।

লম্বীদা মথোয় অনিমক লাউনা মচিন থোক্লা চপ মান্না রাখল থনখি—

"হিংচাবহুনা তৌগে নীংলিবহু করিনো?"

এপ্রিল ১৯৮৩ ইং

১৭

দাবি

ওক্টোবর থ লোইরকপদা দিল্লী সহরগী মঙাং অশা মাগ্গরক্লে। অয়ুক অঙৌবা ঙন্দাংদা ফৈজুপ শুপ্না অমম্বা অফম লাংবা ইনবা হৌনরে। চৌপিক মখল মখা অগাম্বা থবক কুংশিল্লকপা মতমনি। অসংবা মতম পাসিদা কাওবু কাংহলুপ কযাগী মা মখল কয়াগী দাবি তানবা কংশিনবা হৌরে। সহরগী মচা মচীদা দাবি তানবা কাওবু কাংহল্ব গীতিন চৌরি,— পুল্লপ পুল্লপ পরেং পরেং ফিরাল অঙাঙবা অংগৌবা অশুবা অসংবা অরাংবা নাপু অমদি প্লেকার্ড কয়া পায়দুনা লম্বীদা লাউর-লাউরদুনা চংলি—

"ঐখোংগী দাবি পীগদবনি।"

দাবিনা থল্লবা পৃথীসদা—কনাদা দাবি? দাবিনা করি পীগদৌরিবনা কনা?

ইংশোক ১৯৮০গী নবেম্বর থা হৌগংলকপদা দিল্লী সহরগী প্রগতি ময়দানদা ইণ্ডিয়া ইণ্টরনেসনেল ট্রেড ফেয়ার চংখ্রী। মেলাদু য়েঙ্গে হায়দুনা এয়ারকণ্ডিসন্ড বসতুংদা টেক্সী অমা তোংলদুনা সর্দার পেটেল মার্গতগী প্রগতি ময়দান তম্না চংলম্মী। নবেম্বরগী অয়ুক হকচাং তেকথংহন্না ইংতক তোবা মতমান,—থবাই হুডাংনা লাকপনি; অদুবু, মথুরা রোড য়োংলকপদা গাড়ী থংলেপ লেপই—ঐখোয়তা নত্তে, অতৈসু। মাতদা লম্বীদা মীগী মীয়ম্ক্লা; শাংলবা মীগী পরেং

পরেং- পুম্নমক অঙাঙবা ফিরাল প্পায় অয়াম্বনা অঙাঙবা মচুগী ফি শেংলি লাউরি মরক মরক্তা—

"ইনকলাব ঝিন্দাবাদ, ঐখোয়গী দাবি পীগদবনি ।"

পেন্দবগী খোল্লাউনি। কুনশুবা শতাব্দি লোইরমদাইসিদা মীপুম্বা অঙাং অহল মুপা মুপী পাখঙ লৈশা, হমুবা হমুবী কনা অমত্ত অমুক্ত তেপথনা লৈত্রে অপেনবা লৈত্রে কল্লক মিহৌনা থল্লবা অপাম্বগা হংখোলাংবা নেংনা নোংমা হেনগৎলকই,—লাউরি মফম থুদোং পৃথিবীগী কোচিন-কোয় থুংনা—

"ঐখোয়গী দাবি পীগদবনি"

মখোয়গী দাবিতনি মখোয়না পীয়ু তাল্লিবা। মী অতৈগী দাবাদ মনাদা হাপ্তে, থল্লুদে য়েংলুদে। মখোয় পরেং পরেং চৎলি, ঐখোয়গী লম্বী থিংলে; এতা নত্তে অতৈসু গাড়ি বস কার রিক্সা ওটো স্কুটর লুগা তাঙ্গা সাইকল মোটোর বাইক-খোংনা চৎপা কয়া। পুম্নমক পুং চুপ্পা লেপ্পা তাই দাবি তাল্লিবা মী পরেং লোইত্রিবা ফাওবা অফিস কাব। নংনবা চৎলিবা অমদি শিগদৌরবা অনাবা মী ডাক্তর থান। তান্না পুগদবা ফাওবা লেপ্পা তাবনি ;—মখোয়গী দাবি তাল্লিরৈঙে লম্বী থুংনা চৎলিরৈঙে। অতৈগী দাবি মনাদা হাপ্তে, মমিংনা উদে রাখলদা যাওদে ।

পুং অমা চুপ্পা পুংশা লাক্তা লেপ্পবা তুংদা ফিরাল অঙাঙবা পায়বা ফজাং শেংপা মী পরেং-- "ঐখোয়গী দাবি পীগদবনি"— খোল্লাও তুংদ থনমচুনা মাঙদা চৎশৎখরে। লম্বী অদু থর হাওলচুনা ঐখোয় লাম্বোকলে। লুপা অমা, পীবা টিকেট লেরগা ঐহাক

প্রগতি মদ্যাম চংজৎনা মেলা যেংবা হৌরে। ভারতকী দেশ পুম্নমক্কী মাগী মাগী পোৎকম শেম্নত্তনা লম লমগী পোত্থোক থেন্দুনা উংলে অয়েংবশিংদা, যোল্লি অরৈবাশিংদা। ভারতকীদা নত্তে, পৃথিবীগী লৈবাক কযাদগী সংস্থান কথা য়াওরী তাম্লবী অমগা অমগা "ঐগীনা হেল্লৌ"—"মাগীনা য়াল্লে।" অহানবদা লম্বীদা খেংনরকপা দাবি তানবা মী পয়েংগী য়াথল- মখোয়গী খোল্লাউনা থম্মোই থন— ইহৈ হৈনীংদে, পুক্নীং খোযজংদে ; ঈরাং লাওই—ভাইহাক লৈজনা খল্লি—

"দাবি —কনাগী দাবী কনাদা দাবি ."

অতুবু থম্না থম্না যেংনা যেংনা চৎলি মণিপুবগী পেভিলোন-পোৎকম য়েংনবা। ঐহাক মৈতৈনি-মণিপুরদনীনি—মণিপুবনা খ্বাই-দগী হেন্না ফজে-নীংথি হায়ঙগ্নীংঙ। মীনা ফজে হাযরকপতু তা-রগা ঐস্নু মোমোন নোকচৈ ; মীন থী-। হায়রগ শাগ্ননীংগ, থম্মোইদা মুত্তাইতবা ফাওই—মিৎ শুক্কোকই। অঙকপ মাংহবগী য়াথলনি। অতৈ ষ্টেটকী মীশিংস্নু অস্নম্না খল্লমগনি- নত্ত্র ?

মীওইবন মাথোঙ মাংহৈনবু শামদবা লৈবরা ? চত্তুনা যেংলুরে মণিপুরগী পেভিলোন। অতৈগা যেংনকবদা তৌবমলিবঙ উবদা খোয়রাও খোযশাওই।

মথং মথং য়েংলুরে—জর্মনী ডেনমার্ক ফ্রান্স জাপান রুস অমেরিকা কানাডা ইউকে অমদি ভারতকী দেশ কযাগী তুকাম পেভিলোন। ওক্না ফজনবা অনৌবা মথলগী পোৎখোক কয়ানা থল্লবা চাওখৎলবা লমলমগী পেভিলোন উকরগা- আনৌব পোৎশক

য়াওবা ঙমদ্রবা মণিপুরগী পেভিলোন—অমদি হৈজশিংজদবনা মীচঙ মীথোক ফজবা ঙমত্রবা ঐথোযগীত্থ উরুবদা পুক্নীংদা পেন্দবা নুঙাইতনা অমদি হেক্কো ফাওই। য়েংন-য়েংনা চৎলকপনা অনৌবা খুৎলু-পুৎলাহ ইঞ্জিন মথল কয়া, অনৌবা মথংগী কার ট্রক ভান কয়াগী মোডেল কয়া অমস্কা উদ্রিবা ফক্ত ফজরবী ‘ফরোল সিন্থেটিক সিল্ক অমদি লাশংফি কয়া অনৌ অনৌবা মথলগী মহৈ-মরোং— অয়েকপা লাইনা উক্তুনা ভাকপা পোৎচৈ কয়াগী শক্তম—য়েংলুবদা অঙকপ নুঙাইবা পোকই। অসুম্না মিৎপু মথুক য়া পীজরবা তুংদা যৌরে লাইব্রিক য়ানবা ফুকান পানৈ অমা মিৎথক্লা থেন্দুনা থম্লিবা লাইব্রিক কয়া অতম্স য়েংলুরে—অপাম্ব য়াওদবা নত্তে;—অত্রু হাঙসনা ফুরিংগাওনা অপাম্বত্ত কোকইম্লবা করিস্তু ভৌবা ঙমজমদে। য়েংন-য়েংনা তিন কুৎ কুৎ হাংনা থোরকই।

মিৎথু লাইত্রাক পোথাকন্দুনা লা-ম্লনা পুক পতু অরাম্বা কোকইম্লবা মেলা মন্নগী শেষ্টরা অমগী চক্ত পোকেট অমা লৈয়রগা মদ। অমপাক্নী পৃথ্রি মপান তিংথোলক্কো ফমতুনা অচা-অথক অতু উমশায শাগদি। পোথাক-অমুক য়েংলি অতৎপা হৈনত্রনা হঙ্গৎনা চনদা চৎলিবা মী মযামদ। অতুক য়াম্লবা লিংঙম-চাযন ঙমদনা চৎলিবা মীশিং হত্থু লোইনা মফি-নরোন নাম্ন যজনা শেংলি—মমল য়াম্লবা ফিবান শেং-চাবনা অনঙনি। মথাগ অযাম্বা নোক-থেত্নবা চৎলি, কনাগী মাযাথাংদা থাক্কোকপা পেন্দবগী শক্তম উদে। পুম্নমক নোয-পোম্ল—হৈংজ থদৗ ফজত্নবা ফজ-মজবনা মমল য়াম্ল’-য়াম্লবা পোৎ য়াম্লা লৈই। কনাস্ত পেন্দবা অমা কাওবা য়াওদে।

পূক্নীংদা খন্দবা ওংদে— কুনশুবা শতাব্দিগী লোইরমদাক্তি পেন্দবতনা থল্লবা পৃথিবী শিমক্তদা অপেনবনা থল্লবামী অশুক য়াম্না লৈরিবোইরে।

অওঙবমক্কী মেলা মঙ্গান মনুংদা পেন্দবগী দাবি তানবা মী অমা ফাওবা থেংনদে কারণুম্বা জাগা অনত্তুদা—"ইনক্লাব জিন্দাবাদ —ঐখোয়গী দাবি পীগদবনি" হায়বা খোল্লাও অমা ফাওবা নাশোন ফংদে—ত—দে; থল্লি—দাবি তানবা অমা ফাওবা লৈত্রবোইরে।

অপেনবতনা থল্লবা,—মবুক লামজ্রবা ফজরবা নাল্লবা ফিরোন শেং-চারব—অপাম্বা পোৎ কয়া—ফিরোন পোংচৈ লাইরিক্লাচংবা লৈয়হ্নবা শেগাদ হেপ্পুনা চাপ্লিবা, পুবিনবা কুলি নেকুনা পুহল্লিবা মখোয় মখোয়গী বাকর তানা; অত্রগা মনাই মশলনা লৈয়রবা পোত্তু পুত্তনা মখোয়না মতং ইন্না চৎলবা কয়াহু য়েংলুবদা-হুন্ডাইভবা রাখাল পুন্না কাউশিল্লে। মখাগী লক্তো ঐসু অমা ওইরবোই নাংহুনা মখোয় কংগা খোঙ্খাঙ ঃম্না মেম্মান্ম মফম কয়া কোয়রুই য়েংলুই উজিবা পোৎ কয়া। কাইখ্রে হনক্কলাবকী খোল্লাউ নীংশিংজ্রে দাবিগী খাঙল। থল্লি-চৎলি-য়েংলি-অনৌবা পোৎ করি মমল্লনা কয়া, বদায় কয়ম্না পুবা। য়েংন-য়েংনা অমদি মেলা মণ্ডান্দা মরক মরক্তা লৈবা বঙ্গমঞ্চ কয়াদা খোংলকপা এসরাজ বেহলা সিতার সাক্তনাই কয়া লাইনী মুংশিবা খোঞ্জেল কয়া—রবিসঙ্করগী সিতারগী গং-লামদি হক্ত মুকেশ বদেগুলাম্নচিংবগী মুংশিরবা শৈহেক—সম্মারামগী তাঙকপা তবলাগী তান্দা গুরগী শৈহক্তো তান থান থানা খোঙ থাংহুনা মণ্ডপনগী মফম কয়া চৎলুরবা তুংদা মুংশিল

পূং মঙারোম তাবক্লড়না মীথুংশঙ কয়া হল্লকা তপ্পা তপ্পা নুঙাইবা অওয়াজ অমগা লোয়ননা ফজরবী শ.াড়ী অমগী মতুংইন্না মচ্যান্দগী মপান থোরকলে।

মেলাগী গেটকা টিকিট ১৫/১০ হাইকনা ফাওবা টেক্সী অটো অমত্তা ফংদ্রে- অফংব' গব হৈবতুম্বু তোংবিনবা য়াম্মনানা খব মোন্তক তৌব' ঐসে কামা যাংনবা ফাবা ঙমদ্রে। খোঙনা চেক্না চৎপা তৌবে।

প্রগতি মচ্যান্দগী পঙলাপ লাপ্পা ৎত্রি অমুক তা-ররক্ক ঙশাইমথৈ তা-রুদ্রবা খোল্লাউ—

"ইনকলাব জিন্দাবাদ—ঐখোয়গী দাবি পীগদবনি।"

সহরগী নিমথাংবা পূম্বা নমতনুনা খোঙ্গল অসি লাকখি লম্বীগী য়েক্তা লৈবা চাউবদা মচ্যান অমদগী মচ্যান মযাইদা চাটরবা ফিগী যুম মাগুননি। লম্ন মচুগী ফেষ্টুন থেংলি চাউববা সংস্কৃত ময়েক্কা ইবা "স্বাগতম" থেংলি। মতুগা লোয়ন-লোয়ননা প্লেকার্ড কযা থেংলি য়ুংলি। "প্লেকার্ডতা ইরি" "খা-ভারত্তা হিন্দু হরিজনবু নমতুনা ইসলাম ধর্ম্ম লৌহল্লে হিন্দু ধর্ম্ম কনসি।" অসিনচিংবা। থোঙ্গাংদা মশাং চাবক্ষেকবা মী মহাম হজং-হজা চখোক-চৎশিন তৌই। মী অয়াম্বা সাধু লাইনীংবা ঙাক্কা এুইনম্বু তৌই। অযাম্বনা সংসার থাদোক্লবা গেরুয়া ফিজেৎ শেৎপা মশাম বট্টা পবা হিডুৎ তৈবা চন্দন পারু-পারা থিনবা মীতা ঙাক্কনি। মরুক ম.ঙা য়াওরি শঙৌবা টুপী উপ্পা মবুক তহি তহি কংবা ভারত্তা

নেত্তানি ককা হায়না খণ্ডনবা মানবা কয়া। পাক্লবা প্লেকার্ড অমদা থারি "বিশ্ব হিন্দু মহাসভা।"

য়েংখিবদা উরি—অমদি হংলুবক্কী খণ্ডই—মখোয়গী মশাদা অপাম্বা য়াওব্রবা সংসার থাদোক্লবা শান্তিগী লম্বীদা চৎলবা ত্যাগী ওাক্তনি মখোয়দো। মশা মথন্তা লৈবদা ত্যাগী ওইরবা মখোয়দো ময়াম পুল্লবা অত্তুদা'দ মখোয়স্মু নাউরকই খোল্লাউ অমত্তা ওইনা

"ইনকলাব জিন্দাবাদ—

ঐখোয়গী দাবি পীগদ.নি।"

দাবিনা করি কনাদা দাব মচুতনি ঐনা খণ্ডবা ওমত্রিবা।

মখাল্ল' অঙুক থরায় য়াওনা তাল্লখিবা দাবিসে করিনো খল্লা খল্লা অঙু অমুম লাকপনা সর্দার পেটেল মার্গ মণিপুর ভবন য়ৌরে। য়ৌরকপদা উথি মশান চাক্লখা ভবন অমু ঈরাঙ লংওলম্মী। মী থুংলবগী পোং থাংদোক-থাংজিন টেন্সী অহুম মরি সরকারগী কার অনি অহুমস্মু লৈরম্মী। ভি আই পি রুমচুস্মু সিকায়না সম্ভ্রি তৌরম্মী। কনা কনা থুংলবগে য়েংবদা মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর থুংলম্মে মন্ত্রি অহুমগা মাগী তুংনবা এম এল এ ৭/৮ গা। হায়না ডিসিডেন্টনি হায়না এম এল এ ১১/১২ থুংলচুনা ভবন্দা কেম্প তৌচুনা লৈবিখনি; মখোয়না অহানবা ফ্লোরগী কং পুম্বা লৈশিন-খ্রবনি। মণিপুর ভবন মনা কুক-কুক ঈগ্নরে মীনা শৌরে।

করিগীদমক ডিসিডেন্ট এম এল এ মখাম লাকলিবনো?— মখোয়গী দাবি তানবা লাক্লিবনি মখোয়স্মু লাওার মথক্কী কাদা

"ইনকলাব জিন্দাবাদ —

ঐথোয়গী দাবি পীগদবনি ।"

ওসি চিফ মিনিষ্টর মন্ত্রি অমস্তুং মন্তুং ইনবা এম এল এ ময়াম লাকপি পার্টি প্রেসিদেন্ট য়াওনা মথোয়স্তু মথোযগী— মন্ত্রি মণ্ডলগী দাবি ওানবা লাক্লিবনি হায় ; পার্টিগী প্রেসিদেন্টনা পার্টিগী দাবি । ঐগা থঙনবা মন্ত্রি অমগা য়ানী শাকং .া। কাদা। .ানা হায়খি— 'অনানবা কয়া ঐথোযগী ইথক্তা শাখঙ্গিনবীরে ঐথোযনা ওানবা দাবি লৌঙ্কিক ফান্দবা পীদ্রি'' মাস্তু মাগী কাদা লাউখি—

''ঐথোযগী দাবি পীগদবনি ''

কাঙলুপ অনিমক তে থাগ তে থায এঙনবা অযুক্তা সুংথিলদা সুংদাদা ১নং সাফদারজং রোডকী বাঙ্গলাদ গাপি ব ওইবি--কা-য়ী তা-ল্লি মথোয মথোযগী দাবি । কাঙবু থুদীংমক্ত। হায়রি।—

''ঐথোযগী দাবি পীগদবনি ''

সাফদারজং রোড বাঙ্গলা লেংমা কাংদে—ডিমোনষ্ট্রেসন আন্দোলোন। মসিদা মণিপুরগাত্তা নঙঃ কেরলা মহারাষ্ট্র গুজরাট রাজস্থান মধ্য ভারত উত্তর প্রদেশ পঞ্জাব আসাম উড়িষ্যা, বিহার দিল্লী জম্মু কাশ্মীর চন্দিগর অকুনা শ শিকম্মচ বা ভ রতকী দেশ থুদীংমক্কগী ডিসিডেন্ট এম এল এ অমাদ সনকার পায়বা কাঙবু তোঙান তোঙান লাক্লে তান্নরি মথোয়গী দাবি কাঙবু থুদীংমক লাউরি -

"ঐথোয়গী দাবি পীগদবনি ।''

অসিদা নত্তে ভারতকী মফম থুদীংমগী পার্টি সংস্থান কয়া

কাওবু কাওবু পুম্নপ পুম্নপ মথোয় মথোয়গী লমদগী হেন্নকুম্না কোম্লুং কারক্নী ফিবান কয়া প্লেকার্ড কয়া পায়ম্লুনা লাওরম্মী খোঙ্গান্দা।

"ইনকলাব জিন্দাবাদ

ঐখোয়গী দাবি পীগদবনি।"

মতুদা য়াওরি ভারতকী ট্রেড ইউনিয়ন কয়া—পার্টি কয়া—লোক দোল, বিজেপী, জনতা, মুসলিম লীগ, কম্যুনিষ্ট, এ ডি এম কে, ডি এম কে, তেলেগু দেশম, নেসনেল কনফারেন্স - য়াওররা সংস্থান কয়া—ডিমোক্রেতিক এলায়েন্স, টিচর্স এসোসিয়েসন, ছাত্র ফেডেরেসন, আসামী ভাষা সঙ্ঘ অকালি, শিখ ফেডেরেসন—উরিয়া পালা অসিনচিংবা। অ-দম্ম নত্তে সার্ভিস এসোসিয়েসন মতুদা য়াউরি সেন্ট্রেল গোবর্ণমেণ্ট এড ফেয়র এসোসিয়েসনগী লেঙ্গোটি সভা যাত্রা। মশীং থা-া স্বা নত্তে। অসিদগী হন্দোকুনা ফি শেত্তবা সন্ন্যাসি সভা যাত্রা থা-ওবা থাওরে। আন্দোলোন তৌরিবা মথোয় পুম্নমক লাউরি "ইনকলাব জিন্দাবাদ, ঐখোয়গী দাবি পীগদবনি।" দিল্লীগী পুলিস স-খ্যারজং বাক্লাতুঙং ভাক্লবা হোৎনবদা পুং ২৪ না শাবা নোংমগী মতুংদা পুং ২৫ থবক চিল্ল।

ষ্টেটশিংদনি ককদোবা? মুমিদাং মন্ত্রিশি কাদা রারা শাবদগী থওই—ইম্ফালদ, মণিপুরদা অহুৎপা নৈতে দাবি তানবা অন্দোলোন হঙ্গর ষ্ট্রাইক-ছাত্রগী দাবি, ছাত্রীগী দাবী ছেঘাগী দাবি কেরানীশিংগী দাবি, ডাক্তরগী দাবি ইঞ্জিনিয়ারগী দাব্বি কেজুয়েলগী দাবি রাক-চার্জগীদাবি, এলডিসি একজামিনিগী দাবি, তাংখুলগী কবুইগী মাওগী খোংজাইগী দাব—দাবিগী দাবিমক্তা। ভারতগী অতে দেশতম্ম

অহূ মঙাই—নিরানকারী শিখ, এক্সট্রিমিষ্ট নক্সালাইট-অরাংপা লৈত্তে দাবি তানবা; পূন্নমক লাউরি—

"ইনকলাব জিন্দাবাদ

ঐখোয়গী দাবি পীগদবনি।"

ভারত-তা নত্তে পৃথিবীগী মকম পুম্বদম্বু দাবিগী দাবি—অঙাংবা অচৌকপা মকম অমত্তা লৈত্রে। রেডিওদা টেলিভিজন্দা খবরদা উথি তাখি,—মকম খুদাংদা পেন্দবগী খোল্লাও পুন্নমক তাল্লি দাবি। অস্তুম্না রেক্টী দাবি স্ট্রাইটকী দাবি, ও পি ই সি (OPEC) গী দাবি, ও এ ইউ (OAU) গী, নাটো (NATO) গী, সেন্টো (CENTO) গী, রার্সো পেক্ট কন্ত্রীগী চাইনাগী, ভেটনামগী দাবি—ডিভিলপীং কন্ত্রী (চাওখংলক্লিবা দেশ) কী দাবি, চাওখংলবা দেশকী দাবি, ভাইরানগী, মুস্লীম ফণ্ডামেন্টেলিষ্ট, MAFIA ISRAEL, PLO, KGB, CIA গী দাবি খোমেনীগী দাবি; আফগানগী দাবি, ভেটনাম কাম্পুচিয়াগী দাবি। পেন্দবতনা থল্লবা ২০ শুবা শতাব্দি লোইরমদাইগী মীশিংনি। লাউরি মকম খুদিংদা—

"ইনকলাব জিন্দাবাদ

ঐখোয়গী দাবি পীগদবনি।"

অস্তুম্না লেনখি অহিংতু—দাবিগী খোল্লাও মরক্তা খনখি না অসি রৈশিল্লবনা দাবি তানবা খোল্লাওশিংদিনা।

নোংঙাল্লে, ঈংলবা অয়ুক অভিয়া ফুমিং তরং খোক্রী চথোক-লুই য়েংলুই পালিকা বাজার, কোনোট প্লেস ফুকান পরেং। মশা নোয়-পেল্লবা, অনানবা ইঞ্জি মমি তেকত্রিবা ঢেরেলীন, টেরেন,

পোলিষ্টরনচিংবগী ফুরিৎ খোংগ্রাও শেৎ-চারবা মী কয়া মখল কয়াগী ফজ ফজরবা শাড়ী সালব্রার শেৎলবা পাউদর থারবা ফজরবা কয়া হঙ্গৎ হন্দা চৎলি—পোৎ লৈবি ; রেষ্টরা চঙহুনা চা, কফি, লছি ফ্রুট যুস থক্লী অহাও-অথুম চারি। সিনেমা হোল, থিয়েটর হোল মমাঙদা টিকেট লৌননবা কিউদা পরেং লেংলি ; কার, ওটো, টেক্সী তোংহুনা কয়া লাকই- কয়া চৎখি। পুম্নমক অপেনবগী শক্তমনি। মাইথোংদা পেন্দবগী মমি উদে তাস্তু তা-দে পেন্দবগী খোল্লাও। তা-রিবদি মীগী মাঁনিন —রেষ্টরাদা ক্রোকড়ীগী মখোল, ষ্টেরিওদগী থাদোরকপা ডিস্কো নত্রগ। লতাগী ঈশৈ—নত্রগ। রবিসঙ্করগী সেতার। পায়ল খোঙজি খুজিংগী খোঞ্জেল—পুম্নমক মুঙাইবা অপেনবগী শক্তমনি ; কনানা হায়রিবনো ' কুনশুবা শতাব্দদা পেন্দবগী পেন্দবা মক্তনা থল্লে।"

মী-শিং অহু এয়ার কণ্ডিসন তৌরব' রেষ্টুরা মুংদা ফমহুনা উইথরহুনা ঈশৈগী শৈহেক তা-রি, কেবারেট দান্সরগী বেল্লী দান্স মুভমেন্ট যেংলি, যন্ত্রগী থুংগুৎ যেংলি। অমেঙবা যন্ত্রগী শুরদা তান থা-ন থা-ন হোট ডোগ চারি ; কদায়দনো পেন্দবগী খোল্লাউ ? মখোয়স্তু তাল্লাইগ্রা অপেনবগী দাবি— ঈংনা লেম্না পেননা লৈজবা মাঙহন্দনবা দাবি। নাকন্দা কেবারেট মনাক্তা থংননা ফমলি ফজরবী নীংথিনা লৈতেংলবী রাঙাং ফজবী। অফ মুঙাই জাগাসিদনা করি দাবি— কনাদা দাবি ?

অঙীংবা অক্তপা এটমোসফিসার অহু চুরহুনা দাবিগী রাথস পূনকাউ হক কাউরহুনা —মুমিৎ চুপ্তহুমা কোয়্রচৎ চৎলম্মী, য়েংলুই

ঐতিহাসিক ওইবা মফম কয়া-যন্টর মন্তরদগী হৌদুনা পুরানা কিলা লাল কিলা, কুতুব মিনার, অশোকী য়োংকী যুম্বী হুমায়ুনগী মোংফমন-চিংবা চীক্লা লেম্না লৈরিবা। নীংথাম্লরবা নাংসিনা হেংশিনবীব্রবা অরিবা ঐতিহাসিক ওইবা ফুরা-দলান উরুরগা হৌথুবা কয়া পুক্নীং মিত্তা উরকহ থল্লকই মথোয়গী দাবিনা কারি?

অসুম অহুম চংখিদুনা বুদ্ধজয়ন্তি পার্ক হৌবে মুমিং চায়থ-রক্লবদা। নাকল অমদা মুপা মচা মুপী মচা শাংবা কযা শাম্নরি, নাকল অমদনা অহল ওইশিল্লক্লবা কয়া হন্না চারি- যেংলি চীক্লা হুম্লবা পার্ক অদু। ওসিদি বুদ্ধজয়ন্তি থাঙ্গৈশংনমক ভগবান বুদ্ধগী চীক্ল-লেখা অঙ্গৈবা অতপ্পা শান্তি শক্তমহু হৌরবরা? কোয়না চত্তুনা যেংদুনা মুখাইরি, অরা অনা কাউবি পুক্নীংদা শান্তি ফংলবরা? অসুম কোয়চং চংলকপদা মুমিংনা নোংচুপ মুন্দাগী নক্লক্লবা মুমিংকী মশেক্লা ফেম্না তারক্লবা, অঙ্গৈবা মুংশিং অপ্পা অপ্পা শিংলকপা মতমসিদা উখি ঐ কয়া য়ৌনদবা অচৌকপা। উথোং অমদা শরুদা থুইরবা উনতনা কুপ্লবা—মশা অদু লেঙ ঙংপা ওম্লক্লবা রা ওাঙবা ফাওনা পোএক্লরবা—হোল্লিবা স্বরদু মশাদগী নাম্খোক্তুনা চংপ্রগদবা অমথক উদা তাবোই-করিবোই ফমদুনা তারগদই মুমিংকী মায়কৈদা ওন্দুনা নোংথক্লা যেংদুনা উবরা উদবরা থওদে থাজংপা ওমত্রবা মথুং অনিদু অমুক্তং হোৎনদুনা খিত্তুং থাজংলগা য়াম্না মথোল পীক্লা লাওখিগুম তৌই—

"পীয়ু পীবীয়ু ঐগী দাবি?"

মরোল থোক্রবা লেঙ ওৎখিত্রবা অচুনা অরোইবা ওইনা কনাদনো মানা তাল্লিবা দাবিসে ? কল্লি ওইরিদগে মাগী অরোইবা দাবিদো ?

সেপ্টেম্বর ১৯৮৩ ইং

১৮

পুনসি

নোংমা নোংমা তৌখিদুনা থা অমা তৌখি। থা কয়া তৌখিদুনা চহি অমা তৌখি। চহি কয়া তৌখিদুনা মীওইবগী পুনসি হোখি অঙাংগী পুনসি নহাগী পুনসি মপুং ফা-রবা অহনগী পুনসি—লোথরক্লবা অহনবী পুনসি মথং মথ তৌখিদুনা মখোদা পুনসি অহু অহুম হৌখি কনানা হায়ম মঙ্ নোঙ্গানি কনানা হায়—নোংমনবনি—কনানা হায়ম মপোক ওনখিবনি করনবনা চুম্বা করনবনা লানবা লেপ্পা ডম্বা নাত্তে। অচুবু মসি দি চুম্বা য়াই—মতুদি মহাক তাইবং বিদাই পীগ্রে—অহিংবলক্তগী মাঙখ্রে—মাগী মমিং মুৎখ্রে।

অসুম্না পৃথগী পুনসি চহি কয়া মথং মথং হৌখ্রে—মহাক হৌজিক চহি হুম্ফুত্তরা শুরে—কৈদৌউঙেমো খঙ্ত্রে অচুবু মহাক মশা ফরি চাবা হাউরি রাখল মুক্তাই নুঙাইবা খল্লি—লোইবা নাইত্রবা আশাগী ফুরা কয়া শারি। অচুবু চহিনা ওইবমাল্লে দাথি পঙলো লোনীংত্রে অচুনা মহাক থনক পংচিন চিনবদি নাত্রে। পৃয় হৌজিক থবক কোম্লক্লবনা মথক্তা মরক মরক্তা মাগী তৌথ্রবা পুনসি হেক হেক নীংশিংলকই—থোইদোক্লা চাক্লেন চারগা নুংথিল পোথাবা মতম মওঙমদা।

চাক চাত্রিমখৈ অয়ুক ওইববা, নুপী থিত্রিমখৈ পাখঙ ওইরবদি পৃয় চপচাবা পাখঙনি—চহিগীদি খঙদে। মথক্তা লৈ—মাগী ওর্দলী অমথক্কা মাগী ওর্দলী মহাক্লা ইণ্ডিয়ান আর্মীগী অফিসার ওইরিউভদগী

লোয়নবরক্লবনি। মঙোন্দদি—মহাক অসি মমানি, মতুনি মনাইনি—মচিন-মনাওনি—মরূপনি।

পুং সুমিৎ খুদিংগী অয়ুক ওন্না হৌরগা ওর্দলীনা লানশিন্নকপা চা (Bed tea) থক্লগা মতেক খর অয়ুক্কী হন্না চাবা হেক হেক কোয়থোক্লই। সুমিৎ থোরক্লবা মতুংদা হুঞ্জিন্নক্লুনা চীন শেংলংমিং-মায় তাহনা ঈক-মায়থক্লরগা—তক্ল তক্লবা অশুবা কি শেং-ইন্দুনা দাহনাং টেবলগী নাক্তা ফমই—ওর্দলীনা পুশিন্নকপা চা-থকই—অশাই অপা জল-খাবার অচা অথক খরা চাহুনা Break fast তোরগা অয়ুক্কী খবর পাব্না মাগী য়ুমগী মমাংদা লৈবা নাপী হৌবা লম্পাক অহুদা হেক হেক কম্মী লম্পাক আসিদা মাগী পুনসিগা য়ান্না নক্লবা মরী লৈনবা লোলোক কয়া থোকাখ—মহু মাগী পুনসিদা কাউররে'হনবা কাউবা য়াদনা মাগী থম্মোইদা হক্লনা লৈখ্রবা মক্লনি

থবক্কী পুনসিদা লেরবৈদা সুমিৎ খুদীংগী লমপাক অহুদা ফক্লবসু থোদোকশিংহু থক থক্লদে। অহুম থোকশিবনি, থক্লনবা মতম লৈরমদে চহি হন্না তরা থীবহু তরেং হেঞ্জিন্নক্লবসিদদি মাগী চান্নরবা কয়াসু উনবা ফংলক্রে—খরনা শিখ্রে খরনা লোন্দনা ময়ুম ময়ুমদগী চেন্দোক্রে খর অমনা থুল হোংহুনা চৎখ্রে, মখোয়গী মরা মপাও তাঙনা ফংলে খব অমনা মচা মশুগী কুম্মৈদা নক্লগা মথোনা প্রোগ্রামদা মপো যান্না চনখ্রে- ভাইহাক্তা ফাইদোকপা ভাবখ্রে। কয়নান্দা কাদা ময়া কোয়থোক্লবদা মমান্নবা অমা অনি থেংনে - মখোয় খুদাংনক মথৌ মথৌনা লাকহংলগী ভাইহাক্তা চংথোকপা ওন্নদে। মোং ফদাকসু ঐগীদা লাকউ চা থকমিন্নসি

হায়রম্লগা হল্লকখি। মাগী মমাম্লবা অহু মানা চহি অমা অনি হুনবনি। অহুবু মানা চহি ৩০ গী মমাঙদা উখিবদগীদি ওস্থোক্লা খেম্লমলে মশক থোক ওল্লমলে· অহানবদদি মশকপু খঙলুদ্রে। থম্না থম্না হল্লকখি—"ওস্থোক্লসু হন্থুশিল্লমলেদা ঐবুসু অতৈনা অওম্না উরমগদ্রা ?"

ময়ুম হেক য়্যোবগা মিংশেন্দা য়েংই থনখি—"ইদি অতুক য়াম্না হন্থুদ্রিমাল্লেদা।" অঙইবমক্তসু মঙাক খুমিং থুদাংগী মমায় মম্রিং তাবা হেক লোক্তবগা— মিংশেন্দা হেক হেক য়েংই। অল্লি—মহাক অতুক হাক্লা হন্থুদ্রি মশক পঙঙন ওন্দ্রি। খিক্তং তোংনা অহুক উবদি—মাগী চিম্নাই ফন-য়াম্না হামজিনখ্রে—লুমাঙগী শম ইয়াও-য়াওদ্রে শম অঙৌবা মশীং ফন-য়াম্লকলে নাতোনগী শম-কোই অঙৌবা ফম-য়াম্না কাপ্লক্লে, মিংপান থাগৎলক্তুনা মিংথুপ মাঙলক্লে। অহুবু খুমিং থুদীংগী মিংশেন্দা য়েংবত্তুনা ওহরমাল্লে খেম্লবা পঙথম্ভ খঙদে। নীংশিংলকখি- মানা চহি ১৫ শুরকপদা মথোয়গী মবুখোইহু—চহি হুম্ফুতেরা শুরবা পায়না মতমত্তুদা থনখি—"চহি হুম্ফুতেরা! প্রস্থোক্না পুনসিদা ঐথোয়গী ইথোসে—ওস্থোক্লসু হন্থুরেদা চৈশু য়াঙজবদি চংপা শুমদ্রেদো।'

হৌজিক মহাক মশামক চহি হুম্ফুতেরা শুরে মবুথোগী চঙ্গিহু য়োরে মহাকসু চথোক-থোক্তোকপদা চৈশু—পায়নীংলকলে। অহুম ওইনমক মানদি থৈজে—"ঐদি অহুক হন্থনা উদেদা অহুবু করিগুম্বা চহি ১৫ য়োম শুরবা ইশুকা লৈরম্লবদি মানা ঐবু—ঐনা ইথৌ উবদা খনখিবা অহুম খল্লমগদ্রা ?" ব্রাথন অসি হেক থল্লুবদা

মহাক খংহন হন্নুরমান্নে হেক থল্লকই—চঙশিন্দুনা মিংশেন তনয়েং য়েংই—মানা খল্লি – "ঐনা চহি য়াম্থেমুক শুরকপদা ওইবা শক্তমছুগা থোইনা খেন্নত্রিদা।"

অওইবনি—মানা চহি য়াম্থে শুরকপা অহুরাইদা—মশানা মিংশেন্দা হেক হেক য়েংজবদা মাগী শক্তম মায়থোং অতু মশাগী চহি ৩৬/৩৭ শুরকপদা উখিবা শক্তমছুনি খনখি। খোইদোক্লা মাবু লুনা তৌবী নুপী নত্রগা নুপানা—"তাইতোদ পাখঙদা ওইহুনা লৈ শুকহনবু হন্নদে ঐখোয়না খঙলকপদ। লৈরম্বা শক্তমতু অহুম ইকায় হেক কায়দে।"

হায়বা রাফমশিংহুনা মহাক পঙলৈই লৈইশিনজ্রি খঞ্জে। অতুবু মহাক মশামকী ফোটো– চহি ৩৬ কী য়াম্থেগী অমদি হন্দক্তা নমলুবা চহি হন্ফুতরা শুবগী ফোটোছু পুথোক্তুনা চাংদম্মহুনা য়েংলুরবদি অঙকপা কংনা খেন্নবছু উবা ফংই। অওইবমক থাঙ্গেশেংন..ক চহি ৩৬ কা ৫০ গা য়াম্থেগা হন্ফুতরাগা ওন্থোক্লা খেন্নরা উই। হন্ফুতরা ফন-য়াম্লে লৈয়শিন্নে। কোটো মথুক্তা পায়না পায়না চঙশিন্দুনা মিংশেন্দা য়েংই—মানা খঞ্জে ফোটোগা মানা মিংশেন্দা উবহুগা ফন-য়াম্না থেন্নৈ—মিংশেন্দদি ফন-নহা ওইহারি। অহুনা পৃয় হৌজিক ফোটো নমসি হায়বা শুকয়া মম্লাখিদ্রে অমা অমা হায়জিন্দুনা ফোটো নমদনবা হোৎনৈ।

অওইবনি চহিনা চৎনবরা? শকফন্না করি? নুপী থিজ্রি রাথলদম্নু পৃয় পাখঙ অহুম ওইহার। ঈনখৎলক্লীবী লৈশাবী মপুং ফা·রবী মৌ-নহা য়েংনিংলি মখোয়বু উরগা মমিং-মনা তথক-তথাক্র

মখোয়না মিৎচিন্নে করিনে ভৌরকপদা—মখোয়গী মমাঙদা রা ভাঙবদা ময়েক খেংনা ভাঙবা ভমন্নি—লৈয়োই-লৈফাগ ভৌরি।

কজবনু য়েংনীংদবা লৈবরা? লপ্পোইবমক্তি নত্তেদনা পৃয় ? মমাঙবা কয়াগী মফমদা মগু-গুখাও ওইরবী কয়াদো—করিগুম্বা ঝান্দদি পৃয়গী রাখলদদি মগুং মমাঙবনি খন্দবা হেক হেক ভমদে। থাঙ্গেশেংবমক কনাগুম্বী লৈশাবী নত্তগা মৌ নহানা মত্তোম্দা পাবুং ইধৌনচিংবা নিংগৌ শান্তিময়কপদা মহাক মথরাই মুঙাইত্তে মমিৎ শুক্লোকহ হায়কম খল্লদনা শাউনীংই। কারি অমুক হায়গনি—মনাও মুপাগী মুপীনা মশুমুপী লৈশাবী অহুদা—

'নধৌংনগী চা অসি খর লানশিল্লু।"

হায়বা রা-ছু ভাবতদা মাগী থম্মোইদা ককচে' নীংত্তম্বীনা চীকপশুম অনাবা কাওচ অহুবু মতমনা লোংমা নোংমগী ওল্লকপনা মত্তোম্দা ভাইবুত্তো মাইবুত্তে। কোবা কাওবু মশীং য়াম্না য়ায়ক্রে - খুৎ খেক্কুনা মশীং থীবা য়ারক্লে—অহুগা ইধৌ ইপু কৌব। কাওবুগী নশীং নোংম-নোংমগী হেনগৎকক্লী ; মহু খল্লুবদা পৃয় পূক্লীং খোয়রাং খোয়শাওই।

পৃয়না নহা ওটরিত্তৈদগী কম্না থা-জবা অমা লৈরকই মহুদি—

"নুপী নহা খিত্তুনা য়ুম্বানবা হায়বসে মখোঙদা য়োম্লীং চঞ্জবনি, অরাবা পোৎলুম কোকথো' না-জবনি ঐদি ইনীং-ইখা তম্না পুনসিচুম্না লৈজনীংই"

রা অসি মহাক্না তত্তনা হায়বা মীপুম থুদীংমক্তা তত্তনা রারী শাবা ভাঙবা রানি। সিমন্থু তত্তনা হায়—

"মতু মচা লৈত্রবস্থ য়ুম্বানবা য়াদবরা শেন লৈরবদবু ফংদবা করি লৈ ?"

অসুম্না মহাক মপুর্নসিদা নুপী থিযু হাযবা য়াখিদে। মপা মমানা—থোঙ্গদোক্লা মমানা— ফন-থেম-নৌতুনা শাওশিন্নতুনা ওতন তুনা কয়ারক হায়খি ; অপাম্বা মমৌ কযা মঙোন্দা পনখি—অদুবু মানা শুকয়া য়াখিদে। মকুপ মপাওনা হায়বদস্থ অদুমঙাই।

মানা পাখঙ মপুং ফারকপদা মাবু পামজবা লৈশাবী কযা লেখিদবা নত্তে কারিগী স্থু লৈরোই—

'প্রয় মশক মতৌ রাসি লেনা ফজে ইনাক কৈরাক খুনবা অচৌ অশাংগী মচানি মশা লাহরিক হৈ—ভারতকী লাম্নীগী অফিসার অমনি।"

মখোযনা মচৌম্না নত্রবস্থ ঈঙ্গৎনা মঙোন্দা কয়া উংখ্রবনি। কনাগুম্বী হায়ভম তৌভমদবী থরদি নচিম্ন। থোক্ক মহাক তান থত্তনবা রা কয়া হৌখ্রবনি। মীনা হায়নবাদ লৈশাবী থরদি মঙোন্দা মশা ফাওবা পীথোকচখ্রবনি— মত্থ পূম্বা মানা থোওক্তাথত্রবনি।

অদুবু মাংগী থম্মোইদা অপাম-চুংশিগী ঈরাং ইরৈয় নরৈয়খি-ত্রবরা হায়বা অদুদি নত্তে।

নোংমা তুংথিল চাকলেন চা-রবা মতুংদা মতৌশাগুম অরাম চৌকি অমদা মাগী যুমগী মমাঙগী লম্পাক্তা ফম্লম্মী। মতম অত্তু নিংথম থানি। তুংশা যাইতুনা পেথোরম্মী। চাকথাই কারতুনা উরোরোন তৌরুই—মতমতুদা নীংশিংলকখি— শংশং উবগুম তৌই চিনি চম্পা মখোঙ অদু।

'ইস ! চহি হুম্ফু তরা শুখিবা খঙহৌদে—ঙরাংতা থোকখি-বগুম খল্লি ।"

মহাক্না চহি ২১ রোম শুরকপদা পুল্লিগী অহানবা অপাম মুংশিগী ঈরাংদা শাগেগী মচন থোকপী অমবু কোক হেক ঙাওবমখৈ মুংশিরুবদো ! নীংশীংলকই মচাকখকীদমক মীরা কয়া ঙাখিবা -- মীশা কয়া লাংখিবা । লৈবাক্না ঙাঙনখি—

"করি থোকয়েহ্ননা তৌশারিনো ?"

"অচৌ-অশাং কোল্লুপতদি সিগুম্বসি য়াম্না থোকপনি য়াম্না চৎনবনি ।"

"কয়ামুক হৃকচল্লরবনো ?"

"নঙ তান্ত্রিবোইরে—হন্দক্তা মচা অমা য়ৈথখি ।"

মাগী মনাকোং য়ৌখি । পৃয় মশানাদ খঙজে— ঙাঙনরিবা পুম্বদো অরানবা ঙাক্কনি । মবুং অমনা মচন মুংশিববু কায়বরা ?

অহুবু মীরা ঙাঙনবদা হালেঙবা লৈত্রব। মণিপুর সনা লৈবাক্কা মৈতৈ প্রজানা মখোইগী ফিদরকম ওইরিবা অচৌ অশাংশিংগী অশোয়বা থি থিহুনা লৈপুং য়াকাবদা রারীনবা থায়নঙৈদগী চৎন-রকলি । খর হেন্না হায়জিনবা পাউদম্বগী তৌদবা যাত্রবা মখৌনি—মরমদি খর হেন্না হাযজিল্লবদি পাউ অহ্ মরীক চুমলোঈ—কনানম্ব তানীংলোই মানম্ব মাল্লোই ।

অসিদম্ব নত্তে মানা তারিবা মীরা—হৌজিক পেনসিন কংলবা চহি মক্তাঙসিক্কাওদা । মুপী খিদবা মুপানা কনাগুম্বী নচা-মুবীগা খিত্তং নরুকবা মীরা ঙাঙননবগী মচাল্লী ।

অহুয়া অয়ুক অণ্ডনবগী হয়া চাবা কোয়থোকপদা মরক মরক্তা ময়াম্বনা লৌরম্বী লুপ্রাবী নহা মতৈমত্তোনগী য়ুমদা হেক হেক চংলুগ— কয়ম তৌরি হংলুই। মৈত্তৈ প্রাজানা হায়নৈ—মতৈমগা ভাঙনৈ অহিং লেক্‌ন্না লৈ

করি অমুক হায়গনি- মনাও মুপাগী মচা মুপী অমা মানা থর লুন' তৌবদো মাগী মচানি মনাওমুপী ভাঙনহুনা পোকপনি হেক্তা হায়নরিববনি ফন-শাওনীংখি-- অদুবু মচীন মেল্লুবদি য়াবরদো।

ওসিদি কারনো থওদে—পুয় মশা ইওম-ওমদে মকোকস্থ য়াম্না চীকই রাথলম্ব হামচংনৈ। মনীং-মমাও শয়দে। মনাগা মী লৈহনীংই রারী রাত্তাই শানিংই—শীক নাম্না লেবা লাংবা তৌহন্নীংই। অদুবু ওসিদি ফন-হাওই। মাগী ওর্দলী লৈত্তে—মমা নারে হায়হুনা ছুটি লৌহুনা মযুম চংখি। মতম থর মাগী মত্তুং শিন্নবা নেকপা অণ্ডাং মুপামচা অহুম্ব- চাক-ঈশিং থোংবা লোইরগা মাবু পীজ-পীথক্লম্নগা কোয়থোকখি, মুংদাংবাইরম হল্লকনি।

মুমিংনা লৈয়থরক্লবা মুংশা ওবুম-ওবুমকপা মতমদা মাগী-মশা ওমদবা মকোক চীকপগী চাং থংহেন হেনগংলকই। মতমচুদা কনা অমত্তা মনাক্তা লেত্রবদা নীংশিলকখি—মানা নোংমা মমায়বা অমা, নারে হায়না হংবা চংলুবদা মমায়বগী হমুরবী মুপী অহুনা মথোও নোইহুনা লেবা তৌরম্বা মচামুপী মৌনহাহুনা লুথুমদা মকোক নাল্লন শিক্লহুনা লৈরম্বা, মচামুপী অমনা কম্মাংদা কমহুনা মপা'বু শিকনান্দুনা লেবা তৌরম্বদা।

মথং মথং নীংশিংলকখি- অহুত্তৈ মানা ভারওকী অরাং নোংচুপ

সিমানাগী আউটপোষ্ট অমদা লৈরিবৈদা থোকখিবা থৌদোক । মতম মচু মহাক চহি ২৮/২৯ শুবা মতাঙনি । আউটপোষ্ট অদুদা লৈরকপা চহি অহুমলোম শুক্লিল্লকলে মাগী ট্রান্সফর মতম নকশিল্লকলে । আউটপোষ্ট অদুদগী নোংপোক্তা কিলোমিটর মথায়মুক চংলগা আফগান সিমানাগা হেক তাইনবদা অপিকপা পাঠান খুল অমা লৈ—য়ুম মরি মঙাতনা শাবা । খুল অসিগী মী-শিং য়াউশেনবা কাণ্ডবুনি -লায়রবা ভাকুনি ভারত সিমানা ভাকপগী থৌ ওইনা মরক মরক্তা ব'উগু ংপা পাঙ লৌব , -সিমানা ভাক্লীবশিংগী মথো য়েংবা হেক হেক চংপদা ক'রিপ্পা কা০, খল অদু ফাওহনা চংলগী

নারঙ্গম্ব যজবা লৈ শাংলি । পাক্লবা চাক্লবা খুনসিগী শেগায়-রবা—নুং অমসুং নৌবক্কী ঈকৌন কস্তরবা লৈরংগী থাংপোক অমদা য়াউশেনবা মপা মমাগী অমত্তা পোকখ্বী চহি ১৬/১৭ লাম শুরবী-পোমশাংনরবী কুচু ভৌনা বাসি কৈথৌ নপ লেতন, ফজবী মচানুপী আখতারা । ঈশ্বরগী খুংগাম ওংঙকপনি- পৃয়না মাবু হেক উরুবদা মাগী পম্মোঙ্গী মথুম মরাঙ হৌখি-য়েংবগী পেম্মাইদ্রবী শক্তমচু মিংফম হোংদবমখৈ য়েংখি ; পোমশাংনবী অদুম্ব রাখল ইপাক্তা তারবরা ? য়েংদশিন্না হন্না হন্না য়েংলি । মায় ভাংতক ভাংতক হাইকেং নোক্লম চিনবান কাঙলপ অঙকপা ঈজিত্তন অনিমক্কী থম্মোই তার অদু থত্তুনা হকচাং কায়াং থুংনা ইনিন নিংখি ।

ছিরম খুদৌংদা অহাংপত্তনা থল্লবা লায়রবা খুনগী থুম্ভাশিংদুগী মতৌ য়েংবা ভমদত্তুনা অচা-অথক ফি-রোন— ছিদাক লাংথক কযা পৃয়না হেক হেক য়েন্দুনা খুনগী মীশিংদুগা মরূপ মপাং ওইরকই

চাম্নরকই । ন্নোংমক্লু সিমান্যগী রাথোক্কা নোংমৈ কাপ্নরকপদগী মখোয়গী ইমুংদা লোত্তুনা মথরাই হিংলকখি । খঙনরকপদগী নক্লরকপনা— মখোয় অনিমক অহানবা উনবদা পোক্লখিবা রাখলছ্‌ মকা লাম্নকই ।

ন্নমিৎ অহু মপা মমা অনিমক অথাপ্পা খুন অমদা চৎখি । য়ুমহুদা মহাক মথন্তানি । পৃয়স্থ চৎনীংহুনতা লৈরবা য়ুমহুদা লাকখি । লাকহন্নীংহুনতা লৈরবা মতম পূম্বদা উনীংহুনতা লৈরবা পৃয় লাকপদা মহাক হামকন খচদন হরাও নুংঙাই ইপাক্কা খোঙদারকলে । মগ৹-মখুৎ পায়নহুনা থম্মোই বিনা খোংনবকলে । থম্মোই বিনা অ'নগা তার অহু মঙুং ধ্যানা নুং,শজবা মেজরাপনা খূৎথৎ তোয়-রক্লবদা থরাহ-হকচাং মনূং মানা ফাওনা ফোঙ ফোঙ শারবা ইনিন কারকলে নল্লকলে থম্মোই আকাশ মনূংগী ওইবা হৈ—লৈ য়েন্নহুনা চামিন্নরে নাপ্ন নাপ্নদা চেৎনরে । ঈশ্বরগী খুৎশমগী ফজবা উহুনা পৃয - তাখৈত্তার চাম্নবগী অথেংবা অযৌবা সিমা লানগরে ।

নতুং ন্নমিৎ থর লেবগা সরকারগী হুকুম্না থুনমক ট্রান্সফার তৌরহুনা মহাকপু উনরম্ব' ফাওনা নংদমা আউট পোষ্ট অহু থাদোকপা তাথ চাহ অমগী তুংদা আখৈত্তারদগী চিঠি অমা ফংখি । মাগী মচানুপী থবা থা মরি শুরে মঙ্গা চঙলকলে চউন্ধ' মতম য়ৌরে । অতুগী তুংদা মখোইগী পাউ শুক্কা তাথদ্রে মমৈদা কম্নরক ফংগ্রবা তুংদা তাথ—খুন্দুম্ন মুংখ্রে মখোং কদাইদা তোংখ্রবগে কনানম্ন খঙখিদ্রে ।

অঙ্গা অহুদা পৃয়না খল্লকই - করিগুম্বা লৈমিন্নগম্নবদি মাগী মনাক্কা আখৈত্তারা অমগুং মচানুপী থবানা য়েৎ-ওই নত্রগা থুম্না লুখুম

ফমজুনা সেবা তৌনিকো— মাবু শিক-নান্নুনা মাগী অনাবদু থরক্তা ওইরবস্থ মেমথহল্লগদবরা ?

অওইবমক মতম অদুদা মহাক লাইহৌ কন্না হৌ-রদুনা মশা পূম্বা হুমাংনা পূমচোং চোংলম্মী— চোইরোন পারোন থরম্থ লোল্ল-মাল্লে—আথঁবারা অমদি থবাগী মমিং তোৱনা তোৱনা পল্লকপদু মাগী অনেকপা মুপামচাদ্র মুংদাং বাইরম হল্লকপদা তারদুনা মনাক্তা চঙশিন্দুনা য়েংলুই হোদোক্লই। তৌরম্বিবা কিভমদু উবদা পাখংলদুনা য়ুমথংনবদা লৈবা অহন্দু কৌগে চংলুই। তান চারুদুনা ইমুং অদুদা ডাক্তর অমস্থ হেক লৈরমলে। মথোই পূম্বা লাক্তুনা পৃগবু পম্বোই থাংবোই তৌদুনা ইমুংদা পুশিল্লে ফমুংদা হিপথহল্লে। ডাক্তর অদুনা হিদাক কাপ্পনে করিনে তৌরে। ডাক্তরগী মোল্লবা থুত্তুনা মশা মকোক পায়দুনা নান্নুনা য়েংলম্মী। চুম্নগী ডাক্তর অমনা তৌবা হৌনবা অদুদগী য়াম্না হেন্না মাঙ্গংশি থঙবগা লোয়ননা থরাঙ য়াওনা য়াম্না নরুবা মরী মত্তা অমবু ফহম্নীংবগা লোয়ননা তোবগুম থরাই য়াওনা য়েংলম্মী—সেবা তৌরম্মী। অহিং ফন-পেঙগ ফাও হনবগী আশা তৌরমদে। পূং অনিরোম লাকরবা লাইকম্নরবগী তুংদা অনাবা আন তারকলে। হজংনা য়েংবদা ডাক্তরবু উাথ—ঙকথি। উবমক্তদা মিংকুপ্তা নীংশংলকথি— নোংমা চাহ কয়ামুকী মমাঙদা মথোংনা থোংনা মথক্তা লৈবা মাগী কাদা লাকথি অমদি য়াম্না ইকাইনা হংলথি—'তাইবুঙোনা এবু কৌবিবরা?"

মতম অদুদা চাউথোক্লবা পৃয়না থুমখি—"নহাক্তা অস্তুন্না লাকপা চুমদবনি।" মহাক ইকাই-ইকাইনা হনখি।

চৌখিক্রো খঙলে শেন্না মা লৈবা ফংদে। শেন্দগী হেনবা শেন্না লৈবা ফংদবা মাঙহনগী মরী [illegible]। অমনা অনবু লুংশিবা হায়বা অমসু লৈবোইরে।

ওর্দলী ময়ুম চংখি। শেন পীংনা মী নেকলুই [illegible]দমক্তা থনক নোমলে অদুবু মী[illegible]গী [illegible] অ[illegible] [illegible]। শেন্না লৈবদা শুকফং ফংদবা—মমা মপা ম[illegible] ম। [illegible] ম চ [illegible]ইবগী লুংশিবীবা অতুদি চন্দক্কী মপোক্কা ফং[illegible]বে। [illegible] যেংহুনা মহাক্কা তপ্‌ তপ্পা হায়রকই

"ডাক্তর থেং[illegible]বস্বা নৈগী [illegible]যা[illegible] ল[illegible]নক মখুৎশা। [illegible] [illegible]র ঐগী রাখল য়াম্না [illegible]নপ্রে—চৌখিক্রো [illegible] নহ[illegible]া [illegible] [illegible]খুৎশা। শেলনা ফংদবা পোংশক লৈ হায়বাস অশুক কু[illegible] [illegible] ওস্থোক্লা থেঙনা থঙদা ডাক্তর নঙনা চুম্মী হায়বসে।"

জানুয়ারি [illegible]৪ ইং



শ্রীএলাংবম সোনামনি সিংহগী লাইরিকশিং

শৈরেং -১। খাথল শৈরেং (১৯৪১) ২। শংবানবী (১৯৬২)
৩। থম্মোই বিনা (১৯৬৭) ৪। লৌনমচাওবী লৈরাং (১৯৬৭
৫। কাযনবদা (১৯৭৩) ৬। অনিথোক্লবদা (১৯৮০)
৭। পোমশাংনবী (১৯৮৫) ৮। মিংনাইদবী (১৯৮৮)
৯। অশিবগী লোনবু অহিংবনা খণ্ডবরা (১৯৯৩)
১০। ভাইকরী নঙবু নীংতম্বা (১৯৯৬)

খণ্ডকাব্য—১। উদ্ধবকী পাউ (১৯৮৩) ২। দক্ষ যজ্ঞ (প্রেস্তা)

য়াবীমচাঃ—১। নির্ম্মল যমুনা (১৯৬৬) ২। রোমকুদা শিকার (১৯৭৩)
৩। মংশং তানবা (১৯৭৮) ৪। জগন্নাথ পূজারী (১৯৮২)
৫। মমাঙথোঙ লোয়বদি মনীংথোঙদা লাকউদনা (১৯৮৫)
৬। হায়নবীদো (১৯৯০) ৭। মৈতৈগী ইজ্জৎ (১৯৯৫)

উপন্যাস—১। বসুমতী (১৯৮৪) ২। হাজারী মচীন-মৌপা (প্রেস্তা)
য়ারেং ১। বারুণী য়ারেং শৈরেং (১৯৭৮)
হান্দাকপা ১। চণ্ডীদাস (১৯৯৩)

“ওইরেরো ওসিদি নওবী মতমাংগী মীচৈদ কাইখবী
কারণনি মীপুম জিনং, তম্বনদি থম্মোই খুবীং।

জওহরলাল নেহরু দাঙ্গ একাদমী
মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ
কলচরেল ফোরম
শ্রীশ্রীগোবিন্দজি নর্তনালয়
অহুআল সাহিত্য শ্রেণী
২৮—১-৮৯ ইং

“হুংগী বাবু চেৎনা থননা মতমী থোক্তে মনি”
পাল ২১-৫-৮৯

“রাম্না চঙা ফজরবা রাইত্তেরা ইবা—
অইবনা কোৎথোকপীরিবা থম্মোইগী রারী কয়া
অসি পারিট্টে মতমদা তশেংবমক ওইনা থম্বা ওমদে।
শ্রীবাসুদেব
(হুইয়েনলালপাও ২৭/৭/৮৮

“Mr. Sonamani is most convincing when he portrays the multipronged dilemma facing and confusing the youth of Manipur today. However the author's primary concern is corruption.

The Times of India
Sunday 26 Feby 1989